

যোগবাসিষ্ঠ

(অহানব শরুক)

(বৈরাগ্য, মুমুক্ষু অমসুং উৎপত্তি প্রকরণগী সর্গ -১৪ ফাওব)

মৈতৈলোন্দ



শল্লপ

যোগ বাসিষ্ঠ

(অহানব শরুক)

বাগ্য, মুমুক্ষু অমসুং উৎপত্তি- প্রকরণগী সর্গ -১৪ ফাওব)

মৈতৈলোন্দ

শ্রীমোইরাংথেম নিংথেমজাও সিংহ

অফোঙবঃ- মোইরাংথেম নিংথেমজাও সিংহ,
খোংজম পার্ট টু

অহানবা থুংনম - ২০০৯

কোপী মশিং - ৫০০

মমল - লুপা ৯৫/-

নমফমঃ- ডি ব্রোস ওফসেট প্রিন্টার্স,
কোনুং মমাং, ট্রাফিক পোইন্ত অরাংথংবা লম্বী, ইম্ফাল।

নোল্লুক্কা ৱাহৈ অনিদং

ভারতীয় তত্ত্বজ্ঞানবু খণ্ডনিংদুনা থিজিল্লিব জিজ্ঞাসুশিং অমদি সাধকশিংগীদমক্তা য়োগবাসিষ্ঠ চাংদম্নিঙ্গ্রই লম্বা লৈতব গ্রন্থরত্ননি। গ্রন্থ অসি বিশ্বসাহিত্যদ জ্ঞানাত্মক ওইবা সূক্ষ্মশিংগা অমদি তত্ত্ব নিরূপন তৌরিব গ্রন্থশিংগী মনুংদ পুন্নমক্তগী অখোইবনি। মসিদ আত্মা পরমাত্মা, জীব জগৎ বন্ধন-মোক্ষনচিংব অথুপ্পা অরুব বিষয়শিংবু মখল মখা কয়াগী ৱারি ৱাতাই অমদি দৃষ্টান্ত খুদমশিংন মরম ওইদুনা রুপোল্লা ফজন নৈনরি। ভগবান শ্রীরামদ জ্ঞানস্বরূপ ওইবব মহার্ষি বসিষ্ঠন উপদেশ ওইনা পীদুনা তাকখিব তত্ত্বজ্ঞানগী খ্বাইদগী ৱাংব রচনানি। গ্রন্থ অসিবু মহারামায়ন, বাসিষ্ঠরামায়ননচিংবনু কৌনৈ। লাইরিক গ্রন্থ অসিগী মরমদ মহর্ষি বসিষ্ঠ মশামক্তা হায়রি মদুদি- সংসার কৌব লিংগী ফু কারব অমদি বিষয়গী পুকচৎ লাইনা লাইহৌরবর থৱাই-পান্থশিংগা মক্তদি য়োগ বসিষ্ঠ দাস লৈত্রব পুমশেং শেংলব মন্ত্রনি।

য়োগবাসিষ্ঠ অজাতবাদ নত্রগা কেবল ব্রহ্মবাদকী শাস্ত্রনি। অসিগী সিদ্ধান্ত মতুংইন্না সুপ্নগী অমখক্ত ওইবব চেতন তত্ত্ব পরব্রহ্ম ... নত্তন কাবিগুম্ব অরৈব (সত্তা) অমত্ত লৈতে। সমুদ্রদ মশীং নাইদ্রবা ঈথকশিং হোগৎলকপ অমসুং অমুক মুংখিব তৌদুনা লৈ। মখোয় সমুদ্রদগী খেন্নব নত্রগ অতোপ্প তোঙ্গ্রনব থক ওইদে। মতৌ অদুগুম্ন নিত্য সচ্চিদনন্দ পরমাত্ম তত্ত্ব ওইব সমুদ্রদগী মখল মখাগী লোইখম্ব লৈত্রব ব্রহ্মাণ্ডশিংগী পোক্লকপ লৈব অমসুং মাংখিবগী লীলা ওইব ইথকশিং মৃগতৃষ্ণগুম্ন উইহন্দুনা লৈ। অহংকারন মাঙ্গখিবমক্ত শুপ্নগী ব্রহ্ম চৈতন্য অমখক্ত লৈহৌই। তত্ত্ব অমতং অসিবু ৱারী-ৱাতাই, মখল কয়ান, ইতিহাসশিং অমদি কথাশিংন

মরম ওইদুন গ্রন্থ অসিদ প্রতিপাদন তৌরি। মসিদ নত্তন মসিদ যোগসিদ্ধিশিং, যোগ, সাধনশিং অমদি যোগগী ভুমিকাশিংবুসু থোইদোক হেন্দোক্ল থোংনৌন বর্ণন তৌরি। জ্ঞান্দ মপুং ওইব লাইরিক ওইবগী মতুংদসু মসিদ ভক্তি অমসুং কর্মগী দরকার মতুং ইন্ন পাঙ্গল পীরি। সদাচার অমসুং সৎ-সঙ্গগী মতিক মগুনসু মফম মফমদ প্রতিপাদন তৌবি।

প্রকাশক
গীতা প্রেস গোরখপুর

Yoga Vasishtha is a wonderful book in the world The nondual Brahaman alone exists This world does not exist in the three periods of time Knowledge of the self alone will free one from the rounds of birth and death

Extinction of vasana (carvings) is Moksha Mind generates this Universe through Sankalpa (thought)

Swami Sivananda

"The Yoga Vasishtha has always been considered as perhaps the most elaborate exposition of philosophy and religion ever written under the sun "

The Divine Life Society

যাওফম তাকপা

হীবম	লমাই

বৈরাগ্য প্রকবণ

মুমুক্ষু ব্যবহার প্রকরণ

উৎপত্তি প্রকরণ

ওঁ

যোগ-বাসিষ্ঠ

(শন্নপ্প)

শ্রীপরমাত্মানে নমঃ

বৈরাগ্য প্রকরণ

সুতীক্ষ্ণ অমসুং অগস্তি, কারুণ্য অমসুং অগ্নিবেশ্য, সুরুচি অমদি দেবদূত অমসুং অরিষ্টনেমি অদুগ বাল্মীকিগী ৱারী শান্নব পন্নদুন ভগবানগী শ্রীরাম অবতারদ ঋষিশিংগী শাগ্ন মরম ওইববু তাকপ।

য়তঃ সর্বাণি ভূতানি প্রতিভান্তি স্থিতানি চ।
য়ত্রৈবোপশমং য়ান্তি তস্মৈ সত্যাত্মনে নমঃ॥

লৈশেমগী হৌরকপদ হেক লৈরিব ভূত পুন্নমক মদুদগী ফোংদোক্লগ উব-খঙব যাব বিষয় ওইরিব, ফোংদোকুন লৈরিঙৈ স্থিতিগী মতমদসু মঙোন্দ লৈব অমসুং লৈমাঙব প্রলয় কাল লাক্লবদ মঙোন্দমক্ত লুপশিনখিব অদুগুম্ব সত্যস্বরূপ পরমাত্মাবু খুরুমজরি।

জ্ঞাতা জ্ঞানং তথা জ্ঞেয়ং দ্রষ্টা দর্শন দৃশ্যভূঃ।

কর্তা হেতুঃ ক্রিয়া যস্মাত্ তস্মৈ জ্ঞপ্ত্যাত্মনে নমঃ॥

জ্ঞাত। (অখণ্ডব) জ্ঞান অমসুং জ্ঞেয় খঙ্গদব বিষয়: অউব ,উব অমসুং উর্মীব পোৎ, অমদি কর্তা (অতৌব) কারণ (মরম)অমসুং ক্রিয়া (থবক)-পুম্নমকশিং অসি মঙোন্দগী ফোংদোরকপ ওইব অদুগুম্ব জ্ঞান স্বরূপ পরমাত্মাবু খুরুমজরি।

স্ফুরন্তি সীকরা যস্মাদানন্দস্যাম্বরেঽবনৌ।

সর্বেষাং জীবনং তস্মৈ ব্রহ্মানন্দাত্মনে নমঃ॥

মঙোন্দগী স্বর্গ অমসুং মালেম্নচিংব লোকশিং পুম্নমক্ত নুঙাইবগী মশক ওইব ঈশিং ঈরিকশিং কাপথোরকইব- থবাই পানবশিংগী অনুভবতা ফাওহল্লিব অমদি মহাক অদুন জীব পুম্বগী পুন্সি তুংনফম ওইরিব অদুগুম্ব মপুং ফারব চিন্ময় আনন্দগী মহাসাগরগী মশক ওইব পরব্রহ্ম পরমত্মাবু খুরুমজরি।

থাইন মমাংঙৈদ সুতীক্ষ্ন কৌব কনাগুম্ব ব্রাহ্মণ অম লৈরম্মী মাগী পুক্লিংদ চিংনবন থল্লম্মী। মরম অদুন মহাক্ত মহর্ষি অগস্ত্যগী আশ্রমদ চত্তুন মহামুনি অদুদ ভক্তি ব্যবহারগ লোইনন হংলম্মী - ভগবন! নহাক্তি ধর্মগী তত্ত্ববু খঙলিবনি। নহাক্তি শাস্ত্রশিং পুম্নমক্কী সিদ্ধান্তগী অরেম্প জ্ঞান লৈবিরি। ঐগী থম্মোইদ অচৌব চিংনব অম লৈরি; নহাক্ত থৌজানবীদুন মসিবু সমাধান তৌদুন কোকহনবীয়ু, মোক্ষগী সাধন পাম্বৈসি কর্ম র নত্রগ জ্ঞান ল নত্রগ অনিমক্ত ওইবর? অহুম অসিগী মনুংদগী করিগুম্ব অমবু লেপ্পীরগ মদুন মোক্ষগী অশেংব মরম ওইরিব মদুবু অমুক্ত শীংথাবীয়ু।

অগস্ত্যন হায় - ব্রাহ্মণ ! মদুদি মশা অনিমক্ত উচেকশিংগী আকাশত

পাইব ওইখোকই মতৌ অনুগুম্ব জ্ঞান অমসুং নিষ্কাম কর্ম অনিমক্ত পুনবদগী পরম পদবু ফংব ওই, বিষয় অসিদ অরিব ইতিহাস অম লৈ, মদু ঐন নহাকী নকমদ বর্ণন তৌগে।- থাইনগী বানি; কারুণ্য কৌব অথোইব ব্রাহ্মণ অম লৈরম্মী মহাক অগ্নিবেশ্যগী মচানি। মহাক্ত বেদ পুম্নমক্তবু নৈনরুরে অমদি মহাক বেদ বেদাঙ্গশিংগী নীংথিন খঙব পারঙ্গত বিদ্বান ওইরম্মী। গুরুগী মকমদগী বিদ্যা তম্লগ মাগী ময়ুমদ হল্লক্রবগী মতুংদ মহাক্ত সন্ধ্যা-বন্দনানচিংব করিগুম্ব কর্ম অমত্ত তৌদন তুমিন ফমদুনত লৈরম্মী। মাগী পুক্রিংদ চিংনবন থন্দুন লৈরম্মী। মপা অগ্নিবেশ্যন উরম্মী মদুদি ঐগী ইচাসি শাস্ত্রন তাকপ কর্মশিংবু থাদোক্রব নিন্দা তৌনফম ওইখ্রে, মতমদুদ মহাক্ত মচাগী য়াইফনবগীদমক্ত মতৌ অসুম্ন হায়রম্মী।

অগ্নিবেশ্যন হায়খি - ইচাইবুঙো! করিনো তৌরিব অসি। নহাক নশাগী তৌফম থোকপ নথৌ কর্মশিংবু করিগী ঙাক্ত চন্ত্রিবনো? অশেংবদু হায়ু। করিগুম্ব সৎকর্মশিংগী অনুষ্ঠান পাঙথোকপ তৌদ্রবদি নংন পরম সিদ্ধ কমদৌন ফংগনি। নহাক্ত অদুগুম্ব কর্তব্য - কর্মদগী নিবৃত্ত -মাই লৈথোক্তুন লৈরিব মসিগী মরম করিনো? মদু ঐঙোন্দ হায়ু।

কারুণ্যন হায়রম্মী - ইপা ইবুঙো! পুন্সী চুম্প অগ্নিহোত্র অমসুং নুমিৎ খুদিংগী সন্ধ্যোপাসনা তৌগনি - হায়ব প্রবৃত্তিগী মশক ওইব ধর্মবু শ্রুতি অমসুং স্মৃতিন বিধান (নিয়ম পীব) অমদি প্রতিবাদন তৌরি। অদুগা অমুকসু মাইকৈ অমরোমদ শ্রুতি অমনসু লন থুমদগী, কর্মদগী অমসুং মচামগু শন্দোকপদগী মোক্ষ থক ফংব য়াদে। অথোই-অথোইব য়তিশিংন সুপ্নগী অমত্ত ওইব ত্যাক্তগী খক্ত অমৃত স্বরূপ ওইব মোক্ষ সুখবু অনুভব তৌখি। পূজ্য পীতাজী! অসিগুম্ব মায়কৈ অনিগী শ্রুতিশিং অসিদগী ঐন করম্বগী য়াথংবু পালন তৌগদব ওইবগে? চিংনব অসিদ তারদুন ঐন কর্মগী মাইকৈদ উদাসীন ওইরক্লি।

অগস্ত্যন হায়- ইবুঙ্গো সুতীক্ষ্ণ! মপাদ অসুম্ন হায়রদুন ব্রাহ্মণ কারুণ্য অদু তুমিন্ন লৈখিরম্মী। মচান মতৌ অসুম্ন কর্মদগী মাই লৈথোকুন লৈবদু উরগ মপান অমুক মঙোন্দ হায়খি -

অগ্নিবেশ্যন হায় - ঐ নঙোন্দ ব্বারী অম পীগে মদু তাও অমসুং মদুগী কান্নব অপুম্ব নহাক্কী থম্মোইদ লেপ্পবগী মতুংদ নংগী পুক্রিংন অপাম্ব মদু তৌ।

সুরুচি হায়ন খঙনব কনাগুম্বী দেবলোকী, লাইরেব্বাকী নুপী অম লৈরম্মী মহাক লাইগী জগোইশাবী অপ্সরাশিংগী মনুংদ অথোইবীনি লৌনৈ। নোংম মান ব্বাহোংশিংগী শংগুন কোইশিল্লব হিমালয়গী চিংদোন অমদ ফমদুন লৈরম্মী। মতম অদুদ মান অন্তরিক্ষ - আকাশত ইন্দ্রগী দুত অমন চংপদু উখি। মদু উবদ অপ্সরাশিংগী অথোইবী সুরুচিন মতৌ অসুম্ন হংখি - হে মহাভাগ দেবদুত! নহাক কদায়দগী লাক্লিবনো হৌজিক্ক কদায়দ চংলিবনো? চানবীদুন ঐঙোন্দ অমুক্ত হায়বীয়ু।

দেবদুতন হায় - হে চংথোনবী! তাও, ব্বাফম অসি করম্ন ওইরকখি পুম্নমক অদু ঐ নঙোন্দ শন্দোক্ল হাযগে। হে ফজব পীগুম লোইনবী ফজবী! ধর্মাত্মা রাজা অরিষ্টনেমি ন মাগী মচাদ লৈবাক পীরম্লগ মশামক অপাম্ব য়াওদ্রব বীতরাগ ওইদুন তপস্যাগীদমক্ত বন্দ চংখিরম্মী অমসুং হৌজিক মহাক গন্ধমাদন পর্বতত তপস্যা তৌদুন লৈরি। মদুদ মতৌ অসুম্ন মহাক্ল অকনব তপস্যা তৌরম্মী মদুদ দেবরাজ ইন্দ্রন ঐঙোন্দ য়াথং পীরম্মী - 'দুত! নহাক অপাইব দোলাই পুদুন থুনমক মফম অদুদ চংলু। দোলাই অসিদ অপ্সরাশিংবুসু লোইনন পু। মখল মথাগী থোংনব য়ৈনব যন্ত্রশিংন মসিবু ফজহল্লু। গন্ধর্ব, সিদ্ধ, য়ক্ষ অমসুং কিন্নরনচিংবশিংনসু চংথোলহন্নগাদবনি। মসিদ তাল, বেনু অমসুং মৃদঙ্গনচিংবসু হাপচিল্লু। মতৌ অসুম্ন মখল মথাগী বৃক্ষশিংন থন্ন লৈরব গন্ধমাদন চীংদ থুংলগ

নহাক্ল নিংথৌ অরিষ্টনেমিবু দোলাই অসিদ তোংহন্দুনা পুরকউ অমসুং মহাকপু স্বর্গগী নুঙাইব ফংহন্নবগীদমক্ত অমরাবতী নগরীদ পুরগ চৎলু।'

দেবরাজ ইন্দ্রগী য়াথং অসি ফংদুনা ঐন পোৎচংশিং অদু শুন হাপ্লব বিমান পুদুনা পর্বত অদুদ চৎলুই। মদুদ থুংলগ নিংথৌ অরিষ্টনেমিগী আশ্রমদ থুংলে; মদুদগী ঐন দেবরাজ ইন্দ্রগী য়াথংশিং নিংথৌদ হন্নজুন তাহল্লে। য়াইফবী! মহাক ঐগী ৱা তারগ চিংনব পোক্লম্মী অমসুং মতৌ অসুন্ন হায়রকই - 'দেবদুত! ঐ নঙোন্দ ৱাকম অম হংগে নহাক ঐগী ৱাহংগী পাওখুম পীয়ু। স্বর্গদ করম করম্ব শুনশিং লৈবগে অমসুং করম করম্ব দোষ লৈবগে? নহাক্ল ঐগী মাংদ মদুগী তশেং তশেংব বর্ণন তৌবিয়ু। স্বর্গলোক্ত লৈননবগী শুণ-দোষপু খঙলবগী মতুংদ ঐগী অপাম্ব ওইরকপ মদুমক ঐন তৌগনি।'

ঐন হায়রম্মী - 'হে নিংথৌ! স্বর্গলোক্ত জীবন মাগী পুণ্যগী পোৎচংশিংগী মতুংইন্ন অথোইব নুঙাইববু ফংলুব ওই। অথোইব পুণ্যদগী অথোইব স্বর্গবু ফংব ওই; ময়াই ওইব পুণ্যন ময়াই ওইব স্বর্গ ফংই অমসুং মথোয়শি নত্তব অতোপ্প থাক্কী পুণ্যদগী মদুগ চানব স্বর্গ ফংব ঙম্মী। মসিগী ওন্ন-তৈনব করিসু ওইদে। স্বর্গদসু অতোপ্পশিংগী মঙোন্দগী ৱাংব ফিভমদ লৈববু উরগ মীশিংন মথোয়গী পুক্নিং খাংঙমদব থোয়রাংব পোকই। অদুগুম্ব মীশিং মান্নব থাক্ত লৈব ওইব মথোয়সু য়েংথিনব মিহৌব থমনৈ। অমদি অদুগুম্ব স্বর্গবাসী মঙোন্দগী হন্থব ফিভমদ লৈব মথোয় অদুন ৱাংন নুঙাইব ফংব উরগ হেন্ন নুঙাইব ফংবশিংন অপেনব পোকনৈ। মতৌ অসুন্ন খাঙমদব কল্লকপ অমসুং অপেনববু অনুভব তৌনরদুন পুণ্যচেনব মীশিংন মতম অদুফাওব স্বর্গদ লৈগনি মদুদি মথোয়গী পণ্যগী মহৈ চাব লোইদ্রিফাওব। পুণ্যন লোইথোকখিবমক্ত জীব অদু অমুক হন্ন অশিলৈবাক মর্ত্যলোক অসিদ চংলকই অমসুং পার্থিব শরীর লৈবাক্ল শাব হকচাং

লৌদুন লৈনরে। হে নিংথৌ! স্বর্গদ মতৌ অসিগুম্বগী গুণ অমসুং দোষশিং লৈ।'

চীংলেম্বী! ঐগী বা অসিবু তারগ নিংথৌন অসুম্ন খুম্লকখি - দেবদুত! মদুদ অদুগুম্ব এহে ফলবু ফংব ওইরিব অদুগুম্ব স্বর্গলোক্ত ঐন চৎপ পামদে। নহাক বিমান অসি পুদুন অদুম্ন নংন লাকখিব অদুগুন্ন দেবরাজ ইন্দ্রগী মনাক্ত লেংবিম্লো। নহাকপু খুরুমজরি।

চীংলেম্বী! নিংথৌন হায়খিব বাফম অদুবু ঐন ইন্দ্রগী মফমদ হঙ্গংলুনবগীদমক্ত ঐ হল্লক্লে। মফম অদুদ ঐন বারম পুম্ব অদুম্মক ওইন হায়দুন তাহল্লবদ দেবরাজ ইন্দ্রন অচৌব অঙকপ ওইল্লে। অমসুং মহাক্ত তনিকপ অমসুং নুংশিব বাহৈন ঐল্লোন্দ হন্ন হায়রকই। ইন্দ্রন হায় - দুত! নহাক অমুক হন্ন মফম অদুদ চৎলু অমসুং অপাম্ব লৈত্রব বিরক্ত নিংথৌ অদুবু আত্মজ্ঞান ফংনবগীদমক্ত তত্ত্বজ্ঞ মহার্ষি বাল্মীকিগী আশ্রমদ পুদুন চৎলু। মফম অদু য়ৌরগ মহর্ষি বাল্মীকিদ ঐগী পাওজেল অসি তম্মু - মহামুনে! নোল্লুকপ গুন্ন তিল্লব অপাম্ব লৈত্রব বীতরাগ ওইরব অমদি স্বর্গবুসু ফংনিংদ্রব নিংথৌ অসিবু নহাক্ত তত্ত্বজ্ঞানগী উপদেশ পিবীয়ু। মহাক অসি পোকপ-শিবগী মশক ওইব সংসারগী অবাব অসিন ওৎপীরে। মরম অসিন নহাক্ত পিবীব তত্ত্বজ্ঞানগী পাওতাক্তগী মহাকপু মোক্ষ ফংব ওইনব।

অসুম হায়দুন দেবরাজন ঐবু নিংথৌ অরিষ্টনেমিগী মনাক্ত থারকই। অদুদগী ঐন অমুক হন্ন মদুদ চৎলগ নিংথৌবু বাল্মীকিগী মনাক্ত থিল্লুরে। মঙোন্দ দেবরাজ ইন্দ্রগী পাওজেল তম্লুরে অমদি নিংথৌন মহর্ষি অদুদ মোক্ষগী সাধন হংলম্মী। মদুগী মতুংদ বাল্মীকিন থোইদোক্ত নুঙাইব অপেনবগ লোইনন য়াইফ বাহংগী বা হৌরদুন নিংথৌদ মাগী নাদ য়েক্তবগী পাওহংলম্মী।

নিংথৌন হায় - ভগবন! নহাক্তি ধর্মগী তত্ত্ববু খঙবনি। খঙগদব ওইব

লৈরিব ৱাফম পুন্নমক অদু নহাক্ত লোইন খণ্ডই। বিদ্বানশিংগী মনুংদ অথোইব মহর্ষে! নহাক্কী দর্শনদগী ঐ পোকপগী মঠে য়াজরে। মসিমক ঐগী য়াইফবনি। ভগবন! ঐহাক্ত নফমদ খরদং হংজব পাম্মী। নহাক্ত করিগুম্ব অপন-অখিং লৈতন ঐগী চিংনবশিংসি শেংদোকপীয়ু। সংসার বন্ধনগী অৱাবন ঐঙোন্দ অসুক ৱাহন্দুন লৈরিব মসিদগী মতৌ করম্ন ঐগী নাম্থোকচব ওইগনি মসি তাকপীয়ু।

বাল্মীকিন হায়রম্মী - নিংথৌ! তাও, ঐন নঙোন্দ অখণ্ড-রামায়ণগী ৱারী লীগনি। মদু তারগ থম্মোইদ চেকশিন্ন হাপ্তুন থন্নবদ নহাক জীবন্মুক্ত ওইরগনি। হে নিংথৌরেল! রামায়ন অদু মহর্ষি বসিষ্ঠ অমসুং শ্রীরামগী ৱাহং পাওখুম ৱারী শান্নবগী মওংদ শীংথাবনি। মদু মোক্ষ ফংননবগী পাম্বৈ ওইব মঙ্গলগী মশক ওইব ৱারীনি। ঐন নংগী স্বভাবপু খঙলে। মরম অদুন নহাক মতিক চাবা অধিকারীনি লৌদুন ঐন নঙোন্দ কথা অদু হায়গদৌরিবনি। বিদ্বান ওইব নিংথৌ - তারো।

নিংথৌন হংলম্মী - তত্ত্বজ্ঞানীলক্ত অথোইব মহামুনে! শ্রীরাম কনানো? মাগী স্বরূপ কমদৌবগে? কনাগী শাগে মচানো? মহাক বদ্ধ ওইব্র নত্রগ মুক্ত? অহানবদ নহাক্ত ঐঙোন্দ ৱাফমশিং অসিগী অরেপ্প জ্ঞান হান্ন পীনবীয়ু।

শ্রীবাল্মীকিন হায়রম্মী স্বয়ং ভগবান শ্রীহরিমক শাপ্পু ঙাক্তুন শান্নব ওইন নিংথৌ শ্রীরামগী মওংদ অবতার ওইন ফোংদোক্রম্মী। প্রভু অদু পুংখঙ খঙব সর্বজ্ঞ ওইরগনসু (মাগী ভক্ত মহর্ষিশিংগী হায়দোকখিব ৱাঙাংশিংবু চুমহন্নবগীদমক্ত) অরোপিত (থংজিনব) নত্রগ মনিংতম্ন লৌদুন অজ্ঞান্ন তিল্লব ওইন সাধারণ মীওইবশিংগী মতৌগুম্ন অলপজ্ঞ খজিক্তং খঙবগুম্ন ওইখি।

নিংথৌন হংই - মহর্ষে! শ্রীরামদি সচ্চিদানন্দ স্বরূপ চৈতন্য ঘনবিগ্রহ জ্ঞান্তন শক্লাইবনি মঙোন্দ শাপ ফংনবগী মরম করি লৈবগে? মসি হায়বিয়ু।

লোইনন মসিবুসু তাকপীয়ু মদুদি মতৌন্দ শাপ পীখিবদু কনানো?

শ্রীবাল্মীকিন হায় - নিংথৌ (ব্রহ্মাগী মানস পুত্র) মহাক অদুদি অপাম্ব লৈত্রব নিষ্কাম পুংওই ওইরব সনতকুমার মহাক ব্রহ্মলোক্ত নিবাস তৌরম্মী। লোংমদি মরোল অহমগী মপু সর্ব শক্তিমান ভগবান বিষ্ণু বৈকুণ্ঠলোক্তগী মফম অদুদ লেংখত্রক্লম্মী। মতম অদুদ ব্রহ্মান মাবু পূজা তৌরম্মী। সত্যলোক্ত লৈরিব অতোপ-অতোপ্প মহাত্মাশিংনসু মাবু স্বাগত সংকার তৌনরম্মী। সুপ্লগী সনৎকুমারন মাবু আদর সংকারদ শরুক য়াররমদে। মাদি তুমিন্ন ফমদুন লৈথোক্লম্মী। মতম অদুদ মাগী মাইকৈদ য়েংলগ সর্বেশ্বর ভগবান শ্রীহরিন হায়রম্মী - সনৎকুমার! নং নশামকপু নিষ্কামনি খন্দুন নাপল অহংকার তৌব ওইখ্রে মরম অসিন উচুংশুম্ন লেংদব ওইদুন ফমলি। চাওখোকপন তিল্লব থৌওং অদুন মরম ওইদুন নহাক শাপ নত্রস দণ্ড ফংবদ মতিক চাব ওই, মরমদুন শরজন্মা কুমার হায়নন খঙনব অতোপ্প হকচাং অম লৌব (ফংব) ওইরো। মসি তাবদ সনৎকুমারনসু ভগবান বিষ্ণুদ শাপ পীরম্মী - দেবেশ্বর! নহাকসু নহাকী পুমখঙ খঙব সর্বজ্ঞতা বু মতম খর থাদোক্তুনা অজ্ঞানী জীবগী মতৌশুম্ন ওইব ওইগনি। মতম অমদ মশাগী নুপীবু শ্রীহরিগী চক্রন্দগী হাংখিব উরগ মহর্ষি ভৃগুগী শাওব মপা লৈরমদে। মহাক্ত মাবু শাপ পীদুন হায়- বিষ্ণো! নহাকসু মতম খরগীদমক্তদি নহাকী নুপী কায়নবগী অৱাব খাঙ্গুব তাই। মতৌ অসুম্ন সনৎকুমার অমসুং ভৃগুগী শাপ পীরবদ - (মখোয়গী বাঙাং অচুম্ব ওইহন্নবগীদমক্ত) ভগবান বিষ্ণু শাপ অদুদগী মীওইবগী মওংদ অবতার তৌরকখি। নিংথৌ! ভগবান বিষ্ণুন শাপপু (বহানা) করিগী শান্নখি মসিগী মরম পুম্ব ঐন নঙোন্দ হায়রে। হৌজিক নহাকী বাহংগী মতুং ইন্ন অতোপ্প বাকম পুন্নমকপুসু হায়রগে পুক্নিং চংন তারো। (সর্গ-১)

~o0o~

শাস্ত্র অসিগী অধিকারী (নৈনবদ মতিকচাব মী)হায়ব রামায়ন নৈনবগী মতিক মশুন, ভরদ্বাজন ব্রহ্মাগী বর ফংব অমদি ব্রহ্মাগী য়াথংদগী বাল্মীকিন ভরদ্বাজদ সংসারগী অৱাবদগী নাস্থোকপ ফংননবগীদমক্ত পাওতাক পীনব হোৎনব।

দিবি ভূমৌ তথাऽকাশে বহিরন্তশ্চ মে বিভুঃ।
য়ো বিভাত্যবভাসাত্মা তস্মৈ সর্বাত্মনে নমঃ॥

অদুগুম্লব নঙাল (জ্ঞান) মশক ওইব মফম পুম্বদ শিন্দুন লৈব পবমাত্মা স্বর্গদ, মালেমদ, আকাশত অমদি ঐখোয় পম্বগী মনুং অমসুং মপালদ পুম্নমক্ত ভাস্থোকুন লৈনিব পুম্নমক্কী আত্মা অদুবু খুরুমজবি।

শ্রীবাল্মীকিন [illegible] নিংথৌ [illegible] সংসারগী মশাক ওইব বন্ধন লীপন্দ শান্সন্দুন লেনে [illegible] নাস্থোব [illegible] অসুম্ন মতাংগ অদুন লেপ্পব অমদি মতাক [illegible] তত্ত্ব জ্ঞানীমকম্ [illegible] মতাক অদুমক্ত [illegible] অধিকারী ওই অদুগুম্ল অহানবদ [illegible] অযোধ্যানাচিংনা [illegible] বৈরাগ্যনচিংনা প্রকরণ [illegible] সংসার [illegible] শিননাচিংবা অৱাবাশি [illegible] নিংথৌ রামায়ন [illegible] দোষাশিংবু [illegible]।

অহানবদ মসিবু বাল্মনচিংব কাণ্ড তরেংকী রচনা তৌরগ ঐন একাগ্রচিত্ত পুরিং অনি লোংদন থৌরব ঐগী লৌশিং চাওরব অমদি নোংলুক পুকচেল তপ্রব শিষ্য ভরদ্বাজদ মসিগী জ্ঞান পীবিখি: মতৌ অদুমক্তুন্ন মদুদি সমুদ্রন মনি নম্রগ রত্ন ফংনিংব অভিবশিংদ মনি পীনবীবগুম। লৌশিং চাওব ভরদ্বাজন ঐগোন্দগী বানীগী মশক ওইব পাম্বে কাণ্ড তরেং অসিবু অধ্যয়ন তৌরবগী মতুংদ মেরুপর্বতকী অশুকপ কন অমদ ব্রহ্মাজীগী মমাংদ মদুবু বর্নন তৌরই। মদুদ অচৌব থৌয়াম পুব লোক পিতামহ ভগবান ব্রহ্মান ভরদ্বাজগী মফমদ য়াম্ন পেনবীব ওইরম্মী, অমসুং মতোন্দ হায় - ইচা ইবুঙো! নং ঐগোন্দগী অপাম্ব বর অম নিয়ু।

ভরদ্বাজন হায় - ভগবন! হৌজ্রব ওইরক্কদব অমসুং হৌজিক ওইরিবগী মপু ওইব পিতামহ! অদুগুম্ব উপায় পাম্বে অদুন মীওইব কাংলুপ পুন্নমকপু অরাবদগী কোকপীব গুম্ব মদুতং ঐগোন্দ তাকপীয়ু ঙসি ঐন মদুতবু অফব বরনি খঙ্গে।

শ্রীব্রহ্মান হায় - হে ইচা ইবুঙো! নংন বিষয় অসিদ থিন্দনমক হোংনবগ লোইনন নহাক্কী গুরু বাল্মীকিদ হায়জৌ। মহাক্ন অদুগুম্ব দোষ লৈত্রব রামায়নগী রচনা তৌরিবনি। মদুবু তাব শ্রবণ তৌরবদ মীওইব পুন্নমক গুমহৎপ মোহদগী লাম্বোকনি। শ্রীবাল্মীকিন হায় - ভরদ্বাজদ অসুম্ন হায়রগ জগৎ লৈশেম্ব ভগবান ব্রহ্মান মাগ লোইনদুন ঐগী আশ্রমদ লাক্রম্মী। মতম অদুদ ঐন থিম্বদন অর্ঘ্য পাদ্যনচিংবন ভগবান ব্রহ্মাবু পুজা তৌরম্মী। অদুগী মতুংদ থবাই পানব পুম্বগী য়াইফনবদ লুপলিব ব্রহ্মান ঐঙোন্দ হায় - অথোইব মহর্ষি! শ্রীরামচন্দ্রগী স্বভাব অমদি স্বরুপকী বর্ণন তৌরিব দোষ লৈত্রব রামায়ন অসিগী হৌবদগী লোইদ্রিফাওব অপন-অচিন কয়া লৈরব ফাওবদ নহাক্ন মসিবু খক থাদোক্কনু। গ্রন্থ অসিবু নৈনবদগী জগত সংসারগী মশক ওইব অরাবশিংদগী থিম্বদন মতৌ অদুম্ন

কোকপ ওমগনি মদুদি জহাজন মরম ওইদুন মীশিংন ইকুই কুইদন সমুদ্রবু লাম্বোকপ ওম্বগুম। নহাক্ত মীওইব য়াইকনবগীদমক্ত রামায়ন কৌব শাস্ত্র অসিবু রচনা তৌ। ব্রাকম অসিবু হায়ননবগীদমক্ত ঐ ইশামনক্ত মফম অসি ফাওব লাক্লিবনি। অদুগী মতুংদ মহাক ঐগী শেংলব আশ্রমসিদগী মিকুপ অদুমক্ত শকলোংখরে। মদুদ ভরদ্বাজন হায় - ভগবন! শ্রীরামচন্দ্র,ভরত,লক্ষ্মন, শত্রুঘ্ন মিংচংচাওবী সীতা দেবী অমদি শ্রীরামচন্দ্রগী তুংইন্নিব অথোইব বুদ্ধিমান মন্ত্রি মচা - মখোয় খুদিংমক্ত সংসারগী মশক ওইব খুদোংথীব অসিদ তারগ করম্ন ব্যবহার তৌখিবগে ব্রাকম অসি ঐঙোন্দ তাকপিয়ু। মদুবু তারগ অতোম্পা মীশিংগী মফমদ ঐসু অদুম্নমক শাজং-লিচং ব্রাঙাং তৌগনি।

রাজেন্দ্র! ভরদ্বাজন ইকাইখুম্নন ঐঙোন্দ মথকী বিষয়বু শীংথাননব হায়জরকদ ঐন ভগবান ব্রহ্মাগী য়াথং গুরুবগীদমক্ত মথকী ব্রাকম বিষয়দ চংশিনব হৌরে অমসুং হায়রম্মী - হে ভরদ্বাজ তারো নহাক্ত অদুম্ন হংখিব, মদুগী মতুংইন্ন নঙোন্দ পুন্নমক অদু হায়রগে। ঐগী পাওতাক (উপদেশ)পু তারবদ নহাক নশাগী মোহ পুম্ন কোক্লগনি। লৌশিং শিংব ভরদ্বাজ! নহাক অদুম্নমক চংপ ওইয়ু মদুদি আনন্দ স্বরূপ কমলনয়ন ভগবান শ্রীরাম্ন সংসার পুম্বদ অনাসক্ত ভাব পামশিনব ব্রাখল অমত্ত য়াওদন লেলমখিবগুম।

মহামনা ভরত, লক্ষ্মণ , শত্রুঘ্ন, কৌসল্যা, সুমিত্রা,সীতা,নিংথৌ দশরথ শ্রীরামগী মরূপ কৃতাস্ত্র অমসুং অবিরোধ, পুরোহিত বসিষ্ঠ, বামদেব অমদি অতোপ-অতোম্পা মন্ত্রী নিপাল মখোয় খুদিংমক অসি জ্ঞান্দ পারংগত ওইব ঙাক্তনি। ধৃষ্টি, জয়ন্ত, ভাস, সত্যবাদী বিজয়, বিভীষণ, সুষেণ, হনুমান অমসুং ইন্দ্রজিৎ- মখোয় নিপাল অসি শ্রীরামগী মন্ত্রীনি হায়রি। মখোয় পুন্নমক সমদর্শী ঙাক্তনি। মখোয়গী চিত্ত (পুক্লিং) বিষয়শিংদ আসক্ত (নপশিন পামশিব) লৈরমদে।

মখোয় খুদিংমক জীবন্মুক্ত ওইরব মহাত্মা ভাক্ত ওইরম্মী। অমসুং প্রারব্ধদগী কাঁরিগুম্ব খর ফংব মদুদ পেন্দুন লৈরগ মদুগী মতুংইন্ন ব্যবহারদ হিংলম্মী। হে হৃচানুপা! মখোয়শিং অদুন মতৌ অদুন্ন হোম, দান অমসুং পীথোক-পীশিন তৌথিব অমসুং মখোয়ন জগত অসিদ করম্ন লৈরমখিব - অমসুং মতৌ অদুন্ন নিংশিংব খনব অমদি শ্রৌত-স্মার্ত কর্মশিংবু পালন তৌরমখিব মতৌ অদুমকুম্ন করিগুম্ব নংসু লীচৎ অদু চৎলবদি সংসারগী মশক ওইব খুদোংথিবশিংদগী লাখ্রেকপন চংঈগনি। উদার (পুকচেল চাওব) অমদি সত্ত্বগুন্ন তিল্লব মী, লানঙমদ্রন সংসার সমুদ্রদ তাববনু করিগুম্ব মথক্কী অথোইব সাধনবু মশাগী ওইন লৌরবাদ মহাক অরাবস্ফ্ ফংলোই অমসং মহাক্ত অতোনব মতৌ নদ্রগা নুঙাইতবদ[illegible] তারোহ। মখল পুম্বগী চিন্তাশিংদগী কোকপ ওইব পথমানন্দগী অমৃতবু থল্ল[illegible] মতম পুম্বগী [illegible] পুংপেন পেনব অথোইব ওই। (সর্গ-১)

[illegible] বিচাব, জগতকী মিথ্যা ওইব মতৌ অমদি [illegible] [illegible] বিবরণ অমদি ভগবান শ্রীবামগী তীর্থ যাত্রাগী বর্ণন।

[illegible] শ্রীবামচন্দ্রগী [illegible] [illegible] জীব[illegible] এরেজোন্দ [illegible] তৌবায়, মদুদ [illegible] [illegible] অথোইব [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] ভবধাতা [illegible] আকাশ[illegible] [illegible] শংগী ভ্রম তৌব মতো মদুগুম্ব [illegible] [illegible]

অজ্ঞান্ন কুম্পদগী জগতকী (সত্তা) লৈববু ভ্রম তৌবনি। অসিগুম্ব জগতকী ভ্রম পোক্লকখিব অসিবু মতৌ অসুম্ন কাওথোকখিগনি মদুদি অমুক হন্ন কদিগুম্বদসু মসিবু নীংশিংব খক ওইদব - মদুমক ঐন অথোইব জ্ঞান্নী লৌই। উবি-খঙলিব দৃশ্য-প্রপঞ্চ জগত অসি শূকলৈমক লৈতব অত্যন্ত অভাব নি - মসি শুকওইসু ওইদন (ভাম্বোকপ) উবনি হায়ব ব্রাফম অসিবু খঙদ্রিবমথৈ কনাগুম্ব অমত্তন করিগুম্বদসু অদুগুম্ব পুমথোই থোইব আত্মজ্ঞানগী অনুভব মহাও খঙব খক ঙমদে: মরম অসিন আত্মতত্ত্বজ্ঞানবু থিরক্লিবশিংন মসিবু ফংননবগীদমক্ত তকশিন্দুন হোৎনগদব ওই। যোগবাসিষ্ঠকী মশক ওইব শাস্ত্র অসিগী জ্ঞান লৈরবদ পূন্সি অসিমক্ত আত্মতত্ত্ব অদুবু খঙব ওই - ব্রাফমসি পুমওই ওইথোকপমাক্র। মদুমক ওইদুন লৈরগনি । পান্দম অসিদ শাস্ত্র অসিগী শন্দোকপ (প্রচার-প্রসার) তৌরবনি। করিগুম্ব নহাক্র (শ্রদ্ধা-ভক্তিগ লোইনন) শাস্ত্র অসি শ্রবন তৌববদি লেপ্পমক নহাক্র আত্মতত্ত্ব অদুগী জ্ঞানবু ফংন ওইগনি, নত্রবদি মদুগী জ্ঞান ফংব ওইথোক্তে।

পাপ পক্তব 'ববদ্বাজ' জগতকী মশক ওইব ভ্রম অসি প্রত্যক্ষ শংশংন হকথেংনন উবিবমক ওইববদসু শাস্ত্র অসিগী বিচাবদগী ইহোং হোৎনন্দন অসিগুম্ব অনুভব (খঙব) ওইগনি। মদুদ মসিদি শুকলৈ লৈব নক্তে ঃ নুদি আকাশত অশংবনাচিংব মচু শংশংন উববদসু বিচাব তোরবদ হোৎনবব তৌদন খঙব ঙম্মী মদুদি মাসগী আস্তত্ত্ব অরৈব খক ওইদে। উবি তাবিব জগত আস অশেংবমক ওইব খক লৈতে। অসুম্ন (বোধ) খঙব ওইববদ পুাক্লংদগা দশ্য প্রপঞ্চ মাংখিব (নত্রগ লৈতব) ওইবব মতম অদুদ পরমনির্বানগী মশক ওইব শান্তিগী মশান অনুভব ওইরক্রনি। ব্রহ্মণ মপুং ফান বাসনা অপাম্বগী মমিশিং মুখৎতুন থাদোক্রব মদুনক অথোইব মোক্ষ কৌনৈ। মদু অবিদ্যাগী মশক ওইব মল (অমোৎপ) পক্রব জ্ঞানীতন ফংব ঙম্মী। ব্রাহ্মণ অথোইব অযিংব মাংখ্রবদ

উনশিংন থুনমক শৌদোকই মতৌ অদুগুম্ন বাসনাশিং মুৎথ্রবদ চিত্তসু থুনমক শৌদোকই। মদু লৈত্রবগুম্ন ওই।

বাসনা মখল অনিনি লৌনৈ। অমন অশেংব শুদ্ধ বাসনা অমসুং অনিগুবন অমোংপ মলিন বাসনা। মলিন বাসনা পোকপ শিবগী মরম ওইহল্লি। মদুন মরম ওইদুন জীবন জন্ম মৃত্যুগী চক্রবদ তাহল্লি। অমসুং শুদ্ধ বাসনান জন্মবু মাংহনব (হায়র্বদি মোক্ষগী সাধন)নি। বিদ্বানশিংন মলিন বাসনাবু হন্ন হন্ন পোকপবু থেহর্নল্লিবান তাকই। অস্মানমক্ত মদুগী তাশিল্লব শকওংনি অগদি মহাক চাওখৎলক্লিব অহংকারগা লৈতেংদন ফজহল্লি। কনাগুম্বন ঙৌথোক-ফুংথোক্লব মকগী মতৌগুম্ন পুর্নজন্মগী মশক ওইব মযোক্তে। নব শক্তিবু থাদোক্লগা সুগ্নগী হকচাং পুব শরীর ধারণখক্লগীদমক লৌরিব মহাক বাসনা "শূদ্ধা" কৌনৈ। কনাগুম্ব অদুন শুদ্ধ বাসনা অসি লৈবব মহাক মাদা অমুক হন্ন পোকপগী মশক ওইব অনর্থগী কাইদোক ফম ওইদে। থক্সদব ওইব পরমাত্মাগী ওদুন খঙলব পরম বর্দ্ধমান পুরুষ মখোয়দুবু জীবন্মুক্ত কৌনৈ।

পুকচেল চাওবদা ভবদাজা চেংজংগী মহাক শ্রীরামচন্দ্রগী পান্সি লীলা মপুং তৈনব মঙ্গল ওইহন। রাবী আস মথ শিংন শ্রবন তৌবো। ঐ মদুগী বর্ণন তৌবগে, বাসনা মরম ওইদুন নহন মতম পুম্বগী ইন সপ্তং যাবদ ওম্ব পুম্বগী জ্ঞানবু ফংনগনি। হবুডো মহাক অদুন কাবগুম্বদসু কনাগী মফমদ আকব হায়বদু থক লৈতব অদুগুম্ব কমলনয়ন ভগবান শ্রীরাম বিদ্যা তম্ব (অধ্যয়ন) লোইরবগী মতুংদ বিদ্যালয়দগী থোরক্লুন ময়ুম শঙ্গাইদ হল্লক্লুন মতম অদুদ মখল মখলগী লীলাশিং তৌবদুন মহাক্ত নিংথৌ কোনুংদ মতম লেল্লম্মী। অদুগী মতুং মতম খর হৌখ্রবদ মদুদি নিংথৌ দশরথ মালেম লৈঙাকপদ পুক্লুং চংলম্মী অমসুং প্রজা ওইব মীশিং অক্না অনা লৈতব ওইদুন যাম্ন নুঙাইন মতম লেল্লবম্মী। নোংমাদি

লোই-খম লৈত্রব য়াইফ গুণ পুম্বন তিল্লব শ্রীরামচন্দ্রন মপুক্লিংদ তীর্থশিং অমদি মঙ্গলগী মশক ওইরব আশ্রমশিং দর্শন তৌনিংবগী অনিংব কন্ন থম্মোইদ লাক্লম্মী। মতমদুদ শ্রীরাম্ন মপাগী মনাক্ত চত্তুন মাগী মখোং থম্বালদ খুরুম্লম্মী অমসুং অসুম্ন হঙ্গৎলম্মী।

শ্রীরাম্ন হায় - পাবুং মহারাজ ঐগী পুক্লিংদ তীর্থশিং দেব মন্দিরশিং বর্নাশিং অমদি আশ্রমশিং দর্শন তৌনিংবগী য়াম্ন কন্ন অপাম্ব ওইবে। নহাক্কী মাংদ ঐগী মসি অহানব হায়জবনি নহাক মসিবু মতৈ যালহনবীবদ মতিক চার্বনি। নাথ! সংসারদ অসিগুম্ব কনাগুম্ব যাচক (হায়জরব মী) অমত্ত লৈখিদ্রি মঙোন্দ পামজব থোং পীদ্ন নহাক মাবু ইকাই খুম্নববু ফংদন ঙনখিব।

শ্রীরাম হায়জনব প্রার্থী ওইদুন নিংথৌগী মাংদ লেপ্লম্মী। মহাক্কী অসুম্ন হায়জদুনা নিংথৌ দশরথনা বশিষ্ঠ ঋষিক লোইননা খুন্নবগী মহাগী তীর্থ যাত্রাগীদমক্ত য়াথাং পীরম্মী। মতম আদুদ অফব নমত্র অমসুং ব্রাহ্মণশিং লাক্পা মখোয়গীদমক্ত স্বস্তিবাচন মঙ্গলগী থবক্শিং থিরম্মী। মাগী হকচাংদ মঙ্গলগী ওইব ফজেৎ লৈতেংশিং লৈতেংলম্মী। মমাশিংনা মখোয়গী মথাক্ত লোন্দুন আশীর্ব্বাদ পীবীরম্মী অমসুং থৌরোংশিং শিজিন্নরম্মী। অদুদগী লম্বাখন তীর্থ যাত্রাগীদমক্ত যৌবাংলবপদ ব্রাহ্মণ অমসুং শরণ্য মনাও অনিসু নাপেইন থাবক শাস্ত্র খঙলবা ব্রাহ্মণশিং অমদি মখোয়বু লুংশিংবা থাওকুমাবশিং খবা। লোইননা মাগী রাজভবন অদুদগী মপান্দ থোরক্লে। শ্রীরামচন্দ্রন দান্নচিংনা তৌদুনা ব্রাহ্মণশিংবু মাগী অপাম্বদু যাহন্দুন মাযকৈ পুম্নমক্কী প্রজাশিংগী আশীর্ব্বাদ তাবি। অমসু মাযকৈ পুম্বগী দৃশ্যশিংদ মিৎ য়েংনা তাবদুন বনগী প্রদেশশিংদ কোইব ভ্রমন তৌবরম্মী। মখোযন মখোযগী লৈফম অদুগুম্ব কোসল জনপদগী ভগথৈশিংদ লৌবব সমুদ্র অমসুং চীংশিংগী মনাক, থাগী মতৌগুম্ন অবংব মঙাল ওইবিবী গঙ্গা, অশংব থম্বালগুম্ন

মণ্ডাল চাওবী মত্তুন্বী কালিন্দ নন্দিনী যমুনা, সরস্বতী, শতদ্রু,(সতলজ), চন্দ্রভাগ্য(চিনাব) ইরাবতী(রাবী) বেণী, কৃষ্ণবেণী, নির্বিন্ধ্যা, সরযু, চর্মন্বতী.(চম্বল) বিতস্তা(ঝেলম্),বিপাশা(ব্যাস) বাহুদা, প্রয়াগ, নৈমিষারণ্য, ধর্মারণ্য, গয়া বরাণসী, (কাশীপুরী) শ্রীশৈল, কেদারনাথ, পুস্কর, ক্রমপ্রাপ্ত মানস সবোবর, উত্তরমানস, বড়বামুখ,অতোম্প তীর্থ কাংলুপ, অগ্নিতীর্থ, মহাতীর্থ, ইন্দ্রদ্যুম্ন সরোবর অসিনচিংব পুণ্যতীর্থ, সরোবর সারিতাশিং, তুরেল, পুখ্রি, কুণ্ড পুম্নমক অসিবু মখোয়ন পুক্লিং লুপ্ন দর্শন তৌরম্মী।

স্বামী কার্তিকেয, শালগ্রাম স্বরুপ শ্রীবিষ্ণু, ভগবান বিষ্ণু অমসুং শিবগী চৌংসঠ স্থান, মখল কয়াগী অঙকপ ওইরব দৃশ্যশিংদগী মখল- মখা ওইব ফজববু লোইনবিব সমুদ্র মরিগী তোর্বান বিন্ধ্যপর্বত, অমসুং মন্দরাচলগী কুঞ্জ হিমালযনচিংব কুল পর্বত তরেৎকী মফম অমদি অচৌ অচৌব বাজর্ষিশিং, ব্রহ্মর্ষিশিং দেবতাশিং অমসুং ব্রাহ্মণশিংগী মঙ্গলগী মশক ওইবব আশ্রমশিংবুস্ শ্রীবামচন্দ্রন শ্রদ্ধা পুর্বক দর্শন তৌবম্মী। অতোম্পশিংবু ইকাইখুম্নন পীব শ্রীবাম্ন মাগী মনাওশিংগ লোইনন হন্ন হন্ন মাইকৈ মবিগী ভমখৈগী শবকশিং অমদি ভূমণ্ডলগী লমখে পুম্বদ কোইদুন চৎলম্মী। অসুম্ন মদুদি দেবতানাচংনা পুজা তৌনবিব ভগাবান শঙ্কবন মাইকৈ পুম্বদ শান্নকরগ অমুক শিবলোক হল্লকগ। মতে' অদুগুম্ন রঘুনন্দন শ্রীবাম দেবতাশিং কিন্নরশিং অমাদ মীওইশিংন ইকাইখুম্নরিব ন মালেমগী লৈমাযশিংবু কোইকপ্রবগী মতুংদ মহাক্কী মরান য়াযদ অমুক হল্লকাখ।

(সর্গ-৩)

-o0o-

তীর্থ যাত্রাদগী হল্লক্লব শ্রীরামগী নোংমগী থৌরম অমদি মপাগী য়ুমদ লৈব; নিংথৌ দশরথগী মফমদ বিশ্বামিত্র থুংলব অমসুং নিংথৌন মাবু তরাম্ন ওকপ।

শ্রীবাল্মিকিন হায - ভবদ্বাজ। শ্রীবামচন্দ্রন হল্লক্লব মতম অদুদ মাবু স্বাগত তৌবদুন পুববাসীশিংন মাগী মথক্ত লৈ খুবাম খুবাম চাইথনরক্লম্মী। ফিভম অদু ইন্দ্রগী মচা জযন্তন মাগী স্বর্গগী ভবন্দ চংলকপ মতৌ অদুগুম্ন মহারু কোনুংদ চংলকখিবম্মী। মফম অদু যৌবব বঘুনাথন অহানবদ মপাবুংবু প্রনাম তৌখি মতুংদ মথং মথং ওইন শাগৈগী গুব বসিষ্ঠবু, অচৌব মকপ-মপাংশিংবু, ব্রাহ্মনশিংবু অমদি শাগৈগী অহল-লমনশিংবু কোক নোন্দুন খুরুমখি। মতুংদ অদুদগী মকপ মপাংশিং মপাবুং অমদি ব্রাহ্মণশিংন শ্রীরামবু থম্মোইদ কোল্লম্মী অমসুং শ্রীবামনসু মখোযগী মফমদ অভিবাদন থাগৎপ অমসুং নুংশি ৱাঙাংনচিংব মাংক চাব আচাব ব্যবহাব তৌরম্মী। মতম অদুদ শ্রীরঘুনাথ হরাও নুঙাইবগী মকা ফল্লমদে। অযোধ্যাদ শ্রীবামচন্দ্র থুংলবগী উপলক্ষ্য হবাও নুঙাইব ফোংদোক্লদুন নুমিৎ নিপাম্নি লেপ্তুন আনন্দোৎসব পাংথোক্লম্মী। মতম অদুদ হবাও মযায কাবব মীযাম্ন নুঙাইবগী হঁশে নোংমাই যৈ খোংবগী নুংশিবব অবাংব খোঞ্জেলন মাইবৈ পুম্ব শন্দোক্ল নিল্লম্মী। অদুদগী বঘুনাথন তোঙান তোঙানব দেশশিংদ চংনবিব মখল কযাগী যুন্নে-কৈরৈ মদুশিং অদু বর্ণন তৌরদুন মরান যাইদ নুঙাইন লৈরক্লম্মী।

শ্রীবামচন্দ্রগী নুতিগী অযুক্ত হৌগৎলগ ঈক মাইথজবগ নিযম ওইন সন্ধ্যা বন্দনা তৌবগ বাং সভাদ যল্লদুন মাগী ইন্দ্রগুম্ন মঙাল চাওবব মপাবুং মহাবাজ দশবথগী দর্শন তৌবম্মী। মদুদ পহব অমফাওব বাসষ্টৈনচিংবগ ফম্মিনদুন জ্ঞান্ন থল্লব ৱাবী ৱাঙাং হেক হেক তানম্মী। মনাওশিংগ লোইনন তীর্থ যাত্রাদগী

হল্লক্রবদ শ্রীরঘুনাথন অয়াম্ব অসুম্ন নোংমগী থৌরম মশাগী ওইন মপাবুংগী শঙ্গাইদ নুঙাইন লেল্লম্মী। হে পাপ পত্তব ভরদ্বাজ! শ্রীরামচন্দ্রজীগী তৌথোরকপ চেষ্টা খুদিং নিংথৌগী মতিকচাব ব্যবহারন মরম ওইদুন য়াম্নমক পুক্লিং হুনিঙাই ওইরম্মী। মহাক্র সৎপুরুষ অফব মীশিংগী থম্মোইদ থাবলগী মতৌগুম্ন নুঙাইব পোকহল্লম্মী। খুদিংমক্র মাবু হন্ন হন্ন থাগৎনরমই অমদি মহাক অমৃত-রসকী মতৌগুম্ন নুংশিব ফজব অমসুং থোৎ-মেংব ওইরম্মী।

ভরদ্বাজ! অদুগী মতুংদ শ্রীরাঘুনাথন ফিভম চহি তরাতরুক য়ৌফাত্তাত্রিব মতমনি। শত্রুঘ্ন অমসুং লক্ষ্মন শ্রীরামচন্দ্রগী থাদোক্রদব তুংইনব ওইরম্মী; ভরততি য়াম্ন নুঙাইন মাগী মমাগী মপামদ লৈখিরম্মী। মহারাজ দশরথন মালেম অপুম্ন মতিকচাব মগুংদ লৈঙাক্কুন লৈরম্মী অমদি লৌশিং চাওরব নিংথৌরেল অসি নুমিৎ খুদিংগী মন্ত্রিশিংগ লোইননা ফমদুন মাগী মচা ইবুঙোশিংগী লুহোংনবগীদমকসু থন্ন নৈনরম্মী। মতম অদুদ তীর্থ য়াত্রা মপুং ফারুরগ মশাগী মযুমদ লৈবিব শ্রীরাম নোংম-নোংমগী ময়াং কংশিল্লক্রম্মী/শোম্বক্রম্মী।

ভরদ্বাজ! মহারাজ দশরথন শ্রীরামদ হন্ন হন্ন নুংশিন মেংন হংলম্মী। ইবুঙো! নহাক্কী নপুক্লিংদ কারিদগী কয়াম্ব অচৌব চিন্তা পোকখিব্রবনো? মহাক্র পাওখুম্লম্মী পাবুং মহারাজ ঐঙোন্দ কারিগুম্ব নুঙাইতব অমত লৈতে। অসুম্নত হায়রগ কমল নয়ন শ্রীরাম মপাবুংগী ভমপাক্ত তুমিন্ন ফমদুন হেক্ত লৈখিরম্মী।

অদুগী মতুং তাবদ নোংমদি নিংথৌ দশরথন থৌরম পুম্বগী ওজান লোইনরিব রাঙাং হৈবশিংগী মনুংদ অথোইব বাসন্দ হংলম্মী। শ্রীরাম্ন ময়াং কংথদুন শোম্বাবিব করিগীনো? মহাক্র অসুম্ন হংলক্রবদ বসিষ্ঠ মুনিন ঙাইহাক খম্বরগ নিংথৌদ হায়রম্মী শ্রীমান! মহারাজ! মসিদ মরম খব লৈবে, তৌইগুম্বসুং মসিগীদমক্ত নহাক্কী পুক্লিংদ অরাবদি খক ওইরোইদবনি।

মতম অসিদ মহর্ষি বিশ্বামিত্র অয়োধ্যাগী নিংথৌ দশরথ উননবগীদমক্ত মফম অদুদ লাক্লম্মী। মতম অদু ধর্মগী থবকশিংদ পুক্লিং লুপ্তুন লৌশিং চাওরব মহর্ষি আশ্রমদ যজ্ঞ অম চপ্থরম্মী। মায়া, পাঙ্গল অমসুং তৌঙম্বন ময়াই কারদুন শেংরব রাক্ষসশিংন অমত্ত ওইন পুল্লগ লান্দাশিন্দুন যজ্ঞ অদু থুগাইদুন কাইহল্লম্মী। যজ্ঞ অদুবু ঙাক্লনবগীদমক্ত মহাক্ল মহারাজ দশরথবু উনরুগে খল্লকখি; মরমদি রাক্ষসশিংগী উৎপাৎন মরম ওইদুন মুনিশিংন মখোয়গী অদুগুম্ব যজ্ঞবু য়ৈথায়ব য়াওদন মপুংফান পাঙথোকপ ঙমদ্রে। অদুন নিশাচরশিং অদু মাংহল্লগে লেপ্তুন তপোনিধি, মহাতেজস্বী বিশ্বামিত্র মুনিন অযোধ্যা পুরীদ লাকপনি। মফম অদুদ থুংলবদ নিংথৌ উননবগীদমক্ত খোংশংবদ হায়রম্মী। নখোযন থিন্দন চত্তুন মহাবাজদ ঐ লাকপগী সুচনা পীয়ু। মঙোন্দ হায়ু - গাধিগী মচা কুশিক শাগেগী বিশ্বামিত্র লাকই।"

মুনিগী ৱাঙাং অসি তারগ নিংথৌগী সনথোংদ লৈরম্ব থোংঙাকপশিংন রাজমহলদ চৎলগ মখোয়গী স্বামী ছড়ীদারদ তম্মী - প্রভো! মহর্ষি বিশ্বমিত্র লেংলক্লি। মদুদগী ছড়ীদারন সভানওপ্ত নিংথৌশিংন কোইশিন্দুন ফল্লিব মনাক্ত চংশিন্দুন পাও পীরম্মী - দেব। রাঙন্দারদ অনৌব থোকপ নুমিৎকী মতৌগুম্ব মঙাল চাওবব মৈগী মৈবিগী মতৌগুম্ব ঙাঙ্লানরব জটা কোকথোন্নব মশেক-মঙাল মৈরাব পুকষ অম লাক্তুন লেপহৌহ। মতাক মহামুনি বিশ্বামিত্রনি। নিংথৌগী মাইকৈদ যেংলগ ছড়ীদাবন নোল্লুক ৱাহৈদ অসুম্ব হায়রকপ মাগী ৱাদু তাবমক্ত মন্ত্রি অমসুং নিংথৌ মচাশিংগ লোইনদুন লৈরিব রাজশিবোমনি দশরথ খুদক্তুন্দ সনাগী সিংহাসন্দগী হৌগত্তুন লেপখৎলম্মী।

নিংথৌশিংগী মপেন কোইশিল্লিব অমসুং নিংথৌ মচাশিংন প্রশংসা তৌরদুন মহারাজ, বসিষ্ঠ অমসুং বামদেবগ লোইনন খুদক্ত অহাংব খোঙন মফম অদুগী মাইকৈরোম লেংথোরক্লম্মী মদুদ মহামুনি বিশ্বমিত্রন লেপ্তুন লৈরিব।

নিংথৌন সনথোং অচৌবদ লেপ্তুন লৈরিব অথোইব মুনি অদুবু উরম্মী। মহাক ব্রাহ্মণগী মতিক চারব মঙাল (তেজ) অমদি অচৌব ক্ষেত্রিগী ওইব শক্তিনসু তিন্না। অহল ওইবকপগী মবম্ন হেন্না মমুন ফাবব অমসুং তপস্যামক্ত লুপ্তুন লৈবদগী কংলব জটাগী মরীশিংন মাগী লেংপাক কুপথরী। মহাক্ত তপথব, চিংলেম্ব মঙাল পুব, অবংব দোষ-শিদ্র লৈতব নোল্লুকপ নোই-পেনব কাযাংশিংন তিল্লব অমদি মঙাল চাওব হকচাং পুব ওইবম্মী। মাগী তেজ ফজবগ লোইনন থোইদোক্ত অকিবগী মশক ওইবম্মী। অযিংব অপেনব শুন্ন তিল্লব অমদি লাপ্ন শন্দোকপ ওৎরম্মী অমদি মদুদগী হেনব লৈত্রব (অতিশয) মপুং ফাববু ফংনম্মী। অদুগুম্ব মঙাল অদুন ঋষিগী অঙ্গ কান্তি হেন্ন ফজহল্লম্মী। মহাক্ত মখুত্ত কমণ্ডলু পাযবম্মী। মদু চংথোকপ দোষ পক্তব অমদি অথোইব ওইবম্মী। মদু মাগী কল্প কযা কুইবক্তব পুন্সিগী মতমগী ফিভম খুদিংদ লোইনব মনাইগী মতৌগুম্ন লোইনদুন লৈবক্তবনি। মুনিগী অন্ত করণ থোইদোক্ত অমকপ লৈংব ওইবম্মী। মাগী চিত্তদ মীনুংশিন থল্লম্মী। মবম অসিন মাগী খোঞ্জেল যাম্ন নুংশিব অমসুং অপেনব উব ফংলম্মী। মহাক্ত মাগী নুংশিবন থল্লব মতৌ অসুম্ন যেংলম্মী মদুদি মমাংদ লেপ্তুন লৈবিব মীশিংবু অমৃত খিকথবকপগুম। মাগী হকচাংদ ফজবব যজ্ঞোপবীত (নুগুন) লৈতেংলম্মী। মদু অউবশিংগী পুক্তংদ থোইদোক্ত অঙকপ শন্দোকপগুম্ন তৌবম্মী। মহর্ষি অদুবু অবাপ্পদগী উবমক্ত নিংথৌগী হকচাং নোল্লুকপন নেমথখিবম্মী অমসুং মহাক্ত লুহপ্ন লৈতেংলব কোক্ত মাগী চবন্দ প্রণাম তৌখি। মুনিনসু সুর্যদেবন ইন্দ্রবু খুকম্ব ওকপগুম্ন নুংশিবব অমদি পুকচেল চাওবন থল্লব ৱাঙাংশিংন আশীর্বাদ পীদুন পৃথ্বীগী মপু দশরথদ প্রত্যভিবাদন তৌবম্মী। অদুগী মতুংদ বসিষ্ঠনাচিংব ব্রাহ্মণ পুম্নমক্ত তবাম্ন ওক্তুন মথং মথং ওইন বিশ্বমিত্রবু ইকাই খুম্নবম্মী।

দশরথন হায় - মহাত্মন! ভগবান সুর্যদেবন মাগী মণ্ডাল ওইব স্বরূপপু দর্শন পীদুন থম্বালন থল্লব সরোবরশিংদ থৌজানবীরব অদুগুম্ন ঙসিদি নহাক্কী পঙন ওইথোক্তব মণ্ডালগী মশকপু দর্শন ফংজরে মদুন এথোয় পুম্নমকপু থোইদোক্ত থৌজানবীরে।

মুনিগী মফমদ অসিগুম্ব ব্রাশিং ঙাংনরদুন অতোপ্প নিংথৌশিং অমদি মহর্ষিশিং মী পুম্ব রাজ সভাদ চংলক্কুন মাগী মাগী মতিক চাব আসনশিংদ ফম্নরে। নিংথৌ দশরথ মশামক্ত মুনিবু অর্ঘ্য-নিবেদন তৌরে।

নিংথৌগী অর্ঘ্যবু লৌরদুন মহর্ষিন শাস্ত্রগী বিধিদ প্রদক্ষিণা তৌদুন নিংথৌবু হন্ন হন্ন প্রশংসা তৌরম্মী। নিংথৌ দশরথন তৌব পুজাদ বিশ্বমিত্রন য়াম্নমক পেল্লম্মী, মাগী মাইথোং মকা লাম্লম্মী। মহাক্ত নিংথৌদ য়াইফ নুঙাই হংলম্মী। অদুগী মতুংদ মুনিবর বিশ্বামিত্রন নোক্লদুন বসিষ্ঠ ঋষিবু উনরম্মী অমসুং মতিকচাব ইকায় খুম্নব উত্তুন মাগী নাদ য়েক্তবগী পাওহংলম্মী। মিকুপ খরদং অমন অমবু উনদুন মতিক চাব ইকাই খুম্নন সংকার তৌনরগ মথোয় পুম্নমক পুক্লিং নুঙাইব ওইনরদুন মহাবাজগী মহলদ মাগী মাগী মতিক চাব আসনদ ফমথনরম্মী। অমন অমগী সমপর্ক তিন্নব ওইবদ মথোয় পুম্বগী মকা লাম্ব হেনগৎলম্মী। মথোয পুম্বন ইকায খুম্নবগ লোইনন অমন অমবু য়াইফ পাওহংনরম্মী। অদুগী মতুং তাবদ পুক্লিং নুঙাইবব নিংথৌ দশরথন খুৎ লোন্নদুন মুনিদ হায -

বিপ্রবর! অদোম অথোইব ধর্মাত্মা অমদি অথোইব দানপাত্রনি অমসুং লাইবক ফবদগী মফম অসিদ যৌবীরকপনি। হাযবীয্ অদোমগী খ্বাইদগী থোইব অভিলাষা কবনো? ঐহাক মহাত্মাগী করম্ব সেবা তৌজৌ হাযবগে ভগবন। অহানবদ নহাক বাজর্ষি কৌনরম্মী লৌইগুম্বসুং তপস্যান নহাক্কী ব্রহ্মতেজবু ঙাম্বোকহনখ্রে। নহাক্ত ব্রহ্মর্ষিগী পদবু ফংলকখ্রে মবম অদুন নহাক ঐন খ্বাইদগী

হেন্ন পুজা তৌনফমনি। গঙ্গাগী ঈশিংদ স্নান তৌবদ ঐন য়াম্ন পেঞ্জব অদুগুম্ন নহাকপু দর্শন ফংজবদসু ওইরি। নুঙাইব অদু ঐতগী থম্মোইদ ইংহনবগুম তৌরি। ব্রহ্মন! নহাধ' অন্তকরন্দগী অপাম্ব, অকিব অমসুং অশাওব চৎথোকখ্রে, রাগদ্বেষ য়াওদ্রে নহাক্তি লায়না শুকলৈ লৈত্রবনি অদু ওইরবসু ঐগী ইফমদ লেংবীরক্রি মসি থোইদোক্র ঙকপ ৱাফমনি। মফমসিদ লেংশিনবীরিব নহাকপু দর্শন পুজন অমসুং বন্দন তৌজরগ নুঙাইব পেঞ্জদ্রি মদুদি সমুদ্রন মশামক্কী মনুংদ মপুং ফারব পূর্নিমা থাজগী মমি তাববু উরগ হরাওবন মশামকপু ফাথজব ঙমদদুন তোর্বানগী ঙমখৈ লানখত্তুন চৎথোরকপগুম। মুনিবর! নহাক্কী অদুগুম্ব কার্য, প্রযোজন অদুগীদমক্ত নহাক্র মফম অসিদ লেংবিবক্রিব, মদুবু অদোম্ন মাই পাক্লে, সিদ্ধ ওইবে লৌবিয়ু, মরমদি নহাক মতম পুম্বদ ঐগা ই কায খুন্নজফমনি। কুশিক শাগেগী নুঙাইনফম ওইব! নহাক্র করিগুম্ব বিচার অমত্ত তৌবীগনু। ভগবন! নহাক্কীদমক্ত ঐগী করিসু পীরোইদব লৈতে, মরমদি পীবিব পোৎ অদু নহাক্কুম্ব সৎপাত্র ফংলবখক্তদ মহৈ যানব অর্থ থোকপ ওই। ঐহাক্র অদোমগী কার্য পুম্নমক মপুং ফানব তৌজগনি নহাক ঐগী অথোইব লাই পবম দেবতানি।

আত্মজ্ঞনী মহারাজ দশরথন নোল্লুকপগা লোইনন হায়রিব অসিগুম্ব থোইদোক্র থুম্লব ৱাবদ নুঙাইরব অমদি থোইদোকপ গুন্ন তিল্লব ৱাঙাংবু তারবদ গুন্ন যোম্লব অমসুং মিংচৎ লৈরিব মুনি অথোইব বিশ্বমিত্রন য়াম্ন অপেনব নুঙাইব ওইবম্মী।

(সর্গ - ৪ -৬)

--০0০--

বিশ্বামিত্রন মাগী যজ্ঞ ঙাক্লবগীদমক্ত শ্রীরাম নিব অমসুং নিংথৌ দশরথন মদুবু পীথোকপদ মাগী ঙমদব মতৌ উৎপ।

শ্রীবাল্মীকিন হায - ভবদ্বাজ। অদুদগী মহাতেজস্বী বিশ্বামিত্রন ভু চুংলদুন হায হে নিংথৌবেল। নহাক অথোইব শাগেদ পোকপনি অমসুং মহর্ষি বসিষ্ঠগী যাথং ইন্ন লৈবনি, মবম অদুন নহাক্কী চিনবান্দগী অদুগুম্ব ৱাঙাংশিং থোবর্কাখব অদু মালেম অসিদ নহাকনক্কী মতিক চাবনি। মহাবাজ। হৌজিক ইশাগী থম্মোইদ লৈবিব অভিপ্রায (হায়নিংলিব ৱাফম) নহাক্কী নফমদ হাযজরি। যজ্ঞন মবম ওইদুন ঐন লাইগী কাংলুপ্পু পুজন হেক ভৌবকপদ মতাং-মতাং অদুদ নিশাচব বাক্কস খব লাক্লগ ঐগী যজ্ঞ অদুবু থুগাইদুন মাংহল্লি। ঐন কযারক হন্ন যজ্ঞগী অনুষ্ঠান হৌ ংম্মী তৌইগুম্বসুং বাক্কস লুচিংবশিংন যজ্ঞ মণ্ডপ অদুগী লৈমাইদ ঈ অমসুং শদো চাহ্নশিল্লকখি। ঐন যজ্ঞগীদমক্ত ফন হোৎনববসু মদুদ মহৈ যানব ওইদ্রে। মবম অসিনা যখাই থিনণাই ঙাথোক্লবগী পান্দম পুরদুন ঐন মফম মদুদগী নহাক্কী ননাব অসিদ লাক্লবান। পৃথ্বীনাথ। ঐন পুক্লিংদ বিচাব অসি লৈতে মদুদ ঐন অশাওব ওইদুন নখোযবু শাপ পীগে খনব। ঐন পাম্মী, নহাক্কী প্রসাদ(পেনবীব)দগী যজ্ঞ অদুবু কবিগুম্ব অপন অযেৎ যাওদন মপুং ফাবগ মদুগী অচৌব পুণ্য ফলগী শকক ফংব। মবম অসিন খুদোংথিবদ তাবব আর্ত ওইদুন চংজফম ফংণনি খন্দুন নহাক্কী ননাক লাক্লিবনি, নহাক্ল (যজ্ঞ অদুবু ঙাকপন মবম ওইদুন ঐগা খুদো থিববসিদগী (উদ্ধাব) লাম্লোকতনবদ মতিক চাবনি। নহাক্কী নচাইবুডো শ্রীমান বামচন্দ মযাই কাবব নোংশাগী মতৌগুম্ন পরাক্রমীনি। মাগী পাঙ্গল শাত্তি দেববাজ ইন্দ্রগী চাংদমান। মহাক্ল বাক্কসশিংন্দুবু নমথেকপদ

মতিক চাবনি। মরম অদুন রাজসিংহ! মহাক্কী নচাইবুঙো অহন সত্যপরাক্রমী শুরবীর শ্রীরাম মহাকপু ঐগী ইফমদ শিন্নবীয়ু। মহাকপু ঐন ঙাক্তুনা থল্লগ মহাক্কী দিব্য তেজন অদুগুম্ব যজ্ঞ থুগাইব অমদি সংসার অপুম্বগী ফত্তনব তৌরিব রাক্ষসশিংগী মকোক ককথৎপদ মতিক চাব ওইগনি। ঐন শ্রীরাম অদুবু (অস্ত্র বিদ্যা তম্বীরগ) মখল কয়াদ লোইনাইদ্রব কল্যানগী শরুক য়াব ওইহনগনি মদুন মহাক মরোল অহমগী পুজা তৌনফম ওইগনি। রাক্ষস পাপীশিং অদু লালদ কালকুট কৌব হুগী মতৌগুম্ব অকিবগী মশক্তি। মখোয় অদু মখোয়ন পাঙ্গল অমসুং তৌঙম্বদ য়াম্ব নাপল কাবনি। মখোয় খর অমসুং দুষণগী মনাইশিংনি। অমদি শাওরক্লব মতমদ যমরাজগ পাংখক্তি। তৌইগুম্বসুং রাজসিংহ! মখোয় শ্রীরামগী তেনশিংদ মতৌ অসুম্ব খাঙব ঙমলোই মদুদি উফুল মরিকশিংন লেপ্তুন চুথরিব নোংগী নোংলিদ খাঙদুন লৈব ঙমদবগুম। মহারাজ! ঐন ঐগী তপকী শক্তিদগী ব্রাফমসি অরেম্প মওংদ খঙই, নহাক্কসু ঐন হায়রিব মতুংইন্ন রাক্ষসশিং অদুবু শিরবমক্তি খনবীয়ু। মরমদি ঐ অমসুং ঐগুম্ব অতোম্প বিজ্ঞ পুরুষন চিংনব ওইব বিষয়দ থক চংশিন্দে।

কমল নয়ন শ্রীরাম অসি কনাগুম্ব অচম্ব পুরুষ নত্তে। মহাক সাক্ষাত পরমাত্মানি মহাকপু ঐন খঙই, মহাতেজস্বী বসিষ্ঠন খঙই অমদি অতোপ অতোম্প দীর্ঘদর্শী মহর্ষিনসু খঙই। করিগুম্ব নহাক্কী থম্মোইদ ধর্ম, গুনলৈব অমসুং মিংচৎকী থোইদোকপ মফম লৈরবদি নহাক্কী নুংশিজরব নচানুপা শ্রীরামবু নহাক্ক ঐঙোন্দ পীনবীয়ু। ঐগী যজ্ঞ অদু মদুদ শ্রীরাম্ন যজ্ঞদ্রোহী য়েখাযব পীব, রাক্ষশিংবু হাৎকদবনি। নুমিৎ তরানিদ মপুং ফাব ওইগনি। হে কাকুৎস্থ! মসিগীদমক্তসু নহাক্কী বসিষ্ঠনচিংব মন্ত্রী পুম্নমক্ত নহাকপু শোইদন অয়াব মত পীরক্কনি। মরম অসিন নহাক্ক শ্রীরামবু ঐগ লোইনন থাবীয়ু। মতম চানা তৌগৌব খজিক্তং ওইরবসু থবক অদুন অচৌব

কান্নব ওই অমসুং হেন্দোকখ্রবদ তৌব অচৌব উপকারী ওইরবসু অরেম্ব কান্নদব ওই।

মতৌ অসুম্ন ধর্ম অমসুং অর্থন তিল্লব ব্রা হায়রগ ধর্মাত্মা মুনীশ্বর বিশ্বামিত্র তুমিন্ন লৈখিরম্মী। মুনিবর বিশ্বামিত্রগী ৱাবু তারগ মদুগী চানব পাওখুম পীনবগীদমক্ত খরদং খল্লগ মহারাজ দশরথ তুমিন্ন ফমদুন লৈখি, মরমদি মাগী পুক্লিংগী অপাম্ব মপুংফান মনিং থুংদব ওইরব অদুগুম্ব লৌশিং চাওব মীন নাতে চাব পাওখুম ফংদনদি অপেনব খক ওইদে।

ভরদ্বাজ! বিশ্বামিত্রগী ভাষণ অদু তারবদ বাৎসল্য ভাবত লুপলিব অথোইব নিংথৌ দশরথ মিকুপ খরদং লেং-হাযদন ফমদুন লৈখি অদুদগী মতৌ অসুম্ন তুকথব ৱাঙাংন হায়রকই - মুনীশ্বর! কমল নয়ন শ্রীরামগী অবস্থা হৌজিক চহি তরাতরুক ফাওব শুদ্রি। মহাক্ন রাক্ষসশিংগ লাম্হেংনব ঙম্বগী মতিক চাব ঐন উব ঙমদে। প্রভো! ঐগী ইনাক্ত লান্মী অক্ষৌহিনী তেংগোল অম মপুং ফান লৈজে মদুগী মপু ঐমক্ন ওইজে। সেনা অসিগ লোইনন চত্তুন ঐমক্ন পিশাচশিং অদুগ লান তৌনগনি। লান্মীশিং অসি ঐগী ইখা পোনবনি, মখোয় ঐন য়োক থাকপনি। মখোয় লান্দ থৌবশিংনি মপাঙ্গল কনব অমসুং মতিক চাব পাওতাক পীবদসু য়াম্ন হৈশিংবনি। লান শোক্নব মতমদসু ঐ খুত্ত লিরুং পায়দুন পুম্নমক অদুবু ঙাক্কনি। মখোযগ লোইনন য়াওদুন ঐন মহেন্দ্রদগীসু হেনগৎ থোইগৎলব অকনবশিংসিবু মতৌ অসুম্ন লাম্হেংনবগী তাঞ্জা পীগনি মদুদি নোংশান ময়াই কারব শামুশিংবু পীবগুম্ন। শ্রীরাম হৌজিক অঙাং ওইরি। মঙোন্দ অথোইব খুৎলাইশিংগী জ্ঞান লৈত্রি অমসুং লানগী কলাদসু হৈশিংব ওইদ্রি। লানবুং চংবদ লান্দ থৌব কোটি কোটিগ লোইনন খুৎলাইশিং শিজিন্নদুন কমদৌন লানথেংনগদগে হায়বগী জ্ঞান মঙোন্দ লৈত্রি। সুপ্নতগী লৈকোলশিংদ নগরগী উপবনশিংদ অমদি উমংশিংগী বন

কুঞ্জশিংদ কোইব শান্নব ওইরি। মহাক রাজকুমারশিংগ লোইনন কোনুংগী লৈমাই অসিদ কোইশান শান্নব খক্ত খঙলি, মদদ লৈশিংন শন্দোক্ল লৈরিব।

ব্রহ্মণ! হন্দক অসিদি ঐগী লাইবক্ল ওন্ন তৈনব ওইদুন মহাক অসি অসুন্ন ময়েং তাদুন ময়াং কংথখ্রে অমসুং কুচু কুমেন নাপু ওইখ্রে মদুদি উন তারক্লবদ থম্বালন নাপু শাদুন কংশিল্লকপগুম। ঐগী ইচানুপা মরিগী মনুংদ ঐন খ্বাইদগী হেন্ন নুংশিজব শ্রীরামদনি মরম অসিন ঐগী ধর্মাত্মা ওইব ইচা অহন শ্রীরাম্বু অদোম্ন মফম অসিদগী পুবিখিগনু। মুনে! করিগুম্ব নহাক্ল নিশাচরগী লানমীশিং মাংহনব পাম্বীরবসু ঐগ লোইনন চতুরঙ্গিনী সেনাবু পুদুন চৎপীয়ু। ভানৈ মদুদি রাবণ কৌব অফাওব পাঙ্গনব রাক্ষস অম লৈ মহাক কুবেরগী হেক মনাওমক্লি অমসুং বিশ্বা মুনিগী মচানি। করিগুম্ব ফত্তব রাক্ষস অদুমক্ল নহাক্কী যজ্ঞদ য়েখায়ব পীররব অদু ওইরর্বাদি ঐখোযন ফত্তব দুরাত্মা অদুগ লাম্ছেংনবদদি ইতিক ওইদে। (সর্গ - ৭- ৮)

~o0o~

বিশ্বামিত্রন শাওব, বসিষ্ঠন নিংথৌ দশরথবু থেমজিনব, নিংথৌ দশরথন শ্রীরাম্বু কৌরুনব দ্বারপান থাব অমদি শ্রীরামগী সেবকশিংন মহারাজদ শ্রীরামগী বৈরাগ্য ওইরব ফিভম্বু শীংথারব।

শ্রীবাল্মীকিন হায - মচা নুংশিবগী মমিত্র পিরাংন থল্লদুন নিংথৌন হায়রকখ্রিব বা অসিবু তারগ বিশ্বামিত্র শাওদুন হৌগৎলক্লম্মী অমসুং নিংথৌদ অসুন্ন হায়রকই। "নিংথৌ! ঐ নহাক্কী অৱাৎপ (অনিংব) মপুং ফাহনগনি" অসুন্ন প্রতিজ্ঞা তৌরগ নহাক্ল মদুবু থুগাইবি। মদুন ঞাক্লবদি অসিনি মদুদি নহাক

নোংশা ওইরগ হৌজিক লমহুই ওইব পামলে। রঘুবংশিংগীদমক্ত ব্যবহার অসি মতিক চাদবনি। অসিনদি শাগৈ অসিগী মার্যাদা ওন্ন-তৈনরক্লগনি। অয়িংব থাবল পূব থাজদগী করিগুম্বদসু অশাব থাবল ফোংদোরক্তে নঙোন্দগী অসিগুম্ব ব্যবহার করিগুম্বদসু আশা তৌরক্ত্রি। নিংথৌ করিগুম্ব নহাক্ল নহাক্কী প্রতিজ্ঞা (হায়দোকখিব ৱাফম)বু পাংথোকপদ ঙমদব, মতিক চাদব ওইরবদি ঐন অদুম্ন লাকখিব মাইকৈ অদুদ হনপ্পগনি। কুকুৎস্থবংশী নিংথৌরেল! নহাক নহাক্কী হায়দোকখিব প্রতিজ্ঞা লৈখা তাব ওইদুন মরুপ মপাং শাগৈ নাতৈগ লোইনন নুঙাইন লৈবীহৌরো।

মহামুনি বিশ্বামিত্র অশাওবন কুপশিনখ্রে খঙলবদ অথোইব ব্রতশিংবু পালন তৌরিব তপথরব অমসুং লৌশিং চাওরব বসিষ্ঠন হায়রকই - নিংথৌ! নহাক ইক্ষ্বাকু শাগৈদ শংশংন অনিশুব ধর্মগী মতৌগুম্ন পোক্লকপনি। শ্রীমান দশরথ নহাক মরোল অহুমদ সজ্জনগী মতিক চারব সদগুনশিংন লৈতেংলিবনি। তপথহৈব অমদি অথোইব ব্রতগী ধর্ম মিংচৎন মপুংফাব ওইদুন মরোল অহুম ফাওখ্রবনি। নশাগী ধর্মবু খঙবীয়ু। মদুবু থাদোকপ তৌবিগনু। মুনি অসি মরোল অহুম্বু সাসন তৌবদ মতিক চাবনি। নহাক্ল মাগী য়াথংবু ঙাকপীগদবনি। নিংথৌ! তৌজগনি অসূম্ন প্রতিজ্ঞা তৌরগ করিগুম্ব নহাক্ল মদু ঙাক্তবদি মিথ্যা ভাবন অসিন নহাক্কী ইষ্ট অমসুং আপুর্ত(যজ্ঞ যাগনচিংব অমদি পুখ্রি গুহানচিংবগী শেমগৎ লিংখৎখিকগী ফংব পুণ্য)বু মাংহনখিগনি। মরম অসিন শ্রীরামবু বিশ্বামিত্রগী খুত্ত শিন্নবীখো। নহাক ইক্ষ্বাকু বংশদ পোকপনি অমসুং নশামক অফাওব ওইরিব নিংথৌ দশরথনি। করিগুম্ব নহাকমক্ল নশাগী ৱাঙাংবু ঙাক্তবদি অতোপ্প কনানদি ঙাক্কনি। বিশ্বামিত্র অসি ধর্মগী মুর্তিমান স্বরুপনি। মহাকসি পাঙ্গল অমসুং থৌনান মপুং ফারব বীর পুরুষশিংগী মরক্ত অথোইবনি। সংসার অসিদ খ্বাইদগী হেন্ন বুদ্ধি

লৈবনি অর্মদি তপস্যাগী অথোইব তুংনফমনি। অচৎ-চত্ত থৱাই পানবশিংগ লোইনন মরোল অহুমদ মসি ফাওরিবনি মর্দুদি বিশ্বামিত্র মখল মখাগী খুৎলাই - অস্ত্রশিংবু খঙ-হৈবনি। খুৎলাইশিংগী জ্ঞান মঙোন্দ লৈরিব মদু অতোপ্প কনাগুম্ব মীশিংন খঙব নত্তে অমসুং মতুংদসু খঙব ঙম্লরোই। দেবতা, ঋষি, অসুর, রাক্ষস,নাগ,যক্ষ অমসুং গন্ধর্ব পুম্নমক অসিন অমত্ত ওইন পুন্দুন লাক্লবদসু মখোয়ন বিশ্বামিত্রগ মান্নব ঙম্লোই; বিশ্বামিত্র অসিন লৈবাক পাল্লিঙে মতম অদুদ মাগী তপস্যাদ পেল্লদুন রুদ্রদেবন কৃশাশ্ব(মৈদগী) পোক্লকখিব অস্ত্রশিং দান তৌরকখিবনি। খুংলাইশিং অদু অতোপ্পন জয় তৌঙমদবনি। অস্ত্রশিং অদুগী অভিমানী দেবতা কৃশাশ্বগী মচাশিংনি অমসুং সংহার তৌবদ(মাংহনবদ) প্রজাপতিগী মচা রুদ্রদেবগ মান্নবশিংনি। অদুগুম্লব মশেক মঙাল চাওরব মহাতেজস্বী অমসুং মতিক মগুন লৈব অস্ত্র দেবতাশিংন মতম পুম্বদ মদুগী তুংইন্নরিবনি। মরর্মদি মহাক্ল মাগী তপস্যাগী প্রভাবতগী মখোয়শিংদুবু মতম পুম্বগী ওইন খুদুম চন্দুন থমখ্রবনি। মালেম ফাওরিব মহাতেজস্বী বিশ্বামিত্র অসি অসুম্ন অথোইব শক্তি শালীনি। মরম অদুন শ্রীরামবু মাগী মখুত্ত শিন্নদুন থাখিবদ নহাক্ল নহাক্কী থম্মোইদ লাংতক্লব থক তৌরোইদবনি। মুনিশ্বর অসি মহান প্রভাবশালীনি। সাধু স্বভাব ওইব নিংথৌ, মহাক অদুন অসিগুম্ব পুরুষকী মনাক্ত লেপ্লবদ মহাক অপঙব মীগী মতৌগুম্ন নহাক্কী পুক্লিংদ অতোনব মতৌগী মফম পীরোইদবনি।

ভরদ্বাজ! বসিষ্ঠন মতৌ অসুম্ন হায়দুন থেমদুন জ্ঞান তাহল্লব অদুদ নিংথৌ দশরথগী পুক্লিংদ পেন্দুন নুঙাইব ওইখ্রে অমসুং মহাক্ল মাগী মচা শ্রীরাম অমদি লক্ষ্মনবু কৌরুনবগীদমক্ত দ্বারপালবু কৌরম্মী - প্রতিহার! নহাক্ল সত্য পরাক্রমী মহাবাহু শ্রীরাম অমসুং লক্ষ্মনবু বিশ্বামিত্রগী পুণ্যগী মশক ওইরব যজ্ঞবু অপন-অয়েৎ লৈতন পাঙথোক্লবগীদমক্ত থীন্দন মফম অসিদ কৌদুন পুরকউ। মহারাজন

মতৌ অসুম্ন য়াথং পীরবদ থোঙাকপ অদুন অন্তপুরগী শ্রীরামগী মন্দিরদ চংখিরম্মী অমসুং মিকুপ খরদ মদুদগী হল্লকুন নিংথৌদ হঙ্গংলম্মী। দেব! নহাক্কী পাম্বোম পাঙ্গলন য়েক্লব পুম্বগী নাপলবু নমথেকপীরিব মহারাজ! খোইমুন অহিংদ উমশিল্লব থম্বালগী মনুংদ নীংব কায়ন লৈবগুম শ্রীরামচন্দ্রসু মাগী ভবন মনুংদ অনমনে (খুরুম্ব ওক্তুন) তুমিন্ন লৈহৌই। দ্বারপালন অসুন্ন হায়বদ মাগ লাকামন্নরীব শ্রীরামগী সেবক পুন্নমক মহারাজন তপথহল্লম্মী অমসুং মথং মথং ওইন মাগী পাও হংলকই - রাম কমদৌরি? মাগী ফিভম অদু করম তৌখ্রে? নিংথৌন অসুম হংলক্লবদ শ্রীরামগী সেবকশিংন অন্নাব ওইরদুন মঙোন্দ হায়রম্মী- দেব! নহাক্কী নচা শ্রীরামগী হকচাং খোইদোক হেন্দোক্ল কংথখ্রে মাগী নুঙাইতবদ ঐখোয়সু অসুক্কী মতিক নুংনাংব ওইরে মদুদি ঐখোয়গী হকচাংসু লাগী মতৌগুম্ন পাথবে অমসুং ঐখোয়ন করিনো তৌদুন মাবু পুদুন লাক্লব তৌজগে। কমল নয়ন শ্রীরাম্ন ব্রাহ্মনাশংগ লোইনন তীর্থ যাত্রাদগী হেক হল্লকপ মতম অদুদগী মাগী পুক্লিং যাম্ন নীংব কাইব উদাস ওইবক্লি। অদুগুম্ব শিজিন্নবদ মতিক চারব অহাওব, ফজব অমসুং পুক্লিং হুরবশিং অদুবু মান অসুন্ন হঙোইজে মদুদি উবমক্ত মমিক্তগী পিবাং শিম্ববগুম। ভোজন শয্যা শাদোং হবাও নুঙাইব, স্নান,আসননচিংব অথোইব থব ৷৷ নত্রগ পোংশিং পাশিল্লুরবসু মহাক্ল মদুশিংদু হরাওন লৌশিন্দে। (মদুদ মাগী পামদব ওইখ্রে) সম্পত্তিন, বিপত্তিন, য়ুমকৈন অমদি মখল মখলগী হোৎনবশিংন কবিবু কান্নব ওইগনি। মবমদি পুন্নমক মিথ্যানি অসি হায়দুন মহাক তুমিন্ন হেক্ত লৈখি অমসুং মথক্ত ফমদুন লৈখি। ফাগী জোগাই তৌবদসু মহাক হরাও নুঙাইব তৌদে। ভোগশিংদ মাগী অপাম্ব লৈতে। করিগুম্ব মখলগী থবকশিং অমত্তদ চংশিনব তৌদে। মহাক মতম পুম্বদ মৌনভাবত চংশিন্দুনত লৈরি। অচিকপদ তোঙান তোঙানব মাইকৈশিংদ, তুরেলগী তোর্বানশিংদ জঙ্গলাশং অমসুং অশুকপ

বনশিংদ মান নুঙাইব ফংজে। মদু মাগী পামজবনি।মহারাজ! মহাক্ল শেৎনব ফি অমদি চান-থক্লবগী পোৎশিংবু লৌদদুন মতম পুম্বদ মদুগী মাইকৈদগী মাই লৈথোকই অমদি য়েংনিংদব নম্রগ বিরক্তি (পামদব)ন মরম ওইদুন সন্যাসী নম্রগ তপস্বীগী লীচৎ লৌদুন লৈ। নিংথৌ! শ্রীরামচন্দ্রজীন অচিকপ মফমদ মথন্নত লৈরগ করিগুম্বদ নোকপসু তৌদে, ইশৈসু শক্তে অমসুং কপ্পসু কপতে। মতম পুম্বদ পদ্মাসন্দ ফমদুন ব্লাখল হাংব(খন্দব) ওইদুন সুপ্নগী ফম্বদ ওই। করিগুম্ব ব্লাফম অমগী অভিমানসু তৌদে, অদুগ নিংথৌ ওইনবগী অপাম্ব ব্লাখলসু থমদে, নুঙাইব ফংলগ হরাওবসু তৌদে অমসুং অব্লাব ফংলগ নুঙাইতবসু তৌদে। ঐখোয় খঙব ঙমদে মহাক কদায়দ চৎলিবনো? করি তৌরিবনো? কবি পাল্লিবনো করিবু ধ্যান তৌরিবনো? কদায়দ লাকইবনো অমসুং কমদৌন কনাগী মতৌ তমদুন তুংইল্লিবনো? মহাক নোংম নোংমগী শোম্ব-কংথরক্লি। নোংম নোংমগী কুচু নাপু ওইদুন শংজিল্লক্লী। নুমিৎ খুদিংগী মাগী বৈরাগ্য ওইব হেজিল্লক্লি। মহারাজ! মতম পুম্বদ শ্রীরামচন্দ্রগী তুংইন্নরীব শত্রুঘ্ন অমসুং লক্ষ্মণসু মাগী মতৌগুম্ন শোম্বরক্লি। শ্রীরাম্ন মাগী মনাক্ত লৈরিব মরুপ মপাংশিং চান্নবশিংদ পাওতাক অসি পীরি - মদুদি ভোগ অসি মপানথোংদত ফজন উহনবনি অশেংবমক্তি মাংনবগী মশক্লি। মরম অসিন মসিদ নখোয়ন পুক্লিং খোইজংগনু। ঐখোয় পুম্বন অমাং অতা লৈতব পরম পদবু ফংহনবদ লাপথোকহল্লিব চেষ্টাশিংমক্ল ঐখোয়গী পুন্সি পুম্ব অরেম্বদ লেলহল্লি। মতৌ অসুম্ন থুল্লব অমসুং লংলব ব্লাঙাংশিংন মান মতম পুম্বদ শোন্দুন ঙংহল্লি। করিগুম্ব মনাক্ত ফল্লিব কনাগুম্ব সেবক্ল মাবু অভিনন্দন তৌদুন মসি হায়ক্লরব মদুদি নহাক নিংথৌরেলনি; অদু ওইরবদি মহাক্ল মাগী ব্লাঙাং অদুবু চোইরোল ওইন লৌদুন নাচংবীদন নোক্লকই অমদি মতম পুম্বদ মুনিগী মতৌগুম্ন লৈ। কনাগুম্বগী হায়রিব ব্লাসু তাদে অমসুং মমাংদ তারিব পোত্তসু মিৎয়েং থমদে।

ফজবদগী ফজব পোৎশিং ফংলবদসু পুন্নমক্ত মহাক্ত থৌওইবীদে। চুথরক্লিব নোংগী ইচেলশিংন অচৌব নুংজাওবু থুগাইব ঙমদবগুম কামদেবগী তেন ওইব মঙান চাওরবী শকহেনবী বনিতাশিংগী মযাইদ লৈববসু শ্রীরামচন্দ্রগী পুক্লিংবু ওলহনব ঙমদে 'লন অসি আপত্তিশিংগী অমত্ত ঙাইরব মফমনি। নহাক্ত মসিবু ফংগে করিগী খল্লিবনো?' শ্রীরামচন্দ্র পুন্নমক্ত অসুম্ন শিক্ষা পী অমসুং মাগী মরল পুম্ব মদুবু পাল্লিব নীরবশিংদ য়েম্বোকই। 'মসি আপত্তিনি মসি সম্পত্তিনি মতৌ অসুম্ন কল্পনাশিংগী মওংদ সুপ্নগী পুক্লিংগী মোহ (অজ্ঞান) খক্ত ফোংদোকপনি।' অসিগুম্বগী শ্লোকশিংবু মানা মতম পুম্ব শক্তুন লৈ। 'অরাবনি ঐদি শিরে, ঐদি ঙাকপীনিঙাই লৈত্রবনি মতৌ অসুম্ন মী পুম্বন পাখক্তুন লাওনরবসু কনানসু সংসার অসিদগী বৈরাগ্য ওইনদ্রি - মসি কযাদ ঙকখ্রব ব্রানো?' শ্রীরাম্ন অয়াম্বদ অসিগুম্ব ব্রাশিংতবু ঙাংথোরকই। (সর্গ - ৯ - ১০)

~ᴗOᴗ~

বিশ্বামিত্রনচিংবগী থৌইনদগী নিংথৌ দশরথন শ্রীরামবু সভাদ কৌরগ মাগী মকোক্ত মনম নমব অমসুং মুনিন হংবদগী শ্রীরাম্ন মাগী ব্রাখলগী মরু ওইরিব বৈরাগ্যগী মরম ফোংদোকপ-

মতম অদুদ বিশ্বামিত্রন হায় - লৌশিং থোইব অফব মীশিং! অদুগুম্ব ব্রাদু লৈরবদি লান্মী ময়াম্ন মখোযগী লুচিংববু পুরকপগুম্ন নখোয় ময়াম্নসু রঘুনন্দন শ্রীরামবু য়াম্ন থুনমক মফম অসিদ কৌদুন পুবীরকউ। শ্রীরামচন্দ্রগী চংলকইব মোহ অদু করিগুম্ব খুদোংথিবদগী ওইবসু নত্তে অমসুং করিগুম্ব অপাম্বদগী ওইবসু নত্তে। মহাক বিবেক অমসুং বৈরাগ্যন মপুং ফারবনি, মরম অদুন মঙোন্দ

মোহ লৈতে বোধ (খঙব) মক ফংবদগীনি; মদুদি খ্বাইদগী থোইরব য়াইফ চাওখৎলকপনি। বিচারগী হৌরকফম মরু ওইব মোহ অসি মুক্তিন মরম ওইদুন কোকহল্লবদ রঘুনন্দন শ্রীরাম ঐখোয়গী মতৌগুম্ন পরম পদ ফংদুন লৈব ওইরগনি - ঐখোয়গী উপদেশতগী অশেংব বোধ ঙাম্বোরকপ ওইরবদ শ্রীরামচন্দ্র অমৃত থক্লব পুরুষকী মতৌগুম্ন (মতম অহুম্ন ককথত্তব ব্রহ্ম ওইব মতৌ) মুদিতা (পরমানন্দ স্বরুপ ওইব) প্রজ্ঞা (অতৎপ লৈতন জ্ঞানগী মশক ওইব)বু ফংব ওইরগ বিশ্রান্তি নুঙাইব মপুংফাব, মৈশা লৈতব, হকচাং নোই পেনব অমসুং অথোইব মঙালন তিনব ওইরক্লগনি। অদুদগীদি পুক্লিংদ মাগী মপুং ফাববু অনুভব তৌরদুন ইকায় খুম্নফম ওইরব শ্রীরামচন্দ্রন মাগী বর্ণ অমসুং আশ্রমগী মতুংইন্ন ফংলকইব ব্যবহার পরমপরাগী অপনব লৈতব মওংদ ঙাক্তুন লৈরগনি। মহাক পুমথোই থোইব সত্বগুণন তিল্লব জগৎ শিন্ন শন্দোক্লিব নির্গুণ-সগুণগী মশক ওইব পবব্রহ্ম পবমাত্মাগী জ্ঞান্ন মপুং ফাবব ওইবর্গনি। মহাক অৱা-নুঙাইগী ফিভমশিং ফংলবোই। মহাক্ল লৈপাক মতুম, নুং অমসুং সনাদ কাবিগুম্ব খেন্নব উররোই পুম্নমক অসিবু মান্নন খনব ওইরগনি।

মুনীশ্বর বিশ্বামিত্রন অসুম্ন হায়ব তাবদ নিংথৌ দশরথন য়াম্নমক হৰাওরম্মী মদুদি মাগী পুক্লিংগী আশা পুম্ব মপুং ফারবগুম। মহাক্ল শ্রীরামচন্দ্রবু কৌক্লনবগীদমক্ত হন্ন হন্ন দুতকী মথংদ দুত থাব হৌরম্মী। নিংথৌ অমসুং মুনিগী ৱাবী শানদুন লৈরিঙৈ মতম অদুদ শ্রীরামচন্দ্র মাগী মনাই খরদং অমসুং মনাও অনি লক্ষ্মণ অমদি শত্রুঘ্নগ লোইনদুন মাগী মপাবুংগী শেংলব মফম রাজসভাদ লাকখ্রে। শ্রীরাম্ন অরাপ্পদগী মহারাজ দশরথবু উখি। ইন্দ্রবু লাইয়াম্ন কোইশিন্দুন ফম্বগুম মতৌ অদুগুম্ন মহাকসু নিংথৌ ময়াম্ন কোইশিল্লগ ফমদুন লৈরমখি। মাগী মাইকৈ অনিদ মহর্ষি বসিষ্ঠ অমসুং বিশ্বামিত্র ঙাম্বোইরম্মী। শাস্ত্র খিবিক্কী অর্থগী জ্ঞান লৈরব মন্ত্রি

শিংন লৈ পরেংগী মতৌগুম্ন মখোয়বু মাইকৈ পুম্বদগী কোইশিন্দুন ফম্লন্মী। অসোমদ বসিষ্ঠ, বিশ্বামিত্রনচিংব ঋষিশিং অমদি দশরথনচিংব নিংথৌশিংনসু কুমার কার্তিকেয়গী মতৌগুম্ন ফজরব শ্রীরামচন্দ্রবু অরাপ্পদগী মখোয়রোমদ চংলকপদু উরন্মী। মহাক চিংলেম্ব অমসুং মান্নন য়েংব সমদর্শীনি। মাগী শাওং-শাদা মঙ্গলগী মশকনি। মাগী থম্মোইদি নোল্লুক ৱাখলন থল্লব অমসুং পুকচেল চাওব ওইরন্মী। হকচাং মঙাল চাওন চেনব অমসুং শান্ত (ইংথব)ন ঙাম্মোকই। অমদি মহাক পরম পুরুষার্থগী ভাজন (পরমার্থগী মশক) ওইরন্মী। অশেংব গুনবু চেনবশিংগী তুংনফমনি। সদগুণ পুন্নমক্ল অমত্ত ওইরব সত্ত্বগুণবু মিহৌবদগী মখোয়গী চংজফম লৌদুন তুংলবগুম্ন ওইরন্মী।

মুনীশ্বর বিশ্বামিত্রন মতম অদুদ মমাংগী ৱারীদু শারদুন শ্রীরামবু কৌরুনকগী হায়জখিব মতম অদুদ কমল-নয়ন শ্রীরাম মপাবুংগী চরন্দ খুরুম্নবগীদমক্ত মাংদ চংলক্লে। পুন্নমক্কী নুংশিরব মরুপ ওইব শ্রীরাম্ন অহানবদ মপাবুংগী চরন্দ কোক নোল্লে। মদুগী মতুংদ ইকায়খুম্নরব মীশিংনসু অথোইব ওইন ইকায় খুম্নরিব মুনি অনি বসিষ্ঠ অমসুং বিশ্বামিত্রবু প্রণাম তৌরন্মী। মদুগী মতুংদ অতোপ্প ব্রাহ্মণশিং, মরুপ মপাং অমদি গুরুজনশিংবু অভিবাদন তৌই অদুদগী নিংথৌ মপৈন তৌনরক্কইব প্রণাম পরমপরাবু মহাক্ল হরাওব মিংয়েংন মখোয়গী মাইকৈদ য়েংলগ মাগী মকোক খজিক লুকথদুন অমদি অথুম্ব ৱাহৈ খর হায়দুন তরাম্ন ওক্রন্মী।

অসিগী মতুংদ মহর্ষি অনিমক্ল শ্রীরামচন্দ্রবু মঙ্গল আশীর্বাদ পীরন্মী। অদুগী মতুংদ মাগী থম্মোইদ থোইদোকপ সমতাগী ভাবন থল্লব, লাইগ পাঙথক ওইন ফজরব শ্রীরাম্ন মপাবুংগী শেংলব মনাক্ত চংশিল্লক্রম্মই। মতম অদুদ নিংথৌরেল দশরথন মাগী চরণ বন্দনা তৌরিব শ্রীরামবু থম্মোইদ কোন্দুন মাগী মকোক মনম নমখি। অসৃম্ন লান্দ থৌবশিংবু নমথরীব নিংথৌ দশরথন মাগী

নুংশিবন থল্লদুন লক্ষ্মণ অমসুং শত্রুঘ্নবুসু থম্মোইদ কোল্লগ মখোয়গী মকোক মনম নল্লম্মী। অদুদগী শ্রীরামচন্দ্র পৃথ্বীমক্ত খোঙলোইশিংন থারীব ফিগী মথক্ত ফমথরম্মী।

অদুগী মতুংদ নিংথৌন হায় - ইবুঙো! নহাক বিবেক ফংব ওইরে। নং মখল মখাগী মঙ্গলগী গুণশিংন তুংনফম ওইরে। নহাক্কুম্ব মীন অহল লমন, ব্রাহ্মণশিং অমদি গুরুজনশিংগী য়াথংবু ঙাক্লদুন শেংলব পরম পদবু ফংনৈ। শুমহৎপ মোহ ওইদুন লৈরিব মীশিং মখোয়ন পদ অসি খক ফংব ওইদে। ইচা ইবুঙো! আপত্তিশিংসি অশোনব অমদি কৈশু লৈতব ওইদুন লাপ্ল লৈ নাক্ত চংলক্তে অদুকী মতিক মোহ (শুমহৎপ)গী শন্দোরক্লবগী মতম তাঞ্জাবু পীদ্রিব মখে।

মসিগী মতুংদ বসিষ্ঠন হায় - পাম্বোম কনব রাজকুমার! নহাক অচৌব শুরবীর লানঙম্বনি। নহাক্ল অদুগুম্ব বিষয়গী মশক ওইব য়েক্লবশিংদগীসু বিজয় ফংলে। মখোয়দুদি অৱাব পরম-পরাগী হৌরকফম পোক্লকফম ওইব অমদি মাংহনবদসু যাম্ন ৱারব ওইব, অসুক শক্তি চেনব প্রভাবশালী ওইরগবু নহাক্ল অজ্ঞানী ওইব মীন ওইগদব বিক্ষেপকী মশক ওইব মশিং পিঙমদ্রব ঈথক পরেংন তিল্লব অমদি আবরনগী মশক ওইব জড়তা ঈশিংগী মশক ওইবন লৈতেংলব ওইরিব ব্যামোহ শুমহৎপগী সমুদ্রদ আত্মজ্ঞান যাওদব মীগী মতৌগুম্ন করিগী ইরাক্লরিবনো?

শ্রীবিশ্বামিত্রন হায় - রাজকুমার! লেংহাইরিব অশংব থম্বালশিংগী মপৈগী মতৌগুম্ন অদুগুল্লব নহাক্কী মিংন তথক তথকলিব মসিদ নহাক্কী থম্মোইগী লাংতক্লব মক্ল মরম ওই। অসিগুম্ব লাংতক্লব পোক্লিব মিৎশিংগী তথক্লববু থাদোক্লগ হাযবকউ কবিগী শুমহৎলবনো' নহাক্কী শুমহৎপ মোহ নল্লগ ভ্রমণী

মরম করিনো? পাপ পক্তব রাম! নংগী পুক্লিংদ অদুগুম্ব অভিলাষা অপাম্ব লৈবিব মদু পুন্নমক শেংন হৌজিক হায়দোরকউ। নহাক্ত নীংলিব পুক্লিংগী অপাম্বশিং অদ ফংগনি মদুদগী পুক্লিংগী ওইব লাংতক্লবশিংন অমুক নঙোন্দ অৱাব ফংহল্লরোই।

অথোইব বুদ্ধি লৈব বিশ্বামিত্রগী ৱাঙাং মদুগী মনুংদ মাগী অপাম্বগী তুংইন্নব অর্থশিংবু ফোংদোকপ য়াওরিব অদুবু তারগ বঘু শাগেগী ফিরাল ওইরিং শ্রীরাম্ন অৱাব নুংনাংবশিংবু থাদোকখি।

শ্রীবাল্মীকিন হায়- ভরদ্বাজ! মুনীশ্বর বিশ্বামিত্রন মতৌ অসুম্ন হংলবদ শ্রীরামচন্দ্রন তপথন মপুং ফাব অর্থগী পোংলুম্ন লুমথবকপগুম মেংন মেংন পুক্লিং হুরব ৱাঙাংদ হাযরকই

শ্রীরাম্ন হায়রকই - মুনীশ্বর! ঐহাক ইপাগী মহল অসিদ পোক্লকখি। মথং মথং চাওখৎলকই অমসুং মদুদগী ঐহাক বিদ্যাসু ফংলকই অদুগী মতুংদ সদাচারগী পালন্দ কায়দন লৈরগ তীর্থ যাত্রাগী পান্দমদ সমুদ্রশিংন কোইশিন্দুন লৈবিব পৃথ্বী অপুম্বদ ভ্রমণ তৌরুরে। মতম অদু ফাওবদি ঐগী পুক্লিংদ পোক্লকখিব ৱাখলশিং মদু সংসার অসিগী ওইব বিষয়দ শৌগৎপ পীব ওইবম্মী। তীর্থযাত্রা তৌকুরবগী মতুংদ ঐগী পুক্লিংসি বিবেকন থল্লম্মী মদুন ঐগী বুদ্ধি ভোগশিংগী মাইকৈদগী মহাও যাওদব (বিরক্ত) ওইরক্লে অমসুং মদুন মবম ওইদুন মতৌ অসুম্ন ঐন বিচাব তৌব হৌরকখি

অদুগুম্ব সংসারসিবু শন্দোক্লিব মসিদ কবি নুঙাইব ওই? (কবিসু লৈতে) অচংপ অমসুং চক্তব প্রাণিশিংগী (চেষ্টা) লেং হাযবগী বিষয অমদি সুপ্পগী চাওখৎলিঙৈ বৈভব কালমক্ত লৈরিব ভোগগী পাম্বে ওইব পদার্থশিং পুন্নমব অসি লেংদন লৈতব মিক্লুপ্ত মাঙব, আপাত্তশিংগী মপ (হাযবাদ সুপ্পগী বিপ্পারদ তাহনব) অমদি পাপকী মশকশিংনি। মদাদ মবীচিকাদ ঈশিং লৈতেব

ওইরবসু ভ্রমদগী মদুবু ঈশিংনি খন্দুন মদুন শুমহৎলব শজিবু (মৃগ) বন্দ য়ান্ন লাপ্লফাওব চিংদুন পুই। মতৌ অদুগুম্ন অপঙব মূঢ়বুদ্ধি ওইরব মীশিং সংসারগী পদার্থশিংদ •ুভ্রইব য়াওদ্রবসু মখোয়দুবু নুঙাইব ওইন লৌই অমসুং মদুগী মিহৌবন চিংশিল্লদুন খা-বাং কোইচং-চত্তুন লৈনৈ। মসিদ মীশিংসি কনাগুম্ব অমন য়োম্বেরকপ ওইদ্রবসু য়োম্বেকপ্লবগী মতৌগুম্ন অতোপ্পগী মীখা পোন্দুন লৈরি। ব্রাফম অসিবু খঙলবদসু মদুদি পুন্নমক অসি মায়াগী শান্নবনি; অদু ফাওবদ ঐখোয় পুন্নমক্ক অপঙকালদ ফমথদুন লৈরিব (মায়া অসিদগী মুক্ত ওইননব হোৎনদ্রিব) মসি কয়াদ ব্রানিঙাই ওইরিব!

সংসার প্রপঞ্চ অসিদ অদুগুম্ব থোইদোক্ল লাইবক থীনবগী মশক ওইব ভোগবু উৎথোক্লি, মসি করিনো-মসিদ বিচার তৌগদবনি। মী পুন্নমক্ক অরেম্বদ মখোয়গী শুমহৎপদ তাদুন ভ্রান্তিন খুদুম চল্লব মশামক পুনববু য়াদুন ফম্লগ লৈনরি। মদুদি বন্দ করিগুম্ব গুহাগী মনুংদ তারব অপঙব শজিন কুইরবগী মতুংদ মসি খঙলকই মদুদি ঐ গুহাদ তারে। মতৌ অসুন্ন মীশিংন মতম কুইরবগী মতুংদ মসি খঙলকই মদুদি অপঙব জীব ঐখোয় অরেম্বদ মোহদ তাদুন লৈরক্লে। ঐগ্রোন্দ লৈবাক্তগী করি লৌনিঙাই লৈ অমসুং ভোগশিংদগীসু করি প্রয়োজন লৈ? ঐ কনানো? উরিব সংসার অসি করিনো অমসুং করিগীদমক্ত মাংদ লৈরিবনো? মিথ্যা ওইব পোৎ মদু মিথ্যা ওইদুনমক লৈশনু। মাগী মিথ্যা ওইবদ কনাগী করি মাংনিঙাই ওই? ব্রহ্মণ! মফম মফম কোইদুন ভ্রমণ তৌরিব লম্বী চৎপন মরুভুমিদগী বিরক্তি ওইরকপ মতৌ অদুমক্কুন্ন মওং অসুন্ন বিচার তৌর-তৌরদুন ভোগ পদার্থ পুন্নমক্তগী ঐগী পামদব পোকপ ওইরকখি।

মুনীশ্বর! তোঙান তোঙানব মখল মখাগী মওংশিংদ ফংলিব করিসু লৈত্রব তুচ্ছ ভোগশিংসিন ঐখোয়বু মতৌ অদুম্ন চপথাইদুন তুমশিলহল্লক্লি। মী

পুম্বন থব্বাই য়াওদব অচেতনগুম্ন ওইরগ প্রাণ কৌব নুংশিংন ইন্সিন্দুন অরেম্বদ মখোল থোক্লি মদুদি কীচক কৌব ব্বান মাগী মাগী অহোব মখুলশিংদ নুংশিং চংবদ বাসীগী মতৌগুম্ন মখোল থোকই। সংসারগী লল-থুমশিংন মতম পুম্বদ পুম্নমকপু লৌনম তৌদুন লৈরি। মখোয়সিন মীশিংগী মনোবৃত্তিবু শুমহৎলি অমসুং মখোয়গী পৈশিল্লক্লিব অফব গুণশিংবু মাংহল্লি অমসুং মথল মথলগী অব্বাব পীরি। অব্বাবশিংগী লাংগুম্ন শন্দোক্তুন লৌর। লন-থুম বৈভবশিংসি চিন্তাশিংগী চক্করদ তাহল্লিবনি, মরম অসিন ঐঙোন্দ করিসু নুঙাইব পীদে অমদি চায়াম চেনবী নুপীন থল্লব য়্নমসু অকিবগী মশক ওইরব খুদোংথিবশিংগী লৈফম মফম ওইবগী মতৌগুম্ন ঐঙোন্দ অব্বাবখক্ত পোকফম ওই, নুঙাইব লৈতে। মুনে! ব্বা অমসুং নাপী-শীংবীশিংন কুপশিল্লব লৈক্রক-লৈকুৎনুংদ অনংশ্নী মরম ওইরিব অরাম খৌরাংনাচিংব দোষশিংগী অমদি বন্ধন নচিংব দুর্দশাশিংগী বিচাব তৌদ্রন লৈবন পুনশিল্লব শামুন কারিগুম্বদ নুঙাইব ফংদে। মতৌ অদুগুম্ন হকচাংনাচিংব পদার্থশিংগী মিকুপ্ত কাইব ওইনগী মরম মদুদ মথল কয়াগী দোষশিং অমসুং দুদশাশিংবু নিংশিংউরগ ঐগী পুক্নিংবুসু শান্তি ফংহন্দ্রি। অজ্ঞানগী মশক ওইরব অহিংদ কল্লব মোহগী মশক ওইব লৌনম্ন মীশিংবু জ্ঞানগী মশক ওইব মঙাল মাংহল্লবদ অতোপ্পাশিংবু অব্বা-পীবদ যাংগ হৈশিংলব বিষয়গী মশক ওইব হুরানব চাম চামন মতম পুম্বদ অমসুং মাইকৈ খুদিংদ বিবেক্কী মশক ওইব অথোইব রত্নবু হুরান্নবগীদমক্ত থব্বাই থাব পান্দ্রদনা মিকুপ নাগুম লুমদুন শেন্নরী। লানফমদ মখোয়বু হাত্তুন তাম্নোকখিনবগীদমক্ত তত্ত্বজ্ঞানী পুরুষসিংবু থাদোক্তুন অতোপ্প করম্ব লান্দ হৈব মতিক চাব লৌনি (তত্ত্বজ্ঞানী থক্তন মখোয়বু মাংহনবদ মতিক চান ঙম্মী, অতোপ্পন ওইদে)।

(সর্গ - ১১ ১২)

~o0o~

লন-থুম অমদি পুন্সিগী মচি লৈতব অমসুং অৱাব ওইবগী বর্ণন।

শ্রীৰামচন্দ্রন হায় - মুনে! লক্ষ্মী অসি, ধন সমপত্তি অসি সংসারদ করিগুম্ব লেংদব ওইন লৈরবদি নুঙাইব কয়াগী সাধনভূত পাম্বে ওইব উপায় ওইবগী মরম্ন মহাক খ্বাইদগী ফব পোৎনি- হায়বসি অপঙব মীশিংগী ভাবন শাব কল্পনানি। অশেংবমক্তি মদু করিগুম্বদসু লেংদন লৈব পোৎসু ওইদে অমসুং অথোইবনি হায়বদসু মতিক চাব ওইদে; মরমদি মহাক্ত পুম্নমকপু মীনমদুন শুমহৎলগা থম্মী। মরম অসিন(বিষয়শিংগী মতৌগুম্ন) মহাকসু লেপ্নমক্ অরেম্ব কান্নদববু ফংহনবনি। মদুদি তুরেলদ মশীং নাইদ্রব চরাংনব ইথকশিং হৌরকই অমসুং নুংশিৎকী মতেংন চাওখৎলকই মতৌ অদুগুম্ন শ্রী নদ্রগ সম্পত্তিসিন কয়ামরুম ওইব চিন্তাগী মশক ওইবী মচা নুপীশিং পোক্লকই অমসুং মখল কয়াগী ফত্ত থৌজংন মরম ওইদুন চাওখৎপ ওইরকই। সম্পত্তি অসি শাস্ত্রগী সদাচার য়াওদব মীশিংন ফংউরগ খা-ৱাং চেন্দুন লৈরি। করিগুম্ব মফম অমদ খোংফম পুন্দুন লেংদন লৈব ওইদে। অপঙব সম্পত্তি অসি কনাগুম্ব মগুন চেনব মীন য়াম্ন ৱান হোৎনদুন তানশিনজরকপ ওইরবসু অয়াম্বদ মাগী (উপভোগ) শিজিন্নবদ লাক্তে অমসুং নিংথৌশিংগী হৌনশাগী মতৌগুম্ন (অথোইব মীশিংবু থৌওইদনসু) গুন অবগুনগী বিচার খক তৌদন অদুগুম্ব মনাক্ত লৈরিব মদুগী চংজফম লৌই। মীশিংন অদু ফাওবদ মশাগী অমসুং অতোপ্প মীশিংগী মফমদ অথোৎপ(থৌজাল, পুকচেল চাওব অমসুং নুংশিবনচিংব তিনব)ওইরদুন লৈরম্বদু অকনব নোংলৈ নুংশিৎন হুম্নকপদ লেনগী মতৌগুম্ন ধন-সম্পতিন মরম ওইদুন অকনব অমদি খাংঙমদব ওইহল্লি। মদুদি উফুল খুজোক অমন মণিশিংবু মোৎহনবগুম ধন সম্পতি ন চাওর চাওরব বিদ্বান, শুরবীর, তৌবিমল খঙলব, ফজব অমসুং

থোংলব স্বভাব ওইরম্ব মীশিংবুসু শিদ্র দাগ পীদুন মোংহল্লি। ভগবন! ধন সম্পত্তি অসি নুঙাইনব নত্তে, অল্লাব পীনবগীদমক্ত চাওখৎপনি· মদুদি হুগী মহৈ মপালবু য়োক্তুন থল্লবদি মদুন অশিব খক্ত পী। মতৌ অদুগুম্ব ধন সম্পত্তিবু ঙাক্তুন থম্বসু মদুন মাংনবগী মরম খক্ত ওই।

কনাগুম্ব ধন সম্পত্তিন তিনব ওইরবসু মীশিংগী নিন্দাগী পাত্র ওইদব, অথৌব শুরবীর ওইববদসু মশামক্কী চিন্দগী মশাবু হেনগৎ-থোইগৎন প্রশংসা তৌদব অমদি স্বামী ওইরগনসু সেবক পুম্বদ অমদি প্রজাশিংগী মফমদ মান্নব মিৎয়েং থম্ব মীওই মখল অহুম অসি সংসারদ তাংন ফংবনি। ধন সম্পত্তি অসি অল্লাবগী মশক ওইব লিলশিংগী লৈফম ওইব অকিবগী মশক ওইরব অমসুং চংঙমদব লৈখুলনি অমদি অচৌব মোহগী মশক ওইব শামু লমশাশিংগী লৈনফম ওইব বিন্ধ্যাচলগী পাক চাওবব লমদমনি। হায়বদি মসি অচৌব অল্লাব তাফম ওইব অমসুং অযাম্ব শুমহৎপ মোহন কোইশিনফমনি। সৎকর্মগী মশক ওইবী থম্বালশিংবু উমশিনহনবদ মসি অহিংগী মশক্লি। অল্লাবগী মশক ওইবী থরোশিংগী শাৎকায়নবগীদমক্ত থাবলগী থবক তৌবনি অমদি অথোইব মিৎয়েং (অথোইব বুদ্ধি)গী মশক ওইবী থাওমৈবু মুথৎপদ নুংশিৎকী মতৌগুম্বনি। লন-থুম অসিন অকিব অমসুং শেবান্নবগী মশক ওইব হুবু শন্দোকই। বিকল্প (চিংনব)গী মশক ওইব পোক্লফম অমদি অল্লাব নুংনাংব পীনবগীদমক্ত অকিব ফংলব লীল অমোমগুম্বনি। বৈরাগ্যগী মশক ওইবী উরী লতাশিংবু মাংহন কংহন্নবগীদমক্ত লেনগী মশক্লি। কামনচিংব মনোবিকারগী মশক ওইব মকুশিংবু মপাঙ্গল হাম্প অমম্ব অহিংগী মশক্লি। বিবেক্কী মশক ওইব থাজবু য়োৎনব উমশিন্নবগীদমক্ত বাহুগ পাঙথক্লি। অমদি অফব গুনশিংগী মশক ওইব থম্বালবু খুমজিলহন্নবগী ওইব থাগী থাবলনি। অসি খক্তসু নম্রি মসি চুমথাংগুম কুইন খক লৈতব, মচু

মথল কয়ান মরম ওইদুন পুক্লিং হুন উবনি অমদি নোংথাংগী মতৌগুম্ন তথকপ অমদি পোক্লকপগ মাংখিব ওইবনি মসি অয়াম্বদ জড় (ঈশিং অমসুং মুর্খ) খক্তদ তুংনফম ওই। মসি অরেম্প মশক্ত মিকুপ অমফাওব লৈতে। ঈশিংগী ইথক অমসুং থাওমৈগী মৈরীগুম্ন চঞ্চল ওই অমদি মখোয়দুবু খঙবদ য়াম্ন লুব অদুগুম্ব মশীং নাইদ্রব খুদোংথিব ফিভমশিং ফংহন্নবগী মশক্তি। ধন-সম্পতি অসি পুক্লি হরাও নুঙাইফম ওইবন মরম ওইদুন চিত্ত বৃত্তিবু পুক্লিং ঈরম্ন মাগী মাইকৈরো৹ চিংশিল্লি। অয়াম্বন কান্নদব কর্মশিং ফত্তব পাম্বৈদগী মসিবু ফংব ওই অমস৹ ফংলগনসু মসি ইকুই কুইদন মাংখিব ওই।

মুনে! জীবগী পুন্সি উনাগী মতোন্দ নপ্তুন যাম্বরিব ঈশিং ইরিক মান্নন লৈতাদে। মদুন অঙা৫বগী মতৌগুম্ন মতম চাদন হঙ্গোইনফম ওইরব হকচা৹পু থাদোক্তুন চৎখি। মহাক অদুগী পুক্লিং বিষযগী মশক ওইরব হুপ্পব লির্লশি৹গ লোইনবদগী পুংচোক চোকথব ওইরব অমসুং মদুদ অৱাংব আত্ম-বিবেক লৈ৹ব, মখোয় অদুগী পুন্সিদ মখোয়ন ৱানফমমক ওইহল্লি। অদুগুম্ব খঙ্গদব ওইব ৎ৹৹ (পরব্রহ্ম পরমত্মা) দুবু খঙম্ব অমসুং লোইখম লৈতব ব্রহ্ম পদদ লেংদন লৈ৹ব অদুগুম্ব মহাপুরুষশিংগী পুন্সি (আয়ু) মাংব-তোংব, অমদি অৱা-নুঙাইদ পুা৹৹বু মান্নব ভাবত লেংহন্দন থমথিব ওইবদগী নুঙাইবত পীনবগী মশক ওইরি। ম৹র্ষে! ঐখোয় পুম্বদি শওং-সাদা লৈব হকচাং অসিখক্তদ 'মাস আত্মানি' অসুম্ন ৹ন্দুন লৈথোক্লে। মরম অসিন সংসারগী মশক ওইব অমঙব নোংগী নোংথাংগী ম৹৹গুম্ন ঙাল্লম্লগ লুপখিব ওইব অসিগুম্ব মিকুপ্ত মাংব ক্ষণ ভঙ্গুরগী পুন্সিদ ঐ৹খায নুঙাইব ওইদে। শরত ঋতুগী য়াংগংবী লৈচিল, থাও লোইরব থাওমৈ ৹মদি ঈশিংগী ইথকী মতৌগুম্ন তথক্লব পুন্সিন হৌজিল্লখিবসি উর্নরি। ঈথক্ল ঈশিং৹ চিংবদ মমি ওইন তারিব থাবু, নোংথাং চবুনবু অমসুং আকাসকী থম্বালবু খুৎন ৹শায়ব

য়াগনি হায়ববুদি ঐ থাজব থম্ব ঙম্মী তৌইগুম্বসুং অসিগুম্ব অরেম্প লৈতব পুন্সি (চহি)বুদি ঐগী থাজব খক লৈতে। (ওইথোক্তব বাশিংন করিগুম্ব ওইথোক্রবসু পুন্সিগী মতমবু খামদুন থম্বদি ওইথোক্তে) কুমজেং কোকফাইন বাজনবগীদমক্ত মরুম পুব পাম্মী। মতৌ অসুন্ন মহাক অদুগী পুক্লিংন তৃষ্ণাশিংদগী নাম্বোকপ ঙমদ্রিব অসিগুম্ব মুর্খ ওইব মীন অবা পোৎলুম পুনবগীদমক্ত অরেম্বদ কান্নদবদ পুন্সিবু শাংব (কুইনহিংব) পাম্বনি। ব্রহ্মণ! সংসার চক্র অসিদ অদুগুম্ব হকচাংগী মশক ওইব উরী অসি লৈশেমগী মশক ওইব সমুদ্রগী ঈশিংগী শকওন ওইব কোঙ্গোলমক্লি (মরমদি মদুগী মতৌগুম্ন থোইদোক্ল লৈতাদবনি) মরম অসিন মসিদ মতম কুইন হিংদুন লৈব হায়নসি ঐন অফবনি লৌদে। অশেংবমক অদুগুম্ব পুন্সি অদুবু অথোইব পুন্সি কৌনৈ মদুন শোইদন ফংফম থোকপ ওইব পোৎ পরমাত্মা জ্ঞানবু ফংলব মদুদগী অমুক অবাব কৌব লৈৱব অমদি পরম নির্বাণগী মশক ওইব নুঙাইবগী মফম ওইরিব। তৌববুদি উপাল বৃক্ষসু হিংনৈ। শা অমসুং উচেকসু মহিংনৈ তৌইগুম্বসুং অশেংবমক্তি নুপা অদুগী পুন্সিদু মহৈ য়াল্লবনি মহাক অদুগী পুক্লিংদু মনন্ন মরম ওইদুন অহিংব ওইদ্রব নীংদব পুক্লিংগী ভাব (অমনীভাব) ফংলব। সংসারদ অদুগুম্ব পুন্সিদু পোকপগী মহৈ য়াল্লবনি অমসুং মখোয়দুগী পুন্সিদু অথোইবনি মদু অমুক হন্ন মসিদ পোক্লদ্রব। লেমহৌবিব প্রাণীশিংদি হনুব গথাগ মান্নে (মদুদি গথান য়াম্ন শাংন পুন্সিদুনসু অথোইব মহিং হিংদে। মতৌ অদুগুম্ন প্রাণীশিংগীসু পুন্সি ওই মদুন অপবিত্র ওইব হকচাংবু আত্মামক্লি খন্দুন লেনথোকই।

বিবেক লৈতব মী (অবিবেক)শিংগীদমক্তদি শাস্ত্রশিংবু নৈনব (অধ্যয়ন তৌব) পোৎলুমগী মশক্লি। রাগী (বিষয় পামশিনব) মীশিংগীদমক্ত তত্ত্বজ্ঞান পোৎলুম ওই। তপথদবশিংগীদমক্ত পুক্লিং পোৎলুমনি অমদি আত্মাজ্ঞান য়াওদব

মখোযগীদমক্তদি হকচাং অরুম্ব পোংলুম ওই। মহাক অদুগী বুদ্ধি মোংলব মী অদুগীদমক্ত শক, পুন্সি, পুক্নিং বুদ্ধি অহংকার অমদি নোম্ব লিকপনচিংব পুন্নমক অসি মতৌ অসুম্ন অৱাব পীনব ঙাক্ত ওই মদুদি অরুম্ব পোংলুম পুরিব মীগীদমক্ত মাগী কোকথক্কী পোংলুমদুন অৱাব পীব ওইবগুম। পুন্সি (আয়ু)ন অকনব হোংনব (নোম্ব) অমদি লেংদ্রব অৱাবমকপু পীনবিবনি। মসিদ হোংনকী লেপথোকপ কদৌঙৈদ ওইদে, অপাম্বশিংগী মপুং ফাবসু ৱাত্তুনত লৈ। মসি আপত্তিশিংগী অংথোইব তুংনফমনি অমসুং লাইনাগী মশক ওইব উচেকশিংগী মকোলনি। মদুদি মখুলদ পোংথাদুন লৈরিব অমদি হুন মরম ওইদুন মৈচাক পীরিব অকিব ফংলব লিন্ন ..গী পুংশিংপু চাবগুম হকচাংগী মশক ওইরব লিল মখুলদ লৈরিব হুগ মান্নন মৈচাক পোথ..নব ঙম্নব অকিব ফংলব ..নাগী মশক ওইব লিলন জীবগী পুন্সিবু থত্তুন লৈরি। উ মনুংদ লৈদুন, তিল মচা মচা শুমাশংন অরিব উব মংম পুম্বদ চিকথংলকপ অমসুং মদুদগী উফুল মকুপ থাদদুন লৈবগুম মংম পুম্বদ ঈশিং, ঈ অমসুং অমোংপশিং হাথহল্লিব ফত্তব লায়নানচিংব অৱাবন অরং-অখম লৈতন পুন্সিবু ককথত্তুন লৈরি। হৌদোংন উচিবু থুনমক চাদুন য়োংশিন্নবগীদমক্ত অকনব অনীংবগ লোইনন লেপ্তুন মখোয়গী মাইকৈদ য়েংদুন লৈব মতৌ অদুগুম্ন মৃত্যু অশিবনসু পুন্সিবু মাগী চখোম শেন্নবগীদমক্ত মতম পুম্বদ য়েংদুন শেন্নদুন লৈরি। সংসার অসিদ আয়ু পুন্সি অসি মতৌ অদুগুম্ন তপথন অমসুং নুঙাইন মতম পুম্বগীদমক্ত থাদোকদব ওইব থোইদোক্ল কান্নদব অতোনব. গুন যাওদব অমদি অশিবগী চাকথুংওইব অদুগুম্ন অতোপ্প পোং অমওন খক ওইদে।

(সর্গ - ১৩ - ১৪)

~o0o~

অহংকার অমসুং চিত্তগী দোষ।

শ্রীরামচন্দ্রন হায় - মুনি অথোইব! মশক মওং কয়ামরুম ওইব সংসার অসি তোনবদগীসু তোল্লব বিষয়দ নর্পশিনব মীশিংবু অহংকারগী খুদুমদ চনশিনখিবন মরম্মক ওইদুন অরৎ-অথম লৈতন রাগ দ্বেষ অপাম্ব-য়েংথিবনচিংব দোষশিংগী পুকৈগী মশক ওইরব অনর্থ কান্নদববু ফংহল্লি। অহংকারগী খুদুম চল্লব মীশিংগী মথক্ত আপত্তি চংলকই- মহাক্র হকচাংগী ওইব অৱাব খাঙব তারকই। অহংকারতদগী অৱাব কয়াগী মরম ওইব পুক্লিংগী নুংনাংব, লাংতক্লব ওইরকই। অমদি অহংকারখক্তগী অপাম্ব ফংনিংব রাগ অমসুং ফত্তব হোৎনবশিং ওইরকই। মদুদি বহেলিয়া (নুংশিন খোংব যন্ত্র)ন মরম ওইদুন শর্জীশিংবু ফানবগীদমক্ত ংচৌব লাং শন্দোকই মত্তৌ অদুগুম্ন অহংকারগী মশক ওইব দোষন মরম ওইদুন সংসারগী মশক ওইব অমম্ব অহিংদ জীবশিংগী পুক্লিংব শুমহৎপ ওইব অচৌব মায়াগী লাং শন্দোক্তুন লৈ। অহংকার অসি শান্তিগী মশক ওইবী থাজবু যোংননব রাহুগী মকোকনি, পুণ্যগী মশক ওইবী থম্বালশিংবু মাংহন্নবগীদমক্ত উনগী মশক ওইব বজ্রনি অমসুং জীব পুম্নদ মান্নন য়েংব (সমদর্শিতা)গীমক মশক ওইবী অমঙব নোংবু মাংহন্নবগীদমক্ত শরদ ঋতুনি, অসিগুম্ব অহংকারবু ঐন থাদোক্লে। ঐ অদুগুম্ব মিং কৌবদু নত্তে অদুগা বিষয়শিংদসু ঐগী অপাম্ব লৈত্তে অমসুং পুক্লিং অসিসু ঐগী নত্তে। ঐদি শান্ত ওইনা লৈদুন পুক্লিংবু জয় তৌরব মহাত্মা পুকনবগী মতৌগুম্ব ইশান ইশাতদ লেপ্পুনা লৈজব পাম্মী। ব্রহ্মণ! করিগুম্ব অহংকাব লৈরবদি আপত্তি কালদ ঐ অৱাব ওই অমসুং করিগুম্ব লৈত্রবদি ঐন মতম পুম্বদ নুঙাইববু অনুভব তৌই, মরম অসিনা অহংকার য়াওদনা লৈবত্তন পুমথোই থোইবনি।

হে মুনে! ঐন অহংকার থাদোক্লগ শান্ত চিত্ত ওইদুন পুক্লিংগী ইথক য়াওদন ফমদুন লৈরি মরমদি ভোগশিংগী মপৈগী তুংনফম্মক মিকুপ্ত কাইবনি। অসিগুম্ব দেহগী মশক ওইব অচৌব বন অসিদ শূক্লব অহংকারগী মশক ওইব নোই-পেল্লব নোংশা লৈরি। মদুন জগত অসিদ শন্দোকলি, মসিবু মাগী শান্নফম ওইরি। মুনে! য়েক্লবন কনাগুম্ববু হাংননকীদমক্ত মন্ত্র-তন্ত্রন মরম ওইদুন মারণ-উচ্চাটন্নচিংব লাং শন্দোকই। মতৌ অদুগুম্ন অহংকারগী মশক ওইরব অচৌব য়েক্লব অসিন জীববু লৈখা তাহন্নবগীদমক্ত মন্ত্র-তন্ত্র য়াওদন নুপী,মচা, মরুপনচিংবগী লাং শন্দোক্তুন থম্লি। অহংকার অসিবু মরু ফুকতংলবদ পুক্লিং ব্লাবগী নুঙাইতব চিন্তা পুন্নমক থিন্দন মশা মংক্ত লুপ্থজখি। অহংকারগী মশক ওইব লৈচিলন কায়দুন মাংখ্রবদ শান্তিবু মাংহান্নাব অমদি থম্মোই আকাশতা শন্দোক্তুন লৈরিব অচৌব মোহগী মশক ওইব অশাওব তপ্ন তপ্ন কদায়দনো খংদন লুপশিনখি। মুনীশ্বর! মাইথিব পুম্বগী ময়ুম, শান্তিনচিংব অথোইব গুনশিং য়াওদব অমদি থম্মোইগী মনুংদ লৈরিব অনিত্য অহংকার অসিদ ঐন চংজব পামদে(মাগী মখা পোনব পামদে) ইশাগী লৈতারব বুদ্ধিন ঐন ফজন খঙজরে মদুদি অহংকার কৌব পোৎ অসি মাইকৈ পুম্বদগী অতিশয় মঙোন্দগী হেনব লৈতব অব্লাবগী মশক্লি। মরম অসিন ঐগীদমক্ত অদুগুম্ব তৌফম থোকপ লেমহৌদুন লৈরিব মদু পুন্নমক তাকপীদুন অদোম্ন ঐবু অধ্যাত্মগী বিষয় ওইবশিংদু উপদেশ তৌবীয়ু।

হে মুনীশ্বর! নুংশিংকী ইহুন ফংবদ ব্লাহোং মশাগী মথক্কী শরুক্ল কন্ন নীকপ হাইবগুম তথকপ চিত্তসু থোইদোক্ল লাংতক্লদুন কান্নদব অরেম্বদ কোইচেন চেন্দুন লৈরি। হুইন মপুক্কীদমক্ত লাংতক্লরদুন খুঙ্গংদ লাপ্তগী লাপ্প য়ুমশিং নম্রগ মফমশিংদ কোইচং চত্তুন লৈবগুম ফিভম অদু চঞ্চল ওইব লৈতাদ্রব পুক্লিং অসিগী ওই। মসিন করিগুম্বদসু করিগুম্ব অনুকুল পামজব থুংব পোৎঅমত্তসু

ফংব ওইদে। মৱম অসিন মসি অতোনব ওইদুন লৈ। কৰিগুম্বা মসিন অচৌব লনগী পুকৈ ফংলবদসু মহাক মনুংদ পোনব ওইদে। মদুদি পৱা নব্রগ লীন শাব থুমোক নব্রগ পোলাংদ ঈশিং হৈবদ কবিগুম্বদসু খক থনব নাইদবগুম ললন মীওইবগী পুক্লিং অপেনব পীব ঙমদে। মুনে! মাগী মপাং শন্সুদগী নাম্বোকুন লাংদ থুজিল্লব শজীন কৰিগুম্বদ নুঙাইব ফংদে মতৌ অদুগুম্ন সাধনশিং যাওদ্রব(অমদি সৎসঙ্গ যাওদ্রব) পুক্লিং মতম পুম্বদ য ত্তব বসনাশিংগী লাংদ থুদুন লৈ। মৱম অসিন কৰিগুম্বদসু নুঙাইব অমসুং অপেনববু ফংদে। মুনে! ঈথকশিংগী মতৌগুম্ন চঞ্চল বৃত্তিবু পুৰিব পুক্লিং অসি মাগী অপৌব-অকুপ্প কাযাৎকী বিভাগ (শকক)পু থাদোক্লগ মিকুপ অমতা ফাওব থম্মোইদ লৈতান লেং। বিষযাশিং থনবদ ইথক হেঁইন্দুন লৈ। পুক্লং অসি মন্দবাচলগ লেংগাইনবদগী চাংখৎনিন ক্ষীব সাগবগী ঈশিং মপৈগী মতৌগুম্ন মাইকৈ হবাদ চেন্দুন নলগ কোইবৈ লৈদন লৈ তৌইগুম্নসু কৰিগুম্বদসু শান্তিদ থক ফংদে।

ব্ৰহ্মণ! শজীন হৌকু গুহাদ তাংনি হাযবগী কবিগুম্ব চিন্তা লৈতন অশাং-অশাংব নাপী চানবগী অপাম্বন থোইন্সিন ওইদুন যাম্ন লাপ্লফাওব চৎথোকই, মতৌ অদুগুম্ন পুক্লং অসিসু নবকী লৈক্রক্ত তাগনি হাযবগী নাচুংদন ভোগ ফংনবগী আশাদ যাম্ন লাপ্ন লম্ফে চত্তুন কোইঙাইনাং লো। মদুদি শাবংদ শো লোন্দুন থম্লিব লোংশানা চিন্তান [illegible] ওইদুন মহৌ [illegible] তুমিন্ন লেংদন হৌব লেংদব মতৌ অদুগুম্ন মবাল কয়াগী চিন্তাশিং নোইহনোক্ল হম্ম্নহল্লব পুক্লিংন মাগী চঞ্চল বৃত্তিন মখা ওইদুন কবিগুম্বদ তংথন লৈব য [illegible] কাঙান ঈশিংদগী শগোম থন্দোকপ [illegible] অদুগুম্ন মোতগী মশাক ওইনা গোলাই তোংলিব পুক্ল অসিনসু হনা [illegible] অসিদগী ঈথক যাওব সংগ্ৰাগী নুঙাই [illegible] হবাল্লি।

ব্ৰহ্মণ! [illegible] মশাক [illegible] হইসি লৈদৌসু তেং শাং। মসিগী মখাক

কাখৎপ অঙম্ব চীং কাবদগীসু হেন্ন লুই। অমসুং মসি বজ্রদগীসু হেন্ন কল্লি। মসিবু খুদুম চনশিনব হায়বসি য়াম্নমক লুই। শদোং চাব উচেক্ল শদোংদ হোৎচিনবগুম পুক্লিংসু ইন্দ্রিশিংন ফঙ্গদব বিষয়শিংগী মাইকৈদ চেনশিল্লি। অদুবু অঙ্গংন অহানবদদি শান্নপোৎকী মাইকৈদ মিতারম্মী অদুদগী মদু ফংলব ঙাইহাক্কী মথংদ মদুদগী মাই লৈথোকই মতৌ অদুগুম্ন পুক্লিং অসি ফংলব বিষয়দগী মিকুপ্ত পাম্লক্তব ওইরকই অমসুং অনৌ অনৌব বিষয়শিং থিরকই।

সমুদ্রবু থক্তোকপ, সুমেরু পর্বতপু মরু ফুক্তুন লংথোকপ অমদি মৈবু চিঙ্গাক ওইন চাব মখোয়সি অচৌব তৌঙমদব থবক্নি। অদুম ওইনমক অরাংব পুক্লিং চঞ্চল চিত্তবু খুদুম চন্দুন লাকশিনব হায়বসিসু মদুদগী হেন্ন চাওব অমসুং অরুব থবক্নি। হেক লৈরিব পোৎ পদার্থ পুম্বগী হৌরকপ মরম চিত্তমক্নি। পুক্লিং চিত্তন হেক লৈরিব অদুক্কী মখে লোক অহুম লৈরি, মহাক মুৎখ্রবতদ জগৎ মুৎপ ওই। মরম অসিন চিত্তগী মশক ওইব লাইনা অসিবু য়াম্ন চেকশিন্ন লায়েংগদব ওই। মুনে! অচৌব চীংজাওদগী মখল মখাগী ওইব বনশিং অমদি জঙ্গলশিংগী পোক্লকপ মতৌ অদুগুম্ন পুক্লিংদগী লীশিং লীশিং ওইব অব্রা-নুঙাইশিং পোক্লকই মসিদ চিংনক্কম লৈতে। অধ্যাত্ম বিষয় ওইব বিবেক (অচুম-অরান খন্দোকপগী বিচার)ন পুক্লিং অসিবু শোম্বহল্লব মদুদ অব্রা-অনা পুম্নমক অসি লেপ্নমক মপুঙ ফান শৌদোক্তুন মাঙই - অসুম্ন ঐন থাজে। অথোইব মুমুক্ষ পুরুষশিংন মসিবু খুদুম চন্নবদ শম, দম, ক্ষমা, দয়া সমতা, শান্তি, সন্তোষ- সরলতানচিংব সদগুণ পুম্নমক মনীং তম্বদ লৈগনি আশা তৌনরিব অদুগুম্ববু য়েক্লব ওইরিব চিত্তবু খুদুম চন্নবগীদমক্ত ঐন মখল পুম্বদগী থৌরাং তৌদুন লৈরে। মরম অসিন থান অমঙব লৈচিনশিংবু তরাম্ন ওক্তব মতৌ অদুগুম্ন ঐসু অকনব বাৰৈগ্য- সম্পত্তিন তিনব ওইদুন জড় অমসুং অমোংপ শান্নবদ নুঙাইরিবী লক্ষ্মীবু তরাম্ন থাগৎপ অভিনন্দন তৌদে।

(সর্গ -১৫ - ১৬)

~o0o~

তৃষ্ণাগী নিন্দা

শ্রীরামচন্দ্রন হায় - মুনীশ্বর! চেতন জ্ঞানরূপ শক্তিগী জীবগী মশাক ওইব আকাশত থম্মোইগী অজ্ঞানান্ধকার (অজ্ঞানগী অমম্বা)ন পুংমন মম্বা তমথিরব তৃষ্ণা (অপাম-খৌরাং)গী মশক ওইরব অতিংগী মতো ফংলবদ মখা মখাগী দোষকী মশক ওইরব মকুশিংন পুনশিন্নদুন থংনক তৌনা তৌবকই। মদুদি অহিংদ লিক্লাগী ইরিকশিংন লুজরব অমদি নাক য়েংকী উপালশিংদ থৈলশাং তম্লিব কাঞ্চন পুষ্পগী (শগোইদাক মপাল) অবংব মকুলনা চৈ নৈ লব চনাগী মহৈশিং লেপ্লমক য়াম্ন চাওখংনবনি ওই। মতৌ অসুম্ন মখল কনা অৱাবগী মশক ওইব মীকপ-মীরাও ফোংদোক্লকপ মিংকী পীবাং মতুমশিংন ফুনগৎলব, অমদি অনকপদ লৈব সনানাচংবগী আভলাষা থপাম্বন লংখৎলব চিন্তা নপ্রগ তৃষ্ণা শোইদনমক হেন্ন হেন্ন চাওখৎলকই। সমুদ্রগী মনুংদ হৈবে ইথকান চবাংনব পোক্রবগীদমক্ত ইথকশিং ইহোরকই মতৌ অদুগুম্ন থম্মোইবু চরাংনহনব তৃষ্ণান, অন্তকরন্দ ভ্রম অমদি লাংতক্রব পোকহন্নবগীদমক্ত ঙমখে অদু ফাওব যৌশিল্লকই, মদুদ মহাক্ল লন্নচিংব ফংনকী অৱাকগী হৌরকফম কলাঙ্কনী তৃষ্ণান মাবু কদায়দনো খণ্ডন করিগুম্ব মফম চাদব ফিভমদ তাহল্লি। মদুদি লাংদ থুজিল্লব উচেক, মাগী মহুমদ হন্ননবগী শক্তি য়াওদন মফমদুমক্ত অৱাবন শুহত্তুন লৈব অদুগুম্নমক ঐখোয় খুদিং চিন্তা নপ্রগ তৃষ্ণাগী লাংদ থুজিন্দুন ঐখোয়গী অশেংব মশক পারমার্থিক স্বরুপপু ফংবদ মতিক চাদব ওইদুন মোহদ লুপ্তুন লৈনরি।

তৃষ্ণা অসি অম্ভওব শগোলগুম্বনি মদুন মসিদগী অরাপ-অরাপদ চৎলুরগ হন্ন হন্ন হল্লকই অমুক থুনমক মাইকৈ পুম্বদ কোইলে লৈদুন লৈ। অদুগুম্ন তৃষ্ণা

অসিন ধর্ম অমসুং অধর্মগী মতুংইন্না মতম পুম্বদ স্বর্গ অমদি নরক্ত হঙ্গৎ-হন্দা চঙুন চেতন অমসুং জড়গী কিশিদ লৌশিন্দুন লৈরি - জড় পদার্থশিংগী সম্বন্ধ থমলি অমসুং মতম পুম্বদ ফুম্বংনদুন লৈরি। অদুগুম্ব হকচাংগী মনুংদ পুরিংদ লেংশিল্লিব মদুবু ককথৎপ হায়বসি অয়াম্বদ পুন্নমক্কী ওইন থোইদোক্ত অরুবনি, তৃষ্ণা অসিন মরম ওইদুন মীওইবন মতৌ অদুগুম্ন পোৎলুম্ন ননব ওইহল্লি। মদুদি লীশাং থৌরিন শনবু মতম অদুদ অরুম্ব পুনবগীদমক্ত লাংতক্নহনবগুম শাদানবগী নুপীন উচেকশিং থুননবগীদমক্ত লাং শেম্মী মতৌ অদুগুম মতম পুম্বদ চিংশিনবগী চৌনশা ওইব তৃষ্ণান মীশিংবু লাংদ থৃজিলহন্নবগীদমক্ত নুপী, মচা অমসুং মরুপ্নচিংবগা পদমপাল শ:দুন লৈরি ৈ ৎপগ: শীল ওইববসু অকিবগী মশক ওইবব অমুব অচিংগী নতৌ ঃ ান ঐবু কিহনবগুম্ব পীনি িস্বগী মশক ওইবব মিংন তিল্লবদসু মহাক্ত ঐবু মিংতাংবগুম্ন ওইহল্লি। অমসুং সৎচিদানন্দঘনগী মশব ওইরবনসু ঐবু মান অব্বাবদ থাদবগুম্ন তৌবি।

তৃষ্ণাবু - অমুবী লীল অমোমগুম্ন লৌগদবনি। মহাক নমথাক লৌনম লীশিং কযান থনবীনি। বিষয ভোগগী নুঙাইবদু মাগী মোৎলব মখুৎন শোক্নবনি। মহাক ফিভম কাইব হুমকপু থক্নবনি অমসুং খজিক্ত শোকপদসু চিকখ্রবনি মোগ শম্নরুম্নব প্রানীবু মাংহল্লি। লীল অমোমগী শাজং থোই অমসুং শোকপদ থোং মেংব ওই অমসুং মঙোন্দ খবদং শোক্লুববদি শোক্লিব মীদু চিক্তুন শিহল্লি। অসিখক্তবু নত্রি, তৃষ্ণা অসিন্দু কালী-কলটী রাক্ষসীগ মান্নবনিসু তাক্লি। মহাক্ত মীশিংগী থম্মোইবু খিনগাইবির অমদি মায়াগী মশক ওইব জগত অসিবু শেম্লিবীনি। লাইবক থীব পীনবিব অমদি অতোনব মতৌগী প্রতিমুর্তিনি। চীংগী লোক্লুংদ মখল অমগী উরী হৌই মদুন নুম্নিৎকী কিবনশিংবু ফংদবদ মতম পুম্বদ মোক্তুন লৈ, মদু চাবদ খায় (কড়বী) অমসুং ময়াই কাবগী লাইনা নেশা পোকহল্লি। মাগী মরীদু য়াং

শাংই অমসুং মদুদ মহিগী শরুক্ত হেন্ন য়াওই। তৃষ্ণা অসিবু উরী অদুগী মতৌগুম্ন মতম পুম্বদ অমোৎপ ওই- পবিনামদ অৱাবদগী অঙাওব ওইহল্লিব, বাসনাগী মশক ওইব পাকচাওন শন্দোকপ মরী মতাংন তিল্লব অমদি বিষয়শিংদ কন্ন যেৎশিনব ওইহল্লি। মদুদ অৱাংব পামেলশিংগী মশাশিংগী মতোন্দ লৈরিব কংলব নযোনশিং লৈ শাওন, মহৈ য়ান্দন তিংখংন থনব ওইবন মরম ওইদুন নুঙাইব পীনফম ওইদে, মতৌ অদুগুম্ন তৃষ্ণাসু কান্নফম লৈতব মহৈ যান্দব অবেম্বদ শন্দোকপ অমঙ্গলগী মশক ওইবা অমসুং তমথিবাঁনি। মসি কবিগুম্বদ নুঙাইব পাব ওইদে। সংসারগী মশক ওইব পাকচাওবব বনসিদ তৃষ্ণাগী মশক ওইবী লুগী উবী ৱাবীন শন্দোক্তুন লৈ। অতল ওইশিল্লকপ -শিব জা-মৃত্যুনাচিংবনক্ত মাগা মপাল শাংপান অমদি লৈখা শাং ময় উপদ্রবনক্ত মহৈনি।

মুনো চিন্তা তৃষ্ণা আস ওথকপা ৱাহোং অমোমওম্বনি। ৱাহোং অনোম্ন নোংজুগী ইবিক্ত তাবকপদ হন্ন হন্ন জগোই শায। শবদ ঋতুগা মঙাল লাক্লবদ হংথদুন লৈ অমসুং খুদোং থিবব মফমশিংদসু মখোঙ থম্মা মতৌ অসুম্ন তৃষ্ণাসু লৈক্রক-লৈকুৎকী মতৌগুম্ন মোহগা ফিজং মকমদ ঙাম্লোকই জগোই শাবকই, বিবেকী মঙালন শন্দোরকপদ তুমিন্ন ইংথখি। অমসুং ফংঙমলোইদব পোৎশিংদসু মখোঙ থাংজিল্লি। সুপ্নগী নোংজু মতমতদ চেনব লোকচপকী তুবেল মচা অমসুং তৃষ্ণাদ মান্নব খব লৈ। তুবেল অদু নোংজু নত্তব অতৈ মতমদদি মতম শাংন ঈশিং যাওদন তাদুন লৈ, বর্ষা ঋতুদসু মবক মবক্ত নোং চুব লেপখিবগ মহাক ঈশিং যাওদবী ওই তৌইগুম্নসুং নোং চুবন্দ মদুদ মিকুপ খনদ ইজাও-ইপাব ওই অমসু ঈশিংগী ইবৈ-ইপোম ঈথক হোবনই। মতৌ অসিগুম্ন তৃষ্ণাসু মতম যাম্ন কুইন মহৈ যান্দবী ওই, কনি কনিংখ্বদ মতৌ মাল্লবসু মবক মবও মহৈ যান্দবী ওইন লৈ। চড় পদার্থশিং [illegible] মাল্ল হবাগু

নুঙাইরম্মী। মচিঞ্জাক্কী মিহৌবন লাংতক্করব উচেক্ক মহে য়ান্দন (পান্দন) হৌরিব বৃক্ষবু থাদোক্লল্লগ অতোপ্প মহে পানব উপালদ চৎলি। মতৌ অদুগুম্ন তৃষ্ণাস্থ বিবেক্কী অমসুং বিরক্ত পুরুষপু থাদোক্লল্লগ বিষযদ লুপ্লীব মাগী মনাক্ত চংশিল্লি। তৃষ্ণা অমসুং তথকপ য়োংনাওশিং অনিগী হৌনশা স্বভাব অমত্তনি। মখোয়না অনৌ অনৌব উহৈবু পাম্মী অমসুং বিষয ওইবিব মফম অমখক্তদ মতম কুইনা তুংদুন লৈতে। তৃষ্ণা অসি থম্মোইগী মশক ওইব থম্বালদ তোংলিব খোইমুনি। মসিন মিকুপকী মনুংদ পাতালদ চৎখি অদুগ মথংগী মিকুপ্ত আকাশত অমুক কোইরুই অমসুং মীকুপকী মনুংদ মাইকৈগী মশক ওইবী নিকুঞ্জদ ঙংদুন লৈব উহল্লি। সংসাবদ হেক শাবিব দোষ হাযব মখেদগী তৃষ্ণাদি অমত্ত ঙাইবব ম'ম শা'ন অমঙব নোংগী [illegible]বেংন মোতগী মশক ওইবী লৌচিন থান কুপশিন্দুন অথোইব জ্ঞানগী মশক ওইব নুমিংকী মঙালবু খুজিল্লি অমসুং জগতপু সুপ্নগী জড়তা অজ্ঞানতমক ওইহল্লি। তৃষ্ণান সংসারিক ব্যবহারদ থুজিল্লব প্রানি পুম্নমকপু পুনশিন্নবগীদমক্ত অকনব থৌরি অমগ মান্নে। মসিন পুম্নমক্কী পুক্লিংবু পুনশিন্দুন থাস্ত্র। চুমথাং খনবদ অদুগুম্ব লক্ষণ অমাদ ধর্মশিংন তিন্দুন লৈনবু উব অদুগুম্নমক তৃষ্ণাগীসু লক্ষণ অমদি ধম ওই। মহাক চুমথাংগী মতৌ'গুম্ন মচু যাম্লী মগুণ যাওদবী পাকচাওন মোংপ (নোংচেনব শেংদব অন্ধকারগ ওইব প্রাণী) তু নফমদ লৈ। শূন্যরূপ অমসুং শূন্য অহাংবমত খোংনেংফম ওই। তৃষ্ণা হাযবীসি গুণগী মশক ওইবী শংলব লৌবুকপু মাংহন্নব বজ্র ভাবগুম্বান আপাওশিংবু চাওখৎহনবদ মসি সরদ ঋতুগী পাঙকখনি। মসিন লাক্লবদ ফৌনচিংব পাম্বীশিংন মুল্লব ঙাংশিল্লকপ মশর্মাশিংন লৈতেংলকই। তত্ত্বজ্ঞানগী মশক ওইব থম্বালশিংবু মাংহন্নবগী লেনগ পাম্বক ওই অমসুং অজ্ঞানগী মশক ওইবী অমম্ববু হেনগৎহনবদ মহাক হেমন্তগী অশাংব অহিংগ মান্নে।

তৃষ্ণা অসি সংসার কৌবী নাটক অসিগী নটী (নাতক শান্নরিবী) নি প্রবৃত্তিগী মশক ওইব মহুমদ মবানয়াই ওইরীবী উচেক অমোমনি। মনোরম (পুক্লিংগী কল্পনা)গী মশক ওইব বন্দ লেল্লিব শজী অমোর্মনি। অমসুং কামগী মশক ওইব ইশৈবু হৌগৎহনবদ বীণানি। মহাক ব্যবহারগী মশক ওইবী সমুদ্রগী ইথকশিংনি। মোহগী মশক ওইবী গজরাজবু পুন্ননবগীদমক্ত সংকল যোৎহিং কোরৌনি। লৈশেম সৃষ্টিগী মশক ওইবী বটবৃক্ষ ফজরব মউ বরোহান অমসুং অবাবগী মশক ওইবী শাৎকাইহনবদ থাবলনি। অসিতসু নত্তন তৃষ্ণাদি জরা-মৃত্যুগী মশক ওইব অন্নাবগী বত্নশিংবু খোমজিনবদ অমত্ত ঙাইরব রত্ন-পেটিকা(উপু)নি অমদি খাগি ব্যাধিগী মশক ওইব বিলাস (ললাংব)বু মতম পুম্বদ শন্দোক্লিব মযাই কারবী লাংগানি। তৃষ্ণা অসিবু ব্যোমবীথী আকাশকা পার্শ্বাগ্নি খনগদবানি। মদুদি আকাশ কাবগুম্বদ নুমিৎকী মঙালন অশেংব ওই কাবিগুম্বদ লৈচিন্ন কুপশিনখ্রবদ মদুদ মিকুপ খরগীদমক্ত শব খব অমম্ন ওইশিল্লি অমসুং কবিগুম্ব মদু পুংমম মম্নন কুপশিল্লি অদুগুম্ন তৃষ্ণাসু কারগুম্ব বিরেদী মঙাল খবদং ফংবদ মঙ্গেল ওই, বেবক লৈত্রবদ অজ্ঞান্ন অমোৎপ ওইহল্লি অমদি কাবিগুম্বদ লৈকু-শুবংগী মতৌঙম্ব মোহন কোইশিন্দুন কুপাশন্দুন লৈ থোইনাকপ ও মখল অম পোক্লকপদনী ফোংদোরকপী কোলেব' কৌব অনাবগী মংোঙম্ন মৃত্যুগী মবম ওইবী তৃষ্ণান মং মতুংইন্নবীব অদুক্কী মখৈ অরাংব পুক্লিং ওইব মঢ়গন সন্নদাযন মোহবু শুমহৎ পবু ফংদুন লৈরগনি। মীশিংন বিষযশিংবু খনব থাদোক্লনা ত্রদ মশানী অন্নাব পুন্নমকপু কোকপ ঙম্মী। বিষয় চিন্তনবু ত্যাগ তৌবব থাদোকপমকপু তৃষ্ণাগী মশক ওইব কোলেরাগী মন্ত্রনি হায়রি। তৃষ্ণা অসি বেণুলতা (ব্রা পাম্বী)গ মান্নৈ চাংদম্নৈ। মদুদি ব্রান মনুংদ হোব মরক মবক্ত মতাং

লৈব অমসুং তিংখঙগুম্ব ৱাশান য়োম্ব অমদি পুম্নমক্ক পাম্নফম ওইব মুক্তা ফংই। মতৌ অদুগুম্ন তৃষ্ণাসু মনুংদ ইহো হোব, লৌনম, নমথাক্কচিংব মতাংন থল্লি, চিন্তা অমসুং অৱাবগী তিংখঙশিং কুংন পাল্লি অমদি মনিমুক্তানচিংব ধন সমপাত্তিদ য়াম্ন প্রেম থম্বীনি। অদুম ওইদুনসু মসি অঙকপ ৱানি মদুদি খ্বাইদগী হেনব বুদ্ধিমান জ্ঞানীজন্ন বিবেক্কী থৌরব থাংন ককঙমদব চিন্তাবুসু শান্দংলে। ব্রহ্মণ! জীবশিংগী থম্মোইদ লৈরিব তৃষ্ণা অসি অশুক্কী মতিক থৌই মদুগী মাগী অথৌবসি থাংগী অখোনন যৌব ঙমদে বজ্রগী মৈনসু শোকপ ঙমদে অদুগা মৈদ চংলব য়োংকী মৈনসু ঙমদে। তৃষ্ণাবু থাওমে মৈরীগুম্ন প্রমাণ তৌনৈ মদুদি থাওমৈগী মৈরিন ময়াইদ অঙান। মবংব, অকোইবদ কালী ওই মাগী মমাং থংবদ কোনফু মদুদ পাং অমসুং অশাংব দোসা লৈ। মহাক অঙানব ওই অমসুং চাকপন মবম ওইদুন নদ শোকপদ শায মতৌ অদুগুম্ন তৃষ্ণাসু ময়াইদ ভোগ বৈভবন লংন ঙাল্লি অমসু অরোইবদ অৱাব অমদি মৃত্যু পীনবগী মরম্ন কালী ওই, মসিগা মমাংথংব নপ্রগা অহৌবসু খাঙব ঙমদব ওই। মহাক নুপী মচানচিংবগী স্নেহন থনব অমদি অঙা ওইব যৌবন, অহল ওইরকপ কৌব থোইদোকপ ফিভমগী মশাক ওইব বিপত্তিশিংন তিল্লি। মসিবু পুম্নমক্ক খঙনরিবনি অমদি অপাম্ব পোৎশিং কাইনবদগী পোকপ নুংগী মৈচাক পোকহনবগী মরম্ন মসি পুম্নমক্কী ওইন খাঙমদব ওইহল্লি। মহর্ষি! মেরু পর্বতকী মতৌগুম্ন য়াম্ন চাওখৎলব বিদ্বান, শূরবীর, চংখোম্ন লৈতাবব অমসুং অথোইব মীবুসু অমত্ত ঙাইরবী তৃষ্ণা অসিমক্ক মিকুপ অমগী মনুংদ চাকানব য়াচক ওইহন্দুন নাপীগী মতৌগুম্ন অয়াংব ওইদুন হুমদোকই।

শরীর-নিন্দা

মহামুনে! অচোংপা অমাং-অশোয়নচিংবগী অমসুং শিংলী-নাওরীন থল্লব মখল কয়াগী বিকারশিংন তিল্লব অমদি মমৈদ লৈখা তাব শিব মবণ ধর্মবু লোইনবীব খদুগুম্ব হকচাং, সংসারদ পুন্নমক্কী মাংদ ফোংন ঙাল্লিব মসিস্ সুপ্লগী অৱাববু ফংননব, ভোগ তৌননবগীদমক্তনি। মসি শবদং চাব থকপনচিংব তৌবদগী নুঙাইখৎলি অমসুং খরদং অযিং-অশা ফংবদ খুইঁজিল্লি, চিখৎলি, মবম অদুন হবচাং অসিগ মান্নন মগুণ যাওদব ৱানিঙাই ওইব অমসুং লৈখা তাব অতোনব শাতোপ্প কাবসু লৈতে হবচাং অসিসু উপালগী মতোগুম্বনি। পাম্বোম অনি মসিগী মশা অনিনি, লোইবব লেং না তনা। পাম্বী মউনি মিং অনি মাসগী মখুল অতোবনি। কোক্কী মফম্ম মাসগী মাল্ল নুংলব মরোন, যাগী মশক ওইব পগে মসিন উচেকশিংগী কাইদোংফম বুম্বাগী মতৌগুম্ন হডনবব ভুংনযমনি। নাকোং মনিন শবদগী মশাক ওইবী (কঠফোরবা) উতুবী উহুৎপী উচেকশিংগী চ ম মখুলনি খুং অমসুং খোঙগী খুংশা-খোঙশাশিং মসিগী ফজবব যেন্নো তোংলনি। অন্ন কোম পুক্কী অনাবন মসিদ শন্দোক্তুন লৈবিব উৰা অমদি চেংশো শানা। মসি থন তৌনবগীদমক্ত পান্ন ভুংবী মপৈদগী লিং খৎপনি ত্তাব অমদি চশুপনী মশক ওইব উচেক অনিন মাপদ মহুম ওইন লৈ। থাগী মশক ওইব বেসবশিংন চং খোল্লব পোক-শিব নাইব অমদি মেংলব মীলোক্কী মঙালগ লোইনবিব শোওগী মশক ওইব লৈশিংন হকচাং পাম্বী অসিবু মতম পুম্বদ লৈতেংদুনা লৈ। ফজন মঙালন মাগী মমিনি। দেহগী মশক ওইব পামেং অসি জীবগী মশক ওইব নম্বী চেংপশিংগী পোথাফম মফমনি। মসিবু কনাগী মশাগীনি হায়গনি অমসুং অতোপ্পা কনাগীনি হায়গনি। মসিগী মথক্ত অচেংপ থাঙব অমসুং থাজদনমক কবি

ওইগনি। মুনি। ভবসাগর অর্মদি তুরেলনচিংববু লান্নবগীদমক্ত হন্ন হন্ন মশাগী ওইশ্রব দেহলতা অর্মদি হিসিদ কনান মশাগীনি খনব যাবগে? মসিদ তুগী মশক ওইবী মশা, থীঙমদ্রব পাঙ্গীশিং হৌরি। মদু ইন্দ্রিগী মশক ওইবী মশীং যাম্ম অহোব মখুন্ন থল্লি। অদুগুম্ব দেহগী মশক ওইব মী লৈতব বন্দ কনান অকি তুজুং যাওদন লৈব ঙমগনি।

অদুগুম্ব সংসারগী মশক ওইব বন্দ হোবকপ অমসুং চাওরকপ মসিদ চিত্তগী মশক ওইবী মমাই থল্লবী যোংশিংন চোংফন্দুন শান্নরিব মদুগী কযাং খুদিংদ বিষয় চিন্তনগী মশক ওইবী লয়োনাশিংন লৈতেংলিব যাম্ন অৱাবগী মশক ওইবী অর্মশিং চাশিল্লকপাগী মদুদ মাইকৈ পুম্বদ অহোব নন্ত্রগ অশোকপা ওইবাক্রব অদুগুম্ব তৃষাগী মশক ওইবী লীলা শমোমগী মযুম অদুদ কামগা মশ ওইবী কান্ন মশম শাজিল্লব মদুদ মেংন মোমোন নোকপগী মশক ওইব হোংহাান অমনুং শাংলি মরম অসিন মসিগী যাম্মসু থ জব ওই। শুভ-অশুভংনুভাইং শমিনু অৱাব) মসিগী অচৌব মতেনি। ফজব লেংশুম অমসুং পাম্বোম মসিগী মশান খুৎশাশিংগা লোইনবব খুংকী মশক ওইব লেবাং চবোংন মবম ওইদুন অদুগুম্ব ফজন উবিব, প্রাণবাযুগী মশক ওইবী নুংশিংকী ইপোমদ মসিগী বাযাং পুম্বগী মশক ওইবী মেন্নৌশিংন লেং হাযবি। মদুদি ইন্দ্রগী মশক ওইবী উচেকশিংগা তোংনফম ওইবিন ফজব খুকউগ লোইনন হকচাংগী মখাগী শকক্র পাঙ্গীগী মং ওইব যাম্ন ৱাংলিব যোবনগী মঙালগী মশক ওইন মমিন তিনব ওইবদগী মথাই চেনব ওইন উবিব, কামগী মশক ওইরব লম্বী চৎপন মসিগী মরুম ফংনবিব, কোকথক্ত হৌরিব শমগী চবুন চথুন্ন মসিদ যোমশিন্দুন যাথ্বরিব নাপীগী মপৈশিংনা লংজাগী মশক ওইবী অহংকাবন মহুম শাদুন লৈরি মনুংদন শিদ্রন থল্লি। মখল মথাগী বাসনাগী মশক ওইরব জটাশিংগী জাল (লাং)গী হৌফম পোকফম ওইবন

মসিবু য়ানথংপ থোইদোক্ল অরুবনি অমদি হোৎনব কৌবগী মশক ওইব মশা মবেং শন্দোকপন মরম ওইদুন কংশিল্লকপগুম্ন উরিব হকচাংগী মশক ওইব বৃক্ষসি ঐন পাম্ন নুঙাইন খক উদে।

মুনে! অহংকারগী মশক ওইব গৃহস্থগী অচৌব যুম্ন, মসি তেক্তুন তুখ্রগ মতম পুম্বগী ওইন লৈমাইদ ওন্দুন লৈব ওইসনু নত্রগ মতম শাংন লেংদব ওইন লৈসনু। মসিন ঐঙোন্দ কবিবু কান্নগনিগ মদুদ ইন্দ্রিগী মশাক ওইব শাশিং লিশা থাদুন পুল্লি। তৃষ্ণাগী মশক ওইবী যুম্বুরেম্বীন হন্ন হন্ন যুমগা মাঙ্গোলদ নোম লিক্লি। অমদি মসিগী কাযাং পুম্নমকপু আসক্তিগী মশক ওইবী গেকব্বানচিংব মান শংজিল্লিব হকাংগী মশক ওইবী যুম অসি ঐ পাওদে। নমগননী যাংলেন শনগী মশক ওইব যুমাংলেননী মাওঁওম্ন অমগ অমগ শৌত্তিন্নদুন মদুগী মনুংদ থংহাংব খবদং লৈহৌব অমদি মদদ পন্নগা মাবি মনাং থৌগশিন পুন্দুন লেপহল্লিব হকাংগী মশক ওইব যুম অসি ঐ পামদে। মদুদ মাংবি খুদিং শিংলী লাওবি দ হোৎনব মাবি-মনাং শন্দোক্লব মদুদ হংগী মশক ওইব হংশিংদগী শেম্ব যান্নবব মচিল লৈবব অমদি হনুমানকপগী মশক ওইব শুনুন কোকপু অঙৌব ওইহল্লকপ হকচাংগী মশক ওইব যুম অদু ঐন খক পামজদে।

চিত্তগী মশক ওইব মনাওন মখল কযাদ লোইনাইদন হোৎনদুন মসিং। হিংদুনা খোইদোক্ল চেংশিলহল্লিব অমদি মিথ্যা শমসুং মোহ (অসত্য অমসুং অজ্ঞান) অনি অসি মসিগী অচৌব পুক্নী মপোৎ ওইবিব হকচাংগী মশক ওইব যুম অদু ঐহাক খক পামজদে। শরীরগী মশক ওইব অঙৌবা মগা মচাশিংন মদুদ কপ কপ্পুন নিল্লী খোৎলিব কন্ন তুমথবগী মশক ওইব নুঙাইব হিপফম্ন মবম ওইদুন মদুবু পুক্লিং হুন উবিব অমদি মদুদ ফত্তব থৌওংশিংগী মশক ওইবী চাক্লব অমাদ শোক্লব মীনাই নুপীগী লৈকম ওইবিব হকচাংগী মশক ওইব যুম অদু ঐ পামজদে।

মুনীশ্বর! অদুগুম্ব অমাং অশোয়নচিংব দোষশিংন তিল্লব বিষয় মপৈগী মশক ওইব কোন,পাত্রশিং অমদি অতোপ অতোপ্প মচাকশিংন থল্ল হাঞ্জিল্লব য়ুমগী মশক ওইব হকচাং অসি ঐ পামজদে। খুনিংগী মথক্ত লৈরিব খুম্নিংকী মশক ওইব শীংখোং অসিদ হৌগৎলকপ খোংন য়ুম্বী ওইব, খুকউন মখোয়গী মকোক ওইব মদুসু অমুক কৈগনগী আধার ওইব অমদি অচৌব পাম্বোম অনিন নাখলচৈশিংগী মতৌগুম্ব মসিবু ঙাক্তুন লৈরিব দেহগী মশক ওইব য়ুম অসি ঐঙোন্দ পামজদে।

ব্রহ্মণ! মদুদ জ্ঞনেন্দ্রিগী মশক ওইব অহোব মখুলশিংগী মনুংদ প্রজ্ঞারূপিনী য়ুম্বুরেম্বী শান্নদুন লৈরি অমদি চিন্তা শক্তম লৌবী মচাশিংন লাংদুন শান্নরিব হকচাং কৌব য়ুম্বু ঐন পামজদে। কোক্কী শমশিংগী মশক ওইব ইনান কুপশিন্দুন উরুম লাংহল্লিব নাকোংগী মশক ওইব মঙাল চাওরবী থাবলগী ইপাল লাংফমন নিংথিহল্লিব অমাদ শাংতক তৌব খুৎশাগী মশক ওইব উ মতেকশিংন ফজহল্লব হকচাংগী মশক ওইব য়ুম অদু ঐ পামজদে. মদুগী কাযাৎ পুন্নমক্কী মশক ওইব লৈপলশিংদ তুখোং কৌব কুংলব (জৌ)ব্রাসগী উান খোক্তুন মযোন চোংখং লি অমসুং মদুদ পুক্কী অহোবদি কারিগুম্বদসু থনব তৌতব আসগুম্ব দেহগী মশক ওইব হকচাং ঐন পামজদে। মদুদ খুজিলগী মশক ওইব মিরাংশিং লৈফম ওইরিব মদুদ অরাম্বগী মশক ওইব হুইশিংন লেপ্তুন খোং লাওদুন লাংলব অমদি মদুদ আঁকংখোঞ্জেল পুব প্রানবায়ুন মতম পুম্বদ শিগুন লেনব আসগুম্ব হকচাং কৌব য়ুম ঐন পামজদে। মদুদ নুংশাখোব হোন্দোক-হোঞ্জল মওংদ নুংশিৎকী ইচেলন অতৎপ লৈতন মনুং মপান্দ চংথোক চৎশিন তৌদুন লৌব অমসুং ইন্দ্রিগী মশক ওইব থোংনাওশিং মতম পুম্বদ হাংদোক্তুন থম্ব অদুগুম্ব হকচাংগী মশক ওইব য়ুম ঐন কদৌঙেদ খক পামজদে। মসিগী চীনগী মশক ওইব থোংদ লৈযেং কৌবী য়োং অমোম্ন শীংদুন লৈরিব মদুন অকিবগী মশক ওইহল্লিব অমদি য়াগী মশক ওইব

[illegible] খওনবা ইকচাংগী মশাক ওইবা যুম ঐন খক [illegible] মশাক [illegible] তৌশিনবান [illegible] অমসুং পারক [illegible] মবম [illegible] থাওমোগী [illegible] মিকুপ খনদগী [illegible] মিকুপ [illegible] মঙালদগী [illegible] উরম্মী অমসু [illegible] মিকুপকী মনংদ [illegible] অন্ধকারন কুপশিনখিব ইকচাংগী মশাক ওইব যুম ঐ পামজদে। মসিদ [illegible] মকোল শাকমনি। উন খুইজিল্লকপ অমদি অমনব শমশিং (পোক) গী নগবান অমসুং পুক্লিংগী চিন্তাশিং পুন্নমক্কী লৈফম অকিব বন ওইব অসিগুম্ব ইকচাং যুম অসি ঐন খক পামজদে। ইকচাং অসি শাকব ফংলব বন অমনি। ইন্দ্রিশিংন জঙ্গল অসিগী শওমশিংনি। মখোযদুন শাওবগী মবম্ন মসিদ চংঙমদব মফম ওইবিব। মসি মনুংদ ইহাং হাংবনি অমদি তোঙান তোঙানব কান্নদব লৈক-কোঙ্গুংন থল্লি। মসিগী মাইকৈগী মশাক ওইব কর্ণ্ণশিং শক্ত মল্লব অজ্ঞান্ন কপাশনবন মরম ওইদুন য়াম্ন শুক্ত মম্ন উই, মসি ঐন কাবংহন্বদসু পামদে। [illegible] মখল [illegible] হোংনব [illegible] কাবগী [illegible] কালন মতম [illegible] ইকচাং অসি সুপুংগা [illegible] মাঙ [illegible] (শিব) [illegible] কবন্ধ [illegible]

[illegible]

বুদ্ধিমান ওইব মীশিংগী কৱি থাজফম থোকপগে হকচাং অসি অনৌব মনা পুংব উগী মতৌহগুম্ন নুংশিং খজিক্ক হুম্বদ কন্ন কন্ন নোম্লকই। মসি আধি-ব্যাধি পুক্রিংগী অমসুং হকচাংগী লায়নাগী মশক ওইব তিংখং লিশীং লিশীংন হোগাই থিনগাইবন মরম ওইদুন মন্নথরকই। মাগী স্বভাবসু পুকচেল পীকপনি অমসুং মসি মহাও য়াওদব অকাবনি। মবম অদুন ঐন মসিবু পামদে। মতম শাংন য়াম্ন চেকশিন্ন চাব থকপ তৌদুন যোক্লবগী মতুংদসু অনৌব উনাগী মতৌগুম্ন থোংন খুইথব ওইদুন মসিন হন্ন হন্ন মাংনবগী মাইকৈ তম্ন চেনশিল্লি। মতম শাংন মীশিংগী মথক্ত মপু ওইনব শেমগাংলগ ধন-সম্পত্তি ফংলবদসু মসি থক ৱাংখংলক্তে অমসুং লৈতান লৈবসু ফংদে অদুগবু হকচাং অসিবু কবিগীদমক্ত যোক্কদৌবিবনো কনাগুম্ব ভোগ-বৈভবন থন্ন লৈবব নত্ৰগ লাইব চুদংনব অনিগা হকচাং চপ মান্নে, অতনগী মতমদ অহল ওইব অমসুং শিব মতমদ শিব ওই। মদু এন্ডোন্দ থোইগোকপ অনুভব লৈতে। কনাগুম্ব অদুন মাঙ্গদব হকচাংদ পুক্রিং চান খাজব থমোলনা, মদুগুম্ন মতম পুম্ব লৈগদব লেংদবগুম লোবিব অমাদি সংসাবব্ অবেপ্প ওইন থাজবিব মথোয মোহগী মশক ওইব য়ুবু থক্তুন ঙাওবিবনি। মখোবদু তম্ন হন্ন খবাক যৌবিবি।

মুনে। "ঐদি হকচাংগী কবিগুম্ব মদি লৈনবস ওইদে অমসুং ঐ হকচাং নত্তে। হকচাং অসি ঐগীসু ওইদে অমসুং ঐমক হকচাং অসিসু ওইদে।" অসুম্ন বিচাব তৌদুন মাগী চিত্ত পবমাত্মাদ পোংখাফম্ন লৌবন ম খায অদুমক মীবত্ত অথোইবনি। কনাগুম্ব মান অমসুং অপমানদ চাওখৎপ ফংলাব অমসুং মবাং কাইন কান্নন ফংবদ পুক্রিং নুঙাইরিব দোষন থল্লবা মিংয়ে শিংন সুম্নগা হকচাংদ অবেপ্পান থাজব থম্লিব মীবু মাংহল্লে।

হকচাংগী এবং মনুংদ তুম্লিব অমসুং অহংকাবগী অহুবকপন থল্লব থবক ওইবী অদুগুম্ব পুক্রিং হুম্নব শাওং শাদা ওইবী। ভোগ তৃষ্ণাগী মশক ওইবী

দোষ দৃষ্টিগী মশক ওইবী) পিশাচীন লৌনমদুন ঐথোয় পুন্নমক হুবীরি। হকচাংমক্ত লেংদবগী বিশ্বাস থমলিবী মিথ্যাজ্ঞানগী মশকওইবী ফন্দ্রবী তমগিরবী রাক্ষসী অসিন মথন্ত ভাইরবী(মতেং -উপায় লৈত্রবী) অতোল-অতা ওইবী সুবুদ্ধি প্রজ্ঞাবু মপুং ফান ঠগ তৌবীরিব অসি কযাদ রানিঙাই ওইরিব।

মতম নুমিৎ খরদংদ খুইপব কংশিল্লকপ ফংদুন হকচাংগী মশক ওইব পামেলন ইফুৎকী ঈশিং মরিকশিংগী মতৌগুম্ন হোৎনরুব লৈতন নথন্ত তুর্জাখি। সমুদ্রদগী পোক্লকপ ঈশিংগী কোঙ্গোলশিংগী মতৌগুম্ন হকচাং অসি য়াম্ন থুন মাঙখি। ব্রহ্মণ! হকচাং অসি মিথ্যা ওইব অজ্ঞানগী শক্তম বিকারনি। অমসুং মঙগী মশক ওইব ভ্রান্তিশিং (শেবান্নবশিং)গী পুকৈনি। মসিগী মাংব য়াম্ন শেংন উই। মবম অসিন ঐন মিকুপ অমমংগী ফাওব থাজদে। কনাগুম্ব অদুন নোংথাং, শবদ ঋতুগী লৌচিন অমসুং গন্ধর্ব নগরবু কুইন লৈগদব ওইন খল্লিব মহাক অদুতন হকচাং অসিগী নিত্যতাদ থাজব ওইসনু (ঐদি থাজব ঙমদে) থুনমক মাংব ওইবদ নমফদ মাগী অথোইব উৎনবগীদমক্ত ফিভম শেমদুন কন হোৎনব অদুগুম লেপ্তন মাংশিল্লক্লব পোৎশিংদগীসু হেন্ন ক্ষণভঙ্গুব (মাকুপ্ত কাযব)ওইবিব অদুগুম্ব অকনব দোযন তিনব হকচাং অসিবু নাপাগী মতৌগুম্ন থৌওইদব থমদুন ঐ নুঙাইব ওইরে। (সং - ১৮)

-০0০-

অঙাংগী ফিভমগী দোষ।

শ্রীরামচন্দ্রন হায - মুনীশ্বর! অসমর্থতা (পাঙথোক ঙমদব),অপনবশিং তম্না, ভাংথোক ঙমদব পঙশিনব বুদ্ধি শান্নপোৎনচিংব ফংনিংবগী অপাম্ব তথকপ অমসুং অতোনবনচিংব দোষ পুন্নমকসি অঙাং ওইবগী ফিভমদ ফোংদোবকই।

অঙাং। ফিভমদ শা উচেকাশিংগী মতৌগুম্ব চেষ্টা ওই। অঙাং মা পম্নমক্র চৈবী। [illegible] দেগী কম্ন [illegible] মান। [illegible] ভমদ ঈশা, [illegible] পীরব [illegible] মী ওন্দুন বোঙ্খা [illegible] দুওবা [illegible] কনাগু [illegible] অঙাংন মখল [illegible] হবাওবম, [illegible] শানহম থোকল অমাদ [illegible] লহীদ নীঙাই [illegible] অকম্ব মোহন তাশিল্লি। অঙাংগী ফিভমদ [illegible] কনান হায়ববস কান্নবোঙদব থবক্ত চংশিল্লি। মখল কযাগী তৌফদব তোই। অমাদ কারিগুম্ব মওংদস আচেংপ ফিরেপ ফংব মাগীদমক্ত ফংঙনদবনি। মতৌ অসম্ন মীওইকী অঙাং ওইব মতম সুপ্লগী গুরুজনশিংগী সাসন ইন্ননবগীদমক্ত ওই। নুঙাইব অমসুং শান্তি পোক্রবগী ওইদে। মদুদি মকুন নুংথিলদ অমম্বন থল্লব অসুকপ লৈকুদ উগক্সে লোত্তুন লৈ। মতৌ অদুগুম্ন অদু-অদুগুম দোষ, তৌনদব লীচং, অমদি অদু অদুগুম্ব লাম্লোকপ ঙমদব খঙ্গদবশিং পম্নমক অদু অঙাংগী ফিভমদ ওইবিব জীবগী থম্মোইদ লোত্তুন তোংলগ লৈরি।

বশিষ্ঠ। কনাগুম্বশিংদুন "অঙাংগী ফিভম য়াম্নমক নুঙাইনফমনি" অসুম্ন নুঙাইনমগাদগ মানবগী কল্পনা তৌনবিব, মখোয়শিংদগী বুদ্ধিদু কান্নদবনি। অদুগুম্ব [illegible] বাদ্ধ ওইব মীশিংবু হন্ন হন্ন শিক্ষাব তোই। মদদ শগাহ [illegible] চাউব ওইব পূ[illegible] মখল মখা ওইব [illegible] নযাশংগী ম[illegible] [illegible] মশাক ওইব অঙাংগী ফিভম্ন [illegible] ওইব থাগানি? মখো থাব্রাই পা[illegible] পম্নমক্কা [illegible] অঙাংগী ফিভম [illegible] শকক [illegible] ওইননক চবাংগ [illegible], অমসুং [illegible] থাম্ন [illegible] মফম অদুদ আন আস পুন্ন সংযোগ [illegible] মবেম্বদ ঙাকথোক্লব তোংনাবব কনাগো

অঙাং ওইব ফিভম অমসুং পুক্লিং অনি অসি বৃত্তি পুন্নমক্ত (ব্যবাহারশিংদ) মতম পুম্বদ পোকমিন্নব মচিন মনাও অনিগী মতৌগুম্ন উনৈ। অনিমক অসিগী ফিভম মিকুপ খুদিং ওনবনি (ক্ষণভঙ্গুর) নি। হুইনাও মচাগী মতৌগুম্ন অচাপোৎ খজিক্তং পীরগ নম্রগ চুৎ চুৎ খবদং থেম্বদ খুদুম চনব য়াই অমসুং খরদং থপ তৌব নম্রগ চৈনচিংব উৎপদ ফিভম কায়খি অমসুং অকিব ওইখি। মহাক্ন মতম পুম্বদ শেংদব মফমতদ নুঙাইব অমদি শান্নব তৌই।

বাল্যাবস্থাদ লৈব থৱাইপানবন সুপ্নগী অতোম্পশিংদগী কিব অমসুং চাব থকপ ওই। মসি মতম পুম্বদ তোন্ন লৈ। উব অমসুং উদব পোৎশিং ফংনিংদুন লৈ। মাগী বুদ্ধি অমসুং হকচাং অনিমক চরাংনৈ। অসিগুম্ব বাল্যাবস্থাবু মীওইবন সুপ্নগী অৱাব ফংনবগীদমক্ত ধারণ তৌই। পাঙ্গল লৈতব অঙাংন মাগী পুক্লিংগী অনিংবন অদুগুম্ব পোৎশিং অদুবু ফংনবগী ইছা তৌরিব মদুবু ফংদ্রগ মাগী বুদ্ধি মতম পুম্বদ মৈচাক ওইদুন লৈ অমসুং মদু অসুক্কী মতিক ৱাব ওই মদুদি কনাগুম্বন মাগী থম্মোইদ শোকহনবগুম্ন। অঙাংগী ফিভম্ন লৈরিব অদুক্কী মথৈ অসত্য চুমদব, নত্তব পোৎশিংদ অচুম্ব অওইবনি হায়ব বুদ্ধি ওইন লৈ। থম্মোইদ মখল কয়াগী ভাবন শাব হৌগৎলকই অমদি পুক্লিং(অন্তকরণ)য়াম্ন হেন্ন থোৎপ ওই। মরম অসিন অঙাং ওইব থোইদোক্ন শাংন ৱাববু পীনবগী মশক ওই, নুঙাই পীনবগী নত্তে। হেন্ন লৌশিং চাওরব মুনীশ্বর! মাগী পুক্লিং অয়িং-অশাগী অনুভবতি লৈরব তৌইগুম্বসুং মদুবু ঙাকথোক্নবগী মতিক্তি লৈজদে- অঙাং অমসুং উপাম্বীগ করি খেন্নবগে? অঙাংগী ফিভম মতমদ ওজা গুরুদ, মমা মপাদগী অতোম্প মীশিংদগী অমদি মঙোন্দগী হেনগৎপ অঙাংশিংদগীসু অকিব ফংদুন লৈ। মরম অসিন অঙাং ওইব অকিবগী লাইশংনি। মহামুনে! অঙাং ওইবগী ফিভমদ দোষন থল্লব দশাশিংন মরম ওইদুন অন্তকরণ পুক্লিংবু দোষ চেনহল্লি অমসুং অঙাংগী মতম অবিবেক হায়ন কৌবা বিলাসী (অরাঙবী)গী লাংনফম য়ুমনি। মরম অসিন জগত অসিদ অপ্রং ওইকী মতাং অসি কনা অমক্তী মপুং ফান পেন্নফম থক ওইদে।

মথোক কারকপ পুন্সিগী দোষ
(যুবাবস্থাগী দোষ)

শ্রীরামচন্দ্রন হায় - মহর্ষে! অঙাং মচাগী ফিভমগী মথংদ মীওইব বাল্যাবস্থাগী ৱায়োং চাদবশিংবু থাদোক্লগ ভোগ তৌনবগী থৌনা, ভ্রান্তি শেরান্নব অমদি কামগী মশক ওইব পিশাচ (লাইফত্তব)ন মোৎহল্লব চিত্ত ওইদুন নরক্ত তাননবগীদমক্ত যৌবন (মথোক কারকপ)গী থাক্ত কাখৎলকই। যৌবনগী ফিভমদ অপঙব মীওইবন মপান নাইদ্রব (বিলাস) ললাংগনব মাগী লৈতাদ্রব চঞ্চল চিত্তগী রাগ দ্বেষ (অপাম য়েংথি)নচিংব বৃত্তিশিংগী অনুভব তৌরদুন অৱাব অমদগী অৱাব অমদ মথং মথং ফংলুই। মাগী চিত্তগী মশক ওইব মখুলদ লৈরদুন মখল মখাগী শেরান্নব (ভ্রান্তি) পোকহনব কামগী মশক ওইব পিশাচন মাগী মখুৎ চল্লব মীদুবু নম্ফুদ তমথিন তৌবী। মুনে! যুবাবস্থাদ নুপী জ্বাব অমসুং খৎনবনচিংব ফত্তব হৈনবীশিংবু পোকহনব রাগ লোভনচিংব ফাওরব অমদি ফল্রব দোষশিং (অসিগুম্ব কাম চিন্তানচিংবগী খুদুম চল্লব) অন্তকরণ ওইরব মী (পুরুষ)বু কান্নচিংবদ লুপশিন্দুন লৈরগ যৌবনমক্কী মতেং লৌদুন মাংহন্দুন থম্মী। অচৌব নরক্কী মন্ন ওইব অমসুং মতম পুম্বদ শেরান্নব পোকহনব যৌবন অসিন মাংহলহৌদ্রব অদুগুম্ব মী মহাক অদু অতোপ্প কনাদগীসু মাংব ওইদে। শৃঙ্গারনচিংব মখল কয়াগী রসশিংন তিল্লব অমসুং মখল মখাগী অঙকপ পোকপ মতাংশিংন থল্লব অকিবগী মশক ওইব যৌবনগী মশক ওইব ভূমিবু মহাক অদুন লাম্থোকখ্রব মী অদুবু ধীর (তপথব) কৌই। অদুগুম্ব মিকুপ খরদংগী ওইব ঙাম্থোক্লম্ব, থক্লব অমংব নোংগী লুম্লব নোংখাক নোংখোং (নাপলন থল্লব ৱাঙাং)ন য়োম্লিব অমসুং নোংথাংগী মতৌগুম্ন ঙাল্লম্লগ মাংখিগদব অমঙ্গলগী মশক ওইব মথোক কারকপ যৌবন অফবনি হায়ন ঐন পামজদে। ভোগকী মতমদ মধুর অমসুং অহাওব (পুক্রিং

নুঙাইহনব) অদুগ অরোইবদ অন্নাব পীননবগী মরম ওইবন অথাব ওল্লক্লিব মদুদ দোষকী দোষমক্ত থন্ন লৈরিব মদুন দোষ পুম্বগী লৈতেং ওইরিব অমদি য়ুগী ময়াইন ঙাওহনবগী মতৌগুম্ন শুমহৎলিব অদুগুম্ব যৌবন ঐন করিগুম্বদসু খক পামজব লৈতে। মদুন অচুম্ব ওইদ্রবসু অচুম্বগুম্ন উরিব য়াম্ন থুন মীনম্ব ঙম্ব অমদি মঙগী মতমদ ওইখিব নুপীগ তিন্নরম্বগী মতৌগুম্ন যৌবন অদুবু ঐন খক পামজদে। মসি মিকুপ খরগীদমক্ত য়াম্ন ফজন উব পোৎ পুম্নমক্কী মনুংদ মান মকোক্লি। পুন্সি পুম্নমক হৌখ্রবদ উহল্লকপ গন্ধর্ব নগরগী মতৌগুম্বনি। মসি মী পুম্নমক্র মিকুপ খক্তংগী ওইন পুক্লিং হুন উবনি। মসি ঐন পামজব অফবনি লৌদে। পাখঙগী পুন্সি অসি মপান্দগী য়াম্ন ফজন অমসু নুঙাইগদব মান্ন উব ওই তৌইগুম্বসুং মনুংদদি সদভাব অফব ভাব অহাংব শূন্য ওই। মরম অদুন বেশ্যা স্ত্রী জগোইশাবী সমাগম তিন্নবগা মান্নন হঙ্গোইনিঙাই ওইব মরম্ন ঐঙোন্দ পাম্নিঙাই ওইদে। মদুদি প্রলয়গী মতমদ পুম্নমকপ্ অন্নাব পীনব চাওর-চাওরব উৎপাত হিংশাগী উপদ্রবশিংন মাইকে পুম্বদগী ঈনোৎ হৌবকই মতৌ অদুগুম্ন যৌবনগী পুন্সি যুবাবস্থাদ পুম্নমকপু অন্নাব তাহন্নব অদুগুম্ব পোৎচংশিং মখোয পুম্ব মন্যক্ত চংশিল্লুই। যুবাবস্থাগী মোহন মঙ্গলগী মশক ওইরব ফজব লমচৎশিংবু কাওথোকহনব অমসুং বুদ্ধিবু মকশিলহনব ভ্রমগী যাম্ন হেনব চাংদ পোকহল্লি/পৃথোকই। মদুদি লইম্মেন উপাল ব্লাপালশিংবু চাকথেকপ মতৌ অদুগুম্ন যুবাবস্থাদ জীনন ন্য শিঞবী কাইনবদগী পোকপ খাঙমদব শোকাগ্নিন পুক্লিংগী নুংদ চাক্তুন লৈ। অস্ন্ন মদুদি থোইদোক্ল লুবব অমসুং পাকচাওব অর্মদি শেংলব তুরেলবুসু বর্ষা ঋতুদ অনৈব অমোংপ ওইহল্লি। মতৌ অদুগুম্ন খ্বাইদগী শেংলব পাকচাওব অমদি শুদ্ধ বুদ্ধিসু পাখঙগী মতমদ অমোংপ ওইহল্লি। চাওর চাওরব ঈথক অবাংব ঈথকশিং হৌরিব অকিব ফংলব অচৌব তুরেলবুদি লাম্লোকপ ঙম্মী তৌইগুম্বসুং ভোগ তৃষ্ণাগী ইথক ইপোম লাংলিব যুবাবস্থাবুদি লাম্লোকপ ঙমদে। অদুগুম্ব থব্লাইগী চান্নব মাগী নোইনোইবব থবাক মখোযগী পুক্লিং হুরব হবাও তযাম্ব অমসুং

অদুগুম্ব ফজন্নব মাইথোং কয়াদ পুক্লিং নুঙাইহল্লিব পাখঙগী মতৌদ ওসিগুম্ব মখলগী চিন্তাশিংন মীওইববু মন্থদুন ময়েং তাহল্লি। রজোগুণ অমসুং তমোগুণন থল্লব খুদোং চাদ্রব চিল্লব পাখঙগী পুন্সিগী মশক ওইব নোংলৈ নুংশিৎ (আঁধী)ন অফব সদগুণশিংগী লৈতাববু মাংহল্লি। মীওইবগী যৌবনগী পুন্সিন মকা লাম্লকপাদ দোষকী মপৈশিং য়াকাইরকই অমসুং অফব গুণগী কাংলুপশিং মরূ কংশিল্লকই। মরম অসিন মসিবু পাপকী বৈভবশিং মখেলাংব হায়নৈ। সংসার কৌব উপবন্দ পোক্লকপ যৌবনগী উরি পাম্বী (মউ) য়াম্নমক ফজবগী মশক্লি। মসি অসুম অসুম চাওখৎ-ব্রাংখৎলকপগ লোইন লোইনন মঙোন্দ তোংলিব পুক্লিংগী মশক ওইব খোইমুসু অঙাওব ওইহল্লকই। হকচাংগী মশক ওইব মরুভূমি লৈকংলাসিদ কামগী মশক ওইব ধাম(পুজা তৌনব মফম)গী মৈশাদগী ফোংলকপ শেরান্নব মওংদ উরিব অদুগুম্ব যৌবনগী মশক ওইব মৃগ তৃষ্ণানি। মসিগী মাইকৈদ চেনশিল্লদুন পুক্লিংগী মশক ওইব শজিন বিষয়শিংগী লৈক্রক গুহাদ তাশিন্নরি। যুবাবস্থা অসি দেহগী মশক ওইব মতম নুমিৎ থরদংগীদমক্ত ঙাম্বোক্লম্ব শরদ ঋতুগী মতৌগুম্বনি। হে মীওইবশিং! নখোয় মসিদ থাজব খক থমলোইদবনি। অসুম অসুম যৌবোন্ন মাগী অয়ৌব থাক্ত কাখৎলকপ অদুম অদুম্ন মৈশান তিল্লব কামনাশিং (অপাম্বশিং) ন সুপ্নগী মাংহন্নবগীদমক্ত হেনগৎলকই নত্রগ হরাও জগোই শারকই। রাগ-দ্বেষকী মশক ওইরব পিশাচন মতম অদু ফাওব থোইদোকপ মওংদ জগোই শাদুন লৈথিগনি মদুদি যৌবন কৌব অহিং অসিন মপুং ফান মাংদ্রিব ফাওব। কনাগুম্ব মহামুগ্ধ পুরুষন মোহন খুদুম চনবদগী ক্ষণভঙ্গুর ওইব যৌবনদ হরাও নুঙাইব ফংলিব মহাক মীওইব ওইরগনসু শামক্লি লৌনৈ। কনাগুম্ব মী অদুন অজ্ঞান নত্রগ অভিমান্ন মরম ওইদুনময়াই কাবন ঙাওরব য়ৌবনাবস্থাবু অভিলাষা তৌরিব, দুর্বুদ্ধি অদু থিন্দনমক নীংঙমদব মৈচাকী মৈশা শরুক য়াব তাই। মালেম লৈমাইসিদ মীশিং অদুমক মহাত্মাশিংনি মখোয় অদুন য়ৌবনগী মশক

ওইরব খুদোং থিরবসিদগী শোকহন্দন য়াম্ন নুঙাইন লাম্লোকখিব। চাওর-চাওরব গুম্ভীর লাইরেন্ন থন্দুন লৈরিব মহাসাগরবু নুঙাইন লাম্লোকপদি ঙম্মী তৌইগুম্বসুং বিষয় চিন্তানচিংব অচৌব ঈথকশিংন মরম ওইদুন হৌবিব অমসুং ফত্তব গুণ ফত্তব শাজংকী মশক ওইব দোষ কয়ান থন্দুন লৈরব অসিগুম্ব নিন্দা তৌনিঙাই ওইব যৌবনবু লাম্লোকপদি য়াম্নমক অরুবনি। ব্রহ্মণ! নোল্লুকপন লৈতেংলব, অথোইব পুরুষশিংবু চংজফম কাইদোং পীরিব থৌজালন ঙাম্লোক্লব অমদি শম, দম, ক্ষমা, দয়া, শান্তি, সন্তোষ অচম্ব মতৌ সরলতানচিংব মখল মখাগী গুণশিংন তিল্লব অথোইব যৌবনদি সংসার অসিদ অসুক্কী মতিক তাংই মদুদি আকাশত বন লৈতবগুম।

নুপীগী হকচাং (মশক) চংখোনব মতৌবু নিরাকরণ তৌব।

শ্রীরামচন্দ্রন হায - মুনীশ্বর! সোমদন শমশিং আসোমদ ঈ অমসুং শদোং অসিতনি যুবতী স্ত্রীগী হকচাং। মহাক অদুগী থম্মোই বিবেক্ল পাক-চাওরব অদুগুম্ব জ্ঞানী পুরুষত, নিন্দা তৌনবিব নারী শরীরন করি চন্নফম লৈ? ইকাই খুম্নজরিব মুনি! মমল যাম্লব ফিজোল অমসুং থাও কস্তুরীনচিংব তৈদুন মদুশিংদুবু হন্ন হন্ন শেম শাদুন নুংশিন তোবকখিব হকচাং পুর্নাশিং পুম্নমক্কী কায়াংশিং অদু কবিগুম্ব মতম অমদা লংজা অমসুং লমহুইনচিংব শদোং চাব জীবন হুংকাই অমসুং চিংথংলি। অদুগুম্ব স্তনমণ্ডলদ মেরু পর্বতগী চিংদোলগী লমদমদগী হরাও তথাম্ন চেম্বরকপী গঙ্গাজীগী ঈশিংগী ইচেলগী মতৌগুম্ন মুক্তাশিং পরেংগুম্ন ফজন উনম্মী, শিরবগী মতুংদ মাইকে পুম্বগী মোংফমগী লৈমাইদ নুপীগী অদুগুম্ব স্তন (খোমলাং)বু হুইন অহাও-মথেল-চদুম অনাগুম্ন হাওন চায। মদুদি বন্দ চাক্তাব গন্ধা নম্রগ উটকী ঈ-তোং অমসুং শব শদোংসু, মতৌ অসুম্ন

কামিনিশিংগী কায়াৎসু (হকচাংসু) অদুগুম উপকরন (চপ মন্নব পোৎচাক) শিংদুন তিনবনি। অদুগবু নুপীগী মফমতদ মীশিংন অসুক তকশিন চিংশিল্লিব করিগীনো?

মুনে! মীশিংন নুপীগী শরীর (হকচাং) দ অদুগুম্ব লৈখা তানবগী মশক ওইব ফজনীংথিবগী কল্পনা তৌনরিব মদুসু ঐগী মান্যতাগী মতুংইন্ন খক লৈতে। মদুদ ফজন পুক্নিং নুঙাইহন্ন উরিব মদুগী অমত্ত ঙাইরব মরমদি মোহর্মাক্নি। পুক্নিংদ বিকার পোকহল্লিব মদিরা (য়ু) দ অমসুং যুবতী স্ত্রীদ করি খেন্নে। মাইকৈ অমরোমদন মদন (নেশান) মরম ওইদুন মীওইববু মরাং কায়ন লাংহনব পী অদুগ অতোপ্প অসোন্দন কামগী ভাবপু হৌদোক্নুন নুপাগীদমক্ত নুঙাইব পীনবী ওইবি। (মবম অসিনা মশাগী য়াইফ-মঙ্গল পামলিব নুপাশিংগীদমক্তদি সামান্য ওইবদ থাদোক্কদবনি) মদুদি মখুমক্ল মশমগী মং দ ধাবণ তৌবিবী চাকখংলিব লৈবী যেংবখক্তদ ফজবনি। মাইগুম্বসুং শোকউ পাইরবাদ খাঙব ঙমদে। নাপীশিং চাকথেকই। মতৌ অদুগুম্ন কাজল ধারণ তৌবিবী অমদি মিৎম্নাশিং ফজন ঙবিবী নুপীশিং, মখোযবু শোক্নুব ফলদ অরান পীনবীনি, নুপাবু বাসনাগী মৈদ চাকহন্দুনথম্বীনি।

হু পাম্বীগী উবীশিং ফজব মপালগী লৈশাংশিংন পুক্নিং গুন উই, মসে অনৌব মনাশিংন পুংন ফজে খোইম্নুশিংগী শান্নফম মফম ওই, লৈগী নাচোম চরোং য়াম্বে, লৈশিংগী লৈরিক মফোলন নাপু মচুগুম্ন উই। মাবু নীংজ-পামজদুন নুংশিজব মীশিংবু হাংলি নম্রগ ঙাওহল্লি। মতৌ অদুগুম্ন ফজববী কামিনী লৈরাংশিং কেদুন লৈবগী মবম্ন পুক্নিং হুবগুম তৌই, অনৌব খুৎশা লযোন্ন নীংথিবী ওই, খোইম্নু মতৌগুম্নব তথক্লব মিৎশিংগী মিৎয়েং নুঙাইব উৎথোকবই, লৈ চরোংগী মতৌগুম্ন স্তনন থবাক্ত ধারণ তৌই। লৈশিংগী লৈরিক্কী মতৌগুম্ন সনা অহিংব অঙৌব মঙাল ঙাম্নোকই নুপাশিংগী মাংহন্নবগীদমক্ত থৌবাং লোইদুন লৈবী অমসুং কাম ভাবত গাবু নুংশি পামজবকপশিংবু অঙাওব অমসুং অশিবগী মখা পোলহল্লি। মুনি অথোইনা কামগী মশক ওইরব শাদানবন অপঙব পুক্নিং মীওইব

কৌব উচেকশিংবু থুজিলহন্নবগীদমক্ত নুপীগী মশক ওইব জাল লাংবু শন্দোক্তুন থাক্লি। পোক্লফম লমদম ওইরব অপিক অপিকপ ঈতুংফমশিংদ পোকপ লনগী মশক ওইরব লৈখোমদ চাকত্তাব নুপাগী মশক ওইব ঙ্গশিংবু থুজিন্নব (ফানব)গীদমক্ত নুপী হায়বীসে খোইগী খোইজিন্দ হাপলিব খোইচাক মান্নে অমসুং দুর্বাসনামক খোয় অদুগী খোইরীনি।

নারীগী থবাক্ত, মিত্ত, নীংদুদ, অমদি পিশুমদ অদুগুম্ব মচি মচং ওইব সার বস্তুগী মমিংদ শুপ্লগী শদোংখত্ত লৈ মরম অসিন করিগুম্ব থবক্কী পোৎ অম ওইদব মদুদ ঐগী কান্নব কবিনো? ঐন পুন্নমক্তু লৌরগ কান্ন তোনগনি, ব্রহ্মণ! শসিগুম্ব শদোং অসিদসু ঈ অমসুং অসিদসু শংগশিংনি মসিনা নপাগী হকচাং মদুমক মতম থরদংগা মনুং মস্তদন কংশিল্লক্কদনা ওই।

স সারগী নীশিং নুং . কাযাংশিংগী মতম থরদংগী মতুংদ ওইবক্কদনা ফল অাস ঐন নখোয়দ হায়খ্রে অদুমক্ত নংন অমুক করিগী প্রমগী মতু ইমদুন চেনাশিল্লিবনোং পঙ্ক ভূত মডাগী য়ানশিন্নদুন শেল্লকপ কাযাংশিংগী পুনশিনবানক নুপী কৌব-মিংদ খণ্ডনবান। মনম অসিন বিবেক বুদ্ধিন তিল্লব নুপা কনানসু আসাওুন ইনশিন্দুন করিগা মাইকে অদুদ চোংশিনগনি? মদুদি শামু তগোমগীদমক্ত লাংতক্লরব শামুন বিন্ধ্যাচল পর্বত্ত মাবু থুহন্নবগীদমক্ত লাং থাক্লিব পামকুণ্ড তাদুন ফাব অমসুং ব্লানিঙাইং ফিভম ফংই, দশা অসি তরুনী স্ত্রীগী মোংদ থুডিল্লব তরুণ পুরুষকী ওই। (সগ- ২১)

-০0০-

অহল ওইবগী অৱাব মতৌ।

শ্রীবামচন্দ্রন হায় - মহর্ষে! উনগী মশক ওইব বজ্রন থশ্বালন, নুংলৈ নুংশিংন লিক্লাবু অমসুং তুরেল ইচাওন তোবানগী উপালশিংবু মাংহল্লি। মতৌ অদুগুম্ব বৃদ্ধাবস্তা অহনগী ফিভম্ন হকচাংবু মাংহল্লি। মদুদি ত খজিক্তং চারুবদ

হকচাংবু থিন্দনমক ফিভম থীব ওইহল্লি। মতৌ অদুগুম্ন অহনগী ফিভম জরাবস্থান মীওইবগী কায়াৎ পুন্নমকপু মম্বদুন থুনমক শকওই চাদব ওইহল্লি। মখোয়গী কায়াৎ পুম্ব হিকথদুন খুইজিল্লব উন্ন থলহল্লি অমসুং অহনগী ফিভম্ন মখোয়গী অঙ্গ খুদিংমকপু কংশিলহল্লি। অসিগুম্ব মী পুন্নমকপু ফজবীশিংন উট কৌব শাগুম্ন উই। অহনগী ফিভমন মরম ওইদুন মাগী কায়াৎশিং নিক্তুন লৈরিব অসিগুম্ব মীবু মীনাই মীশল নুপী অঙাং বন্ধুবান্ধব অমদি শাগে নাতৈশিংন অঙাওবগ মান্নন খন্দুন মাবু নোক্লবী। অতোনবগী মুশক ওইব দোষন থল্লব থম্মোইদ মৈচাক ফংহন্নিঙাই ওইব অমদি আপত্তি পুম্বগী অমত্ত ঙাইব লোইনব ওই। তৃষ্ণাগী ঈচাওদি অহলগীদি হেনগৎলকই। ওম্বোকপনি, য়াম্ন অৱাবনি ঐ পরলোক্ত করি তৌরুগনি? মতৌ অসুম্ন যাম্ন নীঙমদব অকিব অদুগুম্ব প্রতিকার তৌব য়াদ্রব বৃদ্ধাবস্থাদ হেনগৎলকই। অহনগী মতমদ উপায় লৈত্রব ঐ কনানো? ঐন ভম্ব করিনো? ঐন কমদৌন করি তৌগনি? ফরে ঐ তুমিন্ন লৈবগনি। অসিগুম্ব মখলগী অতোনব মতৌগী উদয় হৌগৎপ ওইরকই। ঐন কনাগুম্ব ঐগী মীদগী করম্ব মতমদ কবি অমসুং মতৌ কমদৌন অহাও-অথুম চিঙ্গাক ফংব যাই? অসিগুম্ব মখলগী চিন্তাগী মশক ওইবী অনিশুব অহনগী ফিভমন হনুরবদ অৱৎপ লৈতন পুক্রিংবু চাকহন্দ্রন লৈ। অহনগী মতমদ মীওইবন মাগী শক্তিগী চাংপুব মাংহল্লি। করিগুম্ব চাবগী পাঙ্গল লৈবৱসু তুম্নবগী শক্তি লৈতে অমসুং করিগুম্ব তুম্নবগী শক্তি লৈরবসু চানবগী শক্তিদি হেক লৈতে। মতৌ অসুম্ন শক্তি মাংখিব মবম্ন ভোগগী ইচ্ছাদি য়াম্ন কনব হেনগৎলকই। ফিভম অদুদ লেপ্নমক থম্মোই চাক্তুন লৈ। হে মুনা! হকচাংগী মশক ওইব উপালগী মতোন্দ তৌরক্লিব জরাবস্থাগী মশক ওইবী উরোক হনুবী মহাক অদুন মখল মখাগী অৱাবশিংন হকচাংগী মাইথিব ওইহল্লিবীনি, লাইনাগী মশক ওইরব লিলশিং চরাংনদুন হেং হেং নাহেদুন লৈরকই অদুগুম্ন ৱাম্বব মুর্চ্ছাগী মশক ওইবী শুরু মম্লকপবু ঙাইদুন লৈরিব অসিবু মৃত্যুগী মশক ওইবী মকুন কদাযদগীনো থুন পাইশিল্লকপ উরকই।

মদুদি নুমিদাংৱাইবমগী সন্ধ্যান চংলক্লবদ খুদক্ত অমম্বসু চেনশিল্লকই।

মতৌ অদুগুম্ন হকচাংদ অহনগী ফিভম জরাবস্থাবু হেক উরক্লবদ অশিবসু চেনশিন্দুন লাকই। অহাংব নগর, মশা ককথৎখ্রব উপাল অমদি মদুদ নোংতাব লৈত্রব দেশ অদুসু খর খবদ ওইরবসু ফজব লৈ তৌইগুম্বসুং হনুব ফিভম্ন চাশিন্দুন মন্থ-কংথরক্তুন শোল্লব হকচাংদি উনগী মপৈন লান্দাদুন খুট্টথ-কংথরব থম্বালগুম্বকী ফজবদু ওই।

কোক্কী মশক ওইবব চীংগী চীংদোন্দ থোরকপ অহল ওইবগী মশক ওইব থাবল, বাতরোগ অমসুং লোকখুবগী মশক ওইবী থরোবু য়াম্ন ফজন শাংকাইহল্লি। হনুবগী মশক ওইবী কন্ন চেম্বী গঙ্গান আয়ু (পুন্সি) লোইরবদ হকচাংগী মশক ওইবী তোর্বান্দ হৌব উপালগী মরূবু ফুক্তোক্তুন থিন্দন তুহল্লি। মুনে! অঙৌব মনা পানব অমসুং লৈশিংন য়াম্বরিবী উরী-মচাশিং অখোয়ব ওইব মতৌ অদুগুম্ন মাগী মশা কায়াৎ পুম্ব ঙৌথোক্লব মীওইবগী অদুগুম্ব পারব কংলব হকচাং অহলগী মতমদ কোম্বরকই, য়ুম য়াংলেনগী মতৌগুম্ন লুকথরকই। মুনে! মদুদি কর্পূরগী মতৌগুম্ন ঙৌরব লফু পাম্বীবু শামুন মিকুপ অমদ ফুক্তুন হুন্দোকপগুম মৃত্যুগী মশক ওইরব য়মরাজন অহনগী ফিভম্ন কর্পূরগী মতৌগুম্ন ঙৌরব হকচাংবু লেপ্পমক মিকুপকী মনুংদ ফুক্তুন লংথোকই। অদুগুম্ব বৃদ্ধাবস্থা ফংলবদসু হিংলিব অদুগুম্ব ফল্রব পুন্সি অদুগীদমক্ত মিহৌন পাম্ব থম্লুবগী করি কান্নে। মালেম লৈমাইথক্ত কনাদগীসু মাইথিব খক ওইদ্রিব জরাবস্থা অসিন মীওইবগী অনীংব পুম্ব তিরস্কার তৌরি- মখোয়গী করিগুম্ব ইচ্ছা অমত্তসু মহৈ য়ানব ঙমহন্দে।

(সর্গ-২২)

-oOo-

মতম (কাল)গী মশক নৈনব।

শ্রীরামচন্দ্রজীন হায় - মসি ঐগী ভোগ্যবস্তু (বিষয়)নি, ঐ মসিগী ভোক্তা (বিষয় লৌব মী)নি। মখোয়সিন ভোগগী সাধন (পাম্বে)নি, পাম্বে অসিন মতৌ অসুম্ন ভোগ বস্তুবু ফংলগ ঐন মতম কুইন মসিবু উপভোগ তৌগনি। ঙসি পোৎ অসি ঐন ফংলে অমসুং হৌজিক নিংলিব অসি অমুক ফংলগনি অসিনচিংব মশীং নাইদ্রব পুক্নিংগী সংকল্প বিকল্প(ফংগে নিংব অমসুং ফংনিংদব) অদুগুম্ব অরোইব লৈখিদ্রব ব্যবহারিক ৱাডাংশিংবু শিজিন্নে। অমদি কৈগু লৈতব হকচাংদ অচৌব বুদ্ধি আত্মা ভাব থল্লিব অদুগুম্ব অপঙব মীশিংন হেয়োপাদেয় (থাদোক্কদব ওইব পোৎশিং) য়েক্লব মরুপ অমদি অপাম য়েংথিনচিংব খেন্নব ভেদশিংন মরম ওইদুন সংসার মশক ওইব গৃফাদ ভ্রমবু থোইদোক হেন্দোক্ল মতিক মগুন চাওন (ককথৎপ ঙমদব) ওইন শেমলে। মদুদি বড়বাগ্নিন ইথক ইপোম হৌরিব সমুদ্রবু চুপশিনব মতৌ অদুগুম্ন পুন্নমক চাবী কাল (মতম)সু পোক্লকপ জগত অসিবু চখোম ওইনরি। অকিব ফংলব কালগী মশক ওইব মহেশ্বরন প্রপঞ্চ জগত অপুম্ব অসিবু য়োৎননবগী ফিভমদ ঙাইদুন লৈরি। মরমদি পোৎ পুন্নমক মাগীদমক্ত সামান্য ওইবদ চখোম শেম্ব ঙম্মী। যুগ. বর্ষ অমসুং কল্পগী মওংদ মতম কক্তন কোংদোকপনি। মাগী অশেংব মশক কনানসু উব খঙব ঙমদে। সংসাব পুন্নমক অসিবু খুদুম চন্দুন মান মথক্ত ফাল্লিবনি। সংসারদ অদুগুম্ব নুঙাইরব শুভকর্ম তৌবশিং অমদি অৱাংব মতৌ নম্রগ মতিক মগুন্দ সুমেরু পর্বতকীসু গুরু ওইথ্রবশিং পুন্নমক অদবু মতম্ন মতৌ অসুম্ন য়োৎশিনখি মদুদি গরুড়ন লিলশিংবু য়োৎপগুম। কাল অসি ম্রাম্ন তমথিবনি থম্মোই কনব, থৌজাল খঙদবনি, মীনুংশি খঙদব অরিকপ অমসুং অতোনবনি, সংসার অসিদ হৌজিক ফাওবদ কবিগুম্বদসু অসিগুম্ব পোৎ অমত্ত লৈখিদ্রি মদুন কাল অসিগী পুক্নুংদ চংলোইদব। কাল অসিগী বিচারদি মতম পুম্বদ পুন্নমকপু য়োৎশিন্নব তৌব খক্তনি, মসিন অমবু য়োৎলবদসু অলোপ্প অম শাইদুন লৈ. হৌজিক ফাওবদ মশীং থীঙমদ্রব মীশিং

মসিগী মবুক্কী শুরুংদ চংশ্রে। অদু ওইরবসু য়াম্ন চাব পুকচাওব কাল অসিন পেনব কৌব লৈত্রি। মসি অহিংগী মশক ওইবী খোইমুশিংন থল্লব অমসুং নুংথিলগী মশক ওইবী লৈয়োনশিংন লৈতেংলগ চহি. কল্প অমসুং কল্পাগী মশক ওইবী লতাশিং অরৎপ লৈতন সৃষ্টি (লৈশেম্ব) তৌদুনা লৈ তৌইগুম্বসুং করিগুম্বদসু চোকথব খক নাইদে।

মুনে! মতম অসি লৌনম চাওবশিংগী মকোকনি। মসি কযাবক হন্না থুগাইরবদসু কাইব লৈতে। মৈ থাদোক্রবদসু চাকপ নাইদে অমসুং দৃশ্য ওইরবসু উব ঙমদে। মসি মনোবাজ্যগী মতৌগুম্ন শন্দোকই। মিকুপ অমগী মনুংদ কবিগুম্ব পোৎপু হেক্ত পোকহল্লি অমসুং মিকুপ্ত করিগুম্ব অমবু পুংমাং মাংহল্লি। মতম অসিন সুপ্নগী মশাগী মবুক নল্লবত পুক্রিং লুপ্তুন লৈবন মরম ওইদুন নাপী, উফুল, ইন্দ্র সুমেরু, উনা অমসুং সমুদ্র পুম্নমকপু মাগী মথা পোলহনব অমসুং যোৎননবগীদমক্ত থৌরাং তৌদুন লৈরি। সুপ্নগী কাল অসিতদ অয়োব ফত্তবন থল্লি। লোভসু মসিগী মনুংদ লৈফম পীরিবনি। লাইবক থীব হায়দুন হেক লৈরিব পুম্বসু মসিদ লৈনফম নিবাসনি। অমদি খাঙমদব চরাংনবসু মসিতদ ফংই। কাল অসি মহাকল্প কৌব পামেলশিংদগী দেবতা মনুষ্য অমসুং অসুরনচিংব থল্লাই পানব প্রাণী কাংবুগী মপৈ ওইব মহৈশিংগী অকুম্বশিংবু কেলহল্লগ লৈবদৌন লোপলি। মহাকল্প লীশিং কথা হৌখ্রবদসু মতম কাল অসি মযেং তাংসু তৌদে। এনাগ্ম অমবু ইকায খুম্নবসু তৌদে করিগুম্বদসু লাকপ তৌদে চৎখিবসু তৌদে নুংখিব (নুমিৎ তাখিব)সু তৌদে অমসুং মসি থোবকপসু তৌদে। যৌবনগী মশক ওইবব থম্বালশিংবু কেমহন্নবগীদমক্ত মাদি চন্দ্রমাগী মশক্রি পুন্সি কৌব গজবাজবু হোগাইননবগীদমক্ত লেংশাগী মতৌনি। সংসাব অসিদ অতোনব নম্রগ অথোহব কবিগুম্ব অদুগুম্ব পোৎ অমওসু লৈতে মদুদ কাল কৌব হুরানব ওসিন হুদুন পুথিদব। কাল অসিমক্ত ব্যবহারিক অবস্থাদ সংসাবগী কর্তা ভোক্তা সংহাব তৌবিব অমসুং নীংশিং বীনব (স্মবণ কর্তা) নচিং পদ পুম্নমক্ত খোংযম পুম্বদ

চংশিন্দুন লেপলি। কনা অমত্তনসু বুদ্ধিগী হৈশিংবন মরম ওইদুন কাল অসিগী অথুপ্প রহস্যগী অরেম্প পীব ঙমদে। পুণ্য অমসুং পাপকী মহৈ চাবগী মতুংইন্ন ফজব অমসং অথীব মশক্কী শায়ওন লৌরিব হকচাং পুন্নমকপু মতমতন পোকহল্লি, মতমমক্ত মদুবু যোকই অমসুং মতমক্ত মদুবু সংহাব তৌই। মতৌ অসুম্ন জগত অসিদ মফম পুন্নমক্ত মতম্ন শান্নব উর্নদ্র। মীওইবদদি মতমগী পাঙ্গলসি প্রসিদ্ধমক্রি।

কাল অসিগী নুপী চণ্ডী (অঙকপ ফংন শাওগনবী কালরাত্রি) মহাক য়াম্ন হৈশিংন চংলি। মসিবু কালন সংসারকী মশক ওইরব বন অসিদ শান্ননকীদমক্ত খিনখির্বান। মসিগ লোইনন যাত্রিকশিং পুন্নমক (ডাকিনী, শাকিনীনচিংব) লৈরি।কালরাত্রি অসি কৈ অমোমগী মতৌগুম্ন থব্রাই পানব পুম্ববু মাংহল্লিবীনি। কালগী লীরুংগী মমিংনি- অভাব নত্রগ সংহার। মসি মতম পুম্বদ লীবী খিংব টংকার তৌদুনত লৈ, মদুদগী অব্রাবগী মশক ওইব তেনশিংগী লেপ্তন চুথরী। লিরুং অদু মাইকৈ খুদিংদ কাপথোক্তুন লৈরি। ব্রহ্মণ! কালগী মশক ওইব রাজকুমার অসিন সংসারদ চেল্লিব প্রানিশিংগী মতুংদ তান্নরি অমসুং মাগী তেনশিংন লেংশিন্দুন থমলি। কাল অসিদগী হেনব শক্তি লৈব অতোপ্প কনাসু লৈতে। মসি খ্বাইদগী হেনব শাদানব শান্নবদ হৈশিংবনি অমসুং হেক লৈরিব লক্ষ্য ককপশিংদগী খ্বাইদগী থোইব চাংদম লম্বা লৈতব ওইরি। হেক শন্দোক্তুন উখ্রিব জগন্মণ্ডল অসি মতম কাল অসিগী জগোইশঙ নৃত্যশালানি। মসিদ মহাক মশামক মবুক পেন্ন জগোই শারি। মদুদি অঙাংন লৈপাক লৈখোম মতুম পাইরগ মখল কয়াগী শান্নপোৎ শাবগুম, মতৌ অদুগুম্ন কালসু হন্ন হন্ন মরোল তরামবি মখল মখলগী বন, লোক-লোকান্তর জীবগী কাংলুপ অমদি মখোয়গী মখল মখলগী আচার-বিচার সৃষ্ট তৌদুন লৈ। আচার-বিচারশিং অদুগী থৌরম-থৌজং (প্রবৃত্তি) সত্য যুগ অমসুং ত্রেতাদ লেংদব অদুগ দ্বাপর অমসুং কলিদ অচৎপ অরেংব ওই। পুন্নমক অসিবু শেম্বদ কালন করিগুম্বদসু চোকথব লৈতে।

(সর্গ - ২৩ -২৫)

~o0o~

কালগী প্রভাব - মীওইবগী পুন্সিগী লেপ্তব মতৌ।

শ্রীরামচন্দ্রন হায - মহামুনে! জগৎ অসিদ [illegible] মীং ম [illegible] অসুম্ন ওইরি অদুনদি নহারু হায়বীয়ু সংসার হায়না কৌব প্রপ[illegible] ঐগুম্ব মাশং[illegible] কারি থাজনিঙাই ওইগনি। মুনে! অদুগুম্ব দৈব (প্রারব্ধ কর্ম) নাচিংবন ওইরিবন অরা-নুঙাইনচিংবগী মশক ওইব প্রপঞ্চ রচনাশিংসিন শক্কৎলদুন ঐখোং [illegible] অসি কনাগুম্ব অমগী মথুত্ত যোম্বোকখ্রব মীনাইশিং অমদি বনগী শাজশিংগী মতৌগুম্ন মীখা পোনব ওইদুন লৈরি। মদুদি লিলন নুংশিৎ পু থকই মতো অদুগুম্ন অসিগুম্ব তমথিব শাজৎ ওইব মতম কালন মথোক কারকপ হকাংবু হনুবদ য়ৌহন্দুন হেক লৈরিব থৱাই পানব পুম্ববু অরৎপ কৌব তৌতন মাগী চখোম ওইদুন লৈরি। মতম থম্মোহ পান্দব থৌজাল হৈতবশিংগী নিংথৌনি। মহারু করিগুম্বদসু উপায় লৈত্রব খুদোংথিবদ তারব (আর্ত) প্রানীগী মথক্ত থৌজাল দয়া খক তৌদে। জীব পানব পুম্বদ দয়া তৌব পুকচেল চাওব মীদি সংসাব আসদ তাংলবসু ফংব য়াই। মুনে! জগত্ত অসুক্কী মতিক থৱাই পানবগী কাংলুপাশং লেবিব মখোয় পুম্বগী বৈভব (মরল মথুম) পুম্নমকং কাবসু লেভন অমদি থাজত্তনি অমদি ভোগগী মফমান হাযদুন হেক লেবিব [illegible] পুম্নমক [illegible] ফংলং অমসুং পরিনাম (মমৈগী ফল)দ লোইঙমদব অৱা[illegible] [illegible]। থৱাই পানবশিংগী পুন্সি থোইদোক্ত ত্রানক তানকই। মৃত্যু আশ[illegible] [illegible] মথোং কারকপসু য়াম্ন লাংতক্নব ওই অমসুং অত্তাগী [illegible]সু [illegible] তুম্ভুন হৌখি। সংসারী মানুষ্য ইশৈ নোংমাইগী কলাগী মপ (নদ্রুগ [illegible]বানুসন্ধান)দ দা[illegible] লেব ওইরল্লি। কৈরোই লৈকাই মরুপ মপাং সংসাবদ পুনশিন্নব থৌবীগ পাংখকনি। ভোগ জগৎ অসিগী অথোইব রোগ শাইনানি অমদি নুঙাইবনি হায়বনচিংবদ থৌরাংলিবশিংসি মৃগ-তৃষ্ণাগ মান্নবনি। খুদুম চনশিন্দ্রব ইন্দ্রিশিংমক য়েক্রবনি। সত্য স্বরূপ আত্মা অসত্যগুম্ন ওইরি অমদি জীবাত্মা অজ্ঞান্ন মরম ওইদুন হকচাংবু মশামক্তি লৌনরে। লাকশিন্দব পুক্নিং বন্ধনগী মরম ওইবদগী আত্মাগী শক্রনি

অমদি অজ্ঞান্ন খুদুম চন্দুন জীবাত্মা অসি মশামরু মশাদ পুক্লিং অদুন মরম ওইদুন চৈক্ন ফীরি। অহংকারমরু কলংকগী মরমনি। বুদ্ধিশিং য়াম্ন শোনব (আত্মনিষ্ঠা য়াওদব) ওই। থৌ পুম্ব শাস্ত্র বিরুদ্ধ ওইবদগী থাবগী মশক ওইব ফল পীনব ওইরি অমসুং লৌনাশিং (হকচাং অমসুং পুক্লিংগী খোংথাংশিং) নুপী ফংবরোমখক্তন্দ কেন্দ্র ওইরি সুপ্নগী নুপীশিংতবু মখোয়গী বিষয ওইনখ্রে। ইচ্ছা (ফংনিংব) শিংন বিষযশিংখক্তন্দ ফজব ফংজে- মখোয়সি ভোগশিংগী মাইকৈতদ চেনশিল্লি। পরমাত্মাগী ঙাম্মোকপ কৌব অরংব মঙাল মাংখ্রে। নুপীশিংসি দোষশিংগী লান্মীশিংনি অমদি বিষয় পুম্বগী বস পুন্নমক অশেংবমক্তি মহাও য়াওদব নীরসনি।

মহাত্মন! অমোৎপ বুদ্ধিন পুন্নমকী অন্তকরন (পুক্লিং)বু লাংতরু হন্দুন থর্মলি। অজ্ঞান্ন মরম ওইদুন পুন্নমকপু ঙোর। রাগগী মশক ওইব লাইনা (রোগ) নোংম-নোংমগী হেঞ্জিল্লক্লি। অমসুং বৈরাগ্য অতাংব ফংঙমদব ওইরক্লি। আত্মদর্শনগী শক্তি রজোগুন্ন মাংহল্লক্লি। মরম অদুন সত্ত্বগুণ ফংব ওইদে সুপ্নগী তমোগুণ হেনগৎপদ ওইরি। মরম অসিন তত্ত্ব (সচ্চিদানন্দঘন পরমাত্মা)য়াম্নমক লাপথোকপ ওইরি। পুন্সী লৈতাফম খঙদব ওইরে, অসিবন থুনমক চংলরুব লাংতরুন ঙাইরি। তপথব হায়বদু লৈত্রে অমসুং করিসু লৈতব বিষয়গী মফমদ মীশিংগী আসক্তি নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। বুদ্ধি অপঙব মতৌ (মূঢ়তা)ন মোৎহনব ওইরে। হকচাংগী অরোইব পরিনাম সুপ্নগী লৈখা তাব মাংবনি। হকচাংদ অহন ওইবগী ফিভম্ন ঙাম্মোরক্লি, অমসুং পাপকী মৈরিক হন্ন হন্ন কাপথোরক্লি। মথোক কারকপন চেকশিন্ন চেনখিনব হোৎনরি। সতসঙ্গ ফংব ঙমদব ওইরক্লে, কদায়দসু করিগুম্ব অথোইব আশ্রম ফংলক্রে অমসুং সত্যভাবকী উদয়দি কদায়দসু ওইরক্রে। অতোম্পগী নুঙাইব উরগ ওইব আত্মাগী অপেনব মাংখিবগুম তৌরে। অরংব থৌজালগী নুমিৎ থোরক্রে, অতোনব অনেম্ব মতৌন অরাম্পদগী মনাক য়াম্ন নকশিল্লক্লে। তপথব ইংথব মতৌন খাংঙমদব পাখৎপদ ওল্লক্লি। জীবগী থবক সুপ্নগী আবাগমন পোকপ শিব ওইদুন লৈনরে। খোঙথাং খুদিংদ ফত্তব

সঙ্গদি ফংই তৌইগুম্বসুং সৎপুরুষশিংন তৌব সৎসঙ্গদি থোইদোক হেন্দোক্ল ফংঙমদব ওইনরে। হেক লৈরিব পদার্থ পুম্নমক পোক্লকপ অমসুং মাঙ্গদব ঙাক্তনি। বাসনা (অপাম্বগী ময়ি) ন সংসারদ পুনশিল্লিবনি অমসুং কালন প্রানিশিংগী পরমপরাবু মতম পুম্বদ করিগুম্ব খঙঙমদব মফমদ পুদুন চৎলি। মাইকৈশিংসু উব ফংহন্দ্রি।

দেশসু বিদেশকুম্ন ওই অমসুং চীংসু চাইথাইদুন তুমদুন মাংলকই অদুদ ঐগুম্ব মীওইবগী লেংদব (স্থিরতা)দ করি থাজগনি? সুপ্নগী লৈব সত্তামাত্র তন মাগী স্বরুপ ওইব কাল অদুন আকালবুসু চাথোকই। মরোল ১৪বুসু মাগী মচিঙ্গাক ওইথোক্লি। পৃথ্বীসু মাংব নাইরি অদুগ ঐগুম্ব মীন লেপ্ন লৈবদ করি থাজনিঙাই ওই। চাওর চাওর দানবসু কেমখরি, ধ্রুবসু অরেম্প লৈতব ওইরি অমসুং অমরসু অশিব ফংলকই অদুগ ঐগুম্ব মীওইবন অসুম লেপ্তুন লৈগনি হায়বগী করি থাজব ঙমগনি।কালন মাগী মশীং থীঙমদ্রব মচিনশিংন ইন্দ্রবুসু শাইদুন চারি যমরাজবুসু খুদুম চনশিল্লি অমসুং মাগী মতিক ময়াইন নুংশিৎপুসু নুংশিৎ ওইহন্দে - মাগী অরৈব অস্তিত্বসু মাংহল্লি অদুগ ঐগুম্ব মীওইকগী অরেম্প ওইন লৈগনি হায়ব মতৌদ করি থাজনিঙাই ওইগনি? থাজ (চন্দ্রমা)সু কালন নমহক্তুন ব্যোম (আকাশ)ত লুপশিনখি। মার্তণ্ড(নুমিৎ)কীসু মতুপ মতুপ খায়দোকই অমসুং মৈসু ভগ্নতা মচেৎ মচেৎ কাইহল্লি। অদুন ঐগুম্ব মীওইব লেপ্তুন লৈগনি হায়বসিদ করম্ন থাজগনি। অদুগুম্ব মতম অদুন মৃত্যু(শিব)বুসু য়োৎশিল্লি নোংদম্ব (নিয়তি)বুসু হুমদোকই, অমসুং ঙমখৈ লৈতব আকাশপুসু মশামক্ত লুপশিলহল্লি। অদুগুম্ব মহাকাল অদুন লৈরিবদ ঐগুম্ব মীওইবগী লেংদন লৈগনি হায়বদ করি থাজনিঙাই লৈবগে? মদুবু নাকোংন তাব ঙাঙাংন হায়ব অমসুং মিৎন উব ঙমদব অসিগুম্ব অজ্ঞাত স্বরুপ (খঙমদবগী মশক ওইব) অমদি মায়াবু পুথোকপ উৎপাদক করিগুম্ব অকুম্প তত্ত্বন মরম ওইদুন মরোল তরামরিবু মশান মনাক্ত মায়ান মরম ওইদুন উহন্দুন লৈবিব তত্ত্ব অদু নির্গুন-নিরাকার সচ্চিদানন্দঘন

পরব্রহ্ম পরমাত্মামক্নি। সমষ্টি অহংকারগী মশক ওইব কলাবু ফংলদুন পুন্নমক্কী মনুংদ লৈরিব মহাক মতমগীসু মতমনি, পরমাত্মা কৌব তত্ত্বতন খ্বাইদগী পুংথোই থোইব অচৌবনি। মরোন অহুমক্ত অসিগুম্ব করিগুম্ব পদার্থ অমত্তসু লৈতে মদুদি মহাক্ত মাংহনব ঙমদব। স্বর্গদ লাই, মালেমদ মী অমসুং পাতালদ লিলশিংগী সৃষ্টি মান তৌই। মদু মাগী সুপ্নগী সংকল্প অনীংব খক্তদ পুন্নমক অসিবু অহলগী ফিভমসু য়ৌহল্লি। অনুরাগন তিল্লব কামিনিশিংন মখোয়গী তথক্রব মমিৎশিংন মদুগী মাইকৈদ মুন য়েংলিব অদুগুম্ব পুরুষ অদুগী পুক্লিংবু অথোইব বিবেক্রসু মশা ফগৎহনব ঙমদে। কনাগুম্ব অতোপ্পবু উপকার তৌরিব অমসুং অতোপ্পগী অব্বাব উরগ মৈচাক পোক্লিব মশাগী আত্মাবু শান্তি পীনরিব অদুগুম্ব ইংলব বুদ্ধিনতিল্লব জ্ঞানী মহাত্মামক্তন নুঙাই - মসি ঐগী থাজবনি। সমুদ্রদগী পোক্লকপ ওইব বড়বাগ্নিগী মথয়াত্ত তাদুন মাংখরিব মশীং লাকঙমদ্রব ঈথকশিংবু কনানসু মশীং থীব ঙমদে। মতৌ অদুগুম্ন সংসারদ পোক্রগ কালগী থয়াত্ত তাদুন মাংখ্রিব লোইব নাইদব প্রানীশিংগী মশীং কনান থীব ঙমগনি। মোংশোংশিংদ লৈব শজী অমসুং উচেক মাগী লৈয়েংগী মহাওমীহৌবন মরম ওইদুন লাংদ থুজিলদুন মাংনৈ। সংসার অসিদ মীওইবাশিংগী আয়ু মপোক ব যাদ তৌরকখিব ফত্তব কুকর্মশিংদগী মাংব ওইরি। করিগুম্ব আকাশত উপাল হৌবিব উপাল অদুদ উরিন য়েংলব অমসুং উরি অদুন ঙকশমদ ফাঁসি তৌদুন মীওইবনু যাম্বরবাদি মদুদ ব্বাব ওইবিব অদুমক্কুম্ন অব্বাব ফল অদুগুম্ব কামীশিংগীসু হায়রিব অব্বাব অদুদগী কোক্রবগীদমক্ত উপুায় তৌবদি লাপথ্রব ব্বানি।। উপায় অদুগী হিগাব লৌবিব মীশিংবুসু মসিদ লৈব্র নত্রগ লৈতব্র ঐখোয়ন মসিমক খঙদে। মুনীশ্বর। সংসার অসিদ মীশিংগী বুদ্ধি চঞ্চল অমদি মোৎপ ওই। বুদ্ধি অদু য়াওরিব মীন অরেম্বমক্ত সংকল্প-বিকল্প, কয়াগী লাং শেমদুন হায়রি-- ঙসি কুম্মৈনি মসি পুক্লিং হুন নুঙাইরব খ্বতুনি মসিদ যাত্রা তৌগদব ওই। মখোয়দু ঐখোয়গী ভাই-বন্ধনি অমসুং মসিদ নুঙাইবন থোইদোক্লব ভোগশিং য়াওবনি - সংকল্প লিশীং লিশীংদ লুপ্ন লুপ্লদুন মখোয় পুম্ব নোংমদি মতমগী খাবুমদ চংনখি। (সর্গ -২৬)

~o0o~

সংসারিক ওইব পোৎশিংগী মচি লৈতব, মিকুপ্ত, মাঙব অমসুং অৱাবগী মওং ওইব অমদি সৎপুরুষশিংগী অতাংব মতৌগী প্রতিপাদন তৌব।

শ্রীরামচন্দ্রন হায় - হে মুনীশ্বর! জগৎ অসিগী মশক অসি য়াম্নমক ফজদব অরমনীয়নি। অদুম ওইদুনসু মসি মপান্দাদি পুক্রিং নুঙাইনফম ওইন উই। মসিদ কবিগুম্ব পদার্থ অমগুন্ ঐগী মিৎযেংদ উব ফংদ্রি মদুদি মদুবু ফংব ওইরবদ খোইদোক্ল পোৎথাদুন ৈ.ব (পেবম সুখ)বু যংব ৬ম্ব। অভাংগী মতম বাল্যাবস্থা ..ঙা কয়াগী ভাবন শেম্ব (কম্পিত) শাম্ন খো নবদ থকচোং-ম..জোংদুন ঐৗখি। মথোক কাবকপ পাখঙগা মতম মুবাবস্থা লাক্লবদ পুক্রিংগী মশক ওইব শঙী নুপী মশক ওইব শংকং (গুফা)শিংদ নুঙাইন শান্নদুন অহল ওইশিল্লদুন হকচাং কংশিল্লক্লে। মতম অদুদ মীওইব কাংলুপ সুপ্নগী অৱাবগী অৱাব ফংদুন লৈরবি (মঙোন্দ কদায়দসু কবিগুম্বদসু ইংথব-নুঙাইব খজিক ফাওব ফংদে) অহল ওইব হায়ব উনগী মশক ওইবসিন তারক্লব (লাক্লবদ) হকচাংগী মশক ওইব শাৎলম্ব থম্বালশিং মাংখিব ওইরকই। মতম অদুদ প্রানগী মশক ওইব খোইমুশিং মদুবু থাদোক্লগ লাপ্ন য়াম্ন লাপ্ন পাইখি। ফিভম অদুদ মী অদুগীদমক্ত সংসারগী মশক ওইরব সরোবর কংদুন মাঙব ওইখি। সংসার অসিদ তৃষ্ণা (অরাম খৌরাংব) কৌবী তুরেলন অরৎ অখম লৈতন চেম্বদুন লৈরি। মসিন মাগী কল্লব ইচেলগী পাঙ্গল ইথিন্ন মসিগী মশীং লোইব নাইদ্রব পোৎ পদার্থসিংবু যোৎশিন্দুন মাংহল্লি। মসিন অপেনবগী মশক ওইবী তোর্বানগী উপালবু মরু ফুকতৎপ য়াম্ন হৈবিনী। সংসারগী মশক ওইব সমুদ্রদ শউন্ন শাব হকচাংগী মশক ওইব হি মচা অসি অবাম খৌরাংনচিংব মখল কয়াগী ইথক ইপোমশিংন য়ৈহৎপদ হায় হুম্লদুন নাক যেৎ মাইকৈশিংদ কোইরে লৈদুন লৈবি। ইন্দ্রিয় মঙা কৌব গুন্তীরন মসিবু থেঙ্গাইদুন লুপহন্নবগীদমক্ত থৌবাং তৌদুন লৈবি। মতৌ অসুন্ন হি

মচাসি খর খর যুশিল্লক্তুন লুপথরক্লি। মসিদ তপথব(ধৈর্য) অমসুং বৈরাগ্যন তিল্লব বিবেক্কী জীবশিং তোংনদে। মদুদ তৃষ্ণাগী মশক ওইবী উরীশিংন হেন্না কুংন লৈব অসিগুম্ব সংসারগী মশক ওইব বনদ কোইচৎ চত্তুন লৈরিব পুক্লিংগী মশক ওইব যোংন কালগী মশক ওইবী উপালশিংগী মশা লীশিং লীশিংদ কোইচৎ চত্তুন মশাগী পুন্সি (পুন্সিগী মতম) মাংহল্লি, তৌইগুম্বসুং পুক্লিংন পামলীব মহৈ (ফল)দি ফংনদে। মহর্ষে! অপাত্তিশিংবু ফংলবদসু অক্লাব অমসুং মোহন মঙোন্দগী লাপ্ন লৈবিব হকচাং ফব অমসুং সম্পত্তিন তিল্লবসু মদুদ অহংকার যাওদব পুক্লিংন লৈতেংব অর্মদি ফজবী রমনিশিংন মাগী অন্তকরন্দ শোকহনদব (বিকার পোকহন্দব) অসিগুম্ব মহাত্মা ওইব মী মতম অসিদ থোইদোক্ল ফংব ঙমদব ওইরি। অদুগুম্ব শামুশিংগী সেনাগী মশক ওইবী ইথকশিং পুংলাং লাংহল্লিব সমব-সাগববু মাগী পাঙ্গল থৌনান লাম্বোকখিব ঐগী মিংযেংদদি মখোযদু শূববীব(লান্দা থোব)নত্রে। ঐদি মখোযদুবু শূববীবনি লৌই, মখোয় অদুন পুক্লিংগী মশক ওইব কল্লব ইথকশিংন থাল্লিব হকচাং অমসুং ইন্দ্রিগী মশক ওইব সমুদ্রবু বিবেক বৈবাগ্যনচিংবন মবম ওইদুন চোংদুন লাম্বোকখিব। কনাগুম্ব মিংচংন জগতপু মতিক মঙাল প্রতাপন মাইকৈ পুম্বকী প্রদেশশিংবু ললথুন্ন, নিজরিবশিংগী যুমশিংবু অমদি সাত্বিক বল(ভ্রাবপি হৈব নোল্লুকপ পুক-চেল চাওবনচিংব)দগী লক্ষ্মীপু মপুং ফাহাল্লিব অমদি মহাক অদুগী তপথব (ধৈর্য)গী লিপুন কবিগুম্বদসু তৎতব, অদুগুম্ব মহাপুরুষ পৃথ্বী অসিদ ফংব ঙমদব যাম্ন তাংব ওই। কবিগুম্ব চীংগী নুংগী মশক ওইব দীব্লাবগী মনু (অকুব গুহাদ) চংদুন লৈবিব নত্রগ বজ্রন শেম্ব থুগাইব ঙমদব লানবন্দ লৈব ওইবিব মী পুম্নমক্কী মনাক্ত প্রাবব্ধগী মতুং ইন্ন পূণ্যগী মহৈগী মশক ওইব সম্পত্তিশিং অণিমানচিংব সিদ্ধিশিংবু পুদুন মতম পুম্বদ কন্ন চংলকই অমসু পাপকী মহৈ ওইব আপত্তিশিংসু লেম্প লৈতন মশা মথন্ত লাকচৈ। মুনি! মচা মগু, নুপী অমসুং লন পুম্নমক অসিবু মীওইনন ভ্রমনা থুদুম চনখ্রব মশাগী বুদ্ধিদগী রসাযনগ মান্নন নুঙাইবনি খল্লি লৌই, ত্রৌইগুম্বসুং শিবমদাই মতম মৃত্যু কাল

লাক্লবদ মখোয পুন্নমক অদুন করিগুম্ব উপকাব অমত্ত তৌদে অদৃদগী হেন্দোক্তুন খ্বাইদগী হেন্ন পামজব ভোগসু মতম অদুদ হু থকপদগী ওইব ৱাষ্টবগী মতৌগুম্ন অৱাব পীনবমক্কি মশক ওই। হংগচাংগী অঙাং অমসুং যুবাবস্থাগী অযোইবদ হনুবগী খুদোংথিবব ফিভমবু য়ৌখ্রব জরাগী লাইথুংন কংশিল্লব জীব অৱাবদ হইবাক্লদুং তাইবং অসিদ মশাগী সঞ্চিৎ তৌখ্রব ধর্ম গাওদব পাপ্ন থল্লব ভাবশিং (কর্মশিং অমদি বিচার)গী নীংশিংলগ থাভমদব নুংগী মৈবিন চাক্তুন লৈ। পুন্সিগী হৌগৎলকপদ সুপ্নগী কাম, অর্থ অমসুং সকাম ধর্মখক্ত ফংনবগী থম্মোইদ মফম থমখিব অদুগুম্ব ক্রিয়াশিংদুন মবম ওইদুনমক মাগী মতম হৌহন্দুন হনুব ফিভম যৌবন্ন-বদ মীশি অদুগী ৱাহোংগী মতুগুম্ন নীক্লব হাইবব চঞ্চল চিত্তন কাব উপাদানগী পাম্বৈদগী নুঙাইন ইংথন সুখশান্তি ওইব ফংগনি (হাযবদি নিষ্কাম ধম নন্ত্রগ পরমার্থ সাধন নওন সুখ-শান্তিবু ফংব অকর্বান) মদাশিংদু হৌজিক তৌব তাই অমসুং মখোযদু মমৈদ মতৌ অসুম্ন মদুগীদমক্ত চিন্তা তৌবকইন, মখোযন খুদোংথিনিঙাই ওইব ফজবন অমদি মদুগী ফলদ কান্নদব অনর্থগী মশক ওইবব কার্গ, নুপীশং অমদি অতোপ্প মীশিংগী পুক্লিং নুঙাইথোকপ মনোরঞ্জনখক্ত তৌবদুন বৃদ্ধাবস্থাগী অরাইন ফাওব মীশংগী চিত্তবু যাম্ন যাংন খুত্থহন্দুন বিবেক ভ্রষ্ট ওইদুন লৈনে। মদুদি উপালগী উনাশিংন পাল্লক্লগ মতম থবতদ ওাংশিন্দুন কেনখিব নল্গ মা খিব ওহব মতৌ অদুগুম্ন আত্মবিবেক যাওতৌদব মীওইবন লোক অসিদ পোক্লাব অমগ অমগ তন্নদুন মতম খবদংগী মতুংদ লোইনন থাদোক্লম্লগ চংনাখ। ফলে, কবম্ন লৌশিং চাওব মীওইন নুংথিল ওইবিঙে মতমদ অরাগ অবাপ্পদ অবেম্বদ কোং কোইদুন লৈথোক্লগ জ্ঞানী মহাপকুষশিংগী সঙ্গ অমদি সংকর্মগী অনুষ্ঠান তোবফেন নুমিদাং ৱাইবম গুমদ হল্লক্লবদ অহিংদ নুঙাইন তুম্ব যাংন ঙমগনি। যেক্লব পুম্বব্ তাম্নোকখ্রব মতমতদ মাইকৈ মরিদগী লন-থুম ফংব ওইবকই। মতম অদুদ মী অদুন নিষযগী নুঙাইবশিংদ লুপ্তুন লৈবিব মতম অদু ফাওবদি মৃত্যুন কদাযদগীনো থংহৌদন লাক্তুন ধমকা তৌই। কবিগুম্ব মবম অমদগী ঙেখৎপ ফংলগনসু মিকুপমক্ত মাংখিব

উনরিব অদুগুম্ব থোইদোকপ করিসু লৈতব বিষয়ভোগশিংন মরম ওইদুন মাইকৈ খণ্ডন কোইচেন চেন্নরিব মীশিংন মালেমগী লৈমাইসিদ মশাগী মনাক্ত চংশিল্লক্লিব মৃত্যুবু খণ্ডব ঙমদে মসি কয়াদ ঙকপ্লব ৱাফমনো? সমুদ্রগী মিকুপ্ত মাংব ইথকশিংগী মতৌগুন্ন তথক'। চরাংনব জনতা (মীশিং) লৈমাই অসিদ অরূপ লৈতন কারিগুম্বদগী খোঙজেল কন্ন লাক্লি অমসুং অমুক মতম পুম্বদ খোংজেল য়াংনচংখি। তথকপ খোইমুগুম্ব মিংশিং অমসুং ঙাঙ্ডানব থোংলব চিনবান ওইব অর্মদি হু পাম্বীদ য়েক্নন মনা পুংন শন্দোক্লিব তদেক্লব হুগী উবীশিং থোইদোক্ল ফজব ওইবন [illegible]বদ পুক্লিংবু হুদুন চিংশিল্লি মতুংদ মদুবু সেবন তৌরুবদ [illegible] মাংহল্লি। ম[illegible]ত্রী অদুগুম্ব ঙাল্লানব চিনবান খোইমুং মান্নব তথক্লব মিন্নান লৈতেংলব ফজবী নুপীশি [illegible] ওইবগী মবন্ন [illegible]হান[illegible]দি নুপাশিংগী থম্মোইবু হুরাল্লি অদুগ শৈদে মখোযগী [illegible]শে ব প্রানশিংবু গুরানবী ওইবকই। [illegible] যাত্রা মপ্রগ দেবোংসবতা মী কয়ামক্লম্ন পুন্দুন তিন্নরব, অদুগুম্ন লোক অমসুং পরলোক আসিদ অরেম্বদ লাক্লদুন অমসুং অদুগুম্ব মফমদ ঐথোয় পুম্ব উনগনি, মতৌ অসুম্ন মথন মথনগী সংকেংযুক্ত লেপ্লখিব অভিপ্রায়দগী তিন্নররিব মীশিং অদুগুম্ব নুপী, মচা অমসুং মরুপ্লচিংবগী মওংদ মসিদ মিলন পুল্লব ওইররিব ব্যপার থৌদৌ অসি মায়ামক্লি। সংসার অসি কন্ন উংলিব কুকাল (কত্তব মতম)চক্রগী মতৌগুম্বনি। মসি বর্ষা ঋতুগী ঈশিংগী কোঙ্গোলশিংগী মতৌগুন্ন মিকুপ্ত মাংব ওইরবসু চেকশিন্দব মীশিংগী বুদ্ধিদ মশাবু কুইনা লৈগদবগুম উই।

লাইগী নোংদমদগী হন্ন হন্ন পোক্লুন মশাগী হকচাং পুদুন উরুম উনা অমসুং লৈনচিংবন মরম ওইদুন লেপ্তুন থৱাই পানবশিংগী উপকার তৌরিব উপালশিংসু শিংজংন ককথংলিব অদুগুম্ব সংসারদ মীওইবগুম্ব অপরাধী ওইব অমসুং উপকার লৈতব প্রাণীন মতম পুম্বদহিংদুনমক লৈখিগনি, অসুম্ন থাজনীঙ্গাই ওইব করম্ব লৈবগে? হুগী পাম্বী, অমসুং বিষয়াসক্ত ওইব মী অনিমক মপান্দ য়েংবদদি পুক্লিং হুব ওই তৌইগুম্বসুং মনুংদদি দোষ ময়াম্ন থন্দুন লৈ। অমন

বিষবৃক্ষ (হু পাম্বী) অসি থম্মোই পানব প্রাণীশিংগী মাংনবগীদমক্ত হৌবান। অদুগা অনিগুব বিষয়াসক্ত ওইব মী অসি মনুংগী ওইব শান্তি যৈথায় পিনঘাইনবগীদমক্ত থৌরাং তৌদুন লৈবনি। মখোয় ওর্সিগী সঙ্গদগী খুদক্ত রাম্বব নপ্রগ পঙথবথক্ত ফংই। সংসারদ অসিগুম্ব করম্ব মিংয়াংশিং লৈবগে মদুদ দোষ য়াওদব? মদু করম্ব মাইকৈনো মদুদ অম্বাব অমসুং মৈচাক লৈতব? করম্ব জীবগী হকচাং লৈবগে মদু মিকুপকী মাংথব ওইদব? অমসুং করম্ব লৌকিকী ক্রিয়া থবকশিং লৈবগে মদুদ মিনম-নমথাক য়াওদব? হৌখ্রব অমসুং লাক্কদব মতমগী লোইব নাইদ্রব কল্পশিংগী মশীং খঙব লৈতে। মরম অসিন মিকুপকী লোইব নাইদব অনন্ত ওইবগুম কল্পসু অনন্ত ওই। ভগবানবিষ্ণু অমসুং রুদ্রনচিংবগী মিংয়েংদ কল্পসু মিকুপ খক্তনি। মরম অসিন ব্রহ্ম লোকনিবাসীসু কল্প মিংথোনব মিকুপ অম খঙ্কুংদ হংবশিংনি। মরম অসিন কলাশিং (তোঙান তোঙানব শরুকশিং) ন লৈতেংনব ওইবিব মতমগী মপৈদ (কাংলুপ্ত) তেনব অমসং শাংব- (পুন্সি তেনব অমসুং পুন্সি শাংবগী) বুদ্ধিকসু দ্রষ্টাগী কল্পনাগী মথা পোনব ওইবন অসত্য (চুমদব)মক্রি। মফম পুম্বদ নুংখক্তগী চীংশিংনি - মদুদ নুঙ নত্তন অতোপ্প পোং বর্নিসু লৈতে। মতৌ অসুম্ন মফম পুম্বদ লৈপাকখক্তগী পৃথ্বীনি. উ(শীং) খক্তগী পানেলনি অমসুং শক শদোংখক্তমাক্রি মীওইবসু। মীশিংন লেপ্পাথিব সংকেতকী মতুংইন্নমক মখোয়গী থোইদোকপ মিংনচিংব ভাব লেপথিবনি। লোগাগী কাংমুপ অসিদ বর্ণাগুম্ব পোং অমত্তসু বিকার লৈতব নপ্রগ মান্নদব থোইদোকপ লৈতে। লৌরি। পুম্ব মপং কাযব নাইন বিকাররূপ ওইবগী মরম অসত্যনি। ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, আকাশ অমসুং পৃথ্বী ভুৎ মঙা অসিখক্তন অমগ অমগ তিন্নদুন চফু ফি (ঘট পট) নচিংব পদার্থ মখল মখা কয়াগী মওংদ বিবেক য়াওদব মীশিংন উজবনি। চেতনগ সাংনিধ্য (নকশিন্নব) ওইরুবখক্তদগী মখোয়ন পদার্থশিং (পোৎশিং)মক ওইন উরিবনি। বিবেক দৃষ্টিদ তোঙন তোঙান থায়দোক্তুন আলোচনা তৌরবদি জগত অসি পঞ্চভূত (ভূত মঙা)দগী ওইব নত্তন অতোপ্প করিগুম্ব পোং অমত্তসু ফংব ঙমদে।

মহাত্মান! মিথ্যা ওইরবদসু পদার্থ কাংলুপকী বিষযদ ব্যবহার কুশলতা (চংখোন্ন হৈশিংন শিজিন্নব)গী মরম্ন বিদ্বান পুরুষশিংগীসু প্লারুং ভোগ সম্বন্ধীদ চেষ্টা (খ- - চংশিনব)বু পোকহল্লিব অদুগুম্ব ব্যবহার সমৎকৃতি,শিজিন্নব নত্রগ থবক্ত চংশিনব উনবি, মদুদ করিগুম্ব অঙকপ ব্রাফম অম নত্তে: মরমদি করি করিগুম্বদ মঙদ মিথ্যা ওইব বিষয়বু পান্দম লক্ষ ওইদুনসু কনাগুম্বশিং অদুগী মতৌ অদুম্ন অওইবগুম্ন চংশিন্নব উনবি। শাশিংন করিগুম্ব হানৌ অনৌব নাপী, উরি -উইহে ফংনিংবগী অপাম্বনঙন অসুম অসুম চংশিনখিদুন মমৈদ চীংগী লোত্ত তাশিল্লি মতৌ অদুগুম্ন অথোইব মীশিংগী পদ।মফম নত্রগ ধন-বৈভবনচিংব)বু নম্ফুদ লৌনিংবগী আশা থল্লিব মীশিং রাগ লোভনচিংব দোষন মোৎলব মশাগী চিঙন ম.ম ওইদুনম্বক মশাবু হাত্তোকচরগ শোইদনমক লৈথাতাবগী লৈক্রবনুদ ত্যাশিমে। (সর্গ - ২)

~o0o~

মীকপ থোক্লিইঙদ ফংলিব তাইবংগী পোৎশিংগী হোংব নাইব অমসুং অরেম্প লৈতব মতৌগী বর্ণন-

শ্রীরামচন্দ্রন হায়- ব্রহ্মণ! তাইবং জগত অসিদ হেক লৈরিব অচৎ-চত্ত উরি তারিব পুন্নমক অসি মঙগী মেলা কুমৈগ চপ মান্নন অরেম্প ওইদবনি - মতম শাংন লেংদন লৈব ওইদে। ঙসিদি অদুগুম্ব হকচাং অদুবু রেশমগী ফিশিং, লৈশিংগী পরেং অমদি মখল মখলগী তৈ-খোত্তুন লৈতেংদুন শেল্লল্লিব মদুমক হয়েং করি অমত্ত য়াওদ্রব নংগা ওইন খুঙ্গং নত্রগ সহরদগী য়াম্ন লাপ্ন করিগুম্ব লৈকুৎ কোকুৎশিংদ তা তাদুন পৎপুমদুন কংখিগনি। অদুগুম্ব মফম অদুদ ঙসিদি মখল কয়াগী চাব-থকপ, চথোক-চৎশিন, নিন-খোংবন থন্দুন লাংলব সহর ওইন

লৈরম্ব মদুমক মতম খরগী মতুংদ অহাংব বনগী ধৰ্ম ওইরক্লনি - লমদম অদু অশুকপ বনগ মান্নন মী লৈতব নির্জন অমদি চংবদ ঙম্নদব ওইরক্লনি। অদুগুম্ব মী ঙসিদি মতিক মঙাল চাওব অমসুং মীয়ামগী মীপুন সভা মণ্ডলশিং সাসন তৌরিব মহাক অদুমক মতম খবগী মতুংদ উৎকী মপৈ ওইরকই। ঙসি অদুগুম্ব আকাশ মণ্ডলগী মতৌগুম্ন অমংব অমসুং য়াম্ন অাকবগী মশকওইব বন ওইরিব মদু মতম খরগী মতুংদ ধ্বজা-পতাকাশিংন আকাশপ্ কুপশিল্লব অচৌব সহর ওইবকই। ঙসি অদুগুম্ব উরি ৱারিন কোইশিন্দুন আকব যংলব বনগী মপৈ ওইন লৌবব মদুমক করিগুম্ব মতমদ নকভুমিগী মফম ওইরকপ যাই। লৈকং লৈমাই ওইবিব অসিন ঈশিং ঈপাক অমসুং ঈশিংন লৈকং ওইবকই। উ-ঈশিং অমসুং নাপীশিংগ লোইনরব জগত অসিমব এন্ন তৈনব ওইব ফিভম ফংলক্কুন লৈদি। জৱানা- মথোক কারকপ - অঙাং ওইব, হকচাং অমসু. পোংচাক্কী কাংলুপশিং মখোয পুম্নমকাস অনিত্য (লেপতব) অমসুং ঈথক্কী মতৌগুম্ন অরৎ-অথম লৈতন মওং অমদগী মওং অমদ হোংদুন লৈরি। সংসাব অসিদ থৱাই পানবশিংগী পুন্সি নুংশিং শিৎপ মফমদ থম্ব থাওমৈগী মতৌগুম্ন (থুনমক মুৎথিব যাব) তনিকপনি অমসুং মবোল অহুমগী মনুংদ লৈরিব পোৎ (পদার্থ) শিংগী অরং-অরাক ফজবাশিং, নোংথাংগী মঙানগুম্ন মিকুপ্তুংগীনি।

মহর্ষে উৎসব অমসুং বৈভবন চংথোল্লব নৃমিংশিং (মতমশিং) মহাপ্রতাপী পুরুষশিং, ললথুম্ন ৱাত্ত-পাদন মরাং কাইরিবশিং অর্মাদ চাওর-চাওরব কর্ম তৌরিব - মদু পুম্নমক লোইন মিৎযেংগী লক্ষ্মীদগী চৎথ্রগনি সুপ্নগী নীংশিংবগী বিষযথক্ত ওইদুন লৈহৌগনি। মতৌ অসুম্ন ঐখোযসু মিকুপ অমদ ফোংদোক্লন খঙঙমদব মফমদুদ চংনখিগনি অমসুং মীশিংগী সুপ্নগী নীংশিংনকম ওইদুন লৈখিগনি। সংসার অসি নুমিৎ খুদিংগী মাংশিল্লকই অমসুং নুতিগী অমুক হন্ন পোক্লকই। মরম অদুন ঙসি ফাওব মাংবগী মৈন চাল্লকইব সংসারগী অরোইব লৈত্রি। মীওইবন শা-উচেকশিংগী মপোক ওইন পোকই। শা-উচেক্র মীওইবগী

মপোক লৌই অমদি দেবতাসু লাই নত্তব মপোক্ত পোকই। অদুন সংসারসিদ করম্ব বস্তুবুনো লেংদব অরেম্প ওইন লৈরিব? স্বর্গ, পৃথ্বী, নুংশিৎ, আকাশ, চীং তুরেলশিং অমসুং মাইকৈশিং হেক লৈবিং মখোয় পুম্নমক মাঙবগী মশক ওইব মৈজাওগী মচিন্দ হুঞ্জিন্নব শীংশিংগী পাম্বক্লি। লন-থুম, মচিন-মনাও, মীনাই-মীশল, মরুপ-মপাং অমদি বৈভব হেক লৈরিব পুম্নমক মাঙবগী অকিবন কিহল্লব মী অমগীদমক্তদি মহাও য়াওদব অর্থ থোক্তব নীরসনি। মুনীশ্বর! জগত অসিদ মীওইবন মিকুপমুক্তং ঐশ্বর্য (ললথম বৈভব) ফংনৈ অমসুং মিকুপকী মনুংদ দরিদ্র লাইরব ওই। মখোয়ন মিকুপ্তুংদ অনাব ওই অমসুং মিকুপ্তুংদ লাইকোকপ নিরোগ ওই। মতৌ অসুম্ন মিকুপ খুদিংদ ওন্ন-তৈনব ফিভম ফংহল্লিব মাংব নাইব (নশ্বর) জগতকী মশক ওইব ভ্রম অসিন করম্ব বুদ্ধিমান (লৌশিং চাওব) মীবু শুমহৎখিদবগে? (ভ্রম অসিন মী পুম্নমকপু মোহদ থাদদুন থমলি।) অহাংব আকাশ মকোইসু মিকপকী মনুংদ অমম্বগী মশক ওইব লৈনাংন কুপশিল্লি অমুক মিকুপ অমগী মনুংদ সনা অহিংবগী মহীগুম্নব ইংল-মেংলব থাবলনাচংবগী লংলব মঙালন ঙাম্বোক্লন যাম্ন ফজন উহাল্লি। মথংগী মিকুপমক্ত অমঙন নোংগী মশক ওইরব থম্বালশিংগী পরেংন মাগী পবাক অমসুং পুক অন্তপ্রদেশ কুপশিন থনজিনখি। মিকুপ অমদ মদুদ অৱাংবমখোলদ নোংন লুম্ন খোংলকই অমসুং মিকুপমক্ত মান মরোল থোক্তবগী মতৌগুম্ন তুমিন্ন লৈ। মিকুপ অমদ খৱানামচাক পরেংন লৈতেংদুন ফজহল্লি, অমসুং মিকুপমক্ত নুমিৎকী মশক ওইব মণিন লৈতেংব ওই। মিকুপ অমদ মদুদ থাজগী থাবলন ঙান্দুন নুঙাই-হবাও শন্দোকই অমসুং মিকুপ অমগী মনুংদ মহাক্ত পুংহাং হাংব ওই। মতৌঅসুম্ন আকাশকী ফিভম্ন মিকুপ মিকুপ্ত ওন্দুন লৈবগুম সংসারগী পোৎ (পদার্থ) পুম্নমকসু মিকুপ খুদিংগী অওনব অহোংব ওই। মহর্ষে! সংসারদ করম্ব অসিগুম্ব মীওই লৈবগে মহাক অদুন ধীর ওপথব মী ওইরগনসু মিকুপ্তুং লৈব অমসুং মিকুপ্ত মাংবওইরিব আবাগমনগী পরমপরান তিন্দুন লোইনরিব অসিগুম্ব সংসারিক ওইব ফিভম

অসিবু কিরোইদব? মুনে! মসিদ মিকুপ অমদ আপত্তি খুদোংথিবশিং লাকই অমসুং মিকুপ অমদ সম্পত্তিশিং।মিকুপমক্ত পোকপ ওই মিকুপমক্ত শিব ওই।জগত অসিদ করম্ব পোৎ লৈবগে মদু মিকুপকী ওইদব। ভগবন! মসিদ পোক্লক্লব মীশিংঅহানবদ করিগুম্ব অম ওইরম্মী অমসুং মতম খরগী মতুংদ অতোপ্প মওং অমগী ওই। মসিদ মতম পুম্বদ মওং অমত্ত ওইন লৈগদব লেংদব পোৎ করিগুম্ব অমত্তসু লৈতে। মসিদ পাংদব মীকিথিনসু শুরবীর অকনব অথৌববুসু হাৎলি।নিপা অমথক্তগী মখুত্ত মী চা কয়া শিরি অমসুং সাধারন মীচম্নসু নিংথৌ ওইদুন ফমই। মতৌ অসুম্ন জগত পুম্নমক অসি ওম্ন তৈনব তাইওম্নব ফিভমদ ওন্দুন(পরিবর্তিত) লৈবি। বাল্যাবস্থা মতম খজিক্তংগী মনুংদ চংথি অমুক মথোক কারকপন লৈতেংলব ওই অমসুং মতম খরতংতদ মদুসু লোইথোকথি। মদুগী মতুংদ বৃদ্ধাবস্তা অহনগী ফিভম খোঙদারকই।অদুন ঐখোয়গী হকচাংদ ফাওব একরুপ্তা (অবেপ্প লেংদব) লৈতে অদুগ মপালগী পোৎশিংদ মওং অমত্তদ অরেপ্প ওইবদি কবম্ন থাজব ঙমদনি। পোকপ অমসুং মাঙব ওইরিব সংসাবী মীওইবশিংগী আপত্তিশিংসু লেপ্তুন লৈতে অদুগ সম্পত্তিশিংসু। মতম হায়বসিন হৈশিংলব মীওইববুসু ব্বাওই-নাচুংদন ওম্ন লৈনব ফিভমশিংদ ওম্বোকপগী থবক্ত য়াম্নমক হৈশিংবনি। অয়াম্বদ মী পুম্নমকপু খুদোংথিবদ ইম্বরগ লীলা (ক্রীড়া) অসি শাম্নরি। (সর্গ - ২৮)

~oOo~

শ্রীরামগী অকনব মপুং ফারব জিজ্ঞাসা (জ্ঞান খৌরাংব) অমদি তত্ত্বজ্ঞানগী উপদেশকীদমক্ত প্রার্থনা।

শ্রীরামচন্দ্রন হায় - মুনীশ্বর! বিষয় ভোগ অসি অৱাবগী মশক ওইব

অমসুং অরেপ্প লৈতব মাঙ্গদব (অনিত্য)নি। মতৌ অসুম্ন দোষ-দর্শনগী মশক ওইব লম্মৈন ঐগী চিত্ত (পুক্নিং)বু চাকথেক্তুন মক্তুব অমদি অচৌব অথোইব ওইরে। মরম অসিন ঈত্তুংফম মচাশিংদ মৃগতৃষ্ণাগী (উদয়) ফাওরকপ ওইদে মতৌ অদুগুম্ন ঐগী চিত্ত অসিদ ভোগগী আশাগী ময়োন চোংদ্রে। নীম পাম্বীদ শন্দোক্নিব মহাও য়াওদ্রব অকংব অথুইব মনাশিং মতম লাক্লবদ মথং মথং অথাব ওইরকই। মতৌ অদুগুম্ন সংসারগী ওইব ফিভমসু নোংম-নোংমগী অকনব তীব্র বৈরাগ্যন মরম ওইদুন হেন্ন হেন্ন অথাব হেঞ্জিনলক্লি। মুনীশ্বর! মখল কয়াগী চিন্তাশিংন থল্লব ভোগ মপৈশিং অমসুং রাজ্যশিংগী মহুত্ত চিন্তা লৈতব মহাপুরুষশিংন য়াখিব(লৌখিব) একান্ত সেবন অদুমক্তুবু ঐন পামজব ওই। ফজরব লৈকোন ঐঙোন্দ নুঙাইব ওইদে, নুপীশিংদ ঐগী নুঙাইব লৈতে অমসুং লনথুম নীংব থুংবদ ঐগী হরাওব ওইদে। পুক্নিংগ লোইন-লোইনন শান্তি ঐন ফংব পাম্মী। ঐন শিব মৃত্যুবুসু থাগত্তে অমসুং পুন্সিবুসু তরাম্ন ওকপ তৌদে। মৈশা য়াওদব ওইন লৈরকপ অদুগুম্ন ঐন লৈরি। ঐঙোন্দ লৈবাক্ল,ভোগন,ললন অমসুং মখল কয়াগী হোৎনবশিংনসু করি কান্নগানি? অহংকারন খুদুম চল্লব মীতন লৈবাকনচিংবশিং অসিদ সম্বন্ধ থম্বনি তৌইগুম্বসুং ঐগীদি অহংকার অদু শৌদোক্তুন মাংথ্রে। মরম অদুন ঐগীদমক্ত মখোয়দু দরকার লৈত্রে। শামুন মাগী মখোঙশিংগী চৈফুন থোৎলব থম্বালবু নৈংৎপ অদুগুম্ন কামদেবন মীওইব কামিনিশিংন মরম ওইদুন মীওইবশিংগী পুক্নিংবু নৈথংলি। মুনীন্দ্র! করিগুম্ব হৌজিক মক্তুব নির্মল বুদ্ধিন মরম ওইদুন চিত্ত অসিগী লায়েংহৌদ্রব অদু ওইরবদি মতুংদ মসিগী লায়েংনবগী তাঞ্জা কদায়দগী লৈবগনি? মরমদি লাইনা হেঞ্জিল্লক্লবদি মসিগী লায়েং অরুব ওইগনি। বিষয়শিংগী চাং মান্নদব বিষাত্মক হু(বিষ)নি। মীয়াম্ন খঙনরিব হু আসাদি অশেংবমক তনি হায়ব য়াদে মনমদি হুন হকচাং অমত্তবু (মাবু চায়রিব অদুমত্ত) মাংহল্লি তৌক্তিগুম্বসুং বিষয়গী হুদি মপোক মপোক কয়া ফাওব জীববু অশিবগী খয়াত্ত তাহল্লি। মরাব নুঙাইব, মরুপ-মপাং, মচিন মনাও, জীবন অমসুং

মরণ মথোয় পুন্নমকসি (পুনশিনব বন্ধনগী ময়ম ওইরগনসু) জ্ঞানী পুরুষকী চিত্ত (পুক্নিংবু) পুন্দে(অজ্ঞানীগী পুক্নিং তবু মাসন ফাজিন পুনশিল্লি)। ব্রহ্মণ! নহাক্তি থাইনগী অরিব অমসুং অনৌব নাফমশিংবু খঙ্গলবাশিংগী মংদ অথোইবনি। মরম অসিন অদুগুম্ব মওংনা ঐগী অরান অকিব অমসুং নুংনাংবাসদগী কোকপ ওইব চপচাব যথার্থ জ্ঞান্ন মপুং ফারব অদুগুম্ব পাওতাক উপদেশ ঐঙোন্দ খিন্দন পানবীয়ু। অজ্ঞান অসি অকিব ফংলব বন অমগা মান্নে। বন্দ শজীশিংবু থুনবগীদমক্ত লাং শন্দোক্তুন থাক্তুন থল্লী- তিংখং পানব উশা-রাশা শন্দোক্তুন লৌর অমাদ মফম মফমদ য়াম্ন অরাংব অনেম্ব লৈকুৎ লৈতোংশিং লৌব। মতৌ অদুগুম্ন অজ্ঞানগী মশক ওইব বন অসিদসু বিষয় বাসনাগী লাংন, কর্মশিন্দুন অরাবগী মশক ওইব তিংখংশিংন শিম্লুংন অমদি সম্পত্তি বিপত্তিগী মশক ওইব মনেম অরাংগী মফমশিংন থন্ন লৈ। মহাত্মন! অহিংদ অসিগুম্ব অমম্বগী মপে অমত্ত লৈতে মদুদ থাগী থাবলন মাংহনব ঙমদব, মতৌ অদুগুম্ন সংসারদ অদুগুম্ন দুশ্চিন্তাশিং লৈতে মদুবু অথোইব অন্তকরণ ওইব মহাত্মা পুরুষশিংগা সঙ্গদগী মুথৎপ মাংহনব ঙমদব। পুন্সি অসি নুংশিংন হুমদুন থেঙ্গাইনরিব নোংপুব লৌচিলদগী তারকপ ঈশিং ইরিকশিংগী মতৌগুম্ন মিকুপ্পুং ওই। ভোগসু মেঘমালাগী মঙক্ত ঙাল্লকপ নোংথাংগী মতৌগুম্ন তথকই অমদি যুবাবস্থাগী পুক্নি নুঙাইবসু ঈশিংগী ইচেলগুম্ন চপল ওই। অসুম্ন বিচাব তৌদুন ঐন পুন্নমক আসা, ভোগ তৌরে। অমসুং থিম্মদনমক মতম পুম্নমক ওইদুন লেংদবব শান্তিবু ঙসিদগী হৌজাগী চিন্দ সাধন তৌনবগীদমক্ত অচেৎপ লেংদ্রব অধিকার মুদ্রা কৎথোক্তুন থমলে। শাজিন কৈশু লৈতব অনৌব নাপী খরগী মিহৌবদ নাখাক্ত থুজিন্দুন কোন মনুংদ থাশিল্লি। মতৌ অদুগুম্ন অন্তকরণগী বৃত্তাশিং নচি লৈরব বিষয়শিংগী লোনদ নাংদ খুডিল্লি অমসুং বিক্ষেপকী মশক ওইব থাবাশিংন ভোগ তৌনবগীদমক্ত মখোয়গী লুরব কোমদ তানরি। দেবতাশিং মথল নখাগী ভোগ সামাগ্রীশিংন মপু কাবব অমদি মরোল তরামরিগী মনুংদ লোহাং চঙুন সাবব নাখাগন থুন মাঙম্ন

বিমানবু থাদোকপ লৈতে। মতৌ অদুগুম্ন মথল মথাগী ভোগবাসনাশিং শিম্ফুংন শন্দোক্তুন লৈরব অমসুং লোক পুন্নমক্ত অপন-অথিং লৈতন কোইচং চত্তুন লৈরিব মীশইবগী চঞ্চল চিত্তসু করিগুম্বদসু চপলতা চৱাংনব মতৌ থাদোক্তে।

মরম অসিন মহাত্মন! জন্ম মরণনচিংব অৱাবশিং লৈতব, দেহনচিংব উপাধিশিং য়াওদব অমদি লান্ন চংপ (ভ্রান্তি) য়াওদব অদুগুম্ব মহান বিশ্রান্তিদায়ক (অথোইব পুংইং ইংথব পীনব) পরম-পদ অদু করম্বনো মদু য়ৌরবদ অৱাব শুকলৈ লৈতব? কর্ম পুন্নমক চুম্ন চংথোনব মওংদ অনুষ্ঠান তৌরিব অমদি মতম পুম্বদ লৌকিক ব্যবহারতদ চেংন লৈরিব জনক্রচিংব মহাপুরুষন করম্ব অথোইব পদবু ফংখিবগে? অতোপ্পশিংবু য়াম্ন ইকায় খুন্নরিব মহামুনি! মদু করম্ব উপায়নো মদুন সংসারগী মশকওইনা লৈখোম্ন কায়াং পুম্বগ শোক্র শন্নববসু মীওইবন মদুবু তোংহন্দব ওইব। করম্ব মিংয়েং (বুদ্ধি)গী মংং চৌবগ নহাক্রুম্ব পাপ পক্তব মহামনা মহাপুরুষন জগত অসিদ মীবন্মুক্ত ওইদুন লৈরিব? মহাক অদুবু মোহগী মশক ওইব ময়াই কারব শামুন নৈথংলি। মহাক অদুগী মনুংদ কান্নচিংব লৈখোম্ন থন্ন লৈরিব অদুগুম্ব প্রজ্ঞাগী মশক ওইব অচৌব সরোবর অদুবু করম্ন মক্তব অরুব ওইহনগনি। মদুদি থম্বালগী মনাদ ঈশিংন চোত্তবগুম মতৌ অদুগুম্ন ঈচেংগী মওংদ ওইদুন লৈরিব সংসার অসিদ ব্যবহার পুন্নমকপু ভাক্তুন চংলবসু মীওইবন বন্ধন্দ তারোইদব - মসিগী করি উপায় লৈবগে। থৱাই পানব খিবিকপু আত্মাগ মান্নন খঙব অমদি হেক লৈরিব ভোগ প্রপঞ্চবু নাপীগুম্ন লৌব অমসুং পুক্নিংগী কান্নচিংব বৃত্তিশিংন শোকপ ঙমদব মীন করম্ব পদবু ফংব ওইবগে? মহাক অদুন সংসারগী মশক ওইব মহাসাগরবু লাম্বোকপ ঙমগ্রব অসিগুম্ব করম্ব মহাপুরুষনো মাগী চরিত্র অনুসরণ(তুংইন্ন চংপ) তৌরগ মীওইবন করিগুম্বদসু অৱাব খক ওইদব? ফংবদ মতিক চাব ফংগদব য়াইফব অমসুং মহৈ অদু করিনো? বিষয়-সংসার অসিদ (লাম্বোক্রবগী) করম্ব ব্যবহার তৌগদব ওইবগে? প্রভো! ঐঙোন্দ তত্ত্বগী উপদেশ খর পীবিয়ু। মদুন মরম ওইদুন ঐন ব্রহ্মান শেম্নম্ব

পরম চাদব জগত অসিগী মাং-তুং খঙব ঙম্নব। থাদোক্কদব ত্যাজ্য বস্তু ককিনো অমদি অনিসিদগী অতোপ্প লৌরোহ্নদব (অগ্রাহ্য) অমদি থাদোক্লোইদব (অত্যাজ্য) ওইব পোৎন করিনো? মীওইবগী লৈতান লেপ্তুন লৈতব চঞ্চল চিত্ত অসিবু কমদৌন চীংগী মতৌগুম্ন লেঙদন লৈব অমসুং শান্তিবু করম্ন ফংগনি? শেংলব মন্ত্র দগী অৱা-অনা পীশিং কয়া শের্মলিব দোষন থল্লব সংসাবগী মশক ওইব পুকচৎপগী লাইনা অসিবু ইরাই লাইন নেমথহনব ঙম্ব? মহাত্মন! বন্দ ভুইন মখল মখাগী জীব জন্তুশিংগী তংখাই শিবব (শিফান্ত্রিব) হকচাংবু অৱাব পীদুন লৈব মতৌ অদুগুম্ন মখল কয়াগী চিংনবন খ্বাইদগী থোইরব নুঙাইবগী মশক ওইরব ব্রহ্ম পদদ অনি লোংদ্রব অথোইব নিষ্ঠা লৈতব মীশিংবু মতম পুম্বদ অৱাব পীদুন লৈনবি।

মুনিশ্বব! অসিগুম্ব করম্ব উপাযনো? করম্ব গতিনো, করম্ব মখলগী চিন্তননো, করম্ব চংজফমনো? অমদি করম্ব সাধননো? মদুদ চংলগ মদুবু লৌবগ পুন্সীগী মশক ওইরব বন অসি মতুংদ য়াইথিব ওইরোইদব? ভগবন! পৃথ্বী অসিদ স্বর্গদ নত্রগ দেব সমাজদ অসিগুম্ব পোৎ অমত্তসু লৈতে মদু করিসু লৈতব ওইরবসু নহাক্নম্ব পরম বুদ্ধিমানমহাত্মাগী মফমদ ফজদব নুঙাইতব ওইব। মাংনাইব সংসার অসি স্মরৎ-অখম লৈতন অৱাবশিংন থনব অমসুং মহাও যাওদবনি। চানবীদুন মসি তাকপীয়ু মদুদি মসি কৌর উপায়দগী অজ্ঞানবু ঙাকথোক্নুন পবমানন্দগী পুংথোই থোক্নব মহাওন তিনব ওইগাদগে? মুনো! পুক্নিংগী মশক ওইব থাজ অসি কাম্ন মাঙ্গং কাহল্লি। মসিবু করম্ব সাধন অর্মাদ বিঘ্নিন কোকহনগনি মদুদি পুমশেং শেংলব অর্মাদ অথোইব নুঙাইবগী মশক ওইবব ঙাল্লব থাবল ফাওহল্লরুব? মশাক অদুন সংসারগী খোঙচৎ গাতিংবু অনুভব তৌরব অমসুং মহাক অদুন নিষ্কাম ভাবন মংম ওইদুন পাইদব অমসুং উদব কর্ম ফলশিংবু মাংহনখ্রব অসিগুম্ব করম্ব মহাপুরুষকী মতৌগুম্ন ঐ থোযসু সংসাবগী মশক ওইব থনগী লম্বী মচাশিংদ [illegible] মতমদ [illegible] (শিজিন্নব) নৌশাদব [illegible] বগে পাংলো করম্ব উপাযগী আশ্রয

লৌগদব ওই। মদুদগী সংসারগী বন্দ কোইদুন লৈনরিব জীববু রাগদ্বেষকী মশক ওইব অচৌ অচৌব দোষ অমদি ভোগগী কাংলুপ অদুগ ঐশ্বর্যগী মশক ওইরব শাহিং চাং জন্তুশিংন অরাব পীব ঙম্লোইদব? হে মুনি অথোইব! মরোল অহুম অসিদ পুক্নিংগী অদুগুম্লব নীংব খনবগী মনাং ওইবগী হৌনশা (বিষয় চিন্তন রূপ অস্তিত্ব) লৈব মদুবু করিগুম্ব পাম্বে সাধনগী মশক ওইব যুক্তি নাতেন নত্তন মাংহনব ঙমদে। মরম অসিন নহাক্ন অদুগুম্ব অথোইব যুক্তি অদুবু মপুংফান উপদেশ তৌবিয়ু। নম্রগ অদুদ চংজরকপ লোক ব্যবহারদ লেংদন লৈরবসু ঐন অরাধ খক ফংলোইদব অদুগুম্ব ব্যবহারগ মরি লৈনব অথোইব যুক্তিদুবু প্রতিবাদন তৌবিয়ু। করম্ব অথোইব উত্তম চিত্তগ লোইনব মহাপুরষন অহানব যুক্তিন মরম ওইদুন মাংহনবু নিবারণ(ঙাকথোকপ) তৌখিবগে? মহাক্ন মতৌ করম্ন অমসুং করিবু তৌখিবগে, মদুন পুক্নিং পরম পবিত্র ওইদুন শান্তিবু ফংব ওইখিব? ভগবন! মোহবু মাংহন্নবগীদমক্ত অদোম্ন অদুম্ন অমসুং অদুগুম্ন খংবিরিবশিং অদুবু মদুমক্কী মওংদ ঐবু পাওতাক পীবীয়ু। মদু করম্ব মথলগী সাধননো মদুদ চংজফম লৌরগ অথোইব মহাপুরুষ কয়ান অরাব য়াওদব ফিভম কল্যানবু ফংনখ্রিব?

শ্রীবাল্মীকিন হায় - ভরদ্বাজ! অসুম্ন রাহোংন অচৌব অমঙব নোং পুব লৈচিন মপৈশিংগী হকথেংনবদ কে-কা খোংলম্লগ চোকথরকপন মরম ওইদুন তুমিন্ন লৈখিব মতৌ অদুগুম্ন মক্তব থাজগী মতৌগুম্ন পুক্নিং হুব অমদি অথোইব অচৌব তত্ত্ববিচারন ঙাম্বোক্নব শ্রীরামচন্দ্রন বসিষ্ঠনচিংব অচৌব গুরুজনশিংগী মমাংদ মহাক্কী রাশিংশি হায়রম্লগ তুমিন্ন লৈখিরম্মী।

(সর্গ -২৯-৩১)

~o0o~

শ্রীরামচন্দ্রগী ভাষণ (ৱাঙাং)বু তারগ পুন্নমক্কী অঙকপ ওইনব, আকাশতগী লৈগী নোংচুথব, সিদ্ধ পুরুষশিংগী থাগৎ খোল্লাও, রাজসভাদ সিদ্ধসিং অমসুং মহর্ষিশিং চংশিন্নরকপ অমদি মখোয় খুদিংন শ্রীরামগী ৱাঙাংবু প্রশংসা তৌনব।

শ্রীবাল্মীকিন হায় - ভরদ্বাজ! কমল নয়ন রাজকুমার শ্রীরাম্ন মতমদুদ মতৌ অসুন্ন পুক্নিংগী সুমহৎপ মোহবু মাংহন্নবগী মশক ওইব ৱাশিং হায়রকপ অদুদ মফম অদুদ ফমদুন লৈরমলিব মী পুন্নমক পুমঙক ৬ক্র যেংনরম্মী। মখোয় অদুগী সংসারিক বাসনাশিং পুন্নমক বৈরাগ্যগী বাসনান মাংখ্রব অমসুং মখোয় মী পম্ব মতম খরগীদমক্ত অমৃতগী মশক ওইবব সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদ লুপথবগুম্ন তৌবম্মী। শ্রীরামচন্দ্রগী ৱাশিং মীশিং অদুন তারিব মখোয় লেং হাইব তৌদন চেদ যেকপগুম্ন লৈনরম্মী।মখোয়গী থম্মোই আনন্দন থল্লম্মী। সভাদ ফমলিব শ্রবন সমর্থ ওইরব পুরুষশিংন ৱাশিং অদুবু তারম্মী- মখোয়দুগী মমিংশিংদি বসিষ্ঠ, বিশ্বামিত্রনচিংব মুনি, মন্ত্রণাদ হৈশিংলব জয়ন্ত অমসুং ধৃষ্টিনচিংব মন্ত্রী দশরথনচিংব নিংথৌশিং, পুরবাসী পরাশরনচিংব সংকর জাতিগী মীশিং, তোঙান-তোঙানব নিংথৌ মচাশিং, লক্ষ্মণনচিংব রাজকুমারশিং, বেদবেত্তা ব্রাহ্মণশিং, মনাই মশনশিং অমসুং মন্ত্রিশিংনি। মাগী মহলগী থোংনাওশিংদ ফল্লিবী মহারাণী কৌসিল্যানচিংবী নুপীশিংন লেংদন শ্রীরামগী ৱাশিংবু তাদুন লৈরম্মী।

মতম অদুদ মখোয়গী খুজি-খোংজিনচিংব লৈতেংশিং খজিক ফাওব মখোল থোক্কে। আকাশত কাযদোংফম ওইব সিদ্ধ গন্ধর্ব কিন্নর নারদ ব্যাস অমসুং পুলহ নচিংব ঋাইদগী অথোইব মুনিশিংন অমদি দেবতা, দেবরাজ ইন্দ্র, বিদ্যাধরংশিং অমদি অচৌব দিব্য নাগশিংসু শ্রীরামচন্দ্রগী মখল মখাগী অহকপ অর্থন থল্লব অমসুং পুংথোই থোইরব ৱাশিং অদুবু তারমখি।

রঘু শাগৈগী আকাশকী থাজ ওইব অমদি থাদগীসু হেন্ন ফজব থম্বাল

মিস্না ওইব শ্রীরামচন্দ্রন মথক্কী ব্রাশিংসিবু হায়রস্লগ তুমিন্ন লৈখ্রব মতম অদুদ সাধুবাদ থাগৎ ব্রাহৈগী নিল্লব খোঞ্জেলগ লোইনন আকাশতগী সিদ্ধগী কাংলুপশিংন অসুম্ন লৈগী নোং হৈথরম্মী, মদুন থক্কন খুম্বমখে। লৈশিংগী নোংজু অদুদ নুংশিব লৈনম্ন লৈদুন লৈরম্মী থম্বালশিংগী মপৈন মশাগী অঙকপ অথোইব ফজব উৎলি। কুন্দ পুষ্পগী কাংলুপ্ন মপৈ ওইন লৈরি অমদি নুংশিংত পাইরকপ অশংব থম্বালগী মপৈন চাইথোরক্লি মহল অদুগী শুমাং মাঙ্গোলগী লৈমাইদ তাররি, য়ুম য়ুমথক অমসুং চবুতর কুপশিনখিরম্মী অমদি নগরদগী নুপী-নুপা পুন্নমক্ক মঙক থাঙ্গৎনদুন লৈগী নোং চুবগী ফজব চংখোনবদুবু য়েংনরম্মী। আকাশত লৈরিব শকউদব সিদ্ধগী কাংবুশিংন চাইথরক্লিব লৈগী নোংজু পুংখায় অম চুপ্ন লেপ্তুন চুরম্মী। সভা অমদি মদুদ ফমলিব মীশিংবু কুপশিনবগুম্ন তৌরব মতমদুদ লৈগী নোংজুদু লেপখ্রে। মতম অদুদ সভাদ ফমলিবশিংন সিদ্ধ কাংবুন ব্লারী শানবদু মখোয়গী নাকোংশিংন তারম্মী- লৈশেমগী হৌরকপদগীন হৌজিক ফাওবদ সিদ্ধিশিংগী কাংলুপ্ত লৈরকপদ স্বর্গগী মফম পুম্ব কোইরক্লব ঐখোয়ন ঙসিখক্কৎদ বেদশিংগী সারভুত্ (মচি ওইব) অমদি নাকোংমক্ত অমৃতগী মতৌগুম্ন নুঙাইব পীব অমুক্ত তাখিদ্রিব প্রবচন তারে। বীতরাগ ওইবন মরম ওইদুন অদুগুম্ব শ্রীরামচন্দ্রন হায়খিব কান্ন য়াইফন থল্লব মদুশিংদু বৃহস্পতিমক্কসু খঙলমদব য়াই। মসি ঐখোয়গী লাইবক ফকগী ব্রানি মর্দাদ ঙসি ঐখোয়ন শ্রীরামচন্দ্রজীগী মুখারবিন্দদগী ফোংদোরকপ অথোইব পুণ্যগী মশক ওইরব প্রবচন অসি তাজরে মসিন অন্তকরণ অথোইব আহ্লাদ(নুঙাইব) পোকহল্লে। রঘুনন্দন অসিন মতম অসিদ জীবগী কান্নবন থল্লব অদুগুম্ব মতিক চারব ভাষণ পীখিব মদু শান্তিগী মশক ওইরব অমৃতন থনব ওইবন পুক্লিং হুব অঙকর্পানি। ভাষণ অসিন অথোইব মতৌগী পদবু ফংলে প্রবচন অসি খ্বাইদগী থোইন সিদ্ধ ওইরে। মাসন মবম ওইদুন ঐখোযসু মতম অদুমক্ত জ্ঞান অসি ফংলে মদুদি স্বগানাচিংবগী নুঙাইবসিসু মচি লৈতব নিসারনি। "রঘুকুলতিলক শ্রীরাম্ন হংদুন পুখৎলকাখিব লেংলব ব্রাহ্মশিং মহর্ষিশিংন

নৈনগদৌরি মদুসু ঐখোয় তাদব য়াদবনি। নারদ ব্যাস অমসুং পুলস্তনচিংব মুনীশ্বরশিং! অদোম মহর্ষি পুন্নমক্ত নৈনব নির্ণয় অদুবু অপনব লৈতন তাননবগীদমক্ত পম্বদনমক মফম অসিদ লেংশিনবীরো। মদুদি লৈরিক্কী চংখোনবন মপুং ফাব ওইরব সনাগী মতৌগুম্ন লংন ঙাল্লব ওইরিব থম্বালদ মাইকে মরিদগী খোইমুন পাইশিন্নরকপ মতৌ অদুগুম্ন ঐখোয়সু ধন-বৈভবন থল্লব অমদি সনাগী মশক ওইরব পোংশিংন ঙাম্মেক্রিব রাজা দশরথগী পুন্যগী শক ওইরব সভাসিদ মাইকে পুম্বদগী চংশিল্লসি।”

শ্রীবাল্মীকিন হায় - ভরদ্বাজ! সিদ্ধিশিংন অসুম হায়রবদ বিগান্দ ফমদুন লৈরম্লিব দিব্য মহর্ষিশিংগী মণ্ডলী পুন্নমক অদু রাজসভাদ কুমথনরক্লে। মণ্ডলী অদুদ খ্বাইগী মাংদ মুনীশ্বর নারদ ওইরম্মী। মাগী খোংদুন লৈরিব বীনাবু মতম অদুদসু থাদোকপ ঙম্লমদে অমসুং খ্বাইগী তুংদ সজল জলধর মহাদেবগী মতৌগুম্ন অশংব মঙাল পুব মহর্ষি ব্যাস ওইরম্মী। অনি অসিগী মরক্ত লেমহৌরিব ঋষিশিংগী মণ্ডলী লৈরম্মী। ভৃগু,অঙ্গিরা অমসুং পুলস্ত্যনচিংব মুনীশ্বরশিংন মণ্ডলী অদুবু চংখোন্ন-হেনগৎহল্লম্মী। চ্যবন, উদ্দালক, উশীর অমদি শরলোমনচিংব মহর্ষিশিংন মদুবু মাইকে পুম্বদগী কোইশিল্লম্মী।

অমন অমগী হকচাংবু ইন্ন তক্লরকপদ মখোয় পুম্বগী শক্তি মউনশিংদু মফমদগী চিংখোক চিংশিন তৌবদ মফোন খোক্লরম্মী। মহর্ষিশিং অদুগী মখুৎশিং অদুদ পাঙ্গল ফংলব রুদ্রাক্ষমালা হাইদুন লৈনরম্মী অমদি মখোয় খুদিংমক্ত ফজরব কমণ্ডলু ধারণ তৌনরি। আকাশত মখোয়গী মঙালগী মপৈ শন্দোকপদগী অঙৌব অমসুং অঙাংব মঙাল পুরিব মণ্ডলী অদু থৱানমিচাক পরেংগী মতৌগুম্ন ঙান্দুন লৈরম্মী। মথন মথনগী মঙালন মখোয় পুন্নমক্কী মাইথোং অকোইব অদু অসুম্ন ঙাম্মোক্লম্মী, মদুদি নুমিৎ কয়ামরুমগী পরেংশিং ফোংদোকপগুম্ন। মণ্ডলী অদুদ ব্যাসজীন অসুম্ন ফজরম্মী মদুদি থৱানমিচাক্কী মপৈদ অশংব লৈচিন্ন কোইশিনবগুম অমসুং মহর্ষি নারদন থৱানমিচাকশিংগী মরক্ত অয়িংব মঙাল পুব থাজগী মতৌগুম্ন ফজরম্মী। মহর্ষি পুলস্ত্যন দেব মণ্ডলীগী ময়াইদ দেবরাজ ইন্দ্রগী মতৌগুম্ন

ঙাম্বোইরম্মী। মহর্ষি অঙ্গিরান অদুম্ন ঙাম্বোক্লম্মী লাইগী মরক্ত নুমিৎ মশামক্ল লৈবগুম। আকাশ মণ্ডলগী সিদ্ধ সেনা অদুন অসুম্ন মালেম লৈমাইদ কুমথরক্লিব অদুগুম্ন মুনিশিংন থন্ন লৈরব দশরথ সভাগী মী পুন্নমক্ল হৌগত্তুন লেপখৎনরম্মী। বসিষ্ঠ বিশ্বামিত্রন অর্ঘ্য-পাদ্য অমদি অথুম্ব ৱাহৈশিংন মরম ওইদুন মথং মথং আকাশাচারীশিং অমদি মহর্ষিশিং অদুবু পুজা তৌখিরম্মী। আকাশচারী সিদ্ধিনচিংব অচৌব কাংলুপ্পসু অর্ঘ-পাদ্য অমদি নুংশিরব ৱাঙাংশিংন বসিষ্ঠ অমসুং বিশ্বমিত্রবু ইকাইখুম্নন পুজা তৌরে। অদুগী মতুংদ সিদ্ধ সমুদায়নসু য়াইফ মঙ্গলগীমরমদ ৱারী শানবন মরম ওইদুন মহারাজ দশরথবু সৎকার তৌরে। মতম অদুদ নুংশিনবগী মতিকচাব দান, ইজৎনচিংব থবকশিংন মরম ওইদুন অমন অমদগী সৎকার ফংনরব আকাশত খোঙদাব অমদি মালেমদ লৈব মহর্ষিশিং মতিক চাবআসনশিংদ ফমথনরে। মখোয়শিং অদুন মমাংদ কোক নোন্দুন ফল্লিব শ্রীরামচন্দ্রজীবুমাইকৈ মবিদগী নুংশিব ৱাঙাংশিং , লৈশিংগী নোংজু অমসুং সধুবাদ থাগৎ ৱাহৈন মপুং ফান সৎকার তৌরম্মী।

শ্রীরামচন্দ্র রাজ্য লক্ষীন চংখোনব ওইদুন মদুদ ফল্লি অমদি বিশ্বামত্র, বসিষ্ঠ.বামদেব,রাজ মন্ত্রীশিং, ব্রহ্মাগী মচা নারদজী, মুনিবর ব্যাস, মরীচি, দুর্বাসা, অঙ্গিরা অমসুং মাগী মচানিপা আঙ্গিরস মুনি, ক্রতু, পুলস্ত্য, পুলহ, মুনীশ্বর শরলোমা, বাৎস্যায়ন, ভরদ্বাজ, মুনিবর বাল্মীকি, উদ্দালক, ঋচীক, শর্যাতি অমসুং চ্যবন মখোয়শিংসিত নত্তন অতোপ্প অয়াম্ব বেদ-বেদাঙ্গশিং পরাঙ্গত ওইরব বিদ্বান তত্ত্বজ্ঞানী মহাত্মা, পুন্নমক্ত অথোইব ওইরবশিং মফমদুদ ঙাম্বোইদুন লৈনরে। মদুগী মতুংদ বসিষ্ঠ অমসুং বিশ্বমিত্রগ লোইনন নারদনচিংব অদুগুম্ব অঙ্গলোইনন বেদবু খংখ্রবশিং অদুন কোক নোল্লদুন শ্রীরামচন্দ্রবু লক্ষ্য তৌরগ মতৌ অসুম্ন হায়রকই - অতাংবনি! য়াম্ন ঙকপ ৱানি মদুদি রাজকুমার শ্রীরামচন্দ্র মতৌ অসিগুম্ব য়াইফব গুণশিং কয়ান তিল্লব বৈরাগ্য রসন মপুং ফারব অমদি খ্বাইদগী থোইরব ৱাশিং হায়খি। শ্রীরামগী ভাষণদ ঙাংফম থোকপ অর্থ মসিমক অসিনি

গী মওংদ ব্যবস্থাপুর্বক ওইন য়াওরি। মদুবু অসিগুম্ব অরাইব লোন্দ হায়খিব মদু তাবমক অত্তার্বাশিংন অশেংব অর্থবু খঙব ঙম্নরি। অদুগুম্ব . গখিব ৱাফমশিং অদু মতিক চপচাব অমসুং তশেং তশেংলব ৱাহৈশিংদ প্রতিপোশন তৌখিবান। প্রাণী ৱাঙাং অসি অৱাংব অথোইব পুকচেল চাওবনি, মসি মনুংদ থুপ্লব খ্বাইদগী অর্থ চেনবশিং লোৎতুন লৈরি। মসি তাবদ নুঙাইব অমসুং অথোইব মীশিংগী মতিক চাবনি। মসিদ করিগুম্ব হায়খিবশিং মদু অৱাংব চঞ্চল চিত্তদগী নত্তে। স্থিরবুদ্ধিদগী বিচার তৌরগ ফোংদোরকপনি। মসিগী ভাবতি তশেং তশেংব মওংদ খর্ঙজিনব ঙমনৈ। ভাষণ অসিগী ৱারেং খুদিংদ ফোংদোকপদ (ব্যাকরণ শেংন) অমাদি লয়াশেংন ফোংদোক্লি অমসুং গ্রন্তনচিংব দোষশিং যাওদনা। ৱাং অসি ইষ্ট (নুংশিব অমসুং কান্নব) অর্মাদি মনুংগী ওইব অপেনববু খংহনবনি। শ্রীরঘুনাথকী মুখদগী থোক্লকপ ৱাফম অসিন কনাবু ঙকহনব ওইবগে? লীশিংগী মনুংদ কনাগুম্ব মী অমত্তংগী ৱাঙাংবু মপুং ফান পুক্লিং চিংশনব অঙকপন থনব অমসুং পাম্লিব অর্থবু ফোংদোকপদ মতিক চাব সমর্থ ওই। রাজকুমারা নহাক নত্তব কনা অনিশুব লৈবগে, মহাক অদুগী তেনগ মান্নন অকুপ্প অর্থবু লেংব(পানব) ঙম্লিব থৌরব বুদ্ধিগী মশক ওইব উরী, বিবেকী মশক ওইব মহে (ফল)ন চংখোন্ন লৈতেংলব বিচার বৈরাগ্যগী মশকওইব অৱাংব বিকাশপু ফংব ওইরিব' শ্রীরামগী মাতৌগুম্ন মহাক অদুগী থম্মোইদচাংদম লৈতব মঙাল শন্দোক্লিব প্রজ্ঞাগী মশক ওইবী থাওমৈগী মৈরি লংন ঙাম্মোক্লিব, মদুবু অথোইব পুরুষ হায়নৈ। মদুদ অসিগুম্ব প্রজ্ঞা (জ্ঞান) লৈরব অদুগুম্ব মীশিং অদু ঈ তো অমসুং শরুশিংগী যন্ত্র ওইব দেহসিদ আত্মাবুদ্ধি থম্বন মরম ওইদুনা ঈ তোংনচিংবগী মওংতবু অযাম্ব শব্দ স্পর্শনচিংব পদার্থশিংবু উপভোগ তৌদুনা লৈনৈ। অসুম্ন তৈই মদুদি মখোযগী মনংদ করিগুম্ব চেতন পদার্থ শুকযাও যাওদ্রবগুম্ন। মখোয জড়গী পাংখব ওইদুনা লৈ। অদুগুম্ব মীশিং অদুনা মোহনা পু কুপ ন্নপশিদুনা সংসারগী বিচার তৌদ্রে মখোযদু ওশেংব শাগ মান্নৈ। মখোয অদুমক হঙ্ হন্ন পাকপ, শিন অমসুং

অহন(জরা) নচিংবগী মওংশিংবু ফংদুন লৈ। মদুদি তাইবংদ খ্বাইদগী অথুম্ব উহে অমসুং ফজব শকওং ওইব হৈনৌগী পাম্বী অতাংব ওইবগুম খাইদগী থোইব অঙকপ অরংবন মপুং ফারব তত্ত্ব সাক্ষাৎকারগী মওং ওইব মহেন মপুং ফাব অমদি ফজব হুকচাং ওইব মীশিংতবু মশীং থানে। অদুগুম্ব ঈকায় খুম্নফম ওইরব বুদ্ধি ওইব শ্রীরামদ হৌজিক ফিভম অসিদ মশামকী বিবেক্ত মরম ওইদুন অদুগুম্ব তত্ত্বদর্শনগী মশক ওইব অরংব অদু ফাওগত্তুন ঙানখৎলকপ উরে। মদুন মরম ওইদুন জগতকী ব্যবহার(ওইরিব চৎনবী)বু চাংয়েং পরিক্ষা লৌরে। অদুগুম্ব য়েংনদ ফজব, ওইব,মদুদ ইরাই লাইন কাখৎপ ঙম্ব অমদি অথোইব মহৈশিং অমসুং মনাপুংবন ফজরিব অসিগুম্ব উপাল অয়াম্বন মফমশিংদ হৌনে, ফংনৈ। তৌইগুম্বসুং চন্দনগী উপাল পাম্বীদি মফম পুম্বদ হোংন ফংদে। (মতৌ অসিগুম্ব শ্রীরামগুম্ব মীদি মফম পুম্ব হেক ফংগদব নত্তে) উহৈ অমসুং মনা মশা পুংলব মপুং ফারব উপাল বন খুদিংদ ফংব ঙম্মী; তৌইঘুম্বসুং অতৈদগী হেন্দোক্ল তোপ্প লোংগী পাম্বী মতম পুম্বদ অমসুং মফম পুম্বদ ফংব নত্তে। (অদুগুম্ব শ্রীরামগুম্ব পুরুষ মফম পুম্বদ ফংব ওইদে) থাদগী অয়িংব থাবল পোকই ফজরব পাম্বীদগী অনৌব লৈয়োন ফোংদোক্লই অমসুং লৈদগী নুংশিব লৈনম শন্দোকপ পোক্লকই। মতৌ অদুগুম্ব শ্রীরামচন্দ্রজীদগী তত্ত্বদর্শনগী মশক ওইব চমৎকারগী ফোংদোকপ উনরে। অদুগুম্ব মীদুন মতম পুম্বদ তত্ত্ব চিন্তন্দ লুপ্তুন লৈব, বিবেক্ত মরম ওইদুন আত্মজ্ঞান নত্রগ পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংবগী মশক ওইব মচি ওইব পদার্থগীদমক্ত হোৎনদুন লৈরিব মখোয়দুমক অফব মিংচৎকী পুকৈনি। সৎ পুরকুষশিংদ মকোকনি, থাগৎনফম অমসুং অতাংব মী মরক্ত অথোইবনি। মরোল অহুমদ শ্রীরামচন্দ্রগ মান্নন বিবেকশীল অমসুং উদারচিত্ত ওইব মী ঙসি ফাওব উথিবসু লৈত্রি অমসুং তুংদসু কনাসু উরক্লোই- মসি ঐগী মতনি।

(সর্গ - ৩২ -৩৩)

বৈরাগ্য -প্রকরণ সমপূর্ণ

~o0o~

মুমুক্ষু ব্যবহার প্রকরণ

বিশ্বামিত্রন শ্রীরামবু তত্ত্বজ্ঞান মপুং ফারে তাক্লুন মাগী মাংদ শুকদেবগী খুদম (দৃষ্টান্ত) পুথোকপ, শুকদেবগী তত্ত্বজ্ঞান ফংলগ পরমাত্মাদ তিনখিব।

শ্রীবাল্মীকি ন হায ভরদ্বাজ। মতো অসুম্ন সম্ভাদ লাক্লুনা তিল্লাখব সিদ্ধ পুব মশিংনা অৱাংব খোঞ্জেলদ শ্রীরামগী ভাষণবু হন্ন হন্ন থাগৎলরম্মী মহা ন অদু বিশ্বামিত্রন মাগী মাংদ ফম্লিব শ্রীবামদ নুংশিবগ লোইনন হায়রকই- "ভোনীশিংগী মনুংদ অথোইব রঘুনন্দন। নংগীদমক্ত করিগুম্ব খঙনিঙাই ৱাংহৌব লৈ... নহাক নশামক্কী থৌবব বুদ্ধিন পুম্নমক খঙব ওইখ্রে - পুম্নমক্কী মশক ওইব সচ্চিদানন্দঘন পবমাত্মাবু তত্ত্ব ওইন খঙলে।নহাকী বুদ্ধি ভগবান ব্যাসকী মচা শুকদেবমকুম ওই। মহাক্ল খঙ্গদব ওইব পোৎকী জ্ঞানবু ফংদোকখ্রব (খঙদোকখ্রব), 'শ্রীবাম' ঐ নঙোন্দ ব্যাস পুত্র শুকদেবগী বৃত্তান্ত (ৱাফম) হাযগে মদু নশামক্কী বৃত্তান্তগ মান্নে,মসিবু তারো। মসিন তাবিব মীশিংগী পোকপশিবগী মশক ওইব সংসাবগী অরোইব (মোক্ষ)গী মৰম্নি। নহাকী নপাবুংগী নাকলদ অঞ্জনাগিরিগী মতৌগুম্ন শ্যাম বর্ণ অমদি নুমিৎকুম্ন মঙাল চাওব ভগবান ব্যাস চাম্থোকইদুনা ফম্লি। মহাক অসিগী শুকদেব কৌব অফাওব মহাজ্ঞানী ওইব মচানি। মহাক অদুগী মাইথোং থাগ মান্নন ফজে। শুকদেব শাস্ত্র পুম্নমকপু খঙলব ওইবম্মী। মহাক্ল নোংমদি লোক যাত্রা (মিকপ থোক্লিঙৈ তাইবংগী ওইরিব বাবহাব) অসিদ পুক্লিং মওন মওন খন্দুন বিচাব তৌরম্মী। মতম অদুদ মাগী থম্মোইদসু নংমক্কী মতৌগুম্ন বিবেক্কী উদয ফাওগৎলক্লম্মী। মহামনা শুকদেব অদুন মশাগী বিবেক্ল মশামক্ল মতম কুইন বিচার তৌরগ অদুগুম্ব থোইদোক্ল পুক্লিং হুবব পবমার্থ সত্য বস্তু (পাবমার্থ সাধনগী অৱাংব থাক) ওইব মদু ফংখিবম্মী। মদুবু ফংলবদসু মাগী

থম্মোইদ মসিমক্তি পরমার্থ বস্তু (সচ্চিদানন্দঘন পরমাত্মা) নি হায়বসিদ মপুং ফান থাজব (পুর্ণ বিশ্বাস)দি ওইরমদে, মরম অসিন পরম বস্তু অদুবু মশা মথন্ত ফংজরবদপু মাগী পুক্লিংদ শান্তি ফংলমদে। অসুন্নমক ওইরে মদুদি মাগী চিত্তগী (পুক্লিং) লাংতক্লব লৈত্রে অমসুং নোংগৌবীন নোংগী ইচেল নত্তন অতোম্প ইচেলশিংদগী মমাই লৈথোকই, মতৌ অদুগুম্ন মাগী পুক্লিংসু ক্ষনভঙ্গুর ওইব ভোগশিংদগী পুংলৈ লৈথোকখ্রব (বিরত) ওইখ্রে।

নোংম নুমিৎ অম বুদ্ধিদ অমকপ লৈত্রব শুকদেবন মেরু গিরিদ মফম অমদ ফমদুন লৈরিব মাগী মপাইবুঙো শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাসত ভক্তি ভাবক লোইনন হংলম্মী - মুনে! সংসারগী মশক ওইব আডম্বব (শকউৎ) অসি কমদৌন পোক্লকর্খিবনো? কমদৌন মাসগী শান্তি নম্রগ মাংখিব ওইবগে? মসি কয়া য়াম্ন চাওবগে? কনাগীনো? অমসুং কয়াম কুইন কদায় ফাওব লৈগনি? মচান মতৌ অসুম্ন হংলবদ আত্মাজ্ঞানী মুনি অথোইব ব্যাসন মঙোন্দ তাকফম থোকপ ব্বা পুন্নমক অদু চপ চান অমসুং লয়াশেংব মওংদ তাক্লে। মহাক্কী উপদেশ তারবগী মতুংদ শুকদেবন খল্লি, মদুবুদি ঐন হান্নদগী খঙদুন লৈখ্রে। অসুন্ন খন্দুন মহাক্ল মপাইবুঙোগী উপদেশ ৱাক্যশিংদু মাগী চংথোল্লব বুদ্ধিন থোইদোক্ল তরাম্ন ওকপ ইকায় খুম্নব তৌদ্রে। ভগবান ব্যাসসু মাগী মচাগী অভিপ্রায়(পুক্লিংগী অর্থ)দুবু খঙলদুন হায়রকই ঈবুঙো! মালেমসিদ জনক কৌব অফাওব (খঙনরব) নিংথৌ অম লৈ মহাক খঙ্গদব ওইব তত্ত্ব (সচ্চিদানন্দঘন পরমাত্মা)বু চপচাব যথাথরুপত খঙই, মহাক অদুদগীদি নংন মপুংফারব তত্ত্বজ্ঞান ফঙব ওইগনি।

মপান অসুম্ন হায়বদগী শুকদেব সুমেরু পর্বতগী কুমথরক্তুন পৃথ্বীদ লাক্লে অমসুং মহারাজ জনক্ল লৈঙাক্লিব বিদেহপুরীদ লাক্তুন চংলকখি। ছড়ীদার থোংশংবন মহারাজ জনক্ত খংহল্লম্মী--মহারাজ! রাজদ্বারদ ব্যাসদেবগী মচা শুকদেব লেপ্লি। মহাক্ল শুকদেববু পরীক্ষা লৌনবগীদমক্ত থোংশংবশিংদ করিসু থৌশাদন হায়রকই - "শুকদেব লাকই অদু ওইরবদি মফম অদুদ অদুম লৈহল্লুদন" অসুম্ন

হায়দুন নিংথৌন নুমিৎ ৭নি ফাওব তুমিন্ন লৈথোকখ্রে মাগী হংব খোৎপ পাও লৌরমদে। অদুগী মতুংদ রাজা জনক্ল শুকদেববু রাজমহলগী মাঙ্গোলদ কৌহল্লুরে। মদুদ লাক্লবদসু শুকদেবন নুমিৎ তরেৎনি উপরত (বিষয়গী অপাম্ব লৈতন) হান্নগুম্ন ফমদুন লৈরে। মসিগী মতুংদ জনক্ল শুকদেববু অন্তপুরদ পুরক্লবগী য়াথং পীরম্মী মদুদসু নিংথৌন নুমিৎ তরেৎনি ফাওব দর্শন পীরমদে(উনরমদে)। মাগ মান্নন ফজব শুকদেবন অন্তপুরদ মথোক কারকপগী ময়াই কারবী কামগী ওইব তেজন ঙাম্থোক্লবী ফজবীশিংন মখল মখলগী মথেলগী চরা অমদি চান থক্লব পোৎলমশিংন পীজ পীথক তৌহন্দুন লৈহল্লম্মী। তৌইগুম্বসুং তপ্নশিৎপ নামিব নুংশিৎন, মখোং চেৎন হৌরিব লেংদ্রব উপালবু ফুক্তোকপ ঙমদে, মতৌ অদুগুম্ন ভোগ অমসুং অনাদর অমদি থৌওইন তৌদবগী নুঙাইতবদুনসু ব্যাসকী মচাগী পুক্লিংবু মখোযগী মাইকৈদ চিংশিনব খক ঙল্লমদে, (পুক্লিং হকচাংগী চাং কাইব বিকার পোকহনব ঙল্লমদে)। শুকদেব মদুদ পুর্ণিমা থাজগী মতৌগুম্ন নির্বিকার ওইন ভোগ অমসুং অনাদর (ইকাইখুম্নবীদব)দসু চপ মান্নব (হরাও নুঙাই লৈতব)মশা ফন, তুমিন্ন অমদি পুক্লিং মকালাম্ব) ওইদুন লৈরম্মী।

মতৌ অসুম্ন পরীক্ষা তৌদুন শুকদেবগী স্বভাবপু খঙলব নিংথৌ জনক্ল মাবু ইকায় খুম্নবগ লোইনন মাগী মনাক্ত কৌশিলহল্লে অমসুং প্রসন্নচিত্ত পুক্লিং পেন্ন লৈবদু উরগ খুরুমলম্মী।অদুগী মতুংদ থিম্বদন মাবু তরাম্ন ওক্লগ নিংথৌন মঙোন্দ হায়রকই - ব্রহ্মণ! জগত্ত পরম পুরুষার্থগী সিদ্ধিগীদমক্ত অদু-অদুগুম্ব ত্তঙাইফদব তৌফম থোকপ পোৎচং পুম্নমক অদু নহাক্ল মপুং ফান ফংলে। মনোরম -(ফংগে তানব পুক্লিংগী অপাম্ব) পুম্নমক ফংলে, মতৌ অসুম্ন নহাক্ল তৌগদব তৌরব কৃতকৃত্য অমদি আপ্তকাম অপাম্ব লৈদ্রব ওইরে। হৌজিক নহাক্ল করি পোৎপু ফংনিংলিবগে? শ্রীশুকদেবন হায়- মহারাজ! ঐন পামজে মদুদি সংসারগী মশক ওইব আডম্বর (ফৈরেংনব দৃশ্য) অসি করম্ন পোক্লকখিবনো? অমসুং মসি নেমথখিব নম্রগ মাঙব করম্ন ওই। অদোম্ন থিম্বদন ঐঙোন্দ বিষয় অসিগী চপচাব মওং অদুদ শীংথাবীয়ু প্রতিবাদন তৌবিয়ু।

বিশ্বামিত্রন হয় - মহারাজা! মতৌ অসুম্ন হংলবদ রাজা জনক্ক শুকদেববু মতম অদুদ ব্রাফম অদুমক তাকখি মদুদি অহানবদ মাগী মপা ব্যাসদেবন তাক্লকখিব।

মতম অদুদ শুকদেবন হায়রম্মী - বক্তাশিংগী অথোইব মহারাজ! ঐন হান্ন বিবেক্তগী ইশামক্ক ব্রাফম অসিদি খঙখরে। মতুংদ ইপাইবুঙোদ বিষয় অসিগী মরমদ হংলম্মী মতম অদুদ মংহাক্লসু ঐঙোন্দ ব্রাফম অদুমক তাকপীরকই অমসুং ঙসি নহাক্লসু ব্রা অদুমক হায়বিরী। শাস্ত্রশিংদসু মহাবাক্যসিংগী অর্থ অদুমক উব ফংই। মদু মতৌ অসুম্নানি- মাঙব নাইব সংসার অসি নশাগী সংকল্পদগী পোক্লকপ ওইখি অমসুং সংকল্প অসি পুংমাং মাংখ্রব্দ, মাংখিব ওই। মরম অসিন মচি শুক্লে লৈতব নিসারনি মাসিমক শাস্ত্রশিংগী লেপ্লব ব্রাফমনি। মহাবাহো! মসিমক লেংদ্রব সত্যরা করিগুম্ব ওইরবদি মসিবু মতৌ অসুম্ন উপদেশ তৌবিয়ু মদুন ঐগী থম্মোইদ লেংদন চিংনব য়াওদব মওংদ লৈখিনব। সংসারগী বিষয়শিংদ কোই-কোইদুন লৈরিব পুক্লিং চিত্তন মরম ওইদুন অসোমদ অদোমদ কোইঙাও ঙাওন চংলদুন লৈরিব ঐবু নহাক্ল শান্তি ফংহনবীব পাম্মী।

নিংথৌন হায় - মুনে! ব্রহ্মাণ্ড অসিদ মচেং লৈতব (অখণ্ড) জ্ঞানস্বরূপ (চিন্ময়) পরমাত্মা অমখক্তং নত্তন অতোপ্প করিসু লৈতে।নহাক নশামক্ক বিবেক্ল মরম ওইদুন তত্ত্ব অসিবু খঙলে অমসুং অমুক গুরুস্বরূপওইরব পিতাজীগী মুখদগী মসিবু তারে। মসিদগী হেন্দোক্তুন অতোপ্প করিগুম্ব অরেপ্প (খঙ্গদব ওইব তত্ত্ব) থোইদোকপ লৈতে। মুনিকুমার! নহাক অঙাং ওইরবসু বিষয় ভোগশিংবু থাদোকপ ত্যাগত অথৌব শুরবীর ওইবগী মরম্ন মহান বীরনি। নহাক্কী বুদ্ধি মতম কুইন লৈগদব মরম্ন লাইনা রোগগী মশক ওইব ভোগশিংদগী মপুং ফান বিরক্ত ওইরে। হৌজিক নহাক্ল অতোপ্প করিবু তাব পাম্লিবগে? ব্রহ্মণ! অদুগুম্ব ফংগদব ওইব পোৎশিং মদু মপুং ফান নহাক্ল ফংলে। নহাক্কী চিত্ত পুর্ণকাম ওইখরে নহাক্ল

দৃশ্য বস্তু (মপানগী বিষয়)গী মাইকৈরোমদ মিংয়েং থমদ্রে মরম অসিন মুক্তনি লাম্থোক্লবনি। হৌজিক অতোপ্প করিগুম্ব খর ফংগদব নত্রগ খঙ্গদব লেমদুনা লৈহৌরিবদি - ভ্রম অসিবু ত্যাগ তৌবীয়ু থাদোকপীয়ু।

বিশ্বমিত্রন হায় - শ্রীরাম মহাত্মা জনক্ল মরম ওইদুন মতৌ অসুম্ন উপদেশ ফংলগ শুকদেবন পুংশেং শেংলব পরম বস্তু পরমাত্মাদ তুমিন্ন লুপ্তুনা লৈরম্মী। মাগী অব্বাব, অকিব অমসুং নোম্লম্ব - পুম্নমক মাংখ্রে। মহাক মতম পুম্বদ নিরীহ(অপাম্ব লৈতব) অমদি চিংনব লৈএব ওইখরে, অদুগী মতুংদ মেরুগিরিগী তুম্লব চিংদোন্দ সমাধি ফম্নকীদমক্ত চংখ্রে। মফম অদুদ চহি লিশিং তরা নির্বিকল্প সমাধিদ লৈরম্মী অমসুং থাও লোইরবদ থাওমৈন মুংপ মতৌগুম্ন মহাক প্রারব্ধ লোইরবদ পরমাত্মাদ তিনখি। (র্সগ ১)

~o0o~

বিশ্বামিত্রন শ্রীবসিষ্ঠদ শ্রীরামবু উপদেশ পীনব হায়জব অমসুং বসিষ্ঠন মদুবু য়াবীব।

শ্রীবিশ্বামিত্রন হায় - মুনীশ্বর! শ্রীরামচন্দ্রন জ্ঞাতব্য (খঙ্গদব) বস্তুবু মপুং ফান খংখরে। মরমদি শুদ্ধ বুদ্ধি ওইরব শ্রীরামন্ন ভোগদ ফজব উদ্রে। মঙোন্দ মথোয়শিংদু লাইনাগ মান্নন উরে।মহাক অদুন জ্ঞেয় বস্তুবু খঙখ্রব মহাক অদুগী পুক্নিংদ শোয়দনমক লক্ষণ অসিমক ওই মদুদি মঙোন্দ হেক লৈরিব ভোগগী কাংলুপ পুম্নমক, মদুদ অমুক করিগুম্বদসু অপাম্ব ওইদে। ভোগশিংবু খল্লুব চিন্তনদগী, অজ্ঞানদগী পোকপ বন্ধন (পুনশিনব) চেৎশিনহল্লি অমসুং ভোগ বাসনা ন শান্ত ওইরক্লবদ সংসার বন্ধন মুত্তুন মাংই। শ্রীরাম ! বিদ্বানশিংন ভোগবাসনাগী ক্ষয় মুৎপমকপু মোক্ষ কৌনে। অমসুং বিষয়শিংদ থল্লিব অচেৎপ বাসনামকপু

বন্ধননি তাকই। মাগী মিংয়েংদ রাগ দ্বেষনচিংব দোষশিং লৈত্রব মদুমক তত্ত্বজ্ঞনি। মহাক্ন খঙবকম থোকপ পোংপু খঙলব মদুমক বিদ্বাননি। অদুগুম্ব মহাত্মা পুরুষ অদুবু ভোগন নম্ফুদ পামহনব ঙমদে। মদুদি মরুভূমিদ উরি হৌদে মতৌ অদুগুম্ন খঙদব ওইব তত্ত্বগী জ্ঞান খজিত্তসু লৈত্রিব মতম অদু ফাওব মীওইবগী থম্মোইদ বিষয়শিংগী মাইকৈদগী বৈরাগ্য ওইদে। মরম অসিন মুনিবৃন্দ! পুন্নমক্ন অরেম্প মওংদ মসি খঙবিয়ু মদুদি রঘুকুল তিলক শ্রীরামদ খঙদব ওইব তত্ত্ব খঙব জ্ঞান ওইখরে, মরমদি মত্তোন্দ ভোগশিংগী পুক্লিং হুফম ওইব মফম্ন নুঙাইব পীব, নুঙাইহনব ঙমদ্রে। মুনীশ্বর! শ্রীরামচন্দ্রন অদুগুম্ব তত্ত্ব অদুবু বুদ্ধিন মরম ওইদুন খঙলব মদুগী বিষয়দ সদগুরুগী মুখদগী মসি তারব মদুদি “মসিমক পরমার্থ বস্তুনি” মতমদুদ মাগী চিত্তন শোইদন বিশ্রাম (নুঙাইন পোথাব) ফংলগনি। মদুদি শরত কালগী চংখোনব নীংথিজব অদু লৈচিন থাংদ্রব মত্তুব আকাশখত্তদ পীব ঙম্মী; মতৌ অদুগুম্ন শ্রীরামচন্দ্রগী বুদ্ধিবু সুপ্নগী অনিশুব লৈতব অদ্বিতীয় সচ্চিদানন্দঘন পরমাত্মাগী তত্ত্বদ বিশ্রামগী তঙাই ফদব ওই। মরম অসিন মহাত্মা শ্রীরামচন্দ্রগী চিত্তগী বিশ্রামগীদমক্ত ইকাইখুম্নরব পুজ্যপাদ শ্রীবসিষ্ঠমক্ন মফম অসিদ যুক্তি (মরম চান নাতে পীব)গী প্রতিবাদন তৌকিগনি। মরমদি মহাক অসি রঘুবংশ পুন্নমক্কী মতম পুম্বদ প্রভূ (গুরুকপ অমসুং তম্বীরকপ) অমসুং কুলগুরুনি। অসিত নত্তন মহাক অসি পুন্নমক খঙব সর্বজ্ঞ সর্বসাক্ষী অমদি মতম অহম্মক্ত মোহনচিংব লৈত্রব মক্তুব শেংলব মিংয়েং পুবনি। পূজ্যপাদ বসিষ্ঠজী!অদুঙৈগী রাকম অদু নিংশিংবীরিব্রা মদুদি মতম অদুদ ঐখোয় অনিগী য়েংথিনব কোক্রব অমদি পরম বুদ্ধিমান ওইব মুনিশিংগী কল্যানগীদমক্ত দেবদারু পামেলশিংন কোইশিল্লব নিষদ পর্বত চিংদোন্দ পদ্ময়োনি ভগদবান ব্রহ্মা মশামক্ন মহত্বপুর্ণ ওইব জ্ঞানগী উপদেশ পীখিব? ব্রহ্মণ! অদুগুম্ন যুক্তিযুক্ত ওইব জ্ঞান অদুন সংসারিক বাসনা অসিবু শোইদনমক মতৌ অসুম্ন মাংহল্লি - মদুদি ভগবান ভাস্কর (নুমিৎ) থোরকপদ মমলাম্ব অহিংন মাংবগুম। বিপ্রবর! অদোম্ন অদুগুম্ব যুক্তি

যুক্ত ওইব জ্ঞেয় বস্তু অদুবু নহাক্কী শিষ্য শ্রীরামদ থিন্দনমক উপদেশ পীবিয়ু। মদুন মহাকপু বিশ্রাম (শান্তি)বু ফংব ওইনব। মসিদ নহাক্ন য়াম্ন হোৎনরুগাদবসু ওইদেং মরমদি শ্রীরামচন্দ্র পাপ শুকপক পক্তব নিস্পাপনি। মরম অদুন মত্রুব মিংশেলদ হোৎনরুব তৌদন মাইথোংগী প্রতিবিম্ব উব ফংব মতৌ অদুগুম্ন শ্রীরামচন্দ্রবু ৱান হোৎনরুবলৈতন জ্ঞেয় বস্তুগী বোধ খঙববু ফংব অমদি বিশ্রাম শান্তিবু ফংব ওইরগনি। মহাত্মান! জ্ঞান অদুমক শাস্ত্রার্থ অদুমক অমসুং পাণ্ডিত্য অদুমক মহৈ য়ানব অমদি থাগৎনফম ওই, মদুবু বৈরাগ্যযুক্ত ওইব উত্তম শিষ্যদ উপদেশ পিরবদি। বৈরাগ্যসু লৈতব অমদি শিষ্য ভাবসু য়াওদব মথোয় অদুদ রিগুম্ববু ওইরবসু উপদেশ পিরব- মদু হুইগী শউন্ন শাব পাত্র (কুম্পে)দ হাম্প শনগী শঙোমগ মান্নন শেংদব অপবিত্রতা ওইব ফংহল্লি। মফম অদুদ নহাকুম্ব অপাম্ব লৈত্রব (বীতরাগ) নির্ভয় (অকিব লৈত্রব), ক্রোধশূন্য (অশাওব য়াওদ্রব) অভিমানরহিত (চাওথোকপ লৈত্রব) অমদি নিস্পাপ মহাপুরুষন তত্বজ্ঞানগী উপদেশ পীরিব মফম অদুদ মতম অদুমক্ত বুদ্ধিবু বিশ্রাম ফংব ওই।

গাধিনন্দন বিশ্বামিত্রগী অসুম্ন হায়রকপদ ব্যাস অমসুং নারদনচিংব মুনিশিং পুন্নমক অদুন ফজরব মতিক চাব ৱানি, সাধু সাধু হায়দুন মাগী ৱাফমদুমকপু হুম্ন হুম্ন থাগৎনখি। মদুগী মতুংদ নিংথৌ দশরথগী নাকলদ ফমলিব ব্রহ্মাগী মচানুপা মহাতেজস্বী ভগবান বসিষ্ঠ মশামক হুম্নাগ মান্নন জ্ঞান বিজ্ঞান্ন মপুং ফারব মুনিন হায়খি -

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - অদোম্ন থবক অদুগীদমক্ত ঐঙোন্দ য়াথং পীবিরিব অদুবু ঐন করিগুম্ব অপন-অয়েৎ য়াওদন লৌখৎচরি। শক্তি শালী ওইরগনসু সন্তশিংগী য়াথংবু হিকতোক্নন লৈথোকপ কনাগী মতিক লৈবগে? মমাংঙৈগী মতমদ নিষদ পর্বত্ত পুজা তৌনফম ওইরব পদ্মযোনি ব্রহ্মান সংসারগী মশক ওইব ভ্রম অসিবু কোক্নব (মাংহন্নব)গীদমক্ত অদুগুম্ব জ্ঞান অদুবু উপদেশ তৌখিব মদু পুন্নমক মরক খন্দব, ইরৎতব মওংদ ঐঙ্গোন্দ নিংশিংদুন লৈরি। (সর্গ - ২)

~o0o~

জগতকী ভ্রম ওইব মতৌ অমসুং মিথ্যা ওইবগী নিরুপণ, সদেহ অমসুং বিদেহ মুক্তিগী মান্নব মতৌ অমদি শাস্ত্রগী নিয়মদ চৎপ মীওইবগী মতিক মগুন শীংথাব।

শ্রী বসিষ্ঠন হায় - অদুঙৈ সৃষ্টিগী হৌরকপ মতমদ ভগবান ব্রহ্মান (অরা- অনা, অকি-অখং, পোকপ- শিব, তিন্ন-কাইনবগী দৃশ্যান মুর্তি ওইব) সংসারগী মশক ওইব ভ্রমবু ঙাকথোক্লবগীদমক্ত পীখিব অদুগুম্ব জ্ঞানগী উপদেশ (পাওতাক) মদুমক ঐন মফম অসিদ বর্ণন তৌরি- জগত অসি পুক্নিংগী সংকল্পন শেমগৎপনি, ভাবন শাগৎপ মনোরাজ্যগী বিলাসনি। ইন্দ্রজাল (মেজিক)ন শেম্ব লৈ পরেংনি, রারী-রাতাই, রাঙাং কয়াগী অর্থগী প্রতিভাস, বাতরোগ লাইহৌন মরম ওইদুন য়ুহার হাব উবগুম্বনি, অঙাংবু কিহন্নবগীদমক্ত রাখলন শেম্ব তম্নলাই ভুৎ কুম্বনি। অমকপ লৈত্রব আকাশত কল্পনা তৌব মনি মুক্তাগী মপৈগুম্বনি, হিন চৎপদ উব উপাল রাপাল চৎপগুম্বনি, মঙদ উখিব নগর, অতোপ্পদ উখিব লৈশিংগী নিংশিংবদগী আকাশত কল্পনা তৌশিনব লৈগী মতৌগুম্ন ভ্রমদগী শেমগৎলকপ ওইখি। শিরমদাইগী মতম মৃত্যুকালদ মী মশামক্ল মাগী থম্মোইদ মসিবু অনুভব তৌই, খংই।

মিথ্যা মতৌ অসুম্ন ওইরবদসু মতম কয়ামরুম শাংন কনশিন্ন খঙনদুন (অত্যান্ত পরিচয়দ) লাকখিবন মরম ওইদুন কনশিনব ভাব (ঘনীভাব দৃঢ়তা) ফংলদুন জীবগী থম্মোই আকাশত ঙান্দুন চাওখৎলকই। মসিমকপু "ইহলোক" কৌনৈ। পোকপদগী হৌন শিব ফাওবগী চেষ্টাশিং (হোৎনবশিং) অমদি মরন (শিবন) চিংবগী অনুভব তৌরিব জীবন মদুমক্ত (থম্মোইগী আকাশ অদুমক্ত) ইহলোকী কল্পনা তৌই, মদুদি মথক্ত হায়খিব অদুগুম্ন মতুংদ অমুক শিরবগী মতুংদ মহাক্ল মফম অদুমক্ত পরলোকী (অতোপ্প লোকী) কল্পনা তৌই। বাসনাগী মনুংদ অতোপ্প হকচাং কয়ামরুম অমসুং মদুগী মনুংদসু অতোপ অতোপ্প হকচাং

- মখোয়সি সংসারদ লফু পাম্বীগী মকু (লফু তোঙ্গা)গী মতৌগুম্ন অমগী মনুংদ অম লৈব উই। (অসেংবমক সংসার অসিদ করিগুম্ব মচি ওইব অমত্ত লৈতে)। পৃথ্বীনচিংবগী পঞ্চ মহাভূতশিংগী কাংলুপসু লৈতে অমসুং জগত শেম্নকপগী কবিগুম্ব মথং মনাও ক্রমসু লৈতে, মখোয় পুম্নমক লোইন মিথ্যা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক শিরব অমসুং হিংলিব জীবশিংন মসিদ সংসারগী ভ্রম তৌই। মসি অবিদ্যাগী মশক ওইব তুরেলমক্তি। মসিগী করিগুম্বদ অরোই অথম লৈতবনি। মসিন মখল কয়াগী ইরম ইচেলগী মওংদ শন্দোক্রদুন চংখোনব ওইহল্লি। অপঙব মূঢ় পুরুষশিংতন মসি ঈথক হৌবী ওইন উই।

শ্রীরাম পরমার্থ সত্য (পরমাত্মা) ওইব পাক চাওরব মহাসাগরদ হন্ন হন্ন অবিব অমসুং অনৌব সৃষ্টি (লৈশেমশিংগী) মশক ওইব ঈথকশিংসি অমুক হৌগৎলকপ অমসুং অমুক মুৎখিব তৌদুন লৈ। হৌজিক্কী মতম অসি ব্রহ্ম কল্পগী কায়াৎ শরুক ওইব হুমফুতরানিথোই শুব ত্রেতাযুগ চংথরি। মসি অহানবদসু কয়ারক হন্ন লাকখরে অমসুং মতুংদসু লাক্কন লৈখিগনি। মসি অহানবদ ওইখিব ত্রেতা যুগ অদুমক্তি অমসুং মদুদগী তোঙানবসু ওই। হেক লৈরিব লোকশিং মখোয়শিংসিসু মমাংগী অদুগুম্ন ওইবনি অমসুং মদুদগী অনৌব খরসুনি। মতৌ অসুম্ন নহাক শ্রীরামসু কয়ারক হন্নসু ত্রেতাযুক্ত অবতার তৌখ্রবনি অমসুং মতুংদসু তৌখিগনি। ঐহাকসু কয়ারক হন্ন বসিষ্ঠ ওইন পোকখ্রবনি অমসুং মতুংদসু পোক্লকখিগনি। ঐখোয়গী মওং মতৌশিং পুম্নমক হান্নগী মতৌগুম্ন অমসুং মদুদগী খেন্নবসু ওইগনি। ব্রাফম অসিদি ঐন য়াম্ন মুন্ন খংই। থব্রাই পানব প্রাণী পুম্নমনক করিগুম্বদ ধন-বৈভব, বন্ধু-বান্ধব, অবস্থা (ফিভম) কর্ম, বিদ্যা, বিজ্ঞান অমসুং করিগুম্বদ মান্নদবসু ওই। কনাগুম্ব অবিদ্যাগী মশক ওইব আবরণ(ফিজং)ন কুপশিনব লৈত্রব মহাক্কী অন্তকরণ একাগ্র ওইখ্রব, মহাক অদুগী সংকল্প বিকল্প পুম্নমক শান্ত ওইখ্রব অমদি মহাক অদুন স্বরূপভুৎ সার তত্ত্ব (মশাগী মশক ওইব সচ্চিদানন্দ)গী মশক ওইখ্রব অদুগুম্ব বিদ্বান পুরুষ অদুন পরম শান্তিগী মশক ওইব অমৃতদ পেন্দুন লৈ।

য়েংবদ নুঙাইনফম ওইব শ্রীরাম! সমুদ্রগী ঈশিং ঈপাক্র তপথদুন শান্ত ওইন লৈব নম্রগন অচৌব ঈথকশিংন ঈহৌদুন লৈব ফিভম অনিমক্ত মাগী ঈশিং ওইবগী মতৌ (মশক) চপ মান্নব ওই - মদুদ করিগুম্ব মখল অমত্তগী খেন্নব লৈতে। মতৌ অদুগুম্ন হকচাং লৈব ওইদুনসু নম্রগ মদু লৈত্রবদসু মুক্ত মহাত্মা মুনিগী ফিভম অমখক্তমক ওইদুন লৈ। মদুদ করিগুম্ব খেন্নব লৈতে। সদেহমুক্তি (হকচাংদ লৈন লৈন মুক্তি ওইব) অমসুং বিদেহ মুক্তি (হকচাং য়াওদ্রব মুক্তি) মদুগী বিষয়দ করিসু মরি লৈনদে। মহাক অদুন সত্যনি লৌদুন ভোগশিংগী আস্বাদণ তৌরক্রব অদুগুম্ব মীদুদ ভোগশিংগী অনুভূতি কদায়দগী ওইগনি? জীবন মুক্ত অমসুং বিদেহ মুক্ত মখল অনিমক্কী মহাত্মাশিং বোধস্বরুপ(তত্ত্ব খঙবগী মশক ওইরব) ওাক্তনি। মদুদ খেন্নব করিনো? অনি অসিদ খেন্নহল্লল্লিবদু অজ্ঞান্নি। মদু মাংহনখ্রবদ মদুদ লৌহৌরিবদু সুপ্নগী জ্ঞান খক্তনি। মতম অদুদ মখোয় অনিগী মরক্ত খেন্নব করি ওইব য়াই। মদুদি সমুদ্রগী ঈথক হৌব ফিভমদ লৈরিব ঈশিং মদুমক মাগী তপথব প্রশান্তবম্বাদসু ওই - মদুদ করিসু খেন্নব লৈতে। সদেহ অমসুং বিদেহ মুক্তিদ খজিক ফাওব খেন্নব লৈতে। শিংলিব নুংশিং(স্পন্দ) ওইরো নম্রগ নিস্পন্দ (শিত্তব ইংথন লৈব)ওইরো ফিভম অনিমক্ত মদু নুংশিংমক ওইদুন লৈ। মরম অসিন হৌজিক ঐন চংথরক্লিব প্রকরণ অদুগুম উত্তম জ্ঞান অদুমক্কী উপদেশ তৌরিব মসিবু নংন মুন্ন তাও। জ্ঞান অসি নাকোংশিংগী লৈতেংনি অমসুং অজ্ঞানগী মশক ওইব অমম্ববু মাংহনবনি। রঘুনন্দন! সংসার অসিদ মতম পুম্বদ য়াম্ন ফজন হোৎনব (পুরুষার্থ) তৌবদগী পুন্নমক্র পুন্নমকপু ফংব ঙম্মী।(মদুদকরিগুম্ব কনাগুম্বন মহৈ য়ান্দব উরবদি মদু মাগী চপ চান হোৎনব ওইদবগী মরমনি) সাধনগী মমুন ফাব ওইরবদ থম্মোইদ থাদগী অয়িংবন তিল্লব নুঙাইব ফংব ওইব মতৌ অদুগুম্ন সচ্চিদানন্দ পর ব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংবগী মশক ওইব পুংথোই থোইদোকপ অতিশয় শীতল আনন্দগী নুমিৎ থোক্লকই। অসিগুম্ব পুংথোই থোইব নুঙাইব অসি পুরুষকী (প্রয়ত্ন) হোৎনব খক্তদগী ফংব

ওই। অতোম্প (প্রারব্ধনচিংব) মরমদগী ওইদে। (মরম্ম অসিন মীওইবন হোৎনব খক্তদ নির্ভব (তুংনফম) ওইন লৈগদবনি। শাস্ত্রজ্ঞ সৎপুরুষন তাক্লিব লম্বীদ চত্তুন মশাগী কল্যানগীদমক্ত কনাগুম্ব অদুন পুক্রিংগী ওইব ৱাঙাংগী ওইব ",মসুং হকচাংগী ওইব কন্ন হোৎনন্নিব মদুমক পুরুষার্থনি। অমসুং মদুমক মহৈযান্নব হোৎনবনি। মদু নত্তবদ কনাগুম্বন শাস্ত্রগী ওন্ন-তৈনবদ মান থোকপ চৎলিব লীচং অদু অঙাওবগী মতৌ ওইব চেষ্টা হোৎনবনি। কনাগুম্বন পোৎ অদুবু ফংব পাল্লবদি মদুবু ফংনবগীদমক্ত করিগুম্ব মহাক্ত মথং মথং ওইন হোৎনরকপদ অমসুং মরক্ত মদুদগী মাই লৈথোক্ত্রবদি শোইদন ফংব ওই। কনাগুম্ব থোইদোকপ প্রাণী অমন মীওইবগী মতিক চাব (প্রয়ত্ন) হোৎনবন মরম ওইদুনা মরোল অহুমগী ঐশ্বর্যন তিনবন মবম ওইদুনা খ্বাইদগী ফজন থোইন উরিব ইন্দ্রপদবীবু ফংব ঙমখি। লেপ্তুন হোৎনবদ লুপ্তুন লৈরগ খোংফম চেৎপ অভ্যাসত লেংদন লৈরিব বুদ্ধিমান অমসুং থৌনাফব পুরুষন মেরুচিংজাওবুসু য়োৎপ ঙম্বগী শক্তি ফংনৈ। শ্রুতি-স্মৃতিনচিংব শাস্ত্রন লাকশিল্লব লম্বীদপুরুষার্থগী সম্পাদন্দ লেংদন লেপ্প অদুগুম্ব মীগী পৌরুষ (উদ্যোগ)নি মদুমক্ত পুক্লিংন পাম্ব ফলবু ফংনবগী মরমনি। শাস্ত্রগী ওন্ন-তৈনবদ তৌব হোৎনবন কান্নদব অনর্থখক্ত ফংব ওই। কনাগুম্ব মীন শাস্ত্রগী ওইব প্রয়ত্নবু কোমথোক্লবদি মহাক মশামক লাইরব, অনাব অমসুং পুনশিন্নচিংব মশাগী দুর্দশা ফত্তব ফিভমগী মরম্ন মহাক অসিগুম্বসু ফিভমদ তারকই - মদুদ মাগীদমক্ত ঈশিংগী ঈরিক অমফাওবসু যাল্লবগুম থনব। (ফংব ঙমদব ওইরকই) তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বন শাস্ত্রগী মতুং ইন্ন লমচৎ চৎপ (আচরণ)গী প্রভাবতগী অসিগুম্ব অথোইব ফিভমবু ফংই মদুদ সমুদ্র, চীং ,সহর অমসুং দ্বীপশিংন শন্দোক্তুন লৈরিব চাওরব ভুমগুলগী সাম্রাজ্যবুসু য়াম্ন অহেনব ওইন খল্লুদব (মদু ৱান হোৎনরুদন ফংব ঙম্মী)। (সর্গ - ৩ - ৪)

~o0o~

শাস্ত্রগী মতুংইন্না সৎকর্ম তৌননব থৌহন্সিন, পুরুষার্থ নত্তন প্রারব্ধবাদকী খণ্ডন অমদি পৌরুষকী অথোইবগী প্রতিপাদন।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - রঘুনন্দন! অশংব নাপুনচিংব তোঙান তোঙানব মচুশিংগী ফোংদোকপদ মঙাল খক্তন মরুওইব মরমনি। মতৌ অদুগুম্ন শাস্ত্রগী মতুংইন্না পুক্নিং খাঙ্গং অমসুং হকচাংন মরম ওইদুন শিজিন্নরীব(ব্যবহার) অধিকারী পুরুষশিংগী পুরুষার্থ পুন্নমকী সিদ্ধি (পাঙথোকপ)দ পুক্নিং চংন ইচং থৌন চংশিনব প্রবৃত্তিমক্ত অথোইব (প্রধান) সাধন্নি। মীওইব সুপ্নগী পুক্নিংতন করিগুম্ব পোৎকী ইচ্ছা (নিংব) তৌই, শাস্ত্রগী মতুংইন্ন কর্মদি তৌদব, মদু অঙাওবশিংগী মহোৎননি। মাগী হোৎনব অদু সুপ্নগী মোহদ থাদনবনি, পুরষার্থবু সিদ্ধ তৌনব ওইদে। মী অদুন অদুম্ন হোৎনব প্রয়ত্ন তৌরিব মহাক্ত মদুম্ন ফল ফংই।(কনাগুম্বন মসি হায় - মদুদি লাইগী নোংদমদগী ফল ওন্ন-তৈননসু লাকই, মথোয়গী খাফমসি চুমদে: মরমদি মশাগী মমাংদ তৌখিব (পূর্বকৃত) কর্মমক্ত ফল পিনবগীদমক্ত মাংদ লৈররবদ দৈব (লাইগী নোংদম) কৌনে। মদু নত্তবদ দৈব কৌব করিগুম্ব পোৎ অমত্ত লৈব উনদে। নুপাথোক্ত হোৎনব পুরুষার্থ মখল অনিনি - অমন শাস্ত্রানুমোদিৎ (পুণ্য কর্ম) অমসুং অনিগুবন শাস্ত্রবিরুদ্ধ (পাপ কর্ম) অনি অসিগী মনুংদ শাস্ত্রবিরুদ্ধ পুরুষার্থদি কান্নদকী মরমনি। অমসুং শাস্ত্রানুমোদিৎ পৌরুষতি পরমার্থ বস্তু ফংননব মরমনি। মরম অসিন মীওইবন শাস্ত্রগী ওইব প্রয়ত্নদ নুপাথোক্ত হোৎনব অমদি সাধু পুরুষশিংগী সঙ্গদ অসুম্ন হোৎনব কনব ওইগদবনি মদুদি মপোক অসিগী পৌরুষন মমাংগী মপোকী পৌরুষ(প্রারব্ধ)বু য়াম্ন থুন জয় তৌদুন ভম্ননব। নশাগী পুংথোই থোইব হোৎনকনববু পুথোক্তুন য়া ক্রক ক্রক চিক্তুন মদুদ পুক্নিং লুপ্তুন হোৎনরিব মী অদুন মাগী শুভ পৌরুষ অফব হোৎনকনব অদুন য়েথায়ব পীনবগীদমক্ত শীংদুন লৈরিব মমাংগী মপোকী অশুভ পৌরুষবু জয়

তৌগদবনি। পূর্বজন্মগী পুরুষার্থ (প্রারব্ধ) অসিন ঐবু ইনশিন্দুন থোইদোকপ ফিভম পরিস্থিতিদ থাদরে, অসিগুম্ব মখলগী বুদ্ধিবু নমদুন লৌথোক্কদব ওইঃ মরমদি মদু হকথেংনরিব (প্রত্যক্ষ) প্রয়ত্ন, হোৎনবদগী হেন্ন মপাঙ্গল কনব নত্তে। হোৎন কনবগ লোইনন অথোইব পুরুষার্থগীদমক্ত হোৎনদুন লৈগদবনি মদদি মমাংগী মপোক পূর্বজন্মগী ফত্তব অশুভ পৌরুষ মশান মপুং ফান শান্ত ওইথিদ্রিব ফাওব। হায়বদি মমাংগী মপোকশিংদ তৌখিব ফত্তব কর্ম মরুফুক্ক মাংব ওইদ্রিব মতম অদুফাওব পুক্লিং লুপ্ন থৌনাগ লোইনন সাধন তৌদুন লৈগদব ওই।

মদুদি নশান ঙরাং থোকখিব দোষপু ঙসি প্রায়শ্চিত তৌরবদ মাংখিব ওইব মতৌ অদুগুম্ন মপোক অসিগী গুণশিংন (অফবদ নুপাথোক্ক হোৎনবন) মমাংগী মপোক্কী (ফত্তব পৌরুষ) দোষপু শোইদন মাংহল্লি; মসিদ খক চিংনফম লৈতে। মমাংগী মপোক্কী অশুভ নম্রগ অন্নাব পীনব প্রারব্ধবু মপোক অসিগী শুভ কর্মশিংন শেংদোক্কব অমদি থৌহল্লব বুদ্ধিন মরম ওইদুন নমথরগ সংসার সাগরদগী লাম্থোক্কবগী পান্দমবু পাংথোক্কবগীদমক্ত নশাগী মনুংদ দৈবী সম্পতি (লাইগী ওইব গুণশিং) খোমজিনবদ মতম পুম্বদ হোৎনদুন লৈগদব ওই। নোম্ব কনব য়াওদব, অতনব মীদি গদ্ধাশিংগী মতৌগুম্ পুন্সি লোইখিগনি, মরম অদুন নশামকসু উদ্যোগ (নোম্ব) থাদোক্কগ মখোয অদুগী থাক্ত নম্রগ চাংদমদ লৈরোইদবনি; শাস্ত্র গী মতুংইন্ন তৌব উদ্যোগন ইহলোক অমসুং পরলোক অনিমক্কী সিদ্ধ পাংথোকপদ মরম ওই। মীওইবন পুরুষার্থ নুপা থোক্ক নোম্বগী মশক ওইব প্রয়ত্নদ চংজফম আশ্রয় লৌরগ সংসারগী মশক ওইব শুরুং (গুহা)দগী মশামক্ত পাঙ্গল ফুদোক্কুন থোরক্কদব ওই। নশাগী হকচাংবু নুমিৎ খুদিংগী মাংথব ওইরক্লিববু খজ্ঞু। শাশিংগী মতৌগুম্ব আচরণ (লমচৎ শাজৎ)থাদোক্কদবনি অমসুং সৎপুরুষশিংগী ওইব মতিক চাব লমচৎ ব্যবহারদ আশ্রয় লৌগদবনি। মদুদি তিলশিংন অশোকপদ থোরকপ (পীব) মহীনচিংবদ আস্বাদন তৌদুন হাওন চারগ মশাগী পুন্সি লোইশিল্লি মতৌ অসুম্ন মীওইবন য়ুমদ নুপী , চাব,থকপনচিংব মহী মনাই অমদি অমেং

অথোৎ করিসু লৈতেব পদার্থশিংগী খজিত্তং নুঙাইব মহাও (আস্বাদন) লৌরম্লগ মপুং ফারব পুরুষার্থগী সাধন ওইব পুন্সিগী মতম (আয়ু)বু উৎ ওলহনখিরোইদবনি। (মীওইব পুন্সিবু অরেম্বদ লেলহল্লোইদবনি) শুভ পুরুষার্থদগী য়াম্ন থুনমক ফল ফংব ওই। অমসুং অশুভ পুরুষার্থদগী মতম পুম্বদ অশুভ ফল (ফত্তব মহৈ)ত ফংই। শুভ- অশুভ পুরুষার্থশিং অনি নত্তন লাইন তম্ব (দৈব) কৌব অনিশুব পোৎ করিসু লৈতে।মখোয়সিগী মমিংবু দৈব নত্রগ প্রারব্ধ কৌবগী ৱানি। মরম অসিন অহানবদ পুরুষার্থন মরম ওইদুন বিবেকী আশ্রয় লৌদুন আত্মজ্ঞানগী মশক ওইব মহান প্রয়োজন(খ্বাইদগী দরকার ওইব কান্নব) শাস্ত্রশিংগী বিচার তৌগদবনি। কনাগুম্ব শাস্ত্রগী মতুংইন্ন মশাগী শ্রবণ মনন্নচিংব হোৎনবন মরম ওইদুন সাধন তৌদ্রব অমসুং চিত্ত পুক্লিংদ বিষয়শিংগীত চিন্তন তৌদুন লৈরিব অদুগুম্ব অপঙব মূঢ় পুরুষশিংগী থোৎদোক্ল মোৎলব দোষ ওইব ভোগ ফংগে নিংলীব মখোয়দুবু থিক্কার তৌই। মথক্ত হায়খ্রিব নুপাথোক্ল হোৎনব অসি করিগুম্ব সৎ-শাস্ত্রগী মতুংইন্ন অমদি সৎ-সঙ্গ অমসুং সদাচারন তিনব ওইরবদি মদু পরমাত্মা সাক্ষাৎকারগী মশক ওইব মশাগী ফলবু পী। মসি মাগী স্বভাবনি। নত্রবদি (সৎশাস্ত্রগী ওন্নব অমদি সৎসঙ্গ অমসুং সদাচার য়াওদব ওইববদি মদুদগী পরমাত্মাবু ফংবগী মশক ওইব অথোইব মহৈ ফংব ওইদে। মসি পৌরুষ নুপাথোক্ল হোৎনবগী স্বরূপনি। মতৌ অসুম্ন ব্যবহার তৌরিব কনাগুম্ব মী অমত্তগীসু করিগুম্বদ হোৎনবদু মহৈ য়ান্দব ওইদে।অঙাং ওইরিবৈদগী হৌন যাম্ন ফজন্দ অভ্যাস তৌদুনা লাক্লগ সৎ-শাস্ত্রগী মতুংইন্ন থিজিন্দুন অমসুং সৎ-পুরুষশিংগী সৎসঙ্গনচিংব সদগুণশিংন মরম ওইদুন পুরুষার্থ তৌবক্লবগী পরম স্বার্থ রূপ ওইব পরমাত্মা সাক্ষাৎকার ফংব ওই। মতৌ অসুম্ন প্রত্যক্ষ ওইন উথিব অনুভবত লাকখিব অমসুং সাধনশিংন মরম ওইদুন ফংলকখিব পরমার্থ বস্তুবু অদুগুম্ব মীশিংন লাইগী নোংদম্নি (লাইব) তম্বনি লৌরিব মখোযদুগী বুদ্ধিদু লাল্লবনি অমসুং মখোয় সাধনদগী লৈখা ভাদুন মাংলবনি।অরুৎপ লৈতেন ভাবন শাব শান্ন খোৎনবন মরম ওইদুন থোইদোক্ল

চরাংনব অঙাংগী ফিভম্ন হৌখ্রবদ(অরা-অনা অমসুং গুরুজনশিংগী সেবাদ মতিক চারব) পাম্ঘোম পাঙ্গল কল্লব মথোক কারকপ যৌবনগী ফিভম হৌরকপ মদুদগী মীওইব পদ পদার্থ (লাইরিক লাইশু)গী জ্ঞান্ন অশেংব বুদ্ধি ওইদুনা সৎপুরুষশিংগী সঙ্গ তৌদুন মশাগী গুণশিং অমসুং দোষশিংগী বিচাব তৌগদব ওই। হায়বদি বিচাব মুন্ন তৌদুন দোষশিংবু থাদোক্লপ গুণশিংবু লৌশিনগদব ওই।

শ্রীবাল্মীকি মুনিন হায - ভবদ্বাজ। মুনি অথোইব বসিষ্ঠকী মতৌ অসুম্ন প্রবচন তৌরবদ নুমিৎ অদু হৌথিবম্মী। সূর্জদেবন নোংচুপ চিংদোন্দ লৈথখরে অমসুং সভা অদুগী মীশিং বসিষ্ঠ মুনিবু খুকম্নবল্লগ নুমিদাংবাইবমগী কৃত্য (সন্ধোপাসনা অমসুং অগ্নিহোত্রনচিংব) তৌননবগীদমক্ত চৎনখিবম্মা অমসুং শাহিং হৌখ্রব মতমদ অমুক নুমিৎকী মঙালগ লোইনন সভা ভবন অদুদ শমক্ত লাক্লরম্মী।

মপোক অসিগী পুরুষার্থগী অথোইব মতৌ অমসুং দৈববাদ হুন্দোকপ।

শ্রীবসিষ্ঠন হায - শ্রীরাম মমাংগী মপোক্কী নুপা থোক্ল তোংনব (পৌরুষ)দগী হেনব দৈব (লাইন তম্ব) কৌব পোং লৈতে। মমাংগী মপোকশিংগী পুনযাংঙ্মন দৈব (লাইবক)নি। মবম থাসিন "ঐদি লাইন তম্ব পাইনব্বী মশা পোনা"। কং চৌবদ হৌন তম দা" হাদিগুম্ব বুদ্ধি নত্রনা বিচার না।। হাসিন সৎসঙ্গ অমদি সংশাস্ত্রগী অভ্যাস তৌদুন পুক্লুংদগী লাপথোক্লগ চাব থা। সংসাব সাগব অসিদগী পাঙ্গল থেক্ল লাম্নোকপ উদ্ধার তৌগদবনি। (তন্দুন সৎকর্ম অমদ সাধনব্ব কলিতুম্নদসু থাদোক্লাইদর্বান) অদু অদুগুম্ন হোৎনব ওইব অদু অদুমক্কুম্ন যাম্ন থুন ফল নংগনি। মসিগী মমিংবু পৌরুষ কৌই। মমাংগী মপোক্কী অদুগুম্ব পৌরুষ অদুমকক কনাগুম্বন দৈবগী মিং কৌব পাম্লবদি কৌব যাই। কনাগুম্বন কৈশু লৈতব (তুচ্ছ) বিষয সুখশিংগী ক্ষনিব মিকুপ্তুংগী ওইব মিথোব (লোভ)দ থুজিন্দুন অদুগুম্ব

মমাংদ তৌথিব পৌরুষ নত্রগ দৈববু বর্তমান জন্মগী পুরুষার্থন জয় তৌননব হোৎনদ্রব অমসুং মতম পুম্বদ দৈবদ থাজদুন ফমদোক্তুন লৈরিব মখোয়দু দীন (অতোনব) পামর (নিয়ম ইন্দন হিংব) অমসুং মূঢ় অপঙবনি। মরমদি পুরুষার্থ য়াওদন আত্ম-জ্ঞান সিদ্ধ ওইব লৈতে। মমাংগী মপোক পুর্বজন্মগী অমদি হন্দক মপোক্কী পুরুষার্থ(কর্ম)য়াও অনিগী মতৌগুম্ন মথন মথন লাম্লেংনৈ। মদুদ হেন্ন কনব অদুমক্ত অতোপ্প অদুবু মিকুপকী মনুংদ ইনথে, লংথে। মপোক অসিদ তৌথিব অকনব পুরুষার্থন মশাগী পাঙ্গলন মমাংগী মপোক্কী পৌরুষ নত্রগ দৈববু মাংহল্লি। অমসুং মমাংগী মপোক্কী অকনব পৌরুষন মপোক অসিগী পুরুষার্থবু মাগী পাঙ্গলন নমথে। মমাংদ তৌথিব কর্মশিংগী ফলগী মশক ওইব প্রারব্ধ অমসুং বর্তমান জন্মগী পুরুষার্থ অনি অসিগী মনুংদ বর্তমান জন্মগী পুরুষার্থমক্ত হকথেংনব ওইন পাঙ্গনব ওই, মনম অসিন অধিকারী ওইব মীশিংন পুরুষার্থগী মতেং লৌদুন সৎ শাস্ত্রশিংগী অভ্যাস অমসুং সৎসঙ্গন মরম ওইদুন বুদ্ধিবু মক্তব (নির্মল) ওইহন্দুন সংসার সাগরদগী মশাবু লাম্লোকচগদব ওই। হন্দক নপোক্কী অমসুং মমাংগী মপোক্কী পুরুষার্থ অনিমক পুরুষকী মশক ওইব মীওইব বন্দ হৌরকপ মহৈ পীব উপালশিংনি। অনি অসিদ হেন্ন কনব অদুন বীজয় ওইব ফংই, (হায়বদি ধর্মগী আচরণ অমসুং মুক্তিগী বিষয়দদি হন্দক মপোক অসিগী পুরুষার্থন কনব হেনব ওই। অমসুং অর্থ অমদি কামগী বিষয়দদি পুর্ব জন্মগী ফল ওইন মায়োক্নরব (ফলদানোন্মুখ) কর্ম নত্রগ দৈবন কল্লী।)

কনাগুম্ব মীন পুকচেল চাওব স্বভাবন তিল্লব অমদি সৎকর্মগীদমক্ত হোৎনবদ হৌশিংব ওইরিব সদাচারমক্ত মাগী লীলা বিহার ওইরিব মহাক অদু জগতকী মোহগী মশক ওইব লীপুন লাংদগী নাম্লোকই মদুদি নোংশান শারংদগী নাম্লোকপগুম। কনাগুম্ব মী অদুন দৃষ্ট (পুরুষাথ নত্রগ পরম কল্যানগীদমক্ত হোৎনব) থাদোক্লগ "ঐবুদি, কনাগুম্ব করিগুম্ব শক্তি অমন অসুম তৌনবগীদমক্ত ইনশিল্লকই" অসিগুম্ব কান্নদব ওইব অমোৎপ কল্পনাদ লেপ্তুন লৈরিব মদুবু য়াম্ন

লাপ্ন থাদোকদব ওই, মরমদি মদু মীওইলক্ত অধম অতোনবনি। সংসারদ লীশিং কয়াগী ব্যবহারনি মখোয়দু লাকপ চৎখিব তৌদুন লৈ, মদুদ নুঙাইব অমসুং অৱাবগী বুদ্ধি (রাগদ্বেষ)পু থাদোক্লগ শাস্ত্রগী মতুংইন্ন আচরণ তৌগদব ওই। শাস্ত্রগী তুংইন্ন অমসুং করিগুম্বদ মাংব লৈরোইদব মশাগী মার্যাদা ফিদম্ব অদুগুম্ব মী অদুন থাদোকপ তৌদ্রব, মী অদুন পাল্লিব পোৎশিংবু মতৌ অসুম্ন ফংব ওই মদুদি ঈরুপলীবশিংন মনি। নুঙাইববু ফংব অমসুং অৱাববু লৌথোকপ- মসিমক মীওইকগী স্বার্থনি। স্বার্থ অদুবু ফংহল্লিব অদুগুম্ব তঙাই ফদব তৌফম থোকপ নত্রগ সাধন পাম্বৈ লৈরিব, অমত্ত ওইন মদুদ চেৎন লেপ্পুন লৈববু বিদ্বানশিংন পৌরুষ কৌনৈ। অচেৎপ ফিরেপ অদু করিগুম্ব শাস্ত্রন লাকশিনব ওইরবদি পরম পুরুষার্থ ফংনবগী পাম্বৈ ওই। তৌফম থোকপ মথৌ ঙাকপ (কর্তব্য পালন)গীদমক্ত অদুগুম্ব গুরুকচাংনচিংববু শিজিন্নব সংচালন ওইরিব অদুমক মাগী ধর্মনি, অদুগুম্ব ক্রিয়া (শ্রবন মনন নচিংব সাধন) অদুদগী, সৎসঙ্গদগী অমসুং সৎ-শাস্ত্রশিংগী স্বাধ্যায়দগী শুদ্ধ ওইরব অমদি থৌহল্লব মশাগী বুদ্ধিন মরম ওইদুন মহাক অদুন মশামক্ত মশাগী আত্মাবু উদ্ধার তৌরিব মদুমক পুমথোই থোইব স্বার্থ মশাগী কান্নবগী সিদ্ধিনি। বিদ্বানশিংন অরোইব লৈতব, সমতা ওইব পরমানন্দন মপুং ফারব পরমার্থ বস্তু (পরব্রহ্ম)বু খঙই, অদুগুম্ব পাম্বৈ সাধনশিংন মদুবু ফংব ওইব মদু নিত্য নিরন্তর সেবন (অভ্যাস)তৌদুন লৈগদবনি। সাধনশিং অদুদি শাস্ত্রশিংগী স্বাধ্যায় (চাংনাইন নৈনব) অমসুং সৎসঙ্গনচিংব, কনাগুম্ব মহাক অদুন হোৎন কন্ন। আত্ম-কল্যানগী সাধন্দ লুপ্তুন লৌরিব মহাক্ত মাগী পুরুষার্থমতুংগী মখুত্ত পায়দুন লৈব হৈগরুগী মতৌগুম্ন অপাম্ব মহৈদু প্রত্যক্ষ ওইন উগনি। কনাগুম্বন প্রত্যক্ষ পুরুষার্থবু থাদোক্লগ দৈবগী মশক ওইব মোহদ লুপ্তুন লৌরিব মহাক মুঢ়নি।

মরম অসিন শুভাশয় শ্রীরাম - নশাগী অকংব কল্পনাগী পাঙ্গলদগী পোকপ মিথ্যা ওইব অমদি মপুং ফাব কারণ অমসুং কার্য য়াওদব দৈবগী মাইকৈদ তোংব থাদোক্লগ আত্মকল্যানগীদমক্ত নশাগী অথোইব পুরুষার্থদ লেপ্পু। শাস্ত্র

শিংন মরম ওইদুন অমদি মহাপুরুষশিংগী সদাচারদগী শন্দোকপ ওইরিব মখল মখাগী দেশ ধর্মশিংন শৌগাৎলিব অদুগুম্ব পরমার্থ ফংবগী মশক ওইব থোইদোক হেন্দোক্ল ফাওরব ফল (মহৈ)নি। মদুদু ফংনবগীদমক্ত থম্মোইদ অকনব অনীংব অভিলাষা ওইরবদ মদু ফংনবগীদমক্ত চিত্তদ স্পন্দন (নিকপ নোম্ব) নম্রগ চেষ্টা ওইব। মদুগী মতুংদ ইন্দ্রিশিং অমদি থোং-খুৎনচিংব কায়াৎশিংদ ক্রিয়া (থবক তৌব) ওইব- মসিন মরম ওইদুন শ্রবন মনন্নচিংব অমদি য়ম-নিয়ম্নচিংব সাধনশিং তৌব অসিমকপু উত্তম পুরুষার্থ কৌনৈ। অধিকারী পুরুষকী মপোকতি পুরুষার্থ সিদ্ধ ওইরবতদ মহৈ য়ানব ওই। নম্রবদি ওইদে- অসুম্ন খঙদুন মতম পুম্বদ আত্মকল্যানগী হোৎনবদ পুক্নিং লুপ্তুন লৈগদব ওই। মদুগী মতুংদ সাধনগী বিষয় ওইব তৎপরতা (পুক্নিং লুপশিনব) অদুবু সৎশাস্ত্রশিংগী অভ্যাস অমদি সন্ত-মহাত্মাশিং অমসুং জ্ঞানী পুরুষশিংগী সেবন ন মরম ওইদুন আত্মজ্ঞানগী মশক ওইব মহৈ ফংবদ মহৈ য়ানব ওইগদবনি। আত্মকল্যানগী বিষয়দ করিগুম্ব পরম পুরুষার্থগী চংজফম লৌরবদি মহাক্ল শোইদনমক দৈব (লাইবকপু) জয় তৌরে, খাখল অসি থমদুন দৈব অমসুং পৌরুষকী অকন-কন্দগী বিচার তৌবন মরম ওইদুন থোইন ফজরব ওইরকই অমদি মদুদ শম,দমনচিংব সাধনসু য়াওরে অমদি অথোইব পুরুষশিংগী সেবাদগী মথোয়দুগী অন্তকরণ মতম পুম্বদ ভাবি-ভাবশিং পুদুন লৈরব) ওইদুন লৈ, অসিগুম্ব অধিকারী পুরুষশিংন তত্ত্বজ্ঞান ফংনবগীদমক্ত শোইদন (উদ্যম) হোৎনগদব ওই। মপোক অসিদ পাংথোকপ য়াব (সম্পাদন)স্বাভাবিক প্রযত্নতন পরম পুরুষার্থগী সিদ্ধিগী হেতু মরমনি। অসুম্ন অরেম্প মওংদ খঙলগ অধিকারী জীব অসিন, মতম পুম্বদ অপেনব অমদি অথোইব জ্ঞানীজনশিংগী সেবা ওইব পাপ পক্কব থুম্লব অমসুং খ্বাইদগী থোইব হিদাক্ল পোকপ শিবগী পরম পরাগী মওং ওইব ভবরোগ (সংসারগী লাইনা)বু শান্ত ওইহনগদব ওই। (সর্গ - ৬)

~o0o~

যুক্তি কয়ান দৈবগী অশোনব অমসুং পুরুষার্থগী অথোইবদ সমর্থন।

কনাগুম্বা মীন উদ্যোগপু থাদোক্লগ সুপ্পগী দৈবদ তোংদুন ফম্দোক্লগ লৈনৈ অতনব মীশিংদু মশামক্ল মশাগী য়েক্লবনি। মখোয় মশাগী ধর্ম, অর্থ, কাম অমসুং মোক্ষ -পুরুষার্থ মরিমকপু মাংহল্লবনি। বুদ্ধি, মন অমসুং কর্মেন্দ্রিয়শিংন মরম ওইদুন তৌরিব চেষ্টাশিং (হোৎনব) পৌরুষকী মশক্তি। মখোয়শিংসিদগী অনিংব অপাম্ব মহৈ ফংলিবনি। সাক্ষী চেতন্দ অহানবদ অদুগুম্ব বিষয়গী অনুভূতি ওইব, পুরিংন মদুমকুম্ব চেষ্টা তৌই (হোৎনৈ)। পুরিংগী ব্যাপাব থৌরমগী মতুং ইন্ন হকচাং চৎলি। হকচাংগী ওইব ক্রিয়াশিং ওই। লোক অসিদ মফম মফমদ অদু অদুগুম্ব পুরুষার্থগী তঙাই ফদব ওইব, মফম মফম অদুদ অদু অদুগুম্বমক নুপা খোকপ পৌরুষকী শিজিন্নবদগী মদুগী মতিক চাব মওংগী লৌকিক নত্রগ বৈদিকী ফল ফংব সিদ্ধি ওই। পুরুষার্থতন বৃহস্পতিন দেবতাশিংগী গুরু ওইরকখি।অমসুং পুরুষার্থদগী শুক্রাচার্যন দৈত্যশিংগী গুরুপদ ফংখি। মখল কযাগী অঙকপ ওইব বৈভবশিংগী তুংনফম মপুং ওইরিবশিং অমসুং বৈভব ভোগগী মিংযেংদ অচৌব অথোইব মীনি খন্নবশিং অসিগুম্ব মীসু মাগী দোষন তিল্লব পৌরুষ (পাপকী লমচৎ) অদু তদগী নরকশিংগী অতিথি ওইর্নখি অরাব থাক্তগী লৈখা তানখি। লন থুমগী খুদো চাব সমশদ লীশিং লীশিং [illegible] চাদব বি[illegible]তি লীশিং লীশিংন থল্লব মখল কযাগী অনুকূল প্রতিকূল শৈগৎপ অমসুং থুগাইব দশাশিংদ তাদুন লৈবিব মখল কয়াগী জাতিশিংগী থরাই পানব প্রাণীন মশাগী রুপুষার্থ খত্তন্দগী মদুবু লাম্বেক্তুন মঙ্গল কল্যানগী লম্বীদ চংশিন্নরুকপ ওই। শাস্ত্রগী অভ্যাস গুরুগী উপদেশ অমসুং মশাগী হোৎনব (প্রযত্ন) অহুম অসিথত্তদগী মফম পুম্বদ পুরুষার্থগী সিদ্ধি ওইব উনরি। য়াইফব পামলিব মীন ফত্তব থবক্ত চংশিনব পুরিংবু মদুদগী লৌথোক্লগ হোৎনবগ লোইনন অফব কর্ম খত্তন্দ হাপকদবনি। মসি শাস্ত্র পুম্নমকী মচি ওইব খোমজিল্লবনি। অদুগুম্ব পোত্তু

মঙ্গলগী মশক ওইব, মদু খ্বাইদগী থোইব ওইব অমদি মদুগী করিগুম্বদসু অমাংব লৈত্রব মদুদ য়াম্ন চেকশিন্ন চত্থগদবনি। মসি গুরুজন পুম্নমক্না পীব উপদেশনি। নুপা থোক্ত শোংনবতন পাম্লিব পোৎ ফংব ওই। পৌরুষতন লৌশিং চাওবশিংগী মঙ্গলগী লম্বীদ খুমাং চাওশিনব ওই। লাইন তম্ব দৈবদি অব্রা-ইপাক্ত লুপশিল্লব থোৎলব অমদি অশোনব পুক্লিংগী মীওইশিংগীদমক্ত থেম্ব তপথব পীনবথক্তনি। ভাইবংদ প্রত্যক্ষনচিংব প্রমান্ন মরম ওইদুন মীওইবগী হোৎনবন মতম পুম্বদ মাই পাকপ ওইব উনরি। মী ন মাগী পৌরুষ খক্তদগী দেশ কয়া লান্ন চংথোক চংশিন তৌরি। অথোইব বুদ্ধি লৈব মীন নুপা থোকপতন লাম্বোকপদ অরুব, অকিব ফংলব খুদোংথিবশিংদগী ইরাই লাইন লাম্বোকরি। মসিদ কনাগুম্বন কান্নদব দৈবগী ক্রমণা তৌরিব, মদুদ তোংলগ মথোয়ন খুদোংথিবশিংদগী লাম্বোকপ ওইদে। কনাগুম্বন অদুক্কী মতিক হোৎনরীব মান মদুমক্কী চপচাব ফল ফংব ওই। জগত আসিদ ভুমিন্ন ফমদোক্তুন লৈব কনাগুম্ব মী অমত্তনসু অপাম্ব ফল ফংব খক ওইদে। শ্রীরাম শুভ পুরুষার্থদগী শুভ ফল ফংই। অমসুং অশুভ পুরুষার্থদগী অশুভ ফল। মরম অসিন নংগী করম্ব পাম্বনো, মদুগুম্ন তৌ। নশাগী খ্বাইদগী হেন্ন পামজব পোৎপু ফংননব অমত্ত ঙাইরব থবক্তি হোৎনবদ লুপ্পনি মদুবু বিদ্বান পুকমশিংন পৌরুষ কৌনৈ। লুপ্ন চংশিনব তৎপরতা অদুতদগী পুম্নমক ফংব ওই। নশাগী নখোঙন মফম অমদগী মফম অমদ চৎপ, খুৎন করিগুম্ব পোৎপু লৌব,পুব অমদি অতোপ অতোপ্প কয়াৎশিংন মদুগী মতুংইনব থবক্ত চংশিনব পুম্নমক অসি পুরুষার্থ খক্তদগী ওইথোকই, লাইন তম্ব দৈবদগী ওইদে। অরেম্বদ কান্নদব থবক্ত হোৎনদুন লৈবদ লুপ্লীব মথোয়দুবু বিদ্বান লোকশিংন অঙাওবগী মহোৎননি তাকই। মদুদগী অফব ফল করিগুম্ব অমত্ত ফংদে,তৌযম থোকপ ইথৌ কর্তব্য পানলগীদমক্ত অদুগুম্ব হকচাংগীচিংবন থবক চত্থব মদুমক মাগী ধর্মনি, ক্রিয়া অদুদগী সৎসঙ্গদগী অমসুং সৎশাস্ত্রশিংগী স্বাধ্যাযদগী শেংলব অমসুং থৌহল্লব মশাগী বুদ্ধিন মশামকপু লাম্বোকচরিব মদু খ্বাইদগী থোইরব পরম পুরুষার্থগী

সিদ্ধিনি। বিদ্বানশিং অরোই অথম লৈতব অনন্ত সমতাগী মশক, পরমানন্দ মপুং ফারব মাগী অরোইব অথোইব যংনফম ওইব অর্থ (পরব্রহ্ম পরমাত্মা)বু খংনৈ। অদুগুম্ব পাঙ্গে সাধন অদুন মাবু হংব ওইরিব মদুমকপু শরং-তথম লৈতন সেবন তৌগদব ওই, সাধনশিং অদুদি শাস্ত্রশিংগী স্বাদ্যায় অমসুং সৎসঙ্গনচিংবনি। শবং খৃতুগী মতমদ পুখ্রি অমসুং থম্বাল অমন অমগী ফজব নিংথিজব তেংনহনবগুম সদবুদ্ধিন সৎ-শাস্ত্রশিংগী অভ্যাস অমসুং সৎসঙ্গগী মশক ওইব গুণ চাওখৎপ ওই অর্মাদি সৎশাস্ত্রশিংগী স্বাধ্যায় অমসুং সৎসঙ্গগী মশক ওইব গুন্দগী সৎবুদ্ধিবু চাওখৎপ ওই। মতম কুইনা অভ্যাস তৌরকপদগী অনিমক অসি অমান অমগী চাওখৎহনব অমসুং যোকখৎপ ওইনৈ। অঙাং ওইবিরৈদগী তৌনা পুং অভ্যাস তৌরকপদগী শাস্ত্র অমসুং সৎসঙ্গনচিংব গুণশিংদ নুপাথো শগ পৌরুষন মবম ওইদুন মশাগী কান্নব ওইবা প্রার্থ সিদ্ধি ওই।

(সর্গ- ৭)

-o()o-

পুরুষার্থদ অহেনব পাঙ্গল হাপ্পুন দৈবগী মশক নৈনব অমদি অফব বাসনান তিনব ওইদুন সৎকর্ম তৌনব থৌইনশিন।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - শ্রীরাম শেংন অমুক্তদি হায় লোক অসিদ লাংথোক্তা শুবনীব। পবাক্রমী, বুদ্ধিমান অর্মাদি পাণ্ডবশিং লৈখিবা মখোযনা করম্ব (লাইন ওম্ব লাইবক্র তম্ব) দৈববু ঙাইখিবগে? অসিগুম্ব মহামুনি বিশ্বামিত্রন দৈববু লাপ্ন হুন্দোক্লগ পৌরুষতদগী ব্রাহ্মণ ওইবগী থাব ফংখি অতোপ্প অতৈ সাধন্ন নত্তে। ঐখোযন অর্মাদি অতোপ অতোপ্প মীশিংন মখোয অদুন মতম অসিদ মুনি পদবীবু ফংলিব , মতম চংন তৌরকপ পৌরুষখক্তদগী আকাশত মনীং তম্ন চৎপ (বিচরণ)গী শক্তি ফংখিবনি। হিরণ্যকশিপুনচিংব দানবেন্দ্রশিংন নিপা থোকপ

প্রয়ত্ন খক্তদগী লাইগী কাংলুপশিংবু লাপ্ল তাম্বোক্তনমরোল অহুমগী সাম্রাজ্য ফংখিবনি। অমুক ইন্দ্রনচিংব দেবেশ্বরশিংন নুপা খোকপ মহোৎনথক্তদগী য়েক্লবগী সেনাবু শেনখায়দুন অমদি শোগ্নহল্লগ দানবশিংদগী নমদুন পাক চাওরব জগত অসিগী রাজ্যবু মুন্দুন পানখি।

শ্রীরাম হংখি - ভগবন! নহাক্তি ধর্ম পুম্বগী অখণ্ডব জ্ঞাতানি । ব্রহ্মণ! সংসার অসিদ অচৌব অখোইব পদবু ফংনখ্রিব, দৈব (লাইবক নত্তগ লাইন তম্ব) অদু করিনো? করিবু দৈব কৌনবগে মসি তাকপীয়ু।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - রঘুনন্দন! শোইদন ওইরগদব মহৈন চংখোল্লব ওইব পুরুষার্থন মরম ওইদুন ফংলকপ ফলদুগী অফব অমসুং ফত্তব ভোগ মদুমকপু "দৈব" হায়েন কৌনবনি নত্তগ নুপাখোক্ল হোৎনব পৌরুষন মরম ওইদুন অপাম্ব অমসুং পামদব কর্মগী অদুগুম্ব নুঙাইব অমসুং নুঙাইতব মহৈ ফংব মদুবু "দৈব" হায়ন লিংখোনবনি। অমও ভাইরব পুরুষার্থদগী ফংগদব ওইব অদুগুম্ব শোইদন ফংলরগদব মহৈ, ফল, মদুমক মীওইবগী কাংলুপ্ন "দৈব" হায়েন লৈখোনবনি। পাংখোকপ্রব পুরুষার্থগী অফব অমসুং ফত্তব ফলন ফাওরক্লবদ কনাগুম্বন হায়নৈ মদুদি মসি মওং অসিদ ফংগদব ওইরম্মী মসিমক ওইরগদবনি মসিবু "দৈব" কৌনৈ। কর্ম ফলন ফংব ওইরবদ কনাগুম্বন অসি হায় মদুদি অসুম্নমক ঐগী হাখল ওইখিব, অসুম্ন ঐন ওইগনি লেপখিব, মসিগী মমিং "দৈব"নি। অপাম্ব অমসুং পামদব ফল ফংলবদ কনাগুম্বন থেমথবগী মওং খক্তগীদমক্ত মসি হায়বনি মদুদি ঐগী মমাংগী (নহালমুক্কী) কর্ম মত্তন অসুম্ন ওইরবনি, অসিগুম্ব মখলগী ভাবনাবু ফোংদোকপগী হায়েমক "দৈব" কৌনবনি।

শ্রীরাম মীওইবশিংগী পুক্লিংদ অহানবদ মখল কয়াগী বাসনাশিং লৈখিব মদুমক মতম অসিদ হকচাংন, হাঙাংন কর্মগী মশক ওম্বোরকখি। জীবদ অদুগুম্ব মখলগী বাসনা ওইরিব মদু থুনমক মদুমক্তম্ন কর্ম তৌই। পুক্লিংদ বাসনা অতোপ্প ওইরব অমসুং মহাক্ল কর্মদু অতোপ্প মওংদ তৌব মসি ওইথোক্তে। মহাক অদুন খুঙ্গংদ চংনবগী ইচ্ছা তৌই মহাক খুঙ্গংদ অমসুং সহরদ চংপ পাম্ব মদুন সহর

য়ৌই। অদু অদুগুম্বা মীনা অদু অদুগুম্ব বাসনান তিনব ওই মতাক মহাক্তু অদু অদুগুম্বগী দমক্ত মতম পুম্বদ হোৎনৈ। মমাংগী মপোকক্ত ফলগী অকনব অপাম্ব ওইবদগী অদুগুম্বা কর্মদ অকনব প্রয়ত্নন মরম ওইদুন তৌখিব, মদুমক মফম অসিদ "দৈব" (লাইবক নত্রগা লাইন তম্ব)ৰাহৈন হায়নবতনি নাহল অমুক মপোক্কী কর্ম অদুগী অর্থ মাল্লব ৱাহৈ দ "দৈব" নি। কর্ম তৌবশিংগী কর্ম পুন্নমক রীতি (নিয়ম) অসিদ চৎলি। নশাগী প্রবল বাসনা অকনব অপাম্বমক কর্মনি। ৱাসনা পুক্লিংদগী খেন্নব তোঙানব নত্তে অমসুং পুক্লিংমক মীনি হায়বদি মীন তৌগে নীংব (সংকল্প) তৌবদ মহাক পুরুষ রূপ মীগী মওংমক ওইখিবনি। পুক্লিংনচিংব ভাবপু ফংলক্রব থৱাই পানব প্রাণী অসিমক্ত মশাগী ফনকগীদমক্ত অদু অদুগুম্ব হোৎনববু তৌই দৈব কৌদুন খঙনব মাগী অদুগুম্ব কর্ম অদুগীমক মহাক্ত মদুগী মতুংইনব মওং ওইব (তদনুরূপ) মহৈ ফল ফংই। শ্রীরাম! মন,চিত্ত, বাসনা, কর্ম, দৈব অমসুং তৌগে লেম্প -পুন্নমক অসি অরুব ওইন খঙবদ ঙমলক্লিব পুক্লিংগী (পুক্লিং ওইব মতৌবু ফংলব মীগী) সংজ্ঞাশিংনি অসুম্ন সৎপুরুষশিংন হায়।

শ্রীরাম! মতৌ অসুম্ন মথক্ত হায়খ্রিব সংজ্ঞাশিং (মমিংশিং)বু ধারণ (পুরিব) তৌরিব মীন মাগী চেৎন লৈখ্রব বাসনা ন মরম ওইদুন নুতি খুদিং অদুম্ন হোৎনরকপ মদুগী মতুংইন্নমক মান মতিক চাব মহৈ ফলবু ফংই।

"রঘুনন্দন! মতৌ অসুম্ন পৌরুষ নুপা থোকপদগী মীওইব জগত অসিদ পুন্নমকপু ফংব ঙম্মী। লাইন লম্রগ লাইবক্ত তম্ব দৈবদগী নত্তে। মরম অসিন পুরুষার্থ অদুন ঐথোয়গীদমক্ত অফব ফল পীগাদব ওইব মদুবু নহাক্ত নশাগী হোৎনব পরম পুরুষার্থমক্ত মতম পুম্বদ লৈরগাদব পরম কল্যানবু ফংব ওইগনি" অতোম্পনদি ওইদে। শ্রুতিদ অদুগুম্ব জ্ঞানখক্তগী মশক ওইব চৈতন্য মাত্র স্বরূপ প্রাজ্ঞ পুরুষ হায়ন তাকখ্রিব মদুমক নংনি জড় ওইব হকচাং অসি নত্তে। নহাক মথন্ত ঙাঞ্জব স্বয়ং প্রকাশ রূপ চেতননি। অতোম্প চেতন্দগী ঙাম্ভোকপ ওইবগী মতিক ওইব নঙোন্দ লৈতে। করিগুম্ব নঙোন্দ অতোম্প করিগুম্ব চেতন অমদগী ঙাম্ভোকপনি অসুম্ন লৌব তারবদি অমুক মাবুদি অতোম্প করম্ব করম্বন ঙাম্ভোকহনবনো ৱাহং অসি

লাক্কনি। করিগুম্ব মাবুসু করিগুম্ব অতোপ্প চেতনন ঙাম্বোকহনব ওইরবদি অমুক মাবু কনান ঙাম্বোকহনব তৌগনি। মতৌ অসুম্ন অনবস্থা দোষ (অরেপ্প লৈতবগী দোষ) ফংগনি অদুগুম্ব পোত্তুগী সাধক লৈতে। মরম অসিন মীওইবন তৌগদবদি মহাক্ন অফব অমসুং ফত্তব লম্বীশিংদ চেম্বরিব বাসনাগী মশক ওইব তুরেলবু নুপা থোকপগী মতিক চাব হোংনবন মরম ওইদুন ফত্তব লম্বীদগী হন্দোরক্লগ অফব লম্বীখক্তদ চংশিনবনি।

মীওইবগী চিত্ত অঙাং মচাগী মতৌগুম্ন চঞ্চল ওই, মদু ফত্তব লম্বী (পাপ)দগী হন্দোকহল্লবদি অফব লম্বীদ চংলি অমসুং করিগুম্ব অফব লম্বীদগী হন্দোক্লবদি ফত্তব লম্বীদ চংলকই। মরম অসিন মদুবু নমদুন পাপ মার্গদগী হন্দোকহল্লগ পুন্যগী লম্বীদ চংহনগদবনি। মতৌ অসুম্ন মীওইবগীদমক্ত মতিক চাবনি মদুদি মহাক্ন মথক্কী মথং মনাও নিয়ম অসিদ চিত্তগী মশক ওইব অঙাংমচাবু পাম্বদনমক সমতাগী মশক ওইব (সান্ত্বনা) তপথহনব পীদুন নুপাথোকপগী মতিক চাব প্রয়ত্নন মরম ওইদুন তপ্ন তপ্ন আত্মস্বরুপ্ত হাপকদবনি নম্ফুদ অমুক্ত ওইন মাবু নিরোধ (থিংব) তৌরোইদবনি। মসিমক মাবু য়োকপী থাকপীব কৌই। সংসার অসিদ মীওইবন অদু অদুগুম্ব বিষয়গী অভ্যাস তৌরিব, চিংনব লৈতন মদুমক্ত পুক্লিং লুপাশিনব (তন্ময়তা)ওইরকই। ব্রাফম অসি অঙাংশিংদগী হৌরগ চাওর চাওরব বিদ্বানশিং ফাওবন উনখ্রবনি। মরম অসিন শ্রীরাম! মহাক্ন পরম কল্যান ফংনবগীদমক্ত খ্বাইদগী থোইদ পুরুষার্থদ চংজফম লৌ, ইন্দ্রি মঙাবু লাকশিন্দুন মফম অদুদ অফব বাসনাতন তিনব ওইরো। মহাক্ন পুংথোই থোইদ পুরুষার্থ সেবা তৌম্নিব হেন্দোক থোইদোক্ন ফজরব অফব শুভ বাসনাগী ভুংইন্ন চত্তুন পুক্লিং নুঙাইব্রব ভাবন তিল্লব বুদ্ধিদগী পরম পুরুষার্থন মরম ওইদুন অক্লাব শুকলৈ লৈত্রব মফম (পদ)বু ফংলো। অদুগী মতুংদ শুভ বাসনা অদুবুসু থাদোক্লগ পরব্রহ্ম পরমাত্মাদ য়াম্ন ফজন তুংদুন লৈব ওইরো। (সর্গ - ৮-৯)

~oOo~

শ্রীবসিষ্ঠন ব্রহ্মা অমসুং মশা পোকপগী বর্ণন,জ্ঞান ফংবগী শন্দোকপ, শ্রীরামগী বৈরাগ্যগী প্রশংসা, বক্তা অমসুং ম্রাহং হংলিব মীগী লক্ষণনচিংব থোইদোকপ মওংদ শীংথাব।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - মতম পুম্বদ নিত্য, সমতাগী মনাক্ত লৈব সচ্চিদানন্দগী মশক ওইব ব্রহ্মতত্ত্ব অদুদ সম্বন্ধ ওইব সত্তা (অরৈব)বু নিয়তি (লাইবক destiny) কৌনৈ। মদু নিযন্তা (লৈঙাক মপু)গী লাকশিনবগী শক্তিনি অমদি লাকশিন্দুন খুদুমদ লৌবিব পোৎশিংদ অদুগুম্ব লাকশিল্লিব খুদুমদ চন্নবগী মতিক চাব (যোগ্যতা) লৈবিব মদুসু সত্তামরি।

শৌভিক ঐন গাচিংন পল্লং সংহিতা খোমজিন্নব ঋষ্য়ৗগী বর্ণন তৌশে .. ইহলোক অমাদ পরলোক্কী শদ্ধিশীদমক্ত পুকম্নাগগ। মশক ওইব ফং শীনবিব অমসুং মোক্ষগী উপায ওইব সাধনাশিংন থল্লব। মসি নহাক্ক চেকশিন্ন পুক্লিং লুপ্ন শ্রবণ তৌরো।

লিবব মতমগী ৱানি। লৈশেম (সৃষ্টি)গী অহানবদ পরমেষ্ঠী(Almighty) ব্রহ্মান মোক্ষ কথা অসি বর্ণন তৌখিবনি। মসি অৱাব পুন্নমকপু মাংহনব অমসুং বুদ্ধিবু পরম শান্তি পীঙম্বনি। বিবেক লৈরব মী পুন্নমক্ক লোইনন মোক্ষ কথা (অরান খুভম ওইব) অসিবু তারগ নহাক অদুগুম্ব সচ্চিদানন্দগী মশক ওইব পরম পদবু ফংলগনি। মফম অদু য়ৌপ্রবদ অমুক হন্ন মাঙবগী অকিব খক লৈত্রব।

শ্রীরাম হংলম্মী - ব্রহ্মণ! মমাঙ্গেগী মতমদুদ ব্রহ্মাজীন করিগীদমক্ত ৱারি অসিবু বর্ণন তৌখিবনো? অমসুং নহাক্ক মসিবু ফংব করম্ন ওইরকই? প্রভো! ৱারম অদু ঐঙোন্দ খংহনবীযু।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - শ্রীরাম পরব্রহ্ম পরমাত্মা পুন্নমক শিম্বুংন চংদুন লৈব পুন্নমক্কী তুংনফম ওইব, নিত্য চেতন মতম পুম্বদ খঙব ওইদুন লৈব, অমাং অতা খক নাইদব অবিনাশী, থৱাই পানব পুম্নমক্ত ফোংদোকপ ঙাম্মোকপ ওইন লৈরিব অমসুং লোইনাইদ্রব বিলাসশিং হরাও নুঙাই ফোংদোক্তুন শান্নবগী অমক্ত ঙাইরব

অধিষ্ঠান (তুংনকম হৌফম)নি। প্রকৃতিগী সাম্যবস্থা অমদি বিষমবস্থাদসু মহাক মওং কাইব তৌদনা নির্বিকারগী মশক্ত অদমু নৈ। পরমাত্মা অসিদগী বিষ্ণুগী প্রাকত্য ওইরকখি অসুন্নমক মদুদি লোংদন লৈরিব ঈশিংন মপুং ফান থল্লীব সাগরদগী ইথক পোক্লককপগুম। বিষ্ণু অদুগী থম্মোই থম্বালদগী ব্রহ্মা ফোংদোরকখি মহাক অদুদি বেদ অমসুং বেদার্থগী তত্ত্বজ্ঞানি। মহাক্ত দেবতাশিং অমসুং মুনিশিংগী কাংলুপ (সমুদায়শিং)ন তিল্লব ওইদুন মথল মখা কয়াগী ওইব বিকল্পশিংগী সৃষ্টি তৌব পুক্রিংগী মতৌগুম্ব মথল মথাগী সৃষ্টি- রচনা তৌখি। জম্বুদ্বীপকী শরুক অসিদ মদুবু ভারতবর্ষ হায়ন খঙনরিব অসিদ ব্রহ্মান শেমখিব প্রাণী কাংলুপশিং আধি-ব্যাধিন তিনব, মাংব তোংকগী মৈশা লাংলব অমসুং পোকপ শিব নাইব ওইরম্মী। প্রাণীশিংগী লৈশেম অসিদ মীওইব কাংলুপ পুন্নমক্র মথল কয়াগী খুদোংথিবদগী পোকপ অব্বাবশিংন ওৎপিরববু উরুবদ লোক পুম্ববু শো..বে ভগবান ব্রহ্মাগী থম্মোইদ মতৌ অসুম্ন থৌজালন পেল্লব ওইখি মদুদি মচান ব্রাববু উরগ মপাদ দয়া খোঁঙ্গাল লাকপগুম। অদুদগী মহাক্র মথোয়গী কল্যানগীদমক্ত মিকুপ খর একাগ্র চিত্ত ওইদুন অসুন্ন বিচার তৌরম্মী। আশা লৈতন ব্রারব অমদি পুন্সি তেল্লব জীবশিংসিগী অব্বাব অসি কোকপ মতৌ করম্ন ওইগনি অসুন্ন বিচার তৌরদুন সামর্থ্যশালী ভগবান ব্রহ্মা মশামক্র মথোয়গী অব্বাব মাংহন্নবগীদমক্ত তপ, ধর্ম, সত্য অমসুং থীর্থ সেবন নচিংব সাধনশিং শেমখি। মথোয়শিং পোক্লগ লৈশেম মপু ব্রহ্মান অমুক মশামক্র বিচার তৌরম্মী মদুদি সাধনশিং অসিনদি মীশিংগী সংসারিক অব্বাবগী মরু ফুক্র মাংহনব ওইবদি য়ারোই তৌইগুম্বসুং পরম নির্বাণগী মশক ওইব মোক্ষতন পরম সুখনি, মসিবু ফংলবদ জীবন জন্ম-মৃত্যুগী চক্রদগী লানথোকই, মোক্ষ অদুদি জ্ঞান খক্তদগী ওই। মরম অসিন জীবগীদমক্ত সংসার সাগরদগী লাম্ব্রোক্রনব অমত্ত ওইরব উপাই পাম্বেদি সুপ্নগী জ্ঞান খক্তনি। তপ,দান অমসুং তীর্থ কোইবনচিংবদি ভব-তরণ সংসার লাম্ব্রোক্রবগী ইতিং তিংব অশম্ব লম্বীনি হায়ব য়াদে। মরম অসিন আশা উপায় লৈত্রব মীওই কাংলুপশিংগী অব্বাব মাংহন্নবগীদমক্ত সংসারদগী উদ্ধার লাম্ব্রোকপ ফংনবগী অনৌব পাম্বে অম থিন্দমক পুথোক্রগে।

অসুম্ন বিচার তৌরদুন থম্বালথক্ত ঙাখোইরিব ভগবান ব্রহ্মান মশাগী মানসিক সংকল্পদগী (পুক্লিংগী ওইংগে নীংবদগী) নংগী নমাংদ ফমদুন লৈরিব ঐবু পোকখি। হে পাপ পক্তব শ্রীরাম। মদুদি ঈথক অমদগী খুদক্ত অতোম্প ইথক অম ফোংদোরকপ মতৌ অদুমক্কুম্ন এসু অনির্বচনীয় মায়াদগী পোক্রকই অমসুং অদুদগী থিন্দনমক ঐগী অদুগুম্ব পিতৃদেবগী মনাঙ্ক য়ৌশিল্লমই। মাগী মখুত্ত কমণ্ডলু অমসুং রুদ্রাক্ষগী মালান লৈতেংদুন লৈরম্মী। ঐন নোল্লুপকগ লোইনন মাবু খুরুমজরম্মী। মতম অদুদ ঐসু কমণ্ডলু অমসুং রুদ্রাক্ষগী মালা লোইনরম্মী। মতমদুদ "ইচা ইবুঙ্গো! অসিদ চংলকউ" ঐঙোন্দ অসুম্ন হায়দুন মাগী আসন ওইরিব থম্বালগী মথক্কী লৈনাদ অঙৌব লৈচিন্দ ফল্লিব থাগ' মতৌগুম্ন ঐবু মাগী খুৎন পায়দুন চিংশিল্লগ ফমহল্লম্মী। অদুদগী শজী মউম্ন মাগী পরিধান ওইব শজি মউন থোনব ঐগী ইপা ইবুঙো ব্রহ্মান ঐঙোন্দ হায় - ইচা ইবুঙো! থাদ শিদ্র চংব মাইহিং কাব মতৌ অদুগুম্ন য়োংগ মান্নন চঞ্চল ওইব অজ্ঞানন মতম খরদংগীদমক্ত নংগী পুক্লিং চিত্তদ চংব ওইরসনু। অসুম্ন ইপান অভিসাপ তৌরব ঐ মাগী সংকল্পগী মতুংদ অশেংব ঈশাগী শক্তম স্বরূপ পুম্নমক কাওথোকখ্রে। অদুদগীদি ঐগী বুদ্ধি তত্ত্বজ্ঞান য়াওদব ওইখ্রে অমসুং ঐ অৱা-অনাগী মৈচাক ফংদুন অতোনব ফিভম ওইখরে। মতম অদুদ ঐসি য়াম্ন অৱাবগী ৱা ওইখ্রে। সংসার কৌব দোষ অসি ঐঙোন্দ কদায়দগী চংলক্কুন ফংলিব? অসুম্ন থম্মোইদ বিচার তৌরগ তুমিম্ন ফমদুন লৈরম্মী। ঐগী ফিভম অদু উদুন ঐগী ইপান ঐঙোন্দ হায় - ইচা! নং করিগী ৱাদুন লৈরিবনো? নংগী অৱাব অসি মাংহন্নব উপায় ঐঙোন্দ হংউ। মদু থংলগ নং নিত্য পরমাত্মাবু ফংলগনি। মদুদগী ঐন মঙোন্দ হংলম্মী - "হে মপু! অসুক্কী মতিক য়াম্ন অৱাবগী মশক ওইব সংসার জীব ওইব মতৌ ঐঙোন্দ কদায়দগী ফংলিবনো? অমসুং মসি কোকহনব কমদৌন ওইগদগে?" ঐন অসুম্ন ৱাহং হংলবদ ঐঙোন্দ অসিগুম্ব জ্ঞান্ন মরাং কাইরব পাওতাক উপদেশ পিখিব অদুগুম্ব পরম পাবন জ্ঞানবু ফংলবদ পিতাজীগী অভিপ্রায় - পাল্লিব ভাব

অদুগী মওং মতুংইন্ন (অনুরুপ) য়াম্ন হেন্ন জান্ন তিল্লব ওইরে। মতৌ অসুম্ন ঐন খঙগদব (জ্ঞাতব্য)তম্ববু খঙব ওইরে অমসুং ঐ ইশাগী প্রকৃতিদ লেংন্নব ওইরব মতম অদুদ জগত শেম্ব অমদি পুন্নমকী পোক্রকপগী কারণ স্বরুপ অমসুং পাওতাক পীব ব্রহ্মান ঐঙোন্দ হায় - পুত্র! ঐন অহানব ওইন শাপ তৌদুন জ্ঞান য়াওদব ওইহল্লগা অমুক হন্ন মতিক চারব অধিকারী জীবশিংগী জ্ঞান সিদ্ধিগীদমক্ত মচিগী মশক ওইব জ্ঞানগী ঈথৌ লাংব অসিবু ওইহনবনি। হৌজিক নংগী শাপ কোকখ্রে অমসুং নঙোন্দ খ্বাইদগী থোইব জ্ঞানবু ফংব ওইরে। অদুন মরম ওইদুন নংন ঐমক্ত মান্নব অনিশুব লৈতব আত্মস্বরুপ ওইরবনি। সাখো!হৌজিক নহাক প্রাণীশিংবু অনুগ্রহ থৌজাল তৌরিরুনবগীদমক্ত ভূলোক্ত জম্বুদ্বীপকী ময়াই থংব শরুক্ত লৈরিব ভারতবর্ষদ চৎলো। অতোম্পগী কান্নব তৌবদ লুপ্লীব ইচা নুপা! নংদি য়াম্ন চাওব বুদ্ধিমাননি। মরম অসিন মফম অদুদ অদুগুম্ব মীশিংদুন কর্মকাণ্ডবু পামদুন তৌরিব মখোয়দ কর্মকাণ্ডগী ক্রম মথং মনাওগী শিক্ষা পীব অমসুং অদুগুম্ব মীশিং অদুন বিবেকশীল, বিরক্ত চিত্ত অমদি মহাবুদ্ধিমান ওইব মখোয় অদুদ পরমানন্দ পীনবগী মশক ওইরব জ্ঞানগী উপদেশ তৌরুগদবনি।

রঘুকুল ভূষণ রাম! মতৌ অসুম্ন ঐন ঐগী পিতা ব্রহ্মাজীন খনবীদুন (নিয়ুক্ত) লোক অসিদ নিবাস তৌদুন লৈরিবনি।অমসুং সৃষ্টি পরমপরা অসিন লৈরিব মতম অদু ফাওব মসিদ লৈগনি। মতৌ অদুগুম্ন মহাক্ত সনক, সনন্দন, সনাতন, সনৎকুমার অমদি নারদনচিংব অতোপ-অতোম্প অয়াম্ব মহর্ষিশিং কয়াবুসু অসুম হায়দুন থৌইনশিন পীরকখি মদুদি নখোয় খুদিংন ভারতবর্ষদ চত্তুন শেংলব কর্মকাণ্ড অমদি জ্ঞান-কাণ্ডগী উপদেশ পীদুন মফম অদুগী নিবাসিশিংগী অদুগুম্ব অন্তকরণগী অজ্ঞানগী মশক ওইব রোগ লাইনান খুদুম চনব ওইদুন অচৌব অৱাববু ফংদুন লৈরিবশিং মখোয় অদুবু উদ্ধার তৌরুরো।

মমাংঙৈগী মতম, সত্য যুকী লোইরকপ মতম অদুদ মালেম অসিদ মতমগী মতুংইন্ন শেংলব কর্মকাণ্ডগী মাংতাকপ ওইখ্রে। মতমদুন মহর্ষিশিংদুন কর্মকাণ্ডবু

লিংথংপ অমদি মার্যাদাবু রক্ষা তৌনবগীদমক্ত তোঙ্গান তোঙ্গানব দেশশিংবু শরুক খায়দোক্লম্মী অমসুং অদুগুম্ব দেশশিং অদুদ ভূপাল নিংথৌশিং শেমগৎখি। অদুদগী মহাক্ন নিংথৌশিংদ ধর্ম, অর্থ অমসুং কামগী ফংনবগী ওইব অদু অদুগুম্ব কর্মশিংন তিল্লব স্মৃতি-গ্রন্থশিং অমদি যজ্ঞগী নিয়ম তাকপ শাস্ত্রশিংবু শেমখি। অদুগী মতুংদ কালচক্র অসিন চথদুন লৈরকপন (মতমগী মতুংইন্ন) অদুগুম্ব মথং মনাও (ক্রম) অদু মাংথখ্রবদ অমদি মীশিংন নোংম নোংমগী চিঞ্জাক্তদ হিংব অমসুং চাননব পদার্থশিং থিবতদ লুপ্তুন লৈনখ্রবদ ঐখোয় ময়াম্ন মখোয়গী অতোনব মতৌ অদু কোকহন্নবগীদমক্ত অমদি তাইবংসিদ আত্মতত্ত্ব জ্ঞানবূ প্রচার তৌদুন চাওর-চাওরব জ্ঞান পোকহনব ঙম্ব শাস্ত্রশিংগী উপদেশ তৌখি· অমদি অধ্যাত্মবিদ্যাবু অহানব ওইন নিংথৌ সমাজদ পাওতাক শন্দোকখি। অদুগী মতুংদ মসিবু লোক্ত শন্দোরকখি। মরম অসিন মসিবু "রাজ-বিদ্যা" হায়ন কৌনরকখি। রঘুনন্দন! "রাজ-বিদ্যা অমদি রাজ গুহ্য" হায়ন ফাওরকখি। অসিগুম্ব পুংথোই থোইব অধ্যাত্ম জ্ঞানবু ফংলবদ নিংথৌশিংদু অৱাব য়াওদব ওইরদুন পরমান্দবু ফংনখি। শ্রীরাম! মতমগী খোংলৈ মতুংইন্ন মক্রুব মিংচং চাওব অয়াম্ব নিংথৌশিংন স্বর্গবাসী ওইখ্রবদ হৌজিক মতম অসিদ মালেম লৈমাইদ নহাক্ন মহারাজ দশরথ আসিগী মফমসিদ ফোংদোক্লব ওইরে। য়েক্লবশিংবু নমথব শ্রীরাম! নহাক্কী পুক্লিং হায়নিঙাই লৈতন মক্রুব অশেংব ওই। মরম অসিন করিগুম্ব মরম (নিমিত্ত) অমত্ত য়াওদন মহৌশা স্বাভাবিক ওইনমক নহাক্কী পুক্লিংদ পরম পাবন অমদি উত্তম বৈরাগ্য অসি পোক্তুন হৌগৎলকপনি; মরমদি বিবেক লৈব মী পুন্নমক্ত মখোয়গী খ্যাতি(জ্ঞান)সি লৈরব অদুগুম্ব অথোইব মীশিংগীসু বৈরাগ্য অসি করিগুম্ব মরম অমদগী ওই, মরম অদু রাজস কৌনে। তৌইগুম্বসুং নহাক্কী পুক্লিংদ পোক্লিব বৈরাগ্য অসিদি অপুর্ব(অতৈদ ফংদব)নি। মসিদি করিগুম্ব মরম (নিমিত্ত)অমদগী ওইরকপ নত্তব, মশান মশাগী বিবেক্তগী পোকচরকপনি অমসুং সৎপুরুষশিংবু অঙকপ পোকহনব মতৌনি, মরম অসিন সাত্বিকনি। অদুগুম্ব

মখোয়শিং অদুদ করিগুম্ব মরম অমদগী ওইব (নিমিত্ত) য়াওদনমক বৈরাগ্য ওইরক্লব মখোয় অদুমক মহাপুরুষনি অমদি জ্ঞানবাননি অমসুং মখোয়গী অন্তকরণ শুদ্ধ (অশেংব পুক্নিং)নি। কনাগুম্ব মী অদুন জ্ঞান মরম ওইদুনা সৃষ্টি পরমপরাগী বিচার তৌবদগী বৈরাগ্য ফংলিবশিং মখোয় অদুমক উত্তম পুরুষশিংনি। শ্রীরাম! কনাগুম্ব মীন সংসার অসিগী মচি লৈতব, কান্নদব অমদি অৱাবগী মতৌবু খঙলগ মশাগী সাংসারিক ওইব বুদ্ধিবু থাদোক্লিব মখোয় অদু য়োংহিংদগী নাম্বোরক্লব গজরাজগী মতৌগুম্ন সংসার বন্ধন্দগী নাম্বোক্তুনা পরব্রহ্মবু ফংই। জগত পরমপরা অসি বিষম অকুৎ অতোং ওইব চাংমান্নদব অমসুং লোইখম নাইদব অনন্তনি। মসিদ তাদুনা লৈররব মহান জীবন দেহাধ্যাস ওইদুনা লৈ মরম অসিন জ্ঞান নত্তন মহাক্ল পরম্পাদ ফংনবগী লম্বী খক খঙব ঙমদে। তৌইগুম্বসুং রঘুনন্দন! মখোয়দুগী বুদ্ধি অগাধ ওইব য়াম্ন লৈব - অদুগুম্ব বিবেকশীল পুরুষশিংদি তমথিরব লানঙমদ্রব ভবসাগর অসিবু জ্ঞানগী মশক ওইব হিদ তোংদুন মিকুপকী মনুংদ লাম্বোকনখি। সংসার সাগর অসিদগী লাম্বোক্লব পাম্বৈগী মশক ওইব উপায়বু নংন নশাগী বুদ্ধিন অদুগুম্ব নিত্য-বিবেক বৈরাগ্যনচিংবন তিল্লব একাগ্রচিত্ত ওইন তারো শ্রবন তৌরো; মরমদি দোষ পত্ত্রব জ্ঞানগী যুক্তি অসি নত্তন লোইনাইদ্রব বিক্ষেপশিংন থল্লব সংসারগী অৱাবশিং অমসুং অকিবশিংসিন মতম য়াম্ন শাংন থম্মোইবু মৈচাক মৈশা পীদুন লৈরগনি। রাঘব! মীথোই-মীহেনবশিংদ অয়িং-অশা নুংশিংনাচংব অনিদগী পোকপ অৱাবশিংবু খাংননবগী শক্তি জ্ঞানগী পাঙ্গল খক্তন্দ লাকই। অতোপ্প জ্ঞানগী যুক্তি নত্তন মখোয় করিগুম্ব মখল অমত্তদ খাংব ঙম্ব ওইদে। অৱাবগী চিন্তাশিংন অজ্ঞানী মনুষ্যবু খোংথাং খোংথাং খুদিংদ কোইশিল্লকই অমসুং মতমগী মতুংইন্ন মখোয়বু মতৌ অসুম্ন চাকথেক্তুন লৈ মদুদি মৈগী মৈরিন নাপীবু চাক্তুন উৎ ওইহনবগুম, তৌইগুম্বসুং নোংজুগী ঈশিং থিক্তুন চাইথরব বন্দ অদুগুম্ব মৈগী মৈরিশিংগী প্রভাব চংদব মতৌ অদুগুম্ন মহাক অদুন খঙফম থোকপ অধ্যাত্ম শাস্ত্রগী জ্ঞান ফংখ্রব অমদি মহাক্ল ফজন ব্রহ্মতত্ত্ববু সাক্ষাৎকার (খঙলব)

তৌগ্রব, অসিগুম্ব জ্ঞানী পুরুষত পুক্নিংগী অৱা-মৈচাক্ল মৈশা য়ৌহনব ঙমদে। সংসারগী মশক ওইব মরুস্থল অসিদ শিংলিব নুংশিং অসি হকচাংগী অমদি পুক্নিংগী ওইব অৱাবগী মশক ওইব নোংলৈন থল্লি। মসি লাংতক্লব ওইদুনসু তত্ত্বজ্ঞাণীদদি অসুম্ন অৱাব পীব ঙমদে মদুদি অকনব নোংলৈ নুংশিংন কল্প বৃক্ষবু করিসু শোকহনব ঙমদবগুম।

মরম অসিন লৌশিং তাব মীশিংন তত্ত্বজ্ঞানবু ফংনবগীদমক্ত অদুগুম্ব শ্রুতিনচিংবগী প্রমাণ পীবদ হৈশিংলব অমসুং আত্মতত্ত্ববু চপ চান খঙলব ওইব অসিগুম্ব জ্ঞানীগী মফমদ চংজদুন চেকশিনবগ লোইনন নোল্লুক ৱাখন্দ ৱাহং হংগদবনি। অদুগী মতুংদ কেসরদ মচু শংলব ফিন মদুগী মচু অদুবু লৌবগুম মহাক অদুদ ৱাহংবু হংগ্রিব অদুগুম্ব প্রমাণ কুশল অমদি শেংলব চিত্ত ওইব পাওতাক পীরিবগী বচন ৱাফমশিংবু চেকশিন্নগ লোইনন লৌশিনগদবনি। তৌইগুম্বসুং ৱাখঙবশিংগী মনুংদ অথোইব রাম! কনাগুম্ব তত্ত্ব খঙব ওইদ্রবদি মহাকী ৱাঙাং লৌনিঙাই ওইদে, অসিগুম্ব মীদ তত্ত্বগী বিষয়দ ৱাহং হংলুরিব মহাক অদুদগী হেন্ন পঙব অতোপ্প কনাসু লৈতে। মতৌ অসুম্ন প্রমাণ হৈশিংলব অমদি তত্ত্বজ্ঞানী বক্তাগী উপদেশপু কনাগুম্ব মীদুন চেকশিনবগ লোইনন ইন্দ্রব মঙোন্দগী হেনব অতোপ্প কনাগুম্ব লৈখা তাব অমমুক লৈতে। মরম অসিন বক্তাগী ব্যবহারনচিংব কার্যশিংদ মহাকী জ্ঞতা অমদি তত্ত্বজ্ঞতাগী হান্ন মুন্ন লেপথোক্লগ কনাগুম্ব মহাক অদুন মঙোন্দ ৱাহং তৌরিব, প্রশ্নকর্তা অদু অথোইব লৌশিং তাবনি লৌনে, তৌইগুম্বসুং কনাগুম্ব অপঙব জিজ্ঞাসুন অথোইব বক্তাগী নির্নয় ইতৌ তৌদন মঙোন্দ ৱাহং তৌরিব, মহাক অধম কৌনৈ অমসুং মান তত্ত্বজ্ঞানগী মশক ওইব অচৌব অথোইব অর্থবুসু ফংব ঙমদব ওই। জ্ঞানী অদুনসু মাং-তুংগী বিবেচন তৌরগ মান লেপ্প ঙমগদব মাগী বুদ্ধিগী সমর্থ ওইগদব অমসুং নিন্দা তৌনিঙাই ওইদব অসিগুম্ব মীদ মান হংখ্রিব তত্ত্ব অদুগী উপদেশ পীগদবনি। তৌইগুম্বসুং অদুগুম্ব তুম্ব-চাব অকিব পাদোংবনচিংব পশুধর্মন তিনব অধম (লৈখা তাবব) মীদ

তত্বগী উপদেশ তৌরোইদবনি। মরমদি প্রশ্নকর্তাগী শ্রুতিনচিংব প্রমাণশিংন নৈনরকপ পদার্থগী লৌশিনবগী মতিক চাবগী বিচার তৌদনমক কনাগুম্ব বক্তান মদুদ উপদেশ তৌরিব অদুগুম্ব মহাক অদুবু হু নীজনশিংন লোক অসিদ অচৌব মুর্খনি তাক্লে। রঘুনন্দন! নংদি থাগৎনফম ওইব গুণশিংন তিনব য়াম্ন হেন্ন থোইরব প্রশ্ন কর্তানি অমসুং ঐহাক্ন উপদেশ পীব হের্বনি। মরম অসিন ঐখোয অনি অসি পুনব মতিক চায। শব্দার্থ খঙব রাম! মীওইব সমাজদ নহাকপু মহাপুরুষনি লৌর্নাব। নঙোন্দ (রাগ) অপাম্বগী ইবিক অমফাওব পক্লে। নহাক তত্ববু খঙবনি। মবম অসিন নংগী নফমদ তৌখিব উপদেশ নংগী থম্মোইনুং য়োন নপশিল্লি। মতৌ অসুম্ন মদুদি থিৎলব মচুন ফিদ চুবগুম। নহাক্কী মচিন থৌরব বুদ্ধি হাযখিব পোৎশিংবু লৌশিনবদ হৈশিংন অমসুং পরমার্থগী বিবেচনবু তৌবনি। মদুন পরমার্থ বিষয়দ অসুম্ন চংশিল্লি নদদি নুমৎকী মডালশিংন অরুব ঈশিংগী মনুংদ লিৎশিন্দুন চংবগুম। মরম অসিন ঐন অদুগুম্ব পোৎ অদু উপদেশ তৌরকপ মদুবু নংন "মাস তত্ব বস্তুনি" অসুম্ন লেপথোক্লগা য়াম্ন চেকশন্ন নহাক্কী থম্মোইদ মপুংফানা ধারণ তৌ।

মীওইবন তৌগদব ওইবদি মহাক্ন বিবেক লৈতব, অজ্ঞানী অমসুং ফত্তব মীশিংদ নুংশিনরীব মীওইবু লাম্প্লিঙ্ভেদ্গী থাদোক্লগা সাধু মহাত্মাশিংগী সেবা তৌগদবনি। মরমদি মতম লৈব খ্বিবক্ত অফব মী সজ্জনশিংগী সম্পর্ক(ঊনব তিনব)দ লৈবদগী বিবেক পোক্লকই। বিবেক অসি উপাল অমগ মান্নে অমসুং ভোগ অমসুং মোক্ষন মাগী মহৈনি হায়নব। মোক্ষ অদুগী থোংদ লৈব থোঙাকপ মরিনি তাক্লে - মখোযগী মামংদ শম, বিচাব, সন্তোস অমসুং মরিগুবন সাধু সমাগমনি। মীওইবন মরি অসিমকপু চেকশিনবগ লোইনন সেবন তৌগদজবনি, মবমদি মখোয়শিবু ফজন সেবন তৌরক্লবদ মখোযন মোক্ষগী মশাক ওইব দ্বারবু হাংদোকপী। করিগুম্ব মরিমকী সেবন (লাৎপ) তৌব ঙমদ্রবদি অহুম নত্রগ অনিদি ইরাৎপ শোইদন তৌগদবনি। অনিগীসু ইরাৎপ সেবন তৌব ঙমদ্রবদি উপায় পুম্ব শিজিন্নদুন থৱাইশিংবু পোম্বা পীথোক্লবসু অমগীদি শোইদন চংজফম লৌগদবনি। মরমদি

অমবু খুদম চনব ঙমখিবদ লেমজৌরিব অহুম অদুসু মখা পোনব ওই। বিবেকী পুরুষ ওইবন তপ-জ্ঞান অমসুং শাস্ত্রগীশ্রবন মনন নচিংবগী অথোইব মতিক চাব পাত্র ওই। নুমৎন মঙাল ঙাওবশি গী মবোক্ত লেবগুম মহাক মীশিংগী মরক্ত লৈতেংগা মান্নন ঈকাই খুম্নকম ওই। অাযংবগী চাংন হেঞ্জিল্লকপন মরম ওইদুন ঈশিংন ফাজিন্দুন নুংশুম ওইনকপ মতৌ অদুগুম্ন অবিবেকীশিংগী বুদ্ধিস মন্দতা(পৎথ পঙগব) ফমাজিল্লক্কনা হেন্না পঙাশিনবা জড় ওইরকই। রঘুকুল ভষন শ্রীবাম নংগী পুক্নিং অন্তঃকরণদা নুমিৎ থোরবদা শাংকাইরকপ থম্মালগী মতৌগুম্ন থৌজালনাচিংব যাইফব গুণ অমাদ শাস্ত্রার্থগী মিংযেংদ শাংকাইরক্লবনি। মীওইব মহানবমক্তদ হন্দোক-হঞ্জিন পোকপা শিবগী চৎনগী নাম্মোক্লবগীদমক্ত শাস্ত্রাভ্যাস (শাস্ত্রবু নৈনব) অমসুং সৎসঙ্গতিন তিল্লব তপস্যা তৌব অমদি ইন্দ্র লাকশিনবন মবম ওইদুন বুদ্ধিবু চংখোন্ন চাওখৎহনব তোংগদব ওই। সংসার অসি হু পাম্বীগ মান্নবনি। মাস যাইথব খুদোংথিবতনা থনবনি মদুনা জ্ঞানী মনুষ্যবু মতম পুম্বদ শুহৎতুন থম্মী। মরম অসিন হোৎনবন মরম ওইদুনা অজ্ঞানবু মাংহনগদব ওই। লৈচিন নোং লৈত্রবআকাশত মক্তুব অমদি মপুং ফারব পুর্ণিমাগী থাজবু উবগ মিংযেং পেনব ওইব মতৌ অদুগুম্ন মথক্ত হাযখিব পরমার্থ বস্তুগী মিংয়েং যেংব জ্ঞানীদ যথার্থ বস্তুগা লোইনন অমত্ত ওইশিনব (একত্বসত্তা) ফংদুন অপেনব ওই। মহাক অদুগী বুদ্ধিন মাংতুংগী বিচাবদগী হেন্ন কুম্পা অথাব লৌশিনবদ হৈশিংব অমসুং মিৎশিং-নাশিংন হৈথোই-শিংথোইবন লৈতেংন ওইদুন মপুংফান ঙাম্মোক্লব মী মহাক অদুমক্তবু 'পুমান' হায়বদি পুরষ কৌনে। শ্রীবাম নহাক্কী থম্মোইদি অজ্ঞান লৈত্রবান মরম অসিন পুংশেং শেংব শান্তিনাচংব গুণশিংন ঙাম্মোক্লব অমদি অব্বাংব অথোইব বিচারগী ইংলব থাবলন ঙাম্মোক্লবনি। থম্মোই অদুন তিনব ওইদুন নহাক্ক মতৌ অসুম্ন ফজাব মদুদ মক্তুব থাদগী আকাশকী চংখোনব ফজব ওইব অদুগুম্ন।

(সর্গ -১০- ১১)

~o0o~

সংসার ফংবগী কান্নদব, জ্ঞানগী অথোইব মতিক, শ্রীরামদ হংব হৈবগী গুণশিং হেন্ন লৈবগী বর্ণন, জীবন মুক্তগী মশক ওইব মহৈ ফংনবগী মরম ওইব বৈরাগ্যনচিংব গুণশিংগী অমদি শমগী থোইদোকপ নিরুপণ তৌব।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - রাঘব! নংগী পুক্নিং অথোইব গুণশিংন মপুং ফাববনি। নহাক ঐখোযগী মতিকচাব শিষ্যনি অমসুং ব্রাহং হংবগী মওংসু নংন যম্মন খঙলে। হায়খ্রিব ব্রাবু থোইদোকপ মওংদ নংন খঙদোকই। মরম অসিন ঐন ইকাইখুম্নবগ লোইননা নঙোন্দ উপদেশ পীনব থৌবাং তৌবে। হৌজিক নহারু নশাগী বুদ্ধিবু রজোগুণ অমসুং তমোগুণ য়াওহন্দন অমসুং শেংলব সত্ত্বগুন্দ চংব ওইদুন আত্মাদ লেপ্পুন লৈহল্লগ জ্ঞানগী উপদেশ তানবগীদমক্ত থৌরাং তৌরো। ব্রাহং হংলিব প্রশ্নকর্তাদ লৈফম থোকপ অদু নঙোন্দ য়াওবে অমসুং সমুদ্রদ মনি রত্নর্নচিংব সম্পাওশিংন থন্দুন লৈব অদুগী মতৌগুম্ন ব্রা ঙাংলিব বক্তাগী গুণ পুম্ব ঐঙোন্দ যাওদুন লৈরে। হে নুংশিব অঙাং! থাগী কিরণশিং (মঙাল)গ সম্পর্ক ওইবদগী চন্দ্রকান্ত মনিদ মঙাল লাকপগুম মতৌ অদুগুম্ন নহাকসু জ্ঞানগ তিন্নব (সংসর্গ)দগী পোক্লকপ বৈবাগ্যবু ফংলব ওইরিবনি। নহাক্তি পুমশেং শেংলব শুদ্ধনি। নহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌন শেংলব, শন্দোক্লব অর্মদি অকাই-অতোই লৈতন সদগুণশিংগী সম্বন্ধ ওইদুন লাক্লি। থম্বালগী মাবু শন্দোকহাল্লক্লিব মক্তুব অর্মদি অশাংব মশিং লংলাশিং লোইনদুন লৈবগুম। মরম অসিন নহাকমক্ত কথা অসিবু তাবগী মতিক চাব অধিকারী ওই। হৌজিক ঐন মোক্ষ কথা অসিবু বর্ণন তৌরগনি। নহাক পুক্নিং চংন তারো- কথা (ব্রারী) অসি অদুগুম্ব পবমপদ শ্দুগ মরি লৈনবনি মদুবু খঙব ওইবদ হেক লৈরিব তাইবংগী থবক (লৌকিক কার্য) অর্মদি লৌকিক্কী মিৎযেং (দৃষ্টি)শিং মখোযপুম্ব মপুং ফান শান্ত ওইব। শ্রীরাম! সংসাবগী মশক ওইব বিষ হুসিন চংবদগী পোক্লকপ

বিষুচিকা(পুকচৎপগী লাইনা) য়াম্নমক খাঙমদব ওই। হু ঙাকথোকপ গারুড় মন্ত্র তন মসিবু মরু ফুরু মাংহনব ওই। জীব অমসুং ব্রহ্মগী আত্মা অমত্তনি খঙব (একাত্মবোধ)মক গাৰুড়মন্ত্র অদুনি। মদুমক্ত পরমার্থ জ্ঞানগীসু মুলমন্ত্রনি। সৎপুরুষশিংগ লোইনন শাস্ত্রানুশীলন (শাস্ত্র থিজিনব)তোঙদনা চিংনব লৈতন য়োগ অসি ফংব ওই।

শাস্ত্র চিন্তন তৌরবদ মপোক অসিমক্ত শোইদনমক অৱাব পুম্নগী মরু ফুরু মাংব ওই অসুম্ন লৌগদবনি; মরম অসিন অদুগুম্ব বিবেকশীল সৎপুরুষশিংগ থৌশাদব মিৎয়েংন খক য়েংলোইদবনি। অদুগুম্ব বিবেকী পুরুষ অদুন শংশংন উব মিয়েং (সম্যগ্‌দৃষ্টি)বু ফংখ্রব মতাক্ত অদু অমনব মকুবু থাদোক্লগ অৱাব মৈশা কোকখ্রব লীলগী মতৌগুম্ন পুক্লিং-লাংতক-মৈশাশিংন থনব সংসার অসিগী পাম্ব (অনুবাগ)হুন্দোক্রমদুন মৈশা-মৈচাক যাওদ্রব ওই। মাগী পুক্লিং থম্মোই অয়িংব ওই। মহাক্ত জগত পুম্ববু নুঙাইবগ লোইনন ইন্দ্রজাল জাদুগী কুম্মৈগুম্ন নুঙাইন য়েংদুন লৈ। তৌইগুম্বসুং সম্যগ্‌দৃষ্টি অদু য়াওদব মখোয় অদুগীদমক্তদি সংসার অসি য়াম্নমক অৱাব পীনবগী মশক্লি। সংসার অসিবু পামশিনব (অনুরাগ লৈব) য়াম্নমক অৱাব পীনবগী মশক্লি। মসিন অনর্থ (কান্নদব)গী অশঙ্কা চিংনব তৌব ওইরুদবদ শুমহৎপন খুদম চন্দুন বিষয়শিংদ থুজিল্লব মীশিংবু লিলগী মতৌগুম্ন চিকই, থাংশাংগী মতৌগুম্ন ককথৎলি, তাগী মতৌগুম্ন লেংই, থৌরিগুম্ন য়েংশিল্লি, মৈগুম্ন চাকথেকই, অহিংগী মতৌগুম্ন মিৎ তাংহল্লি, কোকথক্ত তারকপ নুংগুম্ন ৱাম্বহল্লি, বিচাব শক্তিবু মাংহল্লি, মার্যাদাবু মাংহল্লি অমসুং মোহগী মশক ওইব অমম্ব লৈক্রক্ত ইম্বে। তৃষ্ণান মখোয়বু কংশিলহল্লি করি অমুক হায়রুগনি-সংসারদ অসিগুম্ব অৱাব অমত্ত লৈতে সংসারিক মীওইবশিংন তৃষ্ণাদগী যংখিদব ওইব। বিষয় ভোগগী মশক ওইবী পুকচৎপগী লাইনাসি ফত্তব ফল পুবীনি। নরকনগরগী মশক ওইব হকচাং কাংবু অসিগ লোইনন অনুরাগ পোকচনবীনি। করিগুম্ব মসি লায়েং চৎথব তৌহৌদ্রবদি মসি শোইদনমক অদু অদুগুম্ব লিশীং

লিশীং ওইব অমম্ব নরক্কী ওইব খুদোংথীব দুর্গতিশিং ফংহল্লি। নরক্কী মফমশিং অদুদ নুংচাব, থাংশাংন হকচাং কায়াংশিংবু ককথংপ, চীংগী চীংদোন্দগী থাদব, নুংন চপখাইবগী অন্নাব পীব অমসুং অচ'কপ মৈন নোং চুব, হকচাং কায়াংশিংবু চিকথংপদ চন্দন তৈবগী মতৌগুম, অাসপত্র মনা-থাং পানব পান্মীশিংগী মবক্ত চেনব, তিলশিংন হকচাং চিকথংপ অমসু যোংকী অশাব যোংহিংন হকচাংদ যেংপ (পুনব) হকচাং সংস্কার তৌবগী মতৌগুম্ন, লান্দ শিজিন্নব মৈ-মৃথং নব তেনশিংগী অরুংপ লৈতন অকনব নোংজু, কালেন থাগী শারব ঋতুদ নুপ্রইনবগীদমক্ত শেম্ব ঈশিংগী যন্ত্রশিংগী পেরে, নোংজুগী মতৌগুম্ন, মকোক কক্রবদ নুঙাইন তুম্বগ মান্নন মচিন খুমজিল্লবদ নমদুন ব্রা ঙাংদন ফোংদোকপ মহৌশাগী ওইব মুখমুদা চিনগী ইঙ্গিংকী মতৌগুম্ন অমসুং কনিসু তৌখিদব অমসুং খঙদব থৌবু (আকঞ্চিৎ কর্তা)ন মচৌব সম্পত্তি চাওখংপ ওইরকপগী মতৌগুম্ন খাংব তাবস্মী। রাঘব! মতৌ অসুন্ন অন্নাব পোকপ চেষ্টাশিংন থল্লব অকিব ফংলব সংসার চক্র অসিদ মথক্কী উপদেশবু থৌশাদব তৌরোইদর্বনি। থোইদোক্ক অসিগুম্ব বিচাব অমসুং খল্লগা ব্বারেপ লৌব শোইদন তৌগাদর্বনি মদুদি শাস্ত্রগী মতুং ইন্ন থিজিনব শাস্ত্রানুশীলনদগী অরেম্প ব্রা লৌবমক কল্যানগী মশক ওই। সংপুরুষশিংগ লোইনন শাস্ত্র চিন্তন তৌবদগী মখোযদুগী হকচাংদ ঐনি হায়ন তুংনফম ওইব দেহাভিমান মাংখিব ওই। মঙোন্দ তত্ত্বজ্ঞান ওইরক্রবদ শিম্মুংন শন্দোক্তুন লৈরিব আত্মাগী স্বরুপ খঙব ওইংকই। মহাক্র শুদ্ধ বুদ্ধিন মরম ওইদুন পবমাত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌরে। অমসুং অজ্ঞানগী মশক ওইব শুক্রব লৈচিন্ন লুপখ্রবদ মাগী মোহসু মাংখিব ওই। অদুদগীদি মাগীদমক্ত জগত অসিদ চংথোক চংশিন পুন্সি লেনবদ নুঙাইব পুক্লিং পেনব ওইরকই।

শ্রীরাম! মখোয অদুদ আত্মস্বরুপকী জ্ঞান ফংখ্রব অদুগুম্ব অখোইব বুদ্ধিমান মহাপুরুষন মথক্ত হায়খ্রিব মিংয়েং অসিদ লৈদুন সংসার অসিদ হিংই। মখোয়দ অন্নাবসু ওইদে অপাম্বসু লৈতে অমসুং মখোযন অফব ফত্তবগী হায়জ-

নিজবসু তৌদে। মখোয় সংসার অসিদ পুন্নমক তৌরগনসু অকর্তা তৌদবগ মান্নং লৈ। মখোয়ন থাদোক্কদব অমসুং ফংগদব মীচং খায়ব (পক্ষপাত)দগী তোঙান লৈব ওইদুন মশাগী আত্মাদ তূংদুন লৈ। য়াম্ন শেংব মওং পবিত্রতা ওইন লৈ অমসুং সৎ-শাস্ত্রশিংদ যাওরিব শেংলব কর্ম তৌদুন সন্মার্গদ চংলি। অতোপ্প মীশিংগী মিংয়েংদ মখোয় লাকই চংলি কর্ম তৌই অমসুং ঙাংই; তৌইগুম্বসুং অশেংবমক্তি মখোয় লাক্কে, চক্কে, কর্ম তৌদে অমসুং ঙাংসু ঙাংদে। মরমদি পরমানন্দ স্বরূপ পরমাত্মাবু ফংখ্রব মীন ইন্দ্রজালগী মশক ওইব থবক পুম্ব তৌদে অমসুং সংসারিক বাসনাশিংগী মতুংইন্দুন চেনবসু তৌদে। মহাক্ন অপ্লাংশিংগী মতৌগুম্ব ভ্রমন মরূ ওইব তথকপ থাদোক্লগ মথক্ত হায়খ্রিব পরমত্মাগী স্বরূপ খক্তদ মতম পুম্বদ ঙাঙ্গোইদুন লৈ। অসিগুম্ব মথলগী ফিভমশিং আত্মাতত্ত্ববু সাক্ষাৎকার তৌরব নত্তন অতোপ্প উপায়শিংদগী ফংব ওইদে। মরম অসিন মীওইবন পুন্সি চুপ্প আত্মাবুত থিগদবনি মসিতবু উপাসনা তৌগদবনি অমসুং মসিমক্কী য়থার্থ জ্ঞান ফংগদবনি মসি নত্তন মাগীদমক্ত অতোপ্প তৌফম থোকপ অমত্তসু লৈতে।

মী অদুন মশাগী অনুভব শাস্ত্রবচন অমসুং গুরুগী পাওতাক্ক অমত্ত ওইন মান্নব (একবাক্যতা) ব্বাফম্বু লেপ্লব মহাক্ন তত্তন তৌরিব মথক্কী অভ্যাসন মরম ওইদুন পরমাত্মাবু সাক্ষাৎকার তৌই। লুমদগী লুপ্লব খুদোংথিবসু কবিগী লাক্লোইদনগে তৌইগুবসুং মহাক অদুন শাস্ত্র অমসুং মদুগী অর্থবু থৌওইদব তৌরবদি অমদি তত্ত্বজ্ঞানী মহাপুরুষশিংগী (অবজ্ঞা)ব্বাবু লৌদ্রিব অসিগুম্ব মুর্খশিংগী তুংইনব করিগুম্বদ খক তৌরোইদবনি। মরমদি মালেমগী লৈমাইদ মীওইবন অসুক্কী মতিক মাগী হকচাংদ সুপ্লগী অপঙব মুর্খতা খ্‌কতদগী ফংলিব অদুক য়াম্ন হকচাংগী অব্বাব, হু অমদি পুক্লিংগী নুংনাংবদগী পীব ঙমদে। মখোয়দুগী বুদ্ধিদু করিগুম্ব অথোইব সংস্কারশিংদগী শেংদোকখ্রব, মখোয়দুগী মুর্খতাবু মাংহনবদ শাস্ত্র অসিন মতিক ওইরিব অদুগুম্ন অতোপ্প করিগুম্ব খুংলাই অমত্ত লৈতে।খের (পাম্বী

মথল অম) দগী তিংখংশিং পোক্রকপ মতৌ অদুগুম্ব অদুকী মতিক ফত্রব আপত্তিশিং অমসুং তোল্লব নিন্দা তৌনফম ওইব মপোকশিং মদু পুন্নমক মুর্খতাদগী পোকই। অদুগুম্ব সংসারী মনুষ্য অদুন মোক্ষগী পাম্বে ওইব শাস্ত্রসিগী মঙালবু ফংগ্রব মহাক মোহান্ধকারদসু অমুক হন্ন অমম্ব মতৌ ফংব ওইদে। তৃষ্ণান মীওইবগী মশক ওইরব থম্বালবু অদু ফাওব শাংহন্দন উমশিন্দুন থম্মী, বিবেকী মশক ওইব নুমিৎকী তরংলব মঙালন ফাওরক্লব ফাওব। রঘুনন্দন! সংসার অসিদ ভগবান বিষ্ণু অমদি শংকরনচিংব অমদি অতোপ-অতোপ্প মহর্ষিশিং জীবনমুক্ত ওইরগ লৈনরি, মতৌ অদুগুম্ব নংসু সংসারগী ওইব অবাবদগী নাম্বেকপ ফংনবগীদমক্ত ঐগুম্ব নংগী মীওইশিংগী মনাক্ত ফমদুন গুরু উপদেশ অমদি শাস্ত্র প্রমান্ন মংসং ওইদুন নশাগী নশক স্বরুপ্পু খঙলগ জগত্ত শান্নদুন লৈব ওইরো বিহার থৌরো। জগত অসিদ নুঙাইবদি করিসু লৈতব নাপীগী পাংখকনি, তৌইগুম্বসুং অবাবশিংগীদি লোইব থম্ব লৈতে ; মরম অসিন অদুগুম্ব অবাবগী মশক ওইব পারিণামন থনব লৌকিক্কী নুংঙাইবশিংসিদ থাজব থমদুন লৈব ওইরোইদবনি।

জ্ঞানী পুরুষশিংন তৌগদবদি, মহাক্ন পরম পুরুষার্থগী সিদ্ধিগীদমক্ত অদুগুম্ব লোইনাই-খমনাইদব অমসুং হোৎনব য়াওদ্রব অদুগুম্ব পরম পদবু য়াম্ন চেকশিন্ন হোৎনদুন ফংগদব ওইবনি।মরমদি মহাক অদুগী পুক্রিংদ মৈশা লাংদব ওইদুন খ্বাইদগী ব্বাংলব পরম পদগী মশক ওইব পরমাত্মাদ লুপশিনখ্রব মখোয়দুমক মীওইবশিংদগী অথোইবনি অমসুং মখোয়দুন পরম পুরুষার্থবু ফংলবনি। অদুগুম্ব দুরাত্মন পুরুষশিংন লৈবাক্নচিংব জাগতিক (তাইবংগী) নুঙাইবশিং ফংলগ মদুগী অথোইব ভোগশিং মহাও ফংব খক্তন্দ পেম্বোক্তুন লৈরিব, মখোয়দুবু নংন মিৎতাংব হঙোইনি খঙউ। মখোয়দুগী বুদ্ধিদু অজ্ঞান্ন মরম ওইদুন পঙশিনহনখ্রব মুর্খ, নমথাক তৌবশিং, ফত্ত লমচৎ চৎপশিং অদুন ভোগশিংদুদ শেমগৎ-শাগত্তুন লেল্লিব অমসুং মরুপকী মতৌগুম্ব ব্যবহার তৌরিব য়েক্নবশিংদ ওইদুন লৈরিব,

মদুদগী মখোয়ন খুদোংথিব অমদ অব্বাব অমদগী অব্বাব অমদ অকিব অমদগী অতোপ্প অকিব অম নরক অমদগী অতোপ্প নরকপু ফংলুব ওই। মরম অসিন অথোইব বিবেকী আশ্রয় লৌদুন অভ্যাস অমসুং বৈরাগ্যগী মতেংদগী অব্বাবগী মশক ওইব অকিব ফংলব সংসার ইপাকপু পার তৌগদব ওই। মদুবু ফংলবদ অমুকহন্ন পোকপ লৈত্রব অমসুং মফম অদু য়ৌরবদ অব্বাবগী মফম মুথৎখ্রব অদুগুম্ব পরম পদ অদু জ্রান্তন মরম ওইদুন ফংব ঙম্মী- মসিদ খক্তিক ফাওব চিংননিঙাই ওইদে। সংসার অসিদ মীওইবগী থুনমক মোক্ষ ফংনবগী উপায়গী চিন্তন্দ চংশিল্লব মতম অদুদ মহাক মোক্ষ ফংবগী পাত্র ওইরব কৌনে। খোঙজং অসি ফংলবদ অথোইব কৈবল্যগী মশক ওইব পরমাত্মা ফংবদ অব্বাব পুরুগদবে লৈত্রে। কেবলরূপ পরমাত্মাবু ফংবদ ধন সম্পত্তি, মরুপ-মপাং ভাই-বন্ধু খোংখুং পাঙ্গল শিজিন্নব, মীরৈবাক শৎপা, হৃত্মংগী অব্বাব খাংব অমসুং তীর্থ কোইবনাচংবদগী কান্ন মতেং ওইব যাদে। মসিদি অমত্ত ঙাইবব পুরুষার্থদগী ফংগদব ওইব সুপ্নগী পরমাত্মাবু ফংনবগী বাসনাগী মশক ওইব কর্মদগী অমদি পুক্লিং খুদুম চনবদগী ফংব যাই। নুঙাইন ফম্ব যাব আসন্দ ফম্লগ পরব্রহ্ম অদুগী চিন্তন তৌরিব মীন মথক্ত হায়াখ্রব পরম পদবু ফংব ওই। অদুদগীদি মহাক্ত অব্বাব খাংলুগদবসু লৈত্রে অমসুং সংসারদ মহাক্কী পুনজন্মসু ওইদে। মৃগতৃষ্ণাদ ঈশিং ঈপাক উই তশেংবদি মদুদ ঈশিং লৈব নত্তে মতৌ অদুগুম্ন স্বর্গলোক অমসুং মনুষ্যলোকী ভাব পুন্নমক মাংব নাইব ওইবগী মরম্ন লোক অনি অসিদ অশেংব নুঙাইব লৈতে।

মরম অসিন শম অমসুং সন্তোষকী সাধন ওইব পুক্লিং জয় তৌব ফংনবগীদমক্ত উপায খনগদব ওই। মদুদগী মান আনন্দ ফংগদব ওই, অদুগুম্ব পরমাত্মাগ লোইনন অমত্ত ওইব ঐকান্ত সম্বন্ধন ফংব ওইব। মরম অসিন দেবতা, দানব, রাক্ষস অমসুং মনুষান ফম্বদ, চৎপদ, কুম্বদ কাবদ নম্রগ কোইন-কোইন মতম পুম্বদ পুক্লিং জয তৌবদগী পোকপ অদুগুম্ব পরম সুখ অদুবু শোইদনমক ফংব ওইগদবনি, মরমদি মহাক শান্তিগী মশক ওইব শাংকাইরব

লৈরাংশিংদ য়াম্বদুন লৈব বিবেকী মশক ওইব মহান বৃক্ষগী মহৈনি। মপুংফান শান্ত ওইরব পুক্নিংদি থোইদোক্ল শেংলব মক্তুব অমসুং ভ্রম য়াওদ্রব ওই। অদুগুম্ব লৈতারব বিশ্রান্ত ওইরব পুক্নিংদ করিংগুম্ব মখলগী পামশিনব (স্পৃহা) লৈতে। মাগী পুক্নিংগী অনিংব পুম্ব মপুং ফাব ওইরে। মতম অদুদ মঙোন্দ করিগুম্ব পোৎ অম ফংগে হায়বগী অপাম্ব অভিলাষাসু তৌদে অমসুং করিগুম্ব অমবু থাদোকপসু তৌদে।

রাঘব! হৌজিক মোক্ষদ্বারদ লৈরিব থোংশংবশিংদুগী মথং মনাও ওইন তারো: মথোয়দুগী মনুংদ অমতংগী মফমদ নুংশিব অপেনব ওইরবসু মোক্ষগী থোংদ চংননবগী অধিকার ফংব ওই। শম, মঙ্গলগী মশক ওইব শান্তিবু পীনবীব অমদি ভ্রম ঙাকথোকপীবনি। শমদগী পরম কল্যানবু ফংব ওই অমসুং সমমক পরম পদনি। শম ফংবদগী মপুং ফান পেল্লব মী অদুগী চিত্ত শমন লৈতেংব ওইবগী মরম্ম অয়িংব অমদি মক্তুব ওইখ্রব মাগী য়েক্লবসু মরুপ ওইরকই। থা থোরক্লবদ ক্ষীর সাগরগী ঙানথৎপ লংখৎপ হেনগৎলকপ মতৌ অদুগুম্ন মহাক অদুগী চিত্তন শমগী মশক ওইব থাজন ফজন লৈতেংব ওইরবদ মাগী পুমশেং শেংববু চাওখৎলকই। মহাক অদুগী শিদ্র দোষ লৈত্রব মুখচন্দ্রদ শম শ্রী লৈতেংব ওইরব মথোয়দু মশাগী গুণগী মশক ওইব চংথোনব ফজব মতৌন অতোপ্পগী ইন্দ্রিশিংবু খুদুম চল্লি অমদি মথোয় অদুমক অথোইব মপোক ফংব অমদি খুরুম্নফম ওই। মরোল অহুমগী রাজ্যলক্ষ্মীনসু অদুগুম্ব নুঙাইবদু পীব ঙমদব অদুগুম্ব আনন্দদায়িনী সাম্রাজ্য সম্পত্তিগী মতৌগুম্ন শমগী বিভূতিশিং (লাইগী শক্তিশিং) ওই। তাইবংসিদ হেক লৈরিব অৱাব, হেক লৈরিব থাঙমদব তৃষ্ণা (অপাম্বগী খৌরাংব)শিং অমসুং হেক লৈরিব অৱাব পীনব পুক্নিংগী মৈচাকশিং মথোয় পুম্নমক শান্ত চিত্ত ওইব পুরুষকী মনাক্ত চংলুবদ অদুম্ন লুপশিনখি মদুদি নুমিৎকী মঙাল ফংবদগী অমম্বন মাংখিবগুম। শম লৈব মীগী দর্শনদ প্রানি পুম্নমকী পুক্নিং অসুম্ন হরাও নুঙাইব অমদি পেনব ওইব অদুম্ন থাগী দর্শন্দগী

ওইব ঙমদে। জগত অসিদ মাবু পোকপ মমাদ পুন্নমক্ক থাজব থম্লে মতৌ অদুগুম্ন শম লৈরব মীদ দুরাত্মা নত্রগ ধর্মাত্মা প্রাণী পুন্নমক্ক বিশ্বাস তৌনে। মরম অসিন রঘুকুল ভূষণ রামা নহাক্কু নশাগী পুক্কিংবু মহাক অদুগুম্ব হকচাংগী ওইব অৱাবাশং অমদি পুক্কিংগী ওইব চেনবাশিন পুন্নমক্ক নিকহল্লীব অমসুং তৃষ্ণাগী মশক ওইব থৌরিন য়েংশিন্দুনা লৈবিব মনুষ্য শরুপ অমৃতগী অভিষেক (চাইথব) তৌদুনা লৈতাব (হল্লগী ফিভমদ হনজিনব) ওইগো, নরমদি কনাগুম্ব শমানঠ ওইরব মী মহাক অদুন পিশাচ, রাক্ষস, দৈত্য, শত্রু কৈ অমদি লীল কনাগুম্ব অমত্তবুসু য়েক্লব তৌদে। মহাক অদুগী কাযাং পুন্নমক গথোইব শমগী মশক ওইব অমৃত কবচন চংথোন্ন ঙাকথ্রব মঙোন্দ অৱাবন মতৌ অসুম্ন পীড়া চৈথেং য়ৌহনব ঙমদে মদুদি তেম্ন হীরাবু লেংবদ মতিক লৈতবগুম। মত্তুব অমদি শমন লৈতেংলব সমবুদ্ধি ওইব মীগী অসুক্কী মতিক ফজব ওই, অদুগুম্ব ফজব অদু অন্তপুবদ ঙাম্থোইরিব নিংথৌমক্কী মরাইবক্কসু ওইদে। শমযুক্ত অন্তকবণ (পুক্কিং) ওইব মীবু দর্শন তৌবদগী মীওইবন ফংব শান্তি মদু থৱাইদগীসু হেন্ন নুংশিবব মশাগী মী উনবদগীসু ফংব ঙমদে। তাইবং অসিদ অদুগুম্ব শম ওইবব অমদি মীশিংন প্রশংসা তৌনরব সমর্বাওদ পুন্নমক লোইনন অথোইব ৱাবী শাবব মহাক অদুমক্কী পুন্সিদু মহৈ য়াল্লবনি মদুদগী ওন্ন-তৈনব পুন্সিদি কান্নব্রবা। মহাক অদুগী পুক্কিংদ লৌথুপ লৌকোই যাওদ্রব অদুগুম্ব শমগী মাগন অংগোইহনা মী অদুন তৌব কম, মাগী অদুম্ব কর্মবু মী পুম্বন থাগৎলে।

মী অদুন অপাম্ব অমসুং পামদনবু তাবদ, শোকপদ য়েংবদ, চাবদ অমসু মনম নম্বদ হবাওবসু তৌদব অমসুং শুকথবসু তৌব্রব শান্ত কৌনে। মহাক অদুন চেকশিন্ন হোংনদুন ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশিনদুন মশাগী খুদুম চল্লগ থবাহ পানবশিংগী মফমদ সমতাপুর্ণ মান্নব মিংযেংদ ব্যবহার তৌবব অমদি তুংগী অপাম্বসু থমদব অমসুং ফংলববুসু থাদোকপসু তৌদব মহাক অদু শান্ত কৌনে। মহাক অদুগী পুক্কিংন শিবদ, উৎসবত অমদি লানগী মতমদসু লাংতক্লব ওইদদুন থাগী মকোইগুম্ন

মক্তুব মঙালন তিন্দুন লৈব, মাবু শান্ত নি হায়নৈ। হরাওব অমসুং শাওবগী তাঞ্জা লাক্লুবদসু মী অদুন অশাওবসু তৌদব অমসুং হরাওবসু তৌদ্রব হেন্নদুম মগী পুক্লিংদু ভুমন্দন হুন্ন ভুম্লিব পুক্লিংগী মতৌগুম্ন বিকার যাওদন লৈরব মহাপুরু শান্ত ব্রাহৈন মিংগৌ শিজিন্নৈ। মহাক অদুগী অমৃতগী ঈচেলগা মান্নব নুঙাইব পীনবীব অমদি নুংশিবন থল্লব মিংযোংন থব্রাই পানব পুম্নমক চপ মান্নব মওংদ য়েংলিব মহাক অদুগী শান্ত মিংগৌ ওই। মাগী অন্তকরণ অমিংব শীতল ওইখ্রব অমদি মাগী বুদ্ধিদ সুমহৎপ পক্তুন্ন অমদি মহাক অদুন লৌকিক বিষয়শিংগী মফমদ ব্যবহার তৌদুন লৈরবসু মঙোন্দ আসক্ত (পামশিনব) লৈতব, মাবু মীশিংন শান্ত কৌনৈ। চপ চাব মওং কয়াদ ব্যবহার তৌদুন লৈরবসু মহাক অদুগী বুদ্ধিন আকাশকী মতৌগুম্ন মওং কাইব(বিকার য়াওদন) লৈরিব রাগ দ্বেষ ওইব কলঙ্কন পুনদ্রব মহাক অদুবু শান্ত হায়ন কৌনৈ। তপস্বিশিং, বিদ্বানশিং, যাচকশিং, নিংথৌশিং, পাঙ্গনবশিং অমসুং গুণীশিংগী কাংলুপ্ত শম ওইব মীতন থোইদোকপ ফজব ওই। গুন্ন তিল্লব মহাপুরুষশিং অদুগী পুক্লিংন শমদ আসক্ত (পামশিনব) ওইরব মখোয়গী চিত্তদ নিবৃত্তি মপুং ফাবন থাদগী থবল ফোংদোরকপগুম্ন ফাওগৎলকই। গুণ পুম্নমকী অরোইব মতোল অমদি পুরুষার্থগী মরু ওইব লৈতেং ওইরিব অদুগুম্ব শ্রীসম্পন্ন (য়াইফবন তিল্লব শম লৈরব মহাক অদু খুদোংথিবশিং অমদি মফম পুম্নমক্তসু মশাগী প্রভাবতগী ফজবতন লৈতেংব ওইদুন লৈ। রঘুনন্দন! মসিবু অতোপ্প মীন হুরানব ঙমদে অদুগুম্লব পুজা তৌনফম ওইরব মীশিংন চেকশিন্ন ঙাক্তুন থম্লিব অমদি অমৃতগী মশক ওইব শম কৌব অথোইব সাধন অসিগী আশ্রয লৌরগ মহাপুরুষ কয়ামরুম্ন অদুগুম্ব মথং মনাও ওইব খোংথাংদ পরম পদবু ফংব ওইনখি নহাকসু পরম পুরুষার্থবু পাংথোক্লবগীদমক্ত মথং মনাও খোংথাংশিং অদুবু তুংইন্ন চংপ ওইরো।

(সর্গ - ১২-১৩)

~000~

বিচার, সন্তোষ অমসুং সৎসমাগম্গী থোইদোকপ মওংগী বর্ণন অমদি গুণ মরিসিগী মনুংদ অমখক্তং লোইনবদ অফব ফংবগী ৱাফম।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - রাঘব! (বিষয়, সন্দেহ, পূর্বপক্ষ, সিদ্ধান্ত অমসুং প্রয়োজনগী মওং ওইব) কারণশিংবু খঙব পুরুষ শাস্ত্র জ্ঞানগ শেংদোক্লব মত্তুব ওই, মরম অসিন পরম পবিত্র বুদ্ধিন মরম ওইদুন মতম পুম্বদ আত্মচিন্তন তৌগদবনি। মরমদি আত্মাগী বিষয় ওইব বিচার তৌবদগী বুদ্ধি থৌব, য়াঙব ওইদুন পরম পদবু খঙব ঙম্ব ওই। সংসারগী মশক ওইব মহারোগগীদমক্ত বিচারতন অথোইব হিদাক (মহৌষধ)নি। লোইব খম্ব লৈত্রব অপাম্বশিংগী মশক ওইব মনা পুংলব অসিগুম্ব আপত্তিগী মশক ওইব বন অসি বিচারগী মশক ওইব হোরাইন ককথৎলবদ অমুক ময়োল চোংলক্তে। লৌকিকী ওইব অৱাবদগী লাম্হোক্লবগীদমক্ত বিদ্বানশিংগী মফমদ বিচার নত্তন করিগুম্ব উপায় অতোপ্প লৈতে। সৎপুরুষশিংগী বুদ্ধিন বিচারদগী য়াইথিববু থাদোক্লগ মঙ্গলবু ফংব ওই।লৌশিং চাওবশিংগী পাঙ্গল বুদ্ধি সামর্থ্য তৌফম থোকপগী জ্ঞান, থবক অমসুং মদুগী ফল- পুম্নমকশিং অসি বিচারদগী খক্ত মহে য়ানবনি। মরম অসিন মতিক চাব-চাদবগী অথুপ্পবু ফোংদোক্লবগীদমক্ত অচৌব থাওমৈগী মশক ওইরিব অমদি অপাম্ব মহে ফংহল্লিব অদুগুম্ব পুংথোই থোইব বিচারগী মতেং লৌরগা সংসার ঈপাক সাগরবু লাম্হোকদবনি। মরমদি বিশুদ্ধ বিচারগী মশক ওইব নোংশান, থম্মোইদ লৈরিব বিবেকী মশক ওইব থম্বালশিংবু নৈথাইদুন মাংহল্লিব মহা মোহগী মশক ওইব গজরাজশিংবু হোগাইদুনা মাংহল্লি। মী অদুন বিচারবু চাওখৎহল্লিব বুদ্ধিন মরম ওইদুন পুম্নমক্কী মফমদ ব্যবহার তৌরিব, মখোয়ন লেপ্পমক অথোইব মহৈশিং ফংব ওই। সৎবিচার পরায়ন ওইব মীন থোইদোক্ল পাকচাওন শন্দোকপ অচৌব আপত্তিশিংন তিল্লব মোহগী ফিভমশিং (পরিস্থিতিশিং)দসু নুমিৎন অমখ্রদ লুপ্তুকপুম লুপশিন্দে। হেক

ঙৈরিব তমথিব থবক, অথিংব লমচৎ অমসুং হঙোইব পুক্লিংগী অৱাবশিং মখোয় পুন্নমক বিচার লৈতবদগী থোরকপ ঙাক্কনি। অধিকারী পুরুষ অদুগী পুক্লিং অদু আশাগী মীখা পোন্দনা অমসুং বিচার লৈ ওইরব মহাক পুর্ণিমা থাজগী মতৌগুম্ন মশাগী আত্মাদ পরমানন্দগী অনুভব তৌর ওই। পুক্লিংদ বিবেক লৈব মতৌন ঙাম্মোক্লব মতম অদুদ মহাক্ল জগৎ অপুম্নবু হংনা অমদি ফজবন চংখোল্লব থাগী থাবলগী মতৌগুম্ন পুন্নমকপু থোইদোক্ল ইংথব অমসুং ফজহনব পী। জগতকী পোৎ পুন্নমক অসি মতম অদু কাওবদং অচুম্বগী মতৌগুম্ন পুক্লিংদ ফজব ওইন উদুন বিচার তৌদ্রিফাওবদি লৈ। অশেংবমক্তি মখোয়গী কৰিগুম্ব অস্তিত্ব (চান্নন অরৈব ওইব মতৌ সত্তা) লৈতে। মরম অদুন বিচার তৌরবদ মখোয়দু মাংখি। অদুগুম্ব সমস্বরুপ, আনন্দময় অক্ষয় অনন্ত অমসুং অতোপ্পগী মথা পোন্দব কৈবল্য পদ অদুবু নহাক্ল বিচারগী মশক ওইব অচৌব পামেলসিগী মহৈনি খঙু। পুক্লিং (চিত্ত)দ লেপ্তুন (তুংদুন) লৈরগ অৱাংব অথোইব লেংদ্রব ফিভম্বু পীরিব অদুগুম্ব আত্মবিচারগী মশক ওইব মহৌষধি য়াওরব অথোইব মীন ফংদ্রিবগী ফংগে খনবসু তৌদে অমসুং ফংলবকী হুন্দোকপসু তৌদে। বিচার লৈব মীন চৎখ্রব (হৌখ্রব) পোৎকী থৌশারুব তৌদে অমসুং পোৎপু শাস্ত্রগী মতুং ইন্ন শিজিন্নে। মহাক্ল পুক্লিংগী ওম্ন-তৈনব ওইরকপদ লাংতক্লবসু তৌদে অমসুং নীংব তুংইন্ন ফংলকপদসু হরাওরুব তৌদে। মতম অদুদ ঈশং থন্দুন লৈব সমুদ্রগী মতৌগুম্ন মাগী ফজব ওই। মতৌ অসুম্ন পুকচেল চাওবন তুংনখম ওইব মহাত্মা যোগীশিংগী পুক্লিং পুর্ণকাম ওইখ্রব মখোয় জীবন্মুক্ত ওইদুন জগত অসিদ পুন্সি লৌল্লি। বুদ্ধি লৈব মীশিংন খুদোংথিব তারব আপত্তিকালগী মতমদসু ঐ কনানো? সংসার অসি কনাগীনো? মতৌ অসুম্ন মদু কোক্লব প্রাতকাবগীদমক্ত চেকশিন্ন বিচার তৌগদব ওই। মদুদি নুমিদাংদ লৈমাইদ পোৎশিংগী জ্ঞান থাওমৈ মৈরাগী মতেংন ওইব মতৌ অদুগুম্ন পরমাত্মা স্বরুপত লৈব ফংনবগীদমক্ত বেদ বেদান্তগী সিদ্ধান্তশিংগী ফিভমশিংবু নৈনব বিচারন মরম ওই। বিচারগী মশক ওইব ফজরব মিৎ অমম্বদ

মাংখিব ওইদে, অয়াকপ মঙাল চাওব নুমিৎকী মাইকৈদ য়েংখৎপদসু মাগী। মঙালন য়ৈথৎপ ঙমদে অমসুং মহাক মরক খনব পোংশিংখৃসু উব ঙম্মী। পুল্লং লংব পরমাত্মাগী মশক ওইব বিচার অসি ইকায়খুম্নবনা অমসুং পরমানন্দগী অমত্ত ঙাইরব সাধিকা (পাম্নে ওইব)নি. মরম অসিন মিকুপ অমত্তং ফাওব মসিবু থাদোক্লোইদবনি। মুল্লকপন মরম ওইদুন হাওরব রসন মপুং ফারব হৈনৌ অমুনববু পুম্নমক্ক পাম্নে মতৌ অদুগুম্ন অথোইব বিচারতন থল্লব মীবু অচম্ব মীশিংগী ৱাদি থমখিসি মহাপুরুষশিংমক্কীসু ইকায় খুম্নফম ওই। বিচারন মরম ওইদুন মখোয়দুগী বুদ্ধিদু বিশুদ্ধ ওইরব অমসুং বিচারতদগী মখোয়দুন জ্ঞান মার্গদ চংনবগী যুক্তি ফংলব অদুগুম্ব মখোয়দু মখল কয়াগী অৱাবগী লৈক্রকশিংদ হন্ন হন্ন তাদে হায়বদি পোকপ শিবদগী নাম্লেকপ ওই। কান্নদব লিশীং কয়া থেংনরুবদগী মখোয়দুগী হকচাং কংশিল্লব অমদি লাইনা চেন্দুন লৈবদ মহাক্ক কপ্প তৌদে। মহাক অদুন বিচার য়াওদবদগী মশাগী আত্মাবু মাংহনব তৌরিব অপঙব মীশিংন তেংথা বিলাপ তৌবগুম্ন, বিচার য়াওদব হাযবসি কান্নদবশিংগী মশাগী লৈনফম মফমনি। সৎপুরুষ পুম্নমক্ক মাবু নিন্দা তৌনৈ অমসুং মহাক লৈখা তারকপশিংগী অরোইব ঙমখৈনি। মরম অসিন মদুবু থাদোক্কদবনি, বিচারন তিল্লব মশামক্ক মশাগী বুদ্ধিন মশাগী পুক্নিংবু খুদুম চন্দুন মোহগী মশক ওইব সংসার ইপাক্তগী মশাগী পুক্নিং-শজীবু লাম্থোকপীগদবনি। ঐ কনানো অমসুং সংসার কৌব দোষ অসি ঐগী ইনাক্ত কমদৌন চংশিল্লকখিবনো? বিসয় অসিদ ন্যায় পুর্বক ওইন তৌব থিজিনববু বিচার কৌনৈ।

রঘুনন্দন! সংসার অসিদ সত্য (অচুম্ব)বু লৌশিনব অমসুং অরানববু থাদোকপগী বুদ্ধিন মপুং ওইরব মীশিংন বিচাব নত্তন অথোইব তত্ত্বগী জ্ঞান করিসু লৈতে। বিচার খক্তদগী তত্ত্ববু খঙব ওই, তত্ত্বজ্ঞান্দগী পুক্নিং লেংদব মতৌ ফংব ওই অমসুং পুক্নিংগী শান্ত ওইবদগী অৱাব পুম্নমক মাংখিব ওই। মালেম লৈমাইদ মী পুম্বন লয়াশেংব বিচারগী মিংযেংতদগী কর্ম পুম্বনী মাইপাকপগী

কান্নব ফংনখি অমদি উত্তম পরমাত্মা খঙবসু বিচারখক্তদগী ফংব ওই মরম অসিন শ্রীরাম! শমনচিংব সাধন্ন মপুং ফারব নহাক্ত মথক্ত হায়খিব বিচার শীলতা ওইব পামদুন লৈগদবনি।

য়েক্ল-ঙম্ব রাম! সন্তোষ (পেম্বোকপ)মক অথোইব য়াইফবনি। অমসুং পেম্বোকপ অথোইব নুঙাইবসু কৌনৈ। পেম্বোকপ হৈব মী অথোইব নুঙাইব ফংই। কনাগুম্ব পেম্বোকপগী মশক ওইব ঐশ্বর্যগী নুঙাইবন তিল্লব অমদি চিত্তন মতম পুম্বদ নুঙাইদুন লৈরিব অসিগুম্ব শান্ত পুরুষকী মফমদ পাক চাওরব সাম্রাজ্যসু অমনব নাপী মতৎকুন্ন উই। শ্রীরাম! পেম্বোক হৈব বুদ্ধিন সংসারগী খুদোংথিরব ফিভমশিংদসু লাংতক্লবসু তৌদে অমসুং মাগী মাংবসু খক তৌদে। কনাগুম্ব শান্ত পুরুষ পেনম্বোকহৈব অমৃতবু থকপদগী মপুং ফান পেনখ্রব মাগীদমক্তদি লোইব মুৎপ নাইদ্রব ভোগ সম্পত্তি অসি হুগুম্ন খল্লি। রাগনচিংব দোষশিংবু মাংহনব অমদি থোইদোক্ল হাওরব মহাওশিংন তিল্লব সন্তোষ পেম্বোকপদ নুঙাইরিব অসিগুম্ন নুঙাইব অমৃত রসকী ইথকশিংনসু পীব ঙমদে। মহাক অদুনফংদ্রিব পোৎকী ফংগে নীংব থাদোক্লগ ফংদুন লৈরব পোত্ত সম ভাব থল্লিব অমদি মদুদ হরাও-নুংনাংবগী বিকারগী খুদম উত্তব মী অদুবু তাইবং অসিদ পেম্বোক্লব হায়ন কৌনৈ। পুক্লিং অসিন আত্মান মরম ওইদুন আত্মাদ পেল্লব ওইদ্রিব অদু ফাওব মনগী মশক ওইব লৈক্রক অসিদগী উরি-নাপী পোক্লকপগুম আপত্তিশিং পোক্লক্তুন লৈ। সন্তোষতগী ইংথরব পুক্লিং শেংলব বিজ্ঞানগী মিংযেৎশিংদ থোইদোক হেন্দোক্ল চাওখৎপ ফংই মদুমক্তুন্ন মদুদি নুমিৎকী কিরণশিংগী সম্পর্কদগী থম্বালন শাৎকাইরকপগুম। অমোৎপ মিংশেলদ মাইথোংগী মমি উদবগুম আশাগী মীখা পোনবদগী লাংতক্লব অমদি পেনব লৈত্রব চিত্তদ জ্ঞানগী প্রতিবিম্ব তাদে। মহাক অদুগী পুক্লিংন হকচাংগী অমদি পুক্লিংগী নুঙাইতবশিংদগী নাম্বোক্লব অমদি পেম্বোকপ ওইরব মহাক অদু লাইবব ওইজরবসু অশেংব সাম্রাজ্যগী নুঙাইববু উপভোগ তৌব ওই। মশাগী আত্মাদ আত্মামক্ল মশামকপু চপ চাব মওংদ মদুদগী

হেনব লৈত্রব পূর্ণানন্দগী আশ্রয় লৌদুন পুরুষার্থন মরম ওইদুন হোৎনরগ বিষয় পুন্নমক্ত খৌবাংব তৃষ্ণাবু থাদোকদব ওই। থাগী মতৌগুম্ন সন্তোষামৃতন মপুং ফারব মীওইবগী পুক্লিং শান্তি অমদি শীতল বুদ্ধিন মরম ওইদুন মশামক্ল অরোই অখা লৈত্রব লৈতাববু ফংব ওই। সন্তোষন তিল্লব মীন মশাগী আত্মাদ আত্মান মশাগী লৈফম মশক্ত লৈরব মতম অদুদ মাগী পুক্লিংগী নুঙাইতব লাংতক্লবশিং মতৌ অসুম্ন মশা মথন্ত থুনমক মক ফুক্ল মাংজখি। মদুদি বর্ষা ঋতুদ উফুলশিং মাংখিবগুম। শ্রীরাম! মহাক অদুগী বৃত্তি মতম পুম্বদ ইংথন অমদি কলঙ্ক শুকলৈ লৈত্রব মী অদু মাগী অশেংব বৃত্তিন মরম ওইদুন থাজগী মতৌগুম্ন মপুংফান ফজে। রঘুনন্দন! জগত অসিদ অথোইব মী অদুবু গুণ লৈরব মীশিংন মত মান্নরব সমতান তিন্দুন ফজরিব, শেংলব মী অদুবু আকাশত লৈরিব লাই অমসুং মহামুনিশিংনসু খুরুমনৈ। মহা বুদ্ধিমান রাম! সংসার অসিদ অথোইব সাধু সন্ত সমাগম(তিন্নব) মীশিংগী সংসার ঈপাক্তগী লাম্লোকপদ থোইদোকপ মওংদ উপকার তৌই। মহাক অদুন মহাত্মা পুরুষ সৎসঙ্গতিগী মশক ওইব উপাল অসিদগী পোক্লকপ বিবেক কৌব লৈ অসিবু ঙাক শেল্লিব মহাক্ল মোক্ষ ফলগী মশক ওইব থম্বালগীদমক্ত উন অমসুং মোহগী মশক ওইব নোংথি নোংমংবগীদমক্ত নুংশিংক মান্নব অদুগুম্ব অথোইব সন্ত-সমাগম্মক জগৎসিদ খ্বাইদগী অহেনবনি। শ্রীরাম! নংাক্ল খঙ্গদব ওই মদুদি সন্ত-সমাগম অসি থোইদোকপ মওংদ বৃদ্ধি চাওখৎহনবনি, অজ্ঞানগী মশক ওইব উপালশিংবু ককথৎপনি অমসুং পুক্লংগী অৱা-নুঙাইতবশিংবু লাপ্ন তাম্লোকপনি। সৎসঙ্গদগী ফংলকপ দিব্য বিভূতিশিংন অসিগুম্ব খ্বাইদগী অথোইব নির্বাণ সুখবু পীনবী মদুন অরৎপ লৈতন চাওখৎতুন লৈব, মাংব নাইদব অমসুং অপনব লৈতব ওইব। মরম অসিন যাম্ন অৱাব ওইব দশাদ তাদুন পোৎথাফম খঙ্দ্রব মীওইববুসু মতম খরদংগীদমক্তসু সৎসঙ্গ থাদোকপ তৌরোইদবনি। মরমদি তাইবংসিদ সৎসঙ্গতিন অচুম্ব লম্বীবু ঙাম্লোকহল্লি অমসুং থম্মোইনুংগী অমম্ববু তাম্লোক্লবগীদমক্ত জ্ঞানগী মশক ওইব নুমিৎকী মঙালনি।

মহাক অদুন সংসঙ্গগী মশক ওইব অদুগুম্লব লুর শেংলব অমদি হুংলব গঙ্গাদ স্নান তৌরিব মঙোন্দ দান, তীর্থ, তপ অমসুং যজ্ঞন কৈদৌনগনি। হায়বদি সংসঙ্গন পুন্নমক্কী থাইব হৌল্লে। কনাগুম্বা রাগ লৈতব অমসং চিংনব য়াওদব অমদি মাংগা থম্মোইগী পুনাশনব কিশিশিং মাংখ্রব অসিগুম্ব সন্ত-পুরুষ করিগুম্ব লোক অসদ লৈব ওইরব্দি তপ অমদি তীর্থ মযাম চংপগী করি কান্নগনি? হায়বদি ফল অদুদি অদুগুম্ব সন্তশিংগী সংসঙ্গদগীমক ফংব ঙম্মী। মরম অসিন মহাক অদুগী পুক্লিংগী অনন্ত কিশি মাংখ্রব অমদি ব্রহ্মজ্ঞানী ওইব সন্তশিংগী ঙমজব উপায় পুন্নমক য়াম্ন ফজন সেবা তৌগদব ওই। মরমদি মখোয় ভবসাগরসিদগী লাম্থোক্রব পাম্বেনি। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্ব মখোয় অদুন নরক্কী মৈবু মুথৎনবগীদমক্ত নোংগী মশক ওইবিব সন্তশিংবু থৌওই-উশিত্তব মিংযেংন য়েংলিব, মখোয় মশামক নরক্কী মৈ অদুগী অকংব শীং ওই। সন্তোষ, সংসঙ্গতি, বিচার অমসুং শম মরি অসিমক মীওইবগীদমক্ত ভবসাগরদগী লাম্থোক্রব উপায় সাধন পাম্বেশিংনি। মখোযগী মনুংদ সন্তোষন পরম লাভনি। সংসঙ্গতিন পরম গতিনি, বিচারন উত্তম জ্ঞাননি অমসুং শমন খ্বাইদগী থোইব নুঙাইবনি। মখোয় মরি অসিন সংসারবু মরু ফুক্ল মাংহন্নবগীদমক্ত বিশুদ্ধ উপায়শিংনি। মখোয়শিং অদুন মরি অসিবু নিংথিন সেবন তৌরক্লব মখোয়দুন মোহগী ঈশিংন থল্লব ভবসাগরদগী লাম্থোক্লবনি। বুদ্ধি তাবশিংগী মনুংদ অথোইব রাম! সাধন মরি অসিদগী অশেংব মঙাল লৈব সাধন অমতংবু অভ্যাস তৌরবদ লেমহৌরিব অহুমসু অভ্যাস তৌরব ওই। মরমদি মখোয়শিংগী মনুংদ অমমম্নসু মথং মথং ওইন মরি অসিগী জন্ম ভূমি পোক্লফম ওইনৈ। মবম অসিন পুন্নমক্কী সিদ্ধিগীদমক্ত য়াম্ন চেকশিন্ন হোৎনদুন অমতংবু মপুং ফান আশ্রয় লৌগদব ওই। প্র শান্ত সাগরদ জহাজন মনিংতম্ন য়াংন চৎলি, মতৌ অদুগুম্ন শমন মরম ওইদুন মক্তুব ওইরব থম্মোইদ সংসমাগম সন্তোষ অমসুং বিচার উত্তম ধারনাগ লোইনন চংশিল্লি। কনাগুম্ব থব্লাই পানবন বিচার, সন্তোষ, শম অমসুং সংসমাগমন তিল্লব মহাক্ল লাইগী ওইব দিব্য জ্ঞান-সম্পত্তিশিং ফংব ওই, মতৌ অসুম্ন মদুদি কল্পবৃক্ষগী আশ্রয় লৌরিব মীন লৌকিক সম্পত্তিশিং

ফংব ঙম্বগুম। মপুং ফাবব পুর্ণিমা থাগ চাংদম্লরিব ফজব গুনশিংগী মতৌগুম্ন বিচার ,শম. সৎসমাগম অমস্ সন্তোষ লৈবব মীদ পসাদ শান্তিনচিংব গুণ ফোদংদোরক্পা ওই। মদুদ অথেংব মাক্লগাশাশং পোইনরিব নিংথোং। মনাও বিজয় লক্ষ্মী লৈবগুম, মতৌ অদুম্ন মহাক অদুগী বুদ্ধি, সন্তোষ, সৎসঙ্গ, শম অমসুং বিচার লৈব ওইবগী মরম্ন উত্তম ওইখব মহাক্ল দিব্য জ্ঞান সম্পত্তি যঙঙম্ব ওই। মরম অসিন রঘুনন্দন! মীওইবন তৌগদবনি মদুদি মহাক্ল পুরুষার্থদগী পাক্ল , লাকশিল্লগ মখোয়শিগী মনুংদ গুণ অমতংগী মতম পুখদ চেকশিন্ন হোৎনদুন তানশিনগদবনি। মরমদি মীওইবন পবম পুরুষার্থদ চংশিল্লগ মশাগী চিত্তগী মশক ওইব শামুবু জয় তৌরগ থম্মোইদ গুণ অমতং ফাওব পুম ইন্দ্রিব অদুক্কী মখোদ উত্তম গতিবু ফংব শক্ত ঙমদে। মখোযদুগী চিত্তদ উত্তম ফংবু পীনল গুণ অমখক্তংবু লেংদন লৈরব মগা। অদুগী দোষ পুম্নমক থিন্দন মা থি. মবমদি গুণ অমতংবু থোইদোক্ল চাওখৎহনব ওই দ দেশশিংবু জয় তৌবঙম্ব গুণ কযামকম চাওখৎলকপ ওই অমসুং দোয অমগী যাম্ন হেন্ন চাওখৎলকপাদগী গুণ কযামকমবু মাংহনব দোষ চাওখৎলকই।

(সর্গ - ১৪ ১৬)

~o()o~

প্রকরণশিংগী মথং মনাও গ্রন্থ সংখ্যাগী বর্ণন, গ্রন্থগী প্রসংসা, শান্তি, ব্রহ্ম দ্রষ্টা অমসুং দৃশ্যগী বিবেচন, মথন-মথন মতেং পাংনব ওইব প্রজ্ঞা অমসুং সদাচাবগী বর্ণন।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায - বঘুনন্দন! মহাক অদুগী থম্মোইদ মথক্কী গাযখ্রিব মখলগী বিবেক অসিন তিন্দুন লৈবব, মহাকমক জগৎ অসিদ অচৌব অথোইবনি অমসুং মহাক অদুমক্ল জ্ঞানগী উপদেশ তাবগী মতিক চাব অধিকাবী ওই। মদুদি

নিংথৌন নীতি শাস্ত্র শ্রবন তৌবগী অথোইব পাত্র ওইবগুম। লৈচিন-নোংফাই থাংদ্রব শরৎ কালগী আকাশন থাগীদমক্ত মতিক চাব ওইব, মতৌ অদুগুম্ন মুর্খশিংগ সঙ্গ তৌদ্রব অমদি পুক্নিং লুপ্ন খঙনিংব লৈব ওইরব পুক্নিং শেংব মী মহাক অদুন অশেংব বিচারগী মতিক চান শরুক য়াব ঙম্মী। শ্রীরাম! নহাক্ত গুণ লক্ষ্মী অপুনব অসিন মপুংফান তিল্লবনি, মরম অসিন ঐন মখাদ শীংথারক্কদৌরিব পুক্নিংগী শুমহৎপ মোহবু লৌথোক্তুন মাংহনগদৌরিব ৱাফমশিংবু তারো। মহাক অদুগী পুন্যগী মশক ওইব কল্পবৃক্ষগী মহৈ উহৈশিংগী অরুম্বন লুকথরদুন হৌরিব মী মহাক অদুমক্তন মুক্তি ফংনবগীদমক্ত মসিবু তাননবগী থৌরাং তৌই। মরম অসিন মথক্কী গুণ অসি নিংথিন লৈরব মী খক্তন কল্যান য়াইফ মঙ্গল ফংনবগীদমক্ত অশেংব পুকচেল চাওব অমদি অতোপ্পব্ জ্ঞান পোকহনব ৱাঙাংশিংবু তাননবগী অধিকারী ওই।

সংহিতা অসি মোক্ষ সাধন (উপায়)গী শীংথাব প্রতিপাদিকানি, মচি-ওইব অর্থশিংন মপুং ফারব অমসুং অরান খুবম ফংনবনি। মসিদ শ্লোক লিশীং কুন্থ্রানিথোই য়াওই। কন্ন তুমথরিব মীগী মনাক্ত থাওমৈ থানগৎলুবদ মহাক্ত মঙাল অদু ফংনিংব তৌদ্রবসু মঙালদি ঙাল্লগনি, মতৌ অদুগুম্ন সংহিতা অসিবু নৈনদুন চৎথরবদ ফংগে নীংবগী ইচ্ছা লৈরুদ্রবসু নির্বাণ (মোক্ষ) ফংব ওইগনি। সংহিতা অসিবু মশামক্ত চংখোন্ন নৈনরগ খঙব ওইরব নল্রগ অতোপ্পন শীংথাবদগী তাহৌব ওইরবসু পাপ-তাপ কোক্তুন নুঙাইনবগী মরম ওইব দেব নদী গঙ্গাগ মান্নন মসিন অজ্ঞানবু নমথদুন খুদক্ত নুঙাইববু ফংহল্লি। মদুদি থৌরিনি হায়বগী মপুং ফাব জ্ঞান ফংলবদ মদুদগী পোক্রমলিব সর্প ভ্রান্তি(লিলনি হায়ন উরম্ব অরানব জ্ঞান) খুদক্ত মাংখিব ওই,মতৌ অদুগুম্ন সংহিতা অসিবু নীংথিন নৈনবদগী সংসারগী অৱাব শান্ত ওই। সংহিতা অসিদ তোঙান-তোঙান শেমখ্রব প্রকরণ তরুক লৈ মখোয়দু যুক্তি যুক্ত ওইব অর্থন তিল্লব ৱারেংশিংদ লেংব অমসুং মচি-মচি ওইব দৃষ্টান্তশিংন থল্লব, ফজব ৱারেং (সুক্তি)শিংন তিল্লবশিংনি। মদুদ অহানব প্রকরণবু ‘বৈরাগ্য’ হায়ন কৌই। মসিবু নৈনরগ মতৌ অদুগুম্ন বৈরাগ্য

পোকহল্লি মদুদি মরুস্থলদসু ঈশিং চাইক্না উ হৌবগুম। মাণবু নিংথিজন তকথোকপদগী পোক্লকপ মঙালন মদুদ মক্তুব মতৌ ফোংদোক্লকপ অদুগুম্ন শ্লোক লিশীং অমমখায় ন শান বৈরাগ প্রকরণবু বিচার তৌবদ বিষযশিংগী দোষশিংবু খঙবদগী পোক্লকপ বিবেকী মঙালদগী থম্মোইদ শুদ্ধতা অশেংব মতোগী নুমিৎ থোবকই।

মদুগী মতুংদ 'মুমুক্ষু ব্যবহার' কোব প্রকরণগী বাঙলা তৌই। প্রকরণ অসিদ সুড়গী শ্লোক লিশিং অমত্তনি। যুক্তিশিংতন থল্লব ওইনগা মরম্ন মসি হেন্দোক্ল ফংতে অমসুং মসিদ মুমুক্ষুশিংগী স্বভাবকী বর্ণন তৌনি। মসিগী মতুংদ অমমত্তুব 'উৎপত্তি প্রকরণ' লাকই। অদুগুম্ন দৃষ্টান্ত অমসুং ব্রানী মচা (আখ্যায়িকা)শিংন যোল্লব অমাদি বিজ্ঞানগী প্রতিপাদকনি। মসিদ শ্লোক লিশী তরেৎ মাঙা। প্রকরণ অসিদ এ অমসুং নং মসিগী মশাক (স্বরূপ) অমাদি মদুন তশেংনা পোক্লব ওইবরসু ফোংদোক্লকপগুম্ন উব ওইব, দ্রষ্টা অমসুং দৃশ্য। তাঙানব(অন্য)ন য়ানাশিংবব সংসাবক আসগী সম্পত্তিগী বর্ণন তৌব। প্রকরণ অসিবু তাবদ শ্রোতা। অতাব মা) মদুন জগত পুম্নমক আসবু মাগী থম্মোইদ অসুম্ন শঙহ মদুদি নং অমসুং ঐ মাসিগী শব্দোক্তুন লৈখ্রিব লোক, (তাইবং) চীং অমসুং আকাশন তিল্লব, সংকল্পগী মশক ওইবব নগরগী পাংথক ওইন মিকুপ্ত মাংব, মঙদ ফংলম্ব পোংকী মতৌগুম্ন সত্তা লৈতব, মনোরাজগী মতৌগুম্ন শব্দোক্লপ ওইব, অথ শুন্য ওইবগী মবম্ন গন্ধর্ব-নগরগী মতৌগুম্ব, থা অনি থোকপগী ভ্রমগী মতৌগুম্ন মৃগতৃষ্ণাদ ঈশিং লান্ন উবগা মতৌগুম্ব, হিন চৎপদ চীংনচিংবগা মচৎপ ওইব ভ্রম তৌবগী মতৌগুম্ন চঞ্চল অমসুং অশেংব কানব যাওদবনি। মতৌ অদুগুম্ন সনাদ খুজি, ঈশিংদ হথক অমসুং আকাসত শ বানব অসৎ ওইবনি। তশেংনাক মখোয পুম্ব মাগী মাগী অধিষ্ঠানমক্তা অঙ্গ শরীর, মতে অদুগুম্ন জগৎ মাগী লৈতব অসৎ ওইরণ।সু সৎ অবৈধগী মতংদ পোক্লকপ ওইনা। পরমার্থগী দৃষ্টিদা মসি বিজ্ঞানগী মশক ওইব শবং কালগী আকাশ অদুগ চপ নাইন্নে, মদুদ অজ্ঞানগী মশক ওইব অমম্ব মপুং ফাদ কোকখ্রব। মদুগী মতুং মবিশ এদ 'স্থিতিপ্রকরণ' কুমথবকই। প্রকরণ অসিদ শ্লোক লিশীং অতম য়াওবি অমসুং মসি ব্যাখান

অমসুং ৱারী মচাশিংন থনব ওই। ব্রহ্ম খণ্ডন দৃষ্টা অমসুং দৃশ্য ভাবপু লৌদুন মতৌ অসুম্ন জগতকী মওং অমসুং অহংগী মওংদ স্থিতিবু ফংব ওইরি। অসুম্ন প্ররকরণ অসিদ তাক্লি। মতৌ অসুম্ন জগৎভ্রম অ সন মাইকৈ তরান মকোয় শেম্ব পাকশনব ওইন ঙালহনবনি অমসুং মতম শাংনদগী চাওখৎপ ফংব ওইরকই, বিষয় অসিসু প্রবকরণ অদুদ শন্দোক্ল খংহনখ্রে।

অদুগী মতুং তাবদ মঙাশুব 'উপশান্তি প্ররকরণ' হায়বকই। মসিদ শ্লোক লিশীং মঙা লৈ। মসি পরম পাবন ওইরব অমদি যুক্তি মখল-মখল্ন তিনব ওইবদগী থোইদোক্ল ফজব ওই। প্রকবণ অসিদ "মসি জগতনি, মসি ঐনি, মসি নংনি অমসুং মসি মহাক্নি - অসুম্ন পোক্লকইব ভ্রান্তি (ওন্নন খঙব ভ্রম) মতৌ কবম্ন মপুং ফান লোকপ শান্ত ওই" বিষয অসিদ শ্লোক কয়ামরুম চংন তাক্লি। উপশম প্রকবণবু শ্র া তৌরবদ সংসাব অসি মৃৎখিব মাংখিবগুম্ন ওই, মরমদি মহাক অদুগী ংগী মশক ভ্রান্তস্বরূপ চপচান শান্ত ওইখ্রে অসুম্ন সংসৃতি(পুনঃজন্ম)গী চামদ অমগী শরুকখক্ত লেমদুন লৈহৌই।

অদুগী মতুংদ "নির্বাণ" কৌব তরুকশুব প্রকরণগী বর্ণন লাকই। মসিদ লেমহৌরিব শ্লোক লিশীং তরামরি মখায লাওই। প্রকবণ অসি জ্ঞানগী মশক ওইব মহান পুরুষার্থবু পীনবীবনি। মসিবু খঙলবদ কল্পনা পুম্নমক মৃৎখিব ওই অমসুং পরমাত্মাবু ফংবগী মশক ওইব পবম কল্যান অদ্ খুনাক্ত লাকপ ওই। হেন্ন কবিগী হায়নগনি, মথক্কী প্রকবণবু খঙলব মী (অখঙব মী) অদুগী সংসাবিক ভ্রম পুম্নমক মৃৎখিব ওই। মহা নিবষয চৈতন্য প্রকাশ রুপ, বিজ্ঞানস্বরুপ, আদি ল্যাম্বশিং যাওদ্রব অমসুং আকাশ মকোযগ মান্নন বিকাব লৈত্রব নির্বিকাব ওখি। মাগী জগতকী খোংচৎ পুম্ব শান্ত ওই অমসু মহাক তৌগাদব তৌবব মথো লোইবব (কৃৎকৃত্য) ওইরবগী মবম্ন মশান মশাদ লেপচদ্দন লৈজব ওই। মহাক প্রকৃতি অমসুং প্রকৃতিদগী ওইরকপ হেক লৈবিব বিষয়শিংগ কর্তাগী অভিমান অমসুংলৌশিনব থাদোকপগী মিংয়েংদগী যাওদব ওই, মরম অসিন মহাক হকচাং পানব (দেহধারী) ওইরদুনসু বিদেহ(হকচাং যাওদব)গুম্ন

অমসুং সংসারী ওইরবসু অসংসারীগুম্ন ওই। মাগী অহংকারগী মশক ওইব তম্নলাই (পিশাচ) মাংখ্রে অমসুং মহাক দেহযুক্ত দেহগ লোইনব ওইরগনসু হকচাং য়াওদবগুম্ন লৈ। চৈতন্যঘন পরমাত্মান মশাগী মন্নংদ কল্পনা তৌবব আকাশতা পরমানু খুদিংমক্ত লোক(তাইবং) লিশীং লিশীং রচনা তৌরগ লৈরিব অমসুং মশামক্ত মদুশিংদুবু য়েংদুন লৈ।

শ্রীরাম! উনরিব লৌবুক্ত মতম চান হুর্নখিব অথোইব মরুদগী শোইদনমক্ত অথোইব অফব মহৈ লোকই মতৌ অদুগুম্ন সংহিতা অসিবু থম্মোইদ হাপ্তুন থম্লবদ পরমার্থ বিষয় ওইব জ্ঞান লাযন ফংব ঙম্মী। প্রাতঃকাল ওইরক্লবদ মঙাল লাকপ শোইদবনি মতৌ অদুগুম্ন সংহিতা অসিবু চিত্তদ ধারণ তৌব খক্তনসু লেপ্পমক পুংথোই থোইব বিবেকপু ফংব ওইগনি।

বিদ্বানশিংগী চিন্দগী মসিবু তারগ নপ্রগ মশামক্ত মসিবু খঙলগ তপ্প তপ্প বিচার তৌরদুন বুদ্ধিবু লৈতান শেংদোক্লকই, মতম অদুদ অহানবদ থম্মোইদ, সভা মফম্ব লৈতেংব ওইহল্লিব ব্রাংল শাংলব উবিগী মতৌগুম্ন সংস্কাবন তিল্লব অশেংব ব্রাঙাং ঙাংথোরকই। অদুদগী অচৌব অথোইব চংখোল্লব হৈশিংব ফোংদোবকপ ওইরকই। মদুদগী নিংথৌ অমদি লাইশিং ফাওব অপেনব নুঙাইব ওইনে। ফজব মিং পানব মীন নুমিদাংগী মতমদ থাওমৈ খুত্ত পাইদুন পোৎ খুদিংবু য়েংব উব মতৌ অদুগুম্ন বুদ্ধি তাব মীশিংন মফম পুন্নমক্ত মাং তুং খংবা জ্ঞাতা ওইরকই। গ্রন্থ অসিবু অভ্যাস তৌবদগী মহাক অদুগী অজ্ঞানগী অন্ধগী মশক ওইব ফিজং যুখল শেগাযথ্রব মবম অদুন অদুগুম্ব পোৎশিংগী মচা খাযদোকপগী সমর্থ (মতিক) ওইরব অসিগুম্ব প্রজ্ঞা অমম্ব লৈত্রব রত্নদ্বীপকী মৈরিগ মান্নন থেন্ন থোইন মঙাল লৈব ওইবকই। থৌবাং তৌদুন থল্লিব গ্রন্থ অসিবু খংলিব জ্ঞাতা পুরুষ অদু অকিব মরমশিংগ মায়োক্লবদ (হকথেংনব)লেপ্তুন লৈবসু ওইডসনু অদু ওইরবসু তেন্ন অচৌ-অচৌব নুংজাওশিংবু যুংব লেংব ঙমদব মতৌ অদুগুম্ন অকিব ফংলব সংসারগী অকিবন মাগী থম্মোইবু চৈনা ফাওহনব ঙমদে। গ্রন্থ

অাস নৈনবদগী মপোকসিদ প্রারব্ধগী অমসুং কর্মদ পুরুষার্থগী মরম ওইব কারণ [illegible] -অসিগুম্ব মখলগী চিংনব খোঁবকপু নুংথিলদ অনম্বন [illegible]পাশিনবগুম মাংখি। গ্রন্থ অসিবু বিচাব তৌবিব মীশিংগী থম্মোইদ সমুদ্রগী মতৌগুম্ন গম্ভীর ওইব, সুমেরুগী মতৌগুম্ন তপথব ধীরতা অমসুং থাজগী মতৌগুম্ন অযিংব ফাওগৎলকপ ওইরকই। মতম অদুদ থম্মোইগী আকাশত শনগী মঙালন লৈতেংলব বিবেকী মশক ওইব লংলব নুমিৎন থোক্লক্লব মতম অদুদ লেপ্নমক কান্নদকী খুদম উপদ্রব ওইব কামনাচিংব ধুমকেতু মঙাল পুদুন থোরকপ ঙমদে। ধৈর্য্য তপথবগী মতোল লোম্ব ফংলব অদুগুম্ব বুদ্ধি ধর্মগী মশক ওইব চেকপলদ য়াম্ন কন্ন লুপাশনব ওইখি, মদুদ পুক্নিংগী ওইব চিন্তাশিংন লেংহনব ঙমদ্রে, নুংশিংন চেদ যেক [illegible]বু নিকহনব ঙমদব [illegible]। তত্ত্বজ্ঞ পুরুষ বিষযাসক্তিগী গুহাদ তাসন্দে মরমাদ মঙোন্দ উত্তম মাগগী জ্ঞান লৈরব মহাক্র কমদৌন গুহাগী মাইকৈদ করিগী চেনশিনগদগে। সং শাস্ত্রশিংবু নৈনবদগী মখোয়গী লমচৎতু অথোইব চরিত্র ওইখ্রব মখোযগী বুদ্ধি য়থাযোগ্য মশান ফংজরকপদু শাস্ত্রগী মতুংইনব কর্মদত নুঙাইন লৈ অসুম্ন মদুদি পতিব্রতা ওইবী নুপীন মাগী যুমগী মাঙ্গোলতদ পেন্দুন নুঙাইবগুম। মহাক অদুগী পুক্নিং অন্তকরণ মোক্ষ সাধনগী অনুভবতগী শেংদোকখ্রব মদুন ভোগ মখলশিংন কবিগুম্বদ অৱাবস্ পীব তৌদে অমসুং নুঙাইবসু পীদে, মহাক পামদব থবকশিং ফংলবদ যেংথিবসু তৌদে অমসুং অপাম্ব পোৎশিং (থবকশিং) মাংখ্রবদসু মদুবু ফংনিংব তৌদে হেন্নদুম মহাক্র কার্য ফলনচিংবগী স্বরূপপু খংলের জ্ঞাতা ওইববসু জড বৃক্ষগী মতৌগুম্ন খঙদব মওংগুম্ন আচরণ তৌদুন লৈ। মহাক্র অচম্ব মীগী মতৌগুম্ন মতমগী মতুংইন্ন ফংলকপ পোৎশিংন পুন্সি লেন্দুন লৈব উনৈ। পামদব ফল ফংলবসু মাগী থম্মোইদ খজিক ফাওব বিকাব ওহদে। বাঘব' শাস্ত্র অসিবু মপুংফান লোইন পাথোক্লগ অমসুং খঙদোক্লগ অমুক হন্ন মসিদ বিচাব তৌবো। মসি হাযবথক্তগী ৱা নত্তে। থোইদোক্ল লাইশিংগী ৱবদান অমসুং শাপকা মান্নন ফল শোইদন ফংব ওইগনি। ফজবব শাস্ত্র অসিবু উত্তমজ্ঞান্ন [illegible]িল্লব, শলংকারশিংন লে [illegible]ংদুন চুখোলহল্লব কাব্যস্বরূপ ওইব

অমসুং রস লৈব সরসনি। মসিদ দৃষ্টান্তশিংন মরম ওইদুন বিষয়বু প্রতিপাদন তৌরিবনি। মহাক অদুনা পদ-পদার্থগী জ্ঞান খরদংবু লৈরবদি মহাক মশামক্না মসিবু খঙদোকপ ঙম্মী, তৌইগুম্বসুং কনাগুম্ব মশামক্না মসিবু খঙবদ ঙমদব ওইরবদি মহাক্না পণ্ডিৎকী চিন্দগী তাগদবনি। সংকল্প(ব্রাখল)ন শেম্ব নগরদ মীওইবন হন্নাওব অব্রাবন অপনব পীব ঙমদব মতৌ অদুগুম্ব সংসাব ভ্রমগী পরিজ্ঞান (খঙব)ওইরবদ মসিসু (সংসাবসিসু) অব্রাব পীনবগী মশক ওইদে। মদুদি মসি অয়েকপ লিলনি: অশেংব লিল নত্তে, অসুম্ব খঙদোক্লবদ মহাক্না লিল অদুদগী পোকপ অব্রাবদুগী দাতা অপীব ওইদে। মতৌ অদুগুম্ব উরিব দৃশ্য সংসারগী মশক ওইব লিল অসিগী অশেংব খঙব য়থার্থ জ্ঞান ওইববদ মসিনসু নুঙাইব নত্রগ অব্রাব পীদে। মদুদি চেদ য়েক-প অযেকপ লিলবু মপুংফান খঙলবদ মাগী লিল ওইবম্ব মতৌ অদু মাংখিব ওইব মতৌ অদুগুম্ব সংসারগী চপচাব অশেংব স্বরূপ মশকপু খংলবদ মসি লেপ্তুন লৈজরগনসু শান্ত ওইখি হায়বদি মসিগী প্রভাব তাদে।

রঘুনন্দন! মসি শাস্ত্রগী জ্ঞানবু শন্দোক্ন পুথোকপ অমসুং বুদ্ধিন লৌশিনব ঙম্ব মচি-মচং ওইব পোৎশিংগী অরোইব মতোল পরমাবর্ধিনি। হৌজিক ঐন মসিবু শীংথাদুন হায়রক্কে তারো। অহানবদ অদুগুম্ব নিয়ম বিধি অদুদ শাস্ত্র অসিবু তাগদব অমদি অদুগুম্ব পরিভাষাদ মসিবু যথার্থ রুপ (চপচাব মওং)দ বিচার তৌনবগী বিধান (নিয়ম) ওইব ব্রাহৌদোক অদু তারো। অদুগুম্ব উখ্রব খঙখ্রব পোৎশিংগী মান্নব চাংদমদগী অনুভবত লাক্লিব পোৎপু খঙহল্লিব খংবদ মতেং পাংবগী মশক ওইব ফল পীরব অদুগুম্ব সাদৃশ্যবু, উপমাবু, বিদ্বানশিংন দৃষ্টান্ত কৌনৈ। শ্রীবাম! করিগুম্ব, অহিংদ থাওমৈ যাওদন য়ুমদ থম্লিব কোল-লীকনচিংব পোৎশিং (সামগ্রিশিং)গী খঙব জ্ঞান ওইব ঙমদে, মতৌ অদুগুম্ব দৃষ্টান্ত য়াওদন অপুর্ব অনৌব পোৎকী(অর্থ) খঙব ওইথোক্তে। উপমান অমসুং উপমেয়গী অদুগুম্ব কার্য-কারণগী প্রতিপাদন তৌখ্রিব মদু পবব্রহ্মবু থাদোব্লগ লেমহৌরিব পোৎ পুম্নমক্ত পানব, শিজিন্নব ওই। ঐন মফম অসিদ ব্রহ্মা উপদেশকী প্রসঙ্গ (মতাং

ব্রাফম)দ নঙোন্দ অদুগুম্ব দৃষ্টান্ত অম হেক হায়রকপ মদুদ একদেশকী সাধর্ম্যদগী প্রকৃতার্থদ (অশেংব পোৎ অদুগী অর্থদ) লৌগনি। মসিদ ব্রহ্ম তত্ত্ববু খংহন্নবগীদমক্ত অদু অদুগুম্ব দৃষ্টান্ত পীরকপ মদু মঙদ উব পোৎশিংগী মতৌগুম্ন মিথ্যা ওইব জগতকী মনুংচনবমক্নি- অসুম্ন খঙ্গদব ওই। পোক্ত্রিঙৈগী মমাং অমসুং মাংখ্রবগী মতুংগী মতমদ জগত অসি লৈতব ওইরম্ব, মতৌ অদুগুম্ন হৌজিক ওইরিব মতম (বর্তমান কাল)দসু, বিচার তৌরবদ লৈতব পোৎমক ওই, মরম অসিন মিথ্যাত্ব (মিথ্যা ওইব)গী মরম্ন মিকপ থোক্লিব তাইবং অমসুং মঙ অনিমক অসি মান্নব ওই; মসি অঙাংশিং ফাওবন খঙব ঙম্ব ব্রানি হায়বসি খঙনরিবনি। মোক্ষ সাধনশিংগী নির্মাতা (অশেম্ব) গ্রন্থকর্তা মহর্ষি বাল্মীকিন অতোপ্প অদুগুম্ব গ্রন্থশিংগীসু রচনা তৌখি, মদুদসু খঙগদব ওইব পোৎকী জ্ঞান খংহন্নবগীদমক্ত সুপ্নগী নিয়ম থৌরাং অসিমক থমখি মদুদি দৃষ্টান্তশিংগী অদুগুম্ব শরুক মচেত্ত মান্নব ওইব শরুক অদুখক্তগ লোইনন মান্নব থমগনি। মরমদি জগত অসি মঙ সংকল্প (ব্রাখল) অমসুং ধ্যান্ন কল্পনা তৌদুন শেম্ব নগরগী মতৌগুম্ন মিথ্যানি, মরম অসিমক্ত মফম অসিদ মখোয়সিমক দৃষ্টান ওইন পীরি; অতোপ্প নত্তে। জ্ঞান ফংনবগীদমক্ত কারণ লৈতব ব্রহ্মদ অদুগুম্ব কারণ ওইব মতৌগী উপমা পীরিব, মদুদ উপমা তৌরিব পোৎশিংগ লোইনন অয়াম্ব শরুক্ত সাধর্ম্য(ধর্ম মান্নব) ওইথোকপ নত্তে। মরম অসিন বিবাদ য়াওদব বুদ্ধিমান পুরুষন জ্ঞানবু ফংনবগীদমক্ত উপমান্দ উপমেয়গী শরুক অমখক্তংদ সাধর্ম্য ওইবদুবু লৌগদব ওই। পোৎশিংবু য়েংবদ উবদ থাওমৈগী মঙালখক্তবু নত্তন মাগী পাত্র, থাও অমসুং দোশিনচিংব অমত্তগীসু শিজিন্নব তৌরোই। সুপ্নগী মফম অমত্তংগী মান্নব (সাদৃশ্য)দগী উপমান উপমেয়গী জ্ঞান খঙহনবনি। মদুদি 'মণিদীপ ইব' দৃষ্টান্ত অসিদ উপমান তৌরিব থাওমৈ,শুপ্নগী মঙালদ উপমেয় মনিবু খংহনবনি। দৃষ্টান্তগী মচেৎ শরুকখক্তদগী জ্ঞেয় তত্ত্ব (খঙ্গদব ওইব পোৎ)গী জ্ঞান ওইবদ তত্ত্বমসি নচিংব মহব্রাক্যশিংগী অর্থগী অরেপ্প (নিশ্চয়) উপাদেয়গী মওংদ লৌগদবনি। কুতার্কিকতাগী আশ্রয় লৌদুন অনুভবকী বিরুদ্ধদ শেংদব বিকল্পশিংন অচুম্ব ফজন খঙব প্রবুদ্ধতাবু

মাংহনব তৌরোইদবনি। শ্রীরাম! দৃষ্টান্তন মরম ওইদুন অদ্বিতীয় আত্মজ্ঞান স্বরূপ শাস্ত্রার্থগী জ্ঞানদগী মহাবাক্যগী অর্থ ওইব ব্রহ্ম স্বরূপতগী চপচাব মওংদ সিদ্ধি ওইরব শান্তিমকপু নির্বান হায়ন কৌই। মরম অসিন দৃষ্টান্ত অমসুং দার্ষ্টান্তগী মখল মখা ওইব বিকল্পশিংগী মরৈ য়েংনরুবগী কান্নব করিসু লৈতে। মৌইগুম্বসুং করম্ন করিনো ওইরবসু অদুগুম্ব যুক্তিন মহাবাক্যর্থগী য়াম্ন ফজন আশ্রয় লৌগদব ওই। রাঘব! নহাক শান্তিতবু পরম শ্রেয়নি খঙই, মরম অদুন মদুবু ফংনবগীদমক্ত হোৎন-কনব ওইয়ু। মরমদি শান্তি অমসুং শাস্ত্রজ্ঞান্ন লৈতেংদুন চংখোল্লব বিচারদ তুংনফম ওইব মীন শাস্ত্রগী উপদেশ, অফব মী, উত্তম বুদ্ধি অমসং শাস্ত্র খঙব মীশিংগ তিন্নবন মরম ওইদুন হোৎনবগী মতেং লৌরগ উত্তম পদবু ফংগদব ওই। বিদ্বান পুরুষশিংন মতম অদু ফাওব বিচার তৌদুন লৈগদবনি, অমুকহন্ন মাংব ওইদ্রব তুর্যপদ কৌব শান্তিগী মশক ওইব আত্মবিশ্রান্তি (আত্মাগী মপুং ফান নুঙাইন পোৎথাব) ফংদ্রিব ফাওব। কনাগুম্ব মী অদুন তুর্যপদ কৌব শান্তিন তিনব ওইরবদ ভবসাগরদগী লাম্থোকখি। মহাক গৃহস্থ ওইসনু নত্রগ সন্যাসী, মহাক হিংন নত্রগ হিংদন নত্রগ কর্ম তৌন নত্রগ তৌদন ওইবগী করিসু প্রয়োজন লৈতে; মদুদি ঈশিং পুম্বগী তুংনফম সমুদ্রন ওইব মতৌ অদুগুম্ন প্রমাণশিং পুম্নমক্কী সত্তাগী প্রমাণ অমত্ত ঙাইরব প্রত্যক্ষমক্তি, মরম অদুন নহাক হৌজিক মদুগী বিষয়দ শ্রবন তৌরো। অথোইব মীন ইন্দ্রি পুম্নমক্কী মচি-মচংগী মশক জ্ঞানবু প্রত্যক্ষ কৌনৈ। অদুগুম্ব ইন্দ্রি অদুগী মফমদ জ্ঞানদু সিদ্ধ ওইব মদুমক প্রত্যক্ষ কৌই। অনুভূতি বেদনা অমসুং প্রতিপত্তিগী মমিংগী মতুংইন্ন শাস্ত্র অসিদ মদুমক্কী প্রত্যক্ষ হায়ন মিং থম্মী। মদুমক ঐখোয় পুম্বগী জীব ওইবিব মদুমক সংবিতনি মদুমক অহংতাগী শকউংকী বিষয় ওইব সাক্ষী পুরুষনি। নহাক্র মতমদুদ সংবিংকী মতেংদগী ফোংদোরক্রব - তম অদুদ মদুবু পদার্থ কৌনৈ। অসুম্ন মদুদি ঈশিংবু ঈথক্লচিংকী মওংদ উরকপগুম্ন, মতৌ অদুগুম্ন পরমাত্মা নহাক্র সংকল্প-বিকল্পনচিংব মখল মখাগী ভ্রমশিংগী মরম ওইব জগতকী মওংদ ডাম্লোকপ ওই। সৃষ্টিগী মনাংদ কারণরহিত (মরম লৈতব) ওইরগ নহাকমক্র সৃষ্টিগী অহৌবদ সৃষ্টি লীলাদ তিন্দুন

মশামক্ক মশামক্ত ফোংদোক-ওয়েরক্তুন প্রত্যক্ষ কারণ ওইরকখি, জীবগী অজ্ঞানদগী পোকপ কারণদি অসং ওই অদুম ওইনমক অচুম্ব সংকুম্ন উব ওই। মদুমক প্রকৃতিদ জগতকী মওং ওইন ফোংদোকপ ওই। বিচাবদি মশামক্ক মশাগী কর্মগী মতুংইন্ন ফংজরব মশাগী হকচাংবু মাংহল্লগ থিন্দনমক অথোইব পবম পদবু ফোংদোকপ তৌই। বিচার লৈব মীন পরমাত্মাবু ফংলব মতমদুদ মাগী বিচারসু মদুদ লুপশিনখিব ওই। মতম অদুদ হায়ব ঙমদব বর্ণনাতীত ওইব সুপ্নগী পরমাত্মাখক্ত লেমদুন লৈহৌই।। মতৌ অসুম্ন প্রপঞ্চগী অভাব (লৈতব) ওইখ্রবগী মবম্ন মশাগী বুদ্ধি ইন্দ্রি অমসুং কর্মশিংন মরম ওইদুন পুক্লিংগী ঈচ্ছা লৈতব মরম অদুদগী শান্ত ওইববদ মাগী কর্ম তৌবগী কবিসু কান্নব (প্রযোজন) লৈত্রে অমসুং তৌদবগীসু লৈত্রে। অদুদগীদি স [illegible] ক য়াওদন চংপ যন্ত্রন থবক ওইদব, মতৌ অদুগুম্ন ইচ্ছা যাওদ্রব পুক্লিংন শাও ওইববদ কর্ম ইন্দ্রিশিং কর্মনচিংবদ থৌজংব থক ওইদ্রে। মপানগী ইন্দ্রিশিংন বিষয লৌব অমদি পুক্লিংন বিষয তম্ন চংবগী মশক ওইব পোংশিংন সমাকুল (পূন্দুন ওইশিনব) জগত অসি বিচাবগী মনুংমচন্ন লৈ- মদ্যাং নুংশিংকী মনুংদ (স্পন্দন) শিংপ হুম্বন লৈবগুম। শেংলব সবাত্মা বিষযক বিচার, মতৌ অদুম্ন কর্মগী মতুংইন্ন ভোগভাগীদমক্ত ফোংদোবকপ মদুমক্কী মওংদ মান মাইবৈ, মতম অমদি মপাল অমসুং মনুংগী পোংশিংগী মশক্ক শন্দোকপ মওংদ ফজহল্লম্ব ওই। বিচাব অসি হকচাংনচিংবদ দশ্যাভাস দশ্য ওইব মমিংু উবগ মসি ঐগী ঈশামক্কি অসুম্ন শুহংপন খুদুম চন্দুন (ব্রাখর্ণা) পূদুন লৈ। মদুবু মশাগী মশক মদুদ মদুম্ন অমসুং মওং অদুম্ন উব ওইনব মহাক্ক মদুম্নমক ওই। সর্বাত্মা মফমদুদ মতৌ অদুম্ন ফোংদোকপ ওইরব মদুদ মদুম্নমক মতম অদুদ তুংদুন লৈরুই অমসুং মদুবু মশামক্কী স্বরুপনি লৌদুন ফজহনব ওই। সর্বাত্মকতান মবম কাবণ ওইদুন দৃশ্য ওইব মতৌগী আবোপ থংজিনব ওই। দৃশ্য ওইব মতৌ অদু দ্রষ্টাগী মফমতদ ওইথোকই নত্রবদি দৃশ্যাতাসু অশেংব ওইদে। মরম অসিন প্রত্যক্ষমক কারণ লৈতব অদ্বিতীয ব্রহ্মরুপ্তগী সিদ্ধ ওইন লৈ। মহাকমক্ক প্রমাণ পুম্নমক্কী নির্মাতানি। মরমদি অনুমানচিংব প্রমাণ প্রত্যক্ষ মমাংদ যাওদুন লৈবগী মরম্ন মদুগী

অংশ শরুকনি। সাধু স্বভাব ওইব বাম নশাগী কর্মমকপুক্তবু দৈব প্রাবব্ধনি লৌদুন মদুবু উপমান তৌরিব ইন্দ্র জয় তৌরব পুরুষ। দৈব-শব্দার্থ হায়বদি প্রারব্ধবু লাপ্ন হুন্দোক্লগ মশাগী পুরুষার্থন পরম পদ অদুবু মশাগী মনুংমক্তা ই।

রঘুনন্দন! অজ্ঞানবদ সন্ত সমাগম ওইব যুক্তিন নমদুন নশাগী বুদ্ধিবু চাওখৎহনব মতিকচায়। অদুগী মতুংদ মহাপুরুষশিংগী লক্ষণশিংগী মতৌ তমদুনা নশামক্ত মহাপুরুষ ওইব মতৌ পুবরুদবানি। জগত অসিদ অদু অদুগুম্ব মীন অদু অদুগুম্ব গুন্ন থোইদোকপ ওইন মপুং ফাব মহাক্ল গুন অদুন মরম ওইদুনা থোইখিবনি খংনৈ, মবম অদুন থুনমক মী অদুগী গুন অদু ফংলগ মশাগী বুদ্ধিবু চাওখৎহনগদবনি। মদুদি খম্বালদগী সরোবর অমসু সরোবরদগী খম্বাল অমগ অমগ ফজব ফংনৈ, মতৌ অসম্ন জ্ঞানদগী শমনাচিংব গুন অমসু শমনচিংব গুনশিংদগী জ্ঞান মখোয় অমগ অমগ চাওখৎপ ফংনব ওইনৈ। সংপুরুষশিংগী আচরণগী চাওখৎপ ওই। মতৌ অসুম জ্ঞান অমসুং সংপুরুষশিংগী আচরণ মথন মথন অমন অমগী মতেংদগী চাওখৎপ ওইনে। শ্রীরাম! সংসার আসদ জ্ঞান অমসুং সদাচারগী চপমান্নন অভ্যাস তৌদ্রিব মখো মীওইবন অনি অসিগী মরক্ত অমত্তংনুসু সিদ্ধি ওইব ঙমদে। রঘুনন্দন! মতৌ অদুগুম্ন ঐন সদাচারগী মতম মতামদা বর্ণন তৌখ্রিব, মতৌ অদুগুম্ন হৌজিক লাক্কগোবিব জ্ঞানক্রমগী শাস্ত্র মখোন উপদেশ তৌবগনি। সৎ-শাস্ত্র অসি মিংচৎ পীব, পুন্সি শাংহনব অমসু পরম পুরুষার্থ ওইব ফল পীনবগী মশক্তি। মবম আসন লৌশিং তাব বুদ্ধি [illegible] মীনা শাস্ত্র অসি [illegible] মপুং ফাব, ফংলব মীদগী মাসবু শবন [illegible]দবানি।

সর্গ ১১-২০।

মুমুক্ষু ব্যবহার সম্পূর্ণ ওইরে

~ooo~

উৎপত্তি প্রকরণ

উরিব জগত মিথ্যা ওইবগী নিরুপণ, দৃশ্যমক্ক ফাজিন-পুনশিনব বন্ধমি অমসুং মসি লৌথোক্লবদ মোক্ষ ওই অমসুং উরিব দ্রষ্টাগী থম্মোইদমক দৃশ্যগী লৈবগী রাফম হায়ব।

শ্রী মহার্ষি বসিষ্ঠন হায় - শ্রীরাম!মুমুক্ষুশিংগী ব্যবহারশিংগী মরু ওইব বর্ণন তৌবা অদুগুম্ব মুমুক্ষ ব্যবহার প্রকরণগী মথংদ হৌজিক ঐ উৎপত্তি-প্রকরণগী বর্ণন তৌবক্লগে। উরিব তাইবং দৃশ্য জগতকী সত্তা (অওইব ওইন লৈব) হেক লৈরিব ফাওব পোকপ শিবগী বন্ধন অসি লৈ। উরিব দৃশ্যগী লৈতব অভাব ওইববদ বন্ধন করিগুম্বদসু কখ লৈব ঙমদে। উব দৃশ্য জগত অসি মতৌ অদুম্ন পোক্লকই মদু হায়গে। নহাক মথং মথং পুক্লিং চংন তারো। সংসারদ কবিগুম্ব পোক্লক্লব মহাক অদু চাওখৎপ অমসুং মুৎখিব ফংব ওই। মহাকমক ফাজিন পুনশিনব,বন্ধতা অমসুং মোক্ষ নাম্মোকপ ফংব ওই অর্মাদি মহাকমক স্বর্গ নরগ নবক তাই। মশাগী স্বরুপ (মশক) পু খংদবদগীমক বন্ধন ওই। মরম অসিন স্বরুপ(মশাগী মশক) খংনবগীদমক্ত ঐন মখাগী রা হায়রকই। (মসিদগী নহাক্ত মসি খঙনি মদুদি দৃশ্য জগত (প্রপঞ্চ) অসি কবিগুম্বদসু শুক্লে লৈতে। আত্মাদি উরিব জগত অসিগী পোক্লক্লুঙৈগী মমাংদ অদুম্ন লৈরম্ব অদুগুম্নমক মাগী। পোক্লবগী মতুংদসু লৈদুন লৈ (মহাক মতম পুম্বদ একরস মওং অমত্তদ লৈব ওইদুন লৈ)মর্দুদি তুমখুন হুন্ন তুম্ব সুষুপ্তিদ মঙগী সংসার লৈব ওইদে।মতৌ অদুগুম্ন হেক উরিব মচৎচত্ত জগাত অপুম্ব অসি কল্লগী অরোইবদ মাঙব(অভাব) ওই। অদুগী মতুংদ নিষ্ক্রয় গম্ভীর শক-মিং লৈতব অমসুং ফোংদোক্তব অনির্বচণীয় (হায়ব ঙমদব) মরৈব সদ বস্তু খক্ত লেমদুন লৈহৌই; মদু মৈগী তত্ত্বসু নত্তে

মরমদি মহাক্কী মশক মওং রুপ লৈব ওইদে। অমদি মহাক তমোময় অমম্বগী মশকসু নত্তে, মরমদি মহাক মশান ঙাঙ্গব স্বয়ং প্রকাশকী মশক্লি। বিদ্বানশিংন ব্যবহারদ শিজিন্নব য়ানবগীদমক্ত সৎ-স্বরুপ পরমাত্মা অদুগী খৃত, আত্মা, পরব্রহ্ম অমদি সত্যনচিংব মমিং হাপ্তুন থম্লম্মী।

সনাদগী শাব খুজি সনামক্লি। সনা অদুদগী "লীক্লু" শব্দগী অর্থন তোঙানহনব য়াদে, মতৌ অদুগুম্ন জগত ব্রহ্মগী অদুগুম্ব অর্থ ওইব মদু পরব্রহ্মতদ তুংনফম হৌরকফমনি, মরম অদুন মদুদগী তোঙানব নত্তে। মদুদি খুজিগী স্বরুপ সনাগী স্বভাবমক্কী মনুংদ যাওবনি, খুজিগী স্বভাবকী মনুংচনব নত্তে মতৌ অসুম্ন উবিব জগত অসিসু মাগী পরিচ্ছিন্ন স্বভাবপু থাদোকপ্রবদ ব্রহ্মভাবমক্ত লেপ্তুন লৈ "জগত" শব্দগী অর্থদ লৈতে (হায়বদি অসিনি মদুদি সনামক্ত খুজিগী কল্পনা ৫৫নবানি খুজিদ নত্তে। মতৌ অসুম্নমক ব্রহ্মমক্ত জগতকী কল্পনা ওইরুবনি জগৎ নত্তে, মবম অসিন ব্রহ্মদগী তোঙানব নত্তে। মদুদি (মরুভূমিগী লৈমাইদ ঈশি উব) মরুমরীচিকাদ উবিব তুরেল অদু মাগী মনুংদ লৈব ওইদ্রগনসু ঈনোং হৌব ঈথকশিং শন্দোকই অমসুং ঈথকশিং অদু অশেংবমক্কুম্ন খল্লি, মতৌ অদুগুম্ন পুরিংখত্তুন্ন জগতকী মশক ওইব ইন্দ্রজাল, মীনম্ব জাদুগী মচাক মরলবু শন্দোকই অমসুং সম্পত্তি অদু অসৎ (লৈতব) ওইরবদসু অচুম্ব অওইবগুম্ন উই। মহাক অদুন মবম ওইরগ লৈতব পোৎপুসু অবৈবগুম্ন উরিব মদু মায়ানি। সর্বজ্ঞ বিদ্বানশিংন মদুগী অবিদ্যা, সংসৃতি, বন্ধ, মায়া, মোহ, মহত অমসুং তমনচিংব মমিং কয়ামকমগী কল্পনা তৌই। শুংশিনব রাম! দৃশ্য প্রপঞ্চগী লৈব (অস্তিত্ব)তন দ্রষ্টা)উবিব মী)গী বন্ধন কৌখর্বনি। দৃশ্যগী পাঙ্গলমক্তুন দষ্টাবু বন্ধন্দ থাদবনি। দৃশ্যবু ঙাকথোক লৌথোক্লবদ মহাকবন্ধন অদুদগী নাম্থোকপ মনীংতম্ব ওই। ত্বম (নং) অহম্ (ঐ) অমসুং ইদম (মসি) অসিনচিংবগী মওংদ কল্পনান শেমখিব অদুগুম্ব মিথ্যা জগত অদুমকপু দৃশ্য কৌই। দৃশ্য অসিন অসুম ওইদুন লৈরিব মখে অদু ফাওব (অল্লা-অনাদগী কোকপ) মোক্ষ থক ওইদে। করিগুম্ব দৃশ্য জগত অসি অশেংবমক ওইরম্লব অদু ওইরবাদ কনা অমত্তগীসু মসিবু ঙাকথোক

লৈথোকপ (নিবারণ)খক ঙমলোই; মরমদি অদুগুম্ব লৈতব অসৎবস্তু ওইব পোৎ মাগী লৈব (অস্তিত্ব) লৈতে অমসুং অদুগুম্ব অরৈব সৎবস্তু ওইব মদুগী করিগুম্বদসু লৈতব (মাংখিব) লৈতে। চিৎ-স্বরূপ আত্মাবু খঙব ওইদব দ্রষ্টা অদুন কারি কদায়দনোসু লৈজসনু মফম অদুদ মাগী মিৎয়েং দৃষ্টিগী মমাংদ দৃশ্য জগত অসিগী বৈভব (মচাক মরল)শিং ফোংদোকই। দৃশ্য প্রপঞ্চ অসি লৈরিঙৈদ নির্বিকল্প সমাধি করম্ন ওইব য়াগনি? নির্বিকল্প সমাধি ওইরবতদ চেতনতা অমসুং তুরীয় পদগী প্রমান তৌরব উপপত্তি ওই। মদুদি সুষুপ্তি(কন্ন তুমথব)গী মতুংদ সংসারগী অরাব পুম্ব অনুভব লাকপ খঙব ওইরকই, মতৌ অদুগুম্ন সমাধিদগী হৌগৎলক্লবদ অরাবগী মশক ওইব জগত পুম্ব অসি অদুগী অদু ওইন অদুম উব হৌরকই। পুক্লিংগী মশক ওইন দৃশ্য অসিন লৈরিঙৈদ কনাগুম্বন সমাধিগীদমক্ত কয়াগী মতিক হোৎনজরগ্গ মহাক্ল দৃশ্যবু উদব লৈরগ (শোইদন লৈ) মরমদি মফম মফমদুন মাগী চিত্ত বৃত্তিন চৎপবু নিবারণ তৌব যাদে মদাদি থমচেৎকী মনুংদ থম্বালগী মরু অদু য়াওরি মদুদ মাগী খম্বৌ ওইবগী মওং লোত্তুন লৈ। মতৌ অসুম্ন অজ্ঞানী দ্রষ্টাদ বুদ্ধি অদু লৈরিব, মদুদ দৃশ্য জগত অসি মনুং চন্দুন যাওরি। মদুদি পোৎশিংদ রস মহাও, থোইদিংনাচিংবদ থাও অমসুং লৈশিংদ মনম যাওদুন লৈবগুম উপদ্রষ্টা (উরিব মী)দ দৃশ্য বুদ্ধি য়াওদুন লৈবম্নাক্ল। কর্পূর নচ্রগ কস্তুরিনাচিংব কদায়দবু ওইববসু লৈব মফম অদুদ মদুগী নুংশিব মনম হেক্ত যোংদোনকই। অদুগুম তৌদুন দ্রষ্টান হেক লৈরুব কদাযদনো মাগী মবুক্ত দৃশ্য জগতকী প্রাদুর্ভাব ফোংদোরকপ হেক্ত ওই। নহাক্কী থম্মোইদ লৈব মনোরাজ্য বুদ্ধি নশাগী অনুভবতন উজব অমসুং থম্মোইদ লৈব মঙ অমসুং সংকল্প নহাক নশাগী অনুভবতদ খঙজব মতৌ অদুগুম্ন অদন জগত অসি নংগী থম্মোইমক্ত লৈবনি অমসুং নশাক্গী অনুভবতদ উজবনি।

(সর্গ - ১)

-০0০-

ব্রহ্মাগী পুক্নিং ওইব মতৌ অমসুং মাগী সংকল্পগী মশক জগতকী সত্তা লৈতব অমদি জ্ঞাতাগী কৈবল্যমক্ল মোক্ষনি তাকপ।

শ্রীমহর্ষি বসিষ্ঠন হায় - শ্রীরাম! মন্বন্তর হৌবকপদ প্রাণি পুম্নমকপু মাগী চখোম ওইরিব মৃত্যুন প্রজাবু সংহার (মাংহনব) তৌরদুন মপাঙ্গল কনখৎলক্লব মতমদুদ মশামক্ল ব্রহ্মাগী মথক্ত লান্দানবগী থৌরাং তৌরক্লম্মী। মতম অদুদ ধর্মরাজ যম্ন মঙোন্দ খুদক্ত অসুম্ন শিক্ষা পীরম্মী - মৃত্যো- ব্রহ্মাদি পরম (চিন্ময়) ব্যোমস্বরূপ জ্ঞাতগী (মশক ওইব অহাংব আকাশকী) মশক্লি। মাগী শকওং পৃথীনচিংব ভূত মঙাদগী শেম্ব নত্তে। মহাক মনোময় (পুক্নিংগী মশক) অমসুং সংকল্পগী মশক্লি। অদুন মঙোন্দ কমদৌন লান্দাব য়াগনি? চেতন জ্ঞানগী আকাশক মান্নব অঙকপ ওইব অমসুং চিন্ময় আকাশক মান্নব অনুভবকী মশক ওইব ব্রহ্মা অসি চিন্ময় আকাশমক্লি। মঙোন্দ কার্য-কারণ ভাব লৈতে।আকাশত ইন্দ্রনীলমনিন শাব অমদি উন্ন কুপ্তুন লৈব অচৌব খাংজাও অমগী মওংগুম্ন পৃথ্বনচিংবদগী তোঙান্ন লৈবগুম উরি অমসুং সংকল্পদগী শেম্ব মীসু পৃথীনচিংবদগী তোঙান্ন উবগুম তৌরিব মতৌ অদুগুম্ন স্বয়ম্ভুব ব্রহ্মাসু পৃথী. ঈশিংনচিংব তত্ত্বশিংদগী য়াওদনমক ঙাম্থোক্তুন লৈ। সুপ্নগী (অদ্বিতীয়) পরমাত্মাদ দৃশ্যসু লৈতে অমসুং দ্রষ্টাসু লৈতবমক্লি। মসিদি সুপ্নগী চিন্মাত্রস্বরূপমক্লি অদুম ওইনমক স্বয়মভু হায়ব মিংন ঙাম্লোকপনি। অহানব, ময়াই অমসুং অরোইবা লৈতব চিদাকাশকী মশক ওইব অনিশুদব ব্রহ্মমক্ল মাগী সংকল্পগী মরম্ন স্বয়ম্ভূ কৌদুন পুরুষ নত্রগা হকচাং লৈবগুম্ন ঙাম্থোকপনি। শ্রীরাম! মহাক অদুগী মমাংগী মপোকশিংদ তানশিল্লকখিব কর্মশিংগ লোইনন মমাং মপোক্কী হকচাং ওইরর্কখি, মদুমক্ল মপোক অসিমক্ত সংসার স্থিতি (তাইবং ফিভম)গী কারণ ভূত (মরম ওইব) নীংশিংব স্মৃতি ওইবনি। অদুগ ব্রহ্মাগীদি করিগুম্ব মমাংগী কর্ম শুক্লে লৈতে অদুন মঙোন্দ পুর্ব জন্মগী স্মৃতিদি কদায়দগী কমদৌন লৈগনি? ব্রহ্মা মাগী কারণ ভূত ওইব পরব্রহ্ম পরমাত্মাদগী খেন্নদব অমদি মশামক আত্মস্বরূপনি। শ্রীরাম! স্বয়ম্ভূ ব্রহ্মাগী হকচাং

অদু আতি বাহিকমক্রি। (অচিনচিংব লম্বীদগী লোকান্তরশিংদ য়ৌববু 'অতিবহন' কৌই। অতিবহনগী থবক্ত হৈশিংব অকুপ্প হকচাং সুক্ষ্ম শরীরবু 'আতিবাহিক' কৌই) অদুগুম্ব অজন্মা (পোক্তব) মহাক অদু আধিভৌতিক ওইব হকচাং অসি খক ফংব য়াদে।

শ্রীরামচন্দ্রন হংই- গুরুদেব! প্রাণী পুম্নমকীদি আতিবাহিকী হকচাং অম অমসুং অনিশুব আধিভৌতিক হকচাং অমগা লৈনৈ। তৌইগুম্বসুং ব্রহ্মাগীদি লুপ্নগী আতিবাহিক শরীর খক্ত করিগী ওইরিবনো? শ্রীবসিষ্ঠন হায - শ্রীরাম! পুম্নমক্কীদি ভূত কারণাত্মানি- পঞ্চীকৃত (মপ্নান য়ানশিন্নব) ভূতশিংদগী পোকপ হকচাংনচিংব লৈবনি মবম অসিন মখোয়গী হকচাং অনি অনি লৈবনি। তৌইগুম্বসুং অজন্মা ব্রহ্মাগীদি অদুগুম্ব মবম অমত্ত লৈতে। মরম অসিন মাগীদি আতিবাহিক হকচাং অমখক্ত লে। অমত্ত ঙাইবব ব্রহ্মা মথক্তন জাতি পুম্নমকী প্রাণীশিংগী পবম কাবন্নি। অমসুং অতোপ্প কারণ অমত্ত লৈতে। মরম অসিনসু মাগী হকচাং অমত্ত লৈতেন সংকল্প রুপমক্র মাগী হকচাংনি পৃথীনচিংব মথং মনাও ওইনা তিনশিন্নদুন মাগী হকচাং শেমখিব নত্তে। চিদাকাশ স্বকপ আদি প্রজাপতি ব্রহ্মামক্র মখল মখাগী জীবশিংগী সৃষ্টি তৌরগ মখোযদু শন্দোকখিবনি। মখোয জীবশিংদু ব্রহ্মাগী সংকল্প (পুক্লিংদগী ওইখিব) নত্তন অতোপ্প মবম অমাদগী পোকখিব নত্তে মবম অদুন মখোযসু চিদাকাশকী মশকমক্রি। অদুগুম্ব উপাদন অদুদগী পোক্লকপ ওইবব, মদু মদুমক্কী মওং মশক ওই।মেদুদি লৈবাক্তগী শাবকপ চয লৈবাকমক্কী মশাক্র। মসাদগী খুজি খুদোপ্পচিংবগী দৃষ্টান্তন মবম ওইদুন ব্রাফমসি পুম্নমক খঙনবিবনি। সংসারদ শিজিন্নবিব প্রাণীশিং পুম্নমক্ত ব্রহ্মামক্তন খ্বাইগী অহানব অবেংব চেতন ভূতনি। অন্তকরণ (পুক্লিং)মক মাগী স্বরুপনি। মদুদগী অহংকাব হৌরকখি। মদুদি নুংশিত্ত হাই-হুম্ব চংপনচিংব চেষ্টাশিং থোজংশিং ফোংদোরকপগুম্ন। মওৌ অদুগুম্ন অহানব প্রতি,স্পদন (অহানব ফোংদোকখিব লেংচংপ হাই-হুম্ব ঙম্ব চেতন ভূত) ব্রহ্মাদগী খেন্নদব ওইন সৃষ্টি অসি ফোংদোরকখি অমসু শন্দোরকখি। প্রতিভাস (সুপ্নগী উবথক্ত)ন মাগী শকওংনি। ব্রহ্মা অদুদগী পোক্লকপ

ওইবগী মরম্ন উরিব সৃষ্টি অসিসু প্রতিভাস (সুপ্নগী উবখক্ত ওইব মমি) ওইব মওংমক্নি। অদুম ওইদুনসু মীশিংগী মিয়েংদ সত্য অচুম্বমক্নুম্ন উব ওই। বিষয় অসিদ দৃষ্টান্ত খুদমদি- মঙদ উরিব মীন মঙগী লমদমদ ফংব স্ত্রীগী সমাগম (তিন্নব) মদুদি মঙদ স্ত্রী সমাগমগী মঙ মঙবদ (উবদ)সু বীর্য পাত ওইব মতৌ অদুগুম্ন শিজিন্নব ব্যবহার অমসুং প্রয়োজনগী সিদ্ধি (থবক শিজিন্নব অমসুং অনিংব ওইরিবদু পাংথোক্লব)গীদমক্ত মিৎয়েংদ অসৎ লৈতব পোৎপুসু অরৈব অওইব পোৎমকুম্ন ব্যবহারগী মঙাল পী। হায়বদি মঙদ স্ত্রীগী সমাগম, জাগ্রত কাল (মীকপ থোকপদ) শুকচুম চুমদব অসত্য ওই অদু ওইরবসু মদুবু অচুম্বগ মান্নন থবক ওইব উনরি। মতৌ অসুম্ন সুপ্নগী প্রতিভাস খক্তগী হকচাং ওইব ব্রহ্মাদগী পোক্লকপ সৃষ্টি অসিসু সুপ্নগী প্রতিভাসকী মওং খক্তনি অদুম ওইদুনসু অচুম্ব সত্যগী মতৌগুম্ন প্রয়োজনবু সিদ্ধ তৌই। মাগী হকচাং পৃথীনচিংব তত্ত্বশিংদগী ওইখিব নত্তব চিদাকাশ স্বরুপ অমসুং নিরাকার (শক্লাইদব) মহাক্ল লৈরিব ভূত পুম্বগী মপু অধিপতি ওইব সয়ম্ভূ ব্রহ্মাগী - হকচাং নাইব পুরুষকী মতৌগুম্ন উনৈ। পৃথীনচিংব তত্ত্বশিং য়াওদব শকওং নাইব সংকল্প পুরুষ ব্রহ্মাগী হকচাং চিত্তমাত্র পুক্নিং খক্তনি। মহাকমক্ল মরোল অহুমগী স্থিতি লৈবগী কারণ নি। স্বয়ম্ভূব ব্রহ্মাগী সংকল্প থব্রাই পানবশিংগী কর্মশিংগী মতুংইন্ন অদু অদুগুম্ব মওংদ চাওখৎপ বিকাসসু ফংব ওইরকখিব, চিদাকাশ স্বরুপ আত্মাসু মওং অদুম্ন উই। ব্রহ্মা মনোময় পুক্নিংগী মশকমক্নি, পৃথীনচিংবন শেম্ব নত্তে। মরম অসিন মঙোন্দগী পোক্লকপ বিশ্ব অসিসু পুক্নিংগী মশক (মনোময়)মক্নি। মরমদি অদুগুম্ব পোৎ অদুন মদুদগী পোক্লকখিব মহাক মদুমক্কী মশক ওই। মদুদি সনান শাখিব খুজি, নাইন্নছিংব সনাগী মশক মক ওই। অজন্মা ব্রহ্মাগী করিগুম্ব মতেং পাংব সহকারী কারণ অমত্ত লৈতে। মরম অদুন মঙোন্দগী পোক্লকখিব জগৎকীসু করিগুম্ব সহকারী কারণ অমত্ত লৈতে। মরম অসিন মসিদ কারন্দগী কার্যদ করিগুম্ব মখলগী নত্রগ থোইদোকপ অমত্ত লৈতে। মরম অদুন কারন্ন অশেংব শুদ্ধ ওইব অদুগুম্ন কার্যসু শুদ্ধ ব্রহ্মমক্নি সিদ্ধান্ত অসি অরেম্পমক্নি জগত অসিগী বিষয়দ

কার্য-কারণ ভাবকী খজিক ফাওবসু চুশিন্নব (সঙ্গতি) লৈতে। পরব্রহ্মন ওইব অদুমক লোক অহুমমক্তু ওই। ঈশিংন মহি ওইব মতৌ (দ্রবত্ব)দগী তোঙান্দে, খেন্নদবমক্নি। অদুগুম্ব খেন্নদব ওইব ঈশিংদগী খেন্নদনওইব মহি ওইব মতৌ অদুগুম্ন ব্রহ্মা মাগী শেংলব শুদ্ধ আত্মা(স্বরূপ)তগীমক জগত বিস্তার(শন্দোকপ) তৌরকই। জগত অদু মাগী বিশুদ্ধ আত্মস্বরূপ্তগী খেন্নব ওইদে। মদুদি জ্ঞানীশিংগী দৃষ্টি (মিৎয়েং)দ থৌরিদ সর্পভাব (লিল ওইব) লৈতে, মতৌ অদুগুম্ন জগত আধিভৌতিকতা (জড়তা) লৈতে। অদুন প্রবুদ্ধ ব্রহ্মানচিংব আধিভৌতিক ওইব দেহদ কমদৌন লৈব য়াগনি।

পুক্নিংমক ব্রহ্মাগী স্বরূপপু ফংবনি। পুক্নিং অসি সংকল্প স্বরূপ (অসি তৌগে নিংবগী মশক)নি। পুক্নিংন মশাগী মশক স্বরূপমকপু শন্দোক্তুন জগত অসিবু শেমগৎখিব অমসুং চাওথোকখির্বনি। পুক্নিংগী মওং ব্রহ্মানি অমসুং ব্রহ্মা পুক্নিংগী মওংনি। মসিদ পৃথ্বীনচিংব চংখিদে। পুক্নিংমত্তুন পরমাত্মাদ পৃথ্বীনচিংবগী কল্পনা তৌখিবনি। মদুদি থম্বালগী মরু (থমচেৎ মরু)দ (ওইরক্লদব থম্বালগী মচৈ) য়াওরি মতৌ অদুগুম্ন পুক্নিংগী মনুংদ (দৃশ্যবর্গ) উব য়াব জগত পুম্ব য়াওরি। পুক্নিং উরিব কাংলুপ অমসুং অনি অসিবু উরিব খঙলিব দ্রষ্টা মখোয়সিবু করিগুম্বদসু কনাগুম্বন বিবেক তৌদ্রিব (দ্রষ্টা অমসুং দৃশ্যগী বিবেক তৌদ্রিব মখে অজ্ঞানবু মাংহন্দব মরম্ন পুক্নিংদ দৃশ্যবর্গ শকউৎ উদুন লৈব ওই।) করিগুম্ব দৃশ্যগী মশক অরাবসি সত্ ওইরম্লবদি মদু করিগুম্বদসু শান্তি ওইব য়াদে অমসুং দৃশ্যগী শান্তি ওইদ্রবদ জ্ঞাতা(খংলিব মী)দ কৈবল্য (মোক্ষ) ফংব খক য়াদে। দৃশ্য লৈতব ওইখ্রবদ জ্ঞাতাদ খঙবগী ভাব (জ্ঞাতভাব) লৈরবসু মদু শান্তি নম্রগ নিবৃত্ত ওই, মদুমক (জ্ঞাতাগী কৈবল্য) মাগী মোক্ষ হায়বনি।

(সর্গ - ২-৩)

~o0o~

পুক্লিংগী মশক নৈনব, পুক্লিং অমসুং পুক্লিংন শেম্ব জগতকী অসৎ ওইব মতৌ শীংথাব, অমদি মহাপ্রলয় মতমদ জগৎ পুম্ববু মশাদ লুপশিন্দুন অমত্ত ঙাইরব পরমাত্মাখক্ত লেমহৌদুন লৈব অমসুং মহাকমক্তন পুন্নমক্কী মূলনি হায়ব।

শ্রীরামচন্দ্রন হংখি - ভগবন! পুক্লিংগী স্বরুপ (মশক) করম তৌই মসি ঐগোন্দ শেংন তাকপিয়ু; মরমদি পুক্লিংতন জগতকী মশক পুন্নমক শন্দোকখিবনি।

শ্রীমহর্ষি বসিষ্ঠন হায় - শ্রীরাম! অহাংব শূন্য অমাদি জড়গী মওং ওইব আকাশকী মিংখক্ত নত্তন অতোপ্প করিগুম্ব মওং অমত্ত উব ফংদে, মতৌ অদুগুম্ব শূন্য অমসুং জড় রুপ ওইব সংকল্পাত্মক পুক্লিং অসিগী মিং নত্তন করিগুম্ব অশেংব মশক উনব লৈতে। জগত অসি মিকুপ্পুংগী ওইব সংকল্পগী মশক ওইব পুক্লিংদগী পোক্লকপনি। মৃগতৃষ্ণাদ উরিব ঈশিং অমদি থাদ ভ্রমদগী উরিব অনিশুব থাগী মতৌগুম্নমক মন কল্পিত পুক্লিংন শেম্ব জগত অসিগী মশক স্বরুপনি। রঘুনন্দন! সংকল্পমকপু পুক্লিংনি খঙউ। মহি ওইব মতৌন ঈশিংদগী খেন্নব নত্তে অমসুং নুংশিৎ স্পন্দন(লেংব অমসুং আয়নব খোংচৎ)দগী খেন্নদে মতৌ অদুগুম্ব সংকল্পদগী পুক্লিং খেন্নব নত্তে। হে নুংশিথোইব রাম! অদুগুম্ব বিষয় অদুগীদমক্ত সংকল্প তৌই মদুদ পুক্লিংন সংকল্পগী মশক ওইদুন লৈ, হায়বদি অসিনি অদুগুম্ব সংকল্প মদুমক পুক্লিংনি) সংকল্প অমসুং পুক্লিংবু করিগুম্বদসু কনাগুম্বন তোঙান খাইদোকপ য়াদে(অনি অসিগী তোঙান্নবগী অনুভব কনানসু ওইদ্রি) পুক্লিংবু (তৌগে নিংব) সংকল্পখক্তনি খঙউ -

পুক্লিং পুম্বকী অপুনব সমষ্টিগতমন অদুমক পিতামহ ব্রহ্মানি। আতিবাহিক দেহ (সংকল্পময় শরীর)গী মশক ওইব ব্রহ্মাবু লোক্ত সমষ্টিগত মন কৌনবনি। অবিদ্যা, সংসার, চিত্ত, মন, বন্ধন, মল অমসুং তম মখোয়সিবু অথোইব বিদ্বানশিংন উরিব দৃশ্য অসিগী (ব্রাহৈ খোম্লোক তোঙান্নরবসু অর্থ অমত্ত ওইব)(পয়ার্য় বাচী)

মমিংনি লৌনে।সংকল্পগী মশক ওইব দৃশ্যদগী তোঙানব পুক্লিংগী করিগুম্ব স্বরুপ অমত্তসু লৈতে। উরিব জগাত অসি অশেংবমক্তি পোকখিদে। ব্রাকম অসি মখা চখরকপদ হায়রক্কনি। মদুদি মঙালগী (অমম্ব কোকহন্দুন পোৎশিংবু মিংন হকথেংনব)আলোক স্বভাবনি, লেং-হুম্ব নুংশিংকী স্বভাবনি অমসুং মহি ওইব মতৌন ঈশিংগী স্বভাব ওইবগুম্ন দ্রষ্টা (অউব মী)দ উব মতৌ দৃশ্যত্ব স্বভাব ওইনমক লৈ (হায়বদি দ্রষ্টাদগী দৃশ্য তোঙানব নত্তে)। সনাদ পাম্বোম ফাবি অমসুং খুজি-নাইন্নচিংবগী ফিভম য়াওরি, মৃগতৃষ্ণাগী তুরেলদ ঈশিংগী ফিভম ওইব অমসুং মঙগী নগরশিংদ খাগৎলিব ফক্লাংগী ফিভম মতৌ অদুগুম্ন দ্রষ্টাদ দৃশ্যগী ফিভমসু য়াওগদবনি। হায়বদি মথক্কী পোৎশিং মশাগী অধিষ্ঠান্দগী খেন্নব ওইদব অমগুম্ন দ্রষ্টাদগী দৃশ্যগী তোঙান্ন সত্তা (অরৈব) লৈতে।

দ্রষ্টাদগী দৃশ্যগী তোঙানব সত্তা লৈতব মরম্ন দৃশ্যগী লৈতব ওইরবদ অদুগুম্ব দ্রষ্টাদ নমদুন দ্রষ্টা ওইব মতৌগীসু লৈতব ওই হায়বসি ফংই। মদুবু নংন অসত (মিথ্যা দৃশ্য)কী ককথৎপ ওইরবদ সন্মাত্র(অরৈবখক্ত) চিন্ময়গী মশক্ত লেমদুন লৈহৌরব আত্মাগী কেবলীভাব (মথন্ত ওইব)নি খঙউ। চিত্তন আত্মাগী কৈবল্য (অদ্বিতীয় চিন্মাত্র স্বরুপ) খংব(বোধ)দগী মদুগী মশক তদাকার (কৈবল্য ভাব ফংব) ওইখ্রব মতম অদুদ মাগী রাগদ্বেষনচিংব বাসনাশিং মতৌ অদুগুম্ন মাংখি, লেপখি মদুদি নুংশিৎ শিত্রবদি উনান লেংদবগুম, অমসুং ঈশিং তুংব পুখ্রিনচিংবদ ইথক হৌরম্ব লেপখিবগুম, মাইকৈ, লৈমাই অমসুং আকাশকী মশক ওইব ঙাম্মোক্কদব পদার্থশিং লৈত্রবদ প্রকাশ মঙালগী মশক খক্ত লেমহৌদুন লৈ মতৌ অদুগুম্ন মরোল অহুম নং অমসুং ঐনচিংব উরিব সংসারগী সত্তা লৈত্রবদ অশেংব মওংদ লেমদুন লৈহৌব চিন্ময় দ্রষ্টাগী কেবলী ভাব খক্ত লৈহৌই।

শ্রীরামচন্দ্রন হংই - ব্রহ্মন! দৃশ্য সৎ (অচুম্ব) ওইরবদি মসিবু শান্ত নত্রগ মুথৎপ ওইব য়াদে মরমদি সৎ-অরৈবগী করিগুম্বদসু লৈতব ওইদে অমসুং দোষকী মশক ওইব দৃশ্য অসি অসত লৈতব চুমদবনি, হায়বসিদ ব্রাকম অসি ঐন ভাব

তাব ঙমদে। মরম অসিন দৃশ্যগী মশক ওইব পুকচৎপগী লাইনা অদুগুম্ব পুক্লিংদ পোকপনচিংবগী ভ্রমবু পোকহল্লীব অমসুং অৱাবগী পারী-পুরীবু পীরিব মসিবু করম্ন সান্ত(লেপহনব) ওইগনি।

শ্রীরাম! মহাপ্রলয় ওইরক্লবদ জগত অসি থোইদোক্ল ক্ৰুপ্প মওংদ লৈবন মরম ওইদুন মাগী থবক্ত অসমর্থ (ঙমদব) ওই। মতম অদুদ মহাক ওইরক্লদব দৃশ্যবর্গ পুম্নমক সৃষ্টিগী মমাংদ বিক্ষেপ য়াওদন শান্তবস্থাদ লৈরম্মী। প্রলয় কাল অদুদ সুপ্নগী করিগুম্ব মতমদসু নুমিৎ তাব লৈত্রব সূর্যদেব স্বয়ং জ্যোতি পোক্লাইদব, অৱা-অনা য়াওদ্রব মতম পুম্বদ শক্তি পুম্বন তিনব (সর্বশক্তিমান)মশক মওং পুম্ব ওইব সর্বস্বরুপ পরমাত্ম মহেশ্বর মথন খক্ত ঙান্দুন লৈ। মফম অদুদগী বাণী ৱাঙাংন মাবু ফংব ঙমদদুন ঙল্লকপ হায়বদি ৱাহৈন ফোংদোকপদ য়ৌব খক ঙম্নদব মহাক অদুবু জীবনমুক্ত ওইরব মহাত্মাশিংতন খঙব ঙম্ব ওইব- সাংখ্য দর্শনগী তুংইন্নবশিংন মদুবু 'পুরুষ' কৌনব, বেদান্তবাদীশিংন 'ব্রহ্ম' হায়ন মদুবু চিন্তন তৌরিব বিজ্ঞান খঙবশিংগী মিংয়েংদ অদুগুম্ব মকপ লৈত্রব বিজ্ঞান মাত্র ওইরিব, মদুবু শূন্যবাদীশিংন শূন্য কৌনে। মহাক অদু নুমিৎকী মঙ্গনবুসু ঙাম্লোকপীবনি; তুরেল, পুখ্রি, খোংবান্নচিংকগী ঈশিং অরোইবদ মহাসাগরদ তাদুন তিল্লুই। মতৌ অদুগুম্ন হেক উরিব, তারিব দৃশ্য সমুহ পুম্নমক মহাপ্রলয় কালদ মপ্রেন্দ লুপ্তুন তিনশিল্লুই। মহাক অদু আকাশত তোঙান তোঙানব হকচাংশিংদ, নুংশিংদ, ঈশিংদ, উরিৱারীশিংদ,উফুল মরিকশিংদ, চীংশিংদ, নুংশিত্ত অমসুং পাতালনচিংব মফম পুম্নমক্ত, মতম পুম্নমক্ত অমদি পোৎ পুম্নমক্ত চপ মান্নব ভাবত লৈ, মহাক অদুন আকাশপু অহাংব, চীংশিংবু অকনব মপংগী মপৈ, ঈশিংবু মহি লাংব ওইন শেম্লম্মী, জগত অসিবু থাওমৈগী মতৌগুম্ন ঙালহল্লিব নুমিৎ মাগী মথা পোনবনি। মদুদি মরুভূমিদ নুমিৎকী মৈশান শারব কিরণশিংদগী ঈশিংগী ঈপাক্তগী ঈথক হৌব উহনবগুম, মতৌ অদুগুম্ন মপাল নাইদন পাক্লব পরমাত্মাগী মশক ওইব মহাসাগরদ অবির্ভাব অমসুং তিরোভাব (পোকপ অমসুং প্রলয়) য়াওব(যুক্ত) মরোল অহুমগী মশক ওইবী ঈথকশিংসি হৌদুন লৈরিবনি। চৎনরিব

সংসারগী অরৈব অওইবশিং পুন্নমক্তগী পুম্‌লান লানখৎলগ- পুংতোপ তোম্প পুন্নমক্তগী তোঙানব পারমার্থিক সত্তান মপুং ফারব ওইদুন লৈ। মঙোক্তদগী নিয়তি (নোংদম্ব) মফম মতম চংপ, লেং-হাইব (চেষ্টা) অমসুং ক্রিয়া (থবক)নচিংব ভাব পুন্নমক থবক ওইনা চংনব য়াব কার্য-নিবাহগী মতিক ফংনরিব অদুগুম্ব অমত্ত ঙাইরব পরব্রহ্ম পরমেশ্বর মথন্ত মথক্ত হায়খ্রিব মহাপ্রলয়গী মতমদ লেমদুন লৈহৌই। পরমাত্ম অদু উৎপত্তি স্থিতি পোকপ লৈবনচিংব লৈতব করিগুম্বদসু নুমিৎ তাব লৈতব মতম পুম্বদ ঙান্দুন লৈব জ্ঞান মপুং ফারব অমদি শকওন (বিকার) লৈতব মশাগী স্বরুপ্তদ লেংদন লৈবনি। মহাক অদু অমত্ত ঙাইব অনিশুব লৈতব মথন্তনি। মরম অসিন মহাক্ত মায়ান পাকচাওরব সংসার কয়ামরুম-মশীং থিঙমদ্রব ব্রহ্মাণ্ড কয়ামরুমগী রচনা (শেম্ব) তৌরগনসু অশেংব ওইনমক্তি করিগুম্ব থবক অমত্ত তৌদে অমসুং মান করিগুম্ব চেষ্টাশিং (হোৎনব)সু থক তৌব লৈতে।

(সর্গ - ৪ - ৫)

~oOo~

জ্ঞান খক্তদগী পরম সিদ্ধি নত্রগ পরমাত্ম ফংবগী প্রতিপাদন অমদি জ্ঞানগী পাম্বেদ সৎসঙ্গ অমদি অশেংব শাস্ত্রশিংগী স্বাধায়বু থাগৎপ।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - পরব্রহ্ম পরমাত্মা লাইশিংগীসু লাইনি। মাগী জ্ঞান্‌তদগী পরম সিদ্ধি (মোক্ষ)বু ফংব ওই, অরাব য়াওব সকাম কর্মশিংগী অনুষ্ঠান তৌবদগী ওইদে। সংসার বন্ধন্দগী নাম্বোকপ নত্রগ মোক্ষ ফংনবগীদমক্ত জ্ঞান্তন পাম্বে সাধন্নি। জ্ঞান নত্তন সকাম কর্মনচিংব মসিদ অমত্তসু শিজিন্নব য়াদে। মরমদি মৃগতৃষ্ণাদ ওইরিব ঈশিংগী ভ্রমবু লৌথোক্লবগীদমক্ত জ্ঞান্তমক শিজিন্নগদব ওই। জ্ঞান খক্তদগী ভ্রম অদুগী নিবৃত্তি হন্দোকখিব ওইনৈ, করিগুম্ব কর্ম অমত্তন

ওইদে। সৎসঙ্গ অমদি অশেংব শাস্ত্রশিংগী স্বধ্যায়(চাংনাইন নৈনব)দ লুপশিনবতন ব্রহ্ম জ্ঞানবু ফংনবগী হেতু মরমনি। স্বাভাবিক (মহৌশা ওইব) সাধন অসিমক্ত মোহজাল (শুমহৎপগী লাং) মাংহনবনি। পরমাত্মা অসি সৎস্বরূপমক্তি অসিগুম্ব জ্ঞান খক্তন জীবগী অব্বাববু নিবারণ(ঙাকথোকপ) ওই, অমদি মহাক জীবন্মুক্ত অবস্থাবু ফংই।

শ্রীরামচন্দ্রন হংখি - গুরুদেব! পুম্নমক্কী আত্মস্বরূপ ওইব পরমাত্মা অদুগী জ্ঞান খক্তদগী অব্বাবগী হৌরকফম ওইব, পোকপ-শিবনচিংবন করিগুম্বদসু অপনব পীব ঙমদে। মরম অদুন তাকপিয়ু, অদুগুম্ব খ্বাইদগী চাওব লাইশিংগী লাই ওইব পরংব্রহ্ম পবমাত্মা অদুবু করি করম্ব পাম্বৈদগী থুন ফংব ঙম্বগে? করম্ব অকনব তপস্যা তৌরগ মন্ত্রগ কয়া য়াম্ন অব্বাব খাঙলগ মাগী জ্ঞানবু ফংব ঙমগদগে?

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন খুম্মী - শ্রীরাম! মশাগী নুপা থোকপগ লোইনন হোৎনরবদগী চাওখৎপ ফংলক্লব বিবেক্ত মরম ওইদুন পরমাত্মা দেব অদুগী য়থার্থ জ্ঞান ফংই। মরম অসিন নুপা থোক্ত হোৎনবন মরম ওইরগ ভবরোগ (অব্বাবগী লাইনা ওইব সংসার)বু ঙাকথোক্লবগীদমক্ত অথোইব হিদাকশিং থিজিনগদবনি। সত-শাস্ত্রশিংগী অভ্যাস অমসুং সৎপুরুষশিংগ তিন্নব, অথোইব মরুওইব হিদাক অনি সংসারগী মশক ওইব রোগ লাইনাবু মাংহনবনি। সংসার অসিগী অব্বাব পুম্নমকপু কোকপ সিদ্ধি অসিগীদমক্তদি অমত্ত ঙাইরব নুপাথোক্ত হোৎনব (পুরুষ প্রয়ত্ন)তন অথোইব সাধন্নি। মদু থাদোক্লগ অনিশুব থবক পাংথোকপ ঙম্ব গতি নত্রগ উপায় অম লৈব ওইথোক্তে। রঘুনন্দন! আত্মজ্ঞানবু ফংননবগীদমক্ত তঙাইফদন চংদব যাদ্রব পুরুষ প্রয়ত্নগী মশক করম তৌবগে অদুবু মপুং ফান পালন তৌরবদ রাগ দ্বেষগী মশক ওইব মীয়াম হাৎপ লাইচৎ মুৎখিব ওইব: মদু ঐ হায়রক্কে তারো। জ্ঞানবু থিরিব মুমুক্ষুশিংন হেক ঙম্লিব মথৈ অসিগুম্ব বৃত্তি (পুক্লিংগী লিচৎ)ন মরম ওইদুন অদুগুম্ব লোক অমসুং শাস্ত্রগী বিরুদ্ধ ওইদবদ নিষ্কাম ভাবত পুন্সি লেন্দুন অপেনব পুক্লিং ওইন ভোগ বাসনা থাদোকদবনি। মশাগী লাংদ্রব পুক্লিং (অনুদ্বিগ্ন)ন

ওইথোকপ গুম্ব থৌরাং পাইখত্তুন সৎ-সঙ্গ অমসুং সৎ-শাস্ত্রশিংগী অভ্যাস তৌব সাধন অনি অসিবু অহানবদ পাইখৎকদব ওই। কনাগুম্ব মীদু প্রারব্ধগী মতুং ইন্ন করিগুম্ব খরদং ফংলকপ মদুদ পেল্লিব, সৎপুরুষশিং অমসুং শাস্ত্রশিংন নিন্দা তৌব পোৎশিংগী মাইকৈদ গুক থাজত্তুন য়েংদব অমসুং সৎসঙ্গ অমদি সৎশাস্ত্রগী অভ্যাসত লুপ্তুন লেংদন লৈরব মহাক য়াম্ন থুন মুক্তি ওই। দেশত অয়াম্বন সৎজন (শাস্ত্রন তাকপ সদাচারদ খোংফম চেংপ) পুরুষ মথোয়দুবু মহাত্মা কৌনরিব মহাক অদু করিগুম্ব জ্ঞান-বৈরাগ্যনচিংব অথোইব গুণশিংন তিনব ওইরবদি শোইদনমক অথোইব মহাত্মা ওই। অসিগুম্ব মহাত্মাদ য়াম্ন চেকশিন্ন হোৎনবগ লোইনন চংজগাদবনি, হেক লৈরিব বিদ্যাশিং পুন্নমক অধ্যাত্ম বিদ্যান মকোক্তি। অদুগুম্ব অধ্যাত্ম তত্ত্বগী চর্চা(নৈনব) ন তিল্লব অদুগুম্ব উপনিষদ, ব্রহ্মসূত্রঅমদি গীতানচিংব সদগ্রন্থশি লৈরিব মথোয়শিংদুবু সৎ-শাস্ত্র হায়ন কৌই। মদুদ বিবেক্ক লোইনন বিচার তৌবদগী মীওইবন লাম্লোকপ মুক্ত ওই। মদুদি ফিচিগ্রীগ তিন্নবদগী ঈশিংগী অমোংপ শেংদোকই। মতৌ অদুগুম্ন যোগগী অভ্যাস তৌবদগী মীশিংগী বুদ্ধি শুদ্ধ ওইব অদুগুম্ন সৎশাস্ত্র অমসুং সৎসঙ্গদগী ফংলকপ বিবেক্ক মরম ওইদুন অজ্ঞানবু নমদুন তাম্লোকপ ঙম্মী। (সর্গ - ৬)

~o0o~

পরমাত্মা জ্ঞানগী মহিমা, মাগী স্বরূপ নৈনব, উরিব দৃশ্য জগতকী অত্যন্তাভাব (শুক্লে লৈতব) অমসুং ব্রহ্মগী মশক ওইবগী শীংথাব অমদি আত্মজ্ঞান ফংনবগীদমক্ত যোগবাসিষ্ঠন পুমথোই থোইব শাস্ত্রনি হায়বগী প্রতিপাদন তৌব।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - হায়খ্রিব পরমাত্মা অদু করিগুম্ব অরাম্পদ লৈব নত্তেঃ মতম পুম্বদ হকচাংদ য়াওদুন লৈ অমসুং (চিন্ময় চেতন) অখণ্ড শক্তি ওইন

ফাওরিবনি। মহাকমক চিন্ময় চন্দ্রশেখর শিবনি। মহাকমক চিন্ময় গরুড়বাহন বিষ্ণুনি। মহাকমক্তু জ্ঞানগী মশক ওইব চিন্ময় সূর্য্যদেবনি। অমদি মামক্তু চিন্ময় ব্রহ্মানি, কার্য-কারণগী স্বরূপ ওইবা পরমব্রহ্ম পরমাত্মা [illegible] [illegible] কাব (শংক খঙলব) ওইরবদ সাধন পমানা সাধনা তৌরব মীদা খক্তোইদা অসংনবা [illegible] হাংদোকই, লৈরম্ব চিংনব খিনিক চাউখায়দুনা নুংাখ অমসুং অফ-ফত্তা (শুভাশুভ) কর্ম পুন্নমক মাংখি।

শ্রীরাম পরমাত্মাগী জ্ঞান হেক ওইরবদ হুগী ময়াই চমখ্রবদ পুকচৎপ কোকখিবগুম্ন অব্রাব পুম্বগী পারি-পুরি পুম্ব মাংখি।

শ্রীরাম্ন হংলম্মী- ব্রহ্মণ! মাগী জ্ঞান নম্রগ সাক্ষাৎকার ওইরবদ পুক্রিংন শুমহৎপ পুম্বন থল্লব মোহ মহাসাগরবু লাম্ভোক্কদব অদুগুম্ব পরব্রহ্ম পরমাত্মাগী চপ চাব মশক য়থার্থ স্বরূপ করম তৌবগে? মদুতং ঐঙোন্দ বর্ণন তৌবিয়ু।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - রঘুনন্দন! জ্ঞানগী মশক ওইব মহাসাগরদ মাঙবনচিংব বিকার খক লৈতব অদুগী অদু ওইব লেংদন লৈদুন সংসার অসিগী অত্যন্ত অভাব (শুক্রেমক লৈতব) মক পাঙথোকপ মদুমক পরমাত্মা স্বরুপনি। পরম চিন্ময় ওইবগী মরম্ন ওম্মোক্ত কুপ্প ওইদুনসু অজ্ঞানী জনশিংগী মিয়েংদ পাকচাওরব নুংজাওগী মতৌগুম্ন অপৌব মওংদ লৈব উরিব অমদি অজড় (জ্ঞান)গী মশক ওইরগনসু অপঙব মীশিংগী অন্তকরন্দ জড় (জ্ঞান য়াওদব পোৎ)গ মান্নবগুম খল্লিব মদু পরমাত্মাগী স্বরুপ্নি।

শ্রীরামচন্দ্রন হংখি - হে মুনি! পরমাত্মা সৎ (অরৈবপোৎ) নি মসি করম্ন খংনবগে? অমদি অসুক্কী মতিক চাওখ্রব জগত্ কৌবা দৃশ্যবুন অসৎ (লৈতব) লৈতবনি কমদৌন খঙ্গনি? নহাক্লা হায়বীরি মসিগী উৎপত্তি (পোকপ) শুকওই ওইখিদে, মসি ওইরকখিব য়াওদনমক উবনি, ব্লাফম অসি কমদৌন খঙব য়াগনি।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় রঘুনন্দন! মশক লৈতব আকাশত ভ্রমন খুদুম চন্দুন অশংব নাপু নচিংব মচুশিংবু ওইবগুম্ন উই, মতৌ অদুগুম্ন সচ্চিদানন্দগী মশক

ওইব ব্রহ্মাদ জগত সম্বন্ধি ভ্রম অসি পোক্লকখিবনি। ভ্রম অসিগী শুক্লে লৈতব (অত্যন্তাভাব)গী জ্ঞানদ মপুংফান লোংদনা লৈতাব ওইরবদি মতমদদ ব্রহ্মগী স্বরূপ জ্ঞান ফংই অতোপ্পা করিগুম্ব কর্মদগী ওইদে। অবিনা দৃশ্যগী অত্যন্তা... (শুক্লে লৈতব) নত্তন করিগুম্ব শুভ গতি অমত্ত লৈতে অদুগী অং; ওইনা লৈরিব দৃশ্য জগত অসিগী শুক্লেমক লৈতবনি লেপ্লবদ লেমদুন লৈহৌরিবদু পরমার্থ বস্তুগী বোধ খঙব ওই। মদুবু খঙব ওইবব, পরমাত্মা অদু খংলিব মী অদুগী আত্মামক ওই। জগত কৌব দৃশ্যগী মাগী সত্তাবু অত্যন্তাভাব(শুক্লে লৈতব) নত্রগ মিথ্যা ওইববু সিদ্ধ তৌদ্রিব অদুক্কী মথৈ পবম তত্ত্বরূপ ওইব পবমাত্মাবু করিগুম্বদসু কনাগুম্বন খঙব ঙমদে। অসৎ-পদার্থগী সত্তা লৈতে অমসুং সৎ বস্তুগী করিগুম্বদ অভাব (লৈতব) লৈতে। অদুগুম্ব পোত্তুনা স্বভাব ওইনমক লৈতব ওইরব মদুবু নিবারণ লৌথোকপদ মদুবু মিথ্যানি খঙদুনা থাদোকখিবদ কয়া লুব পোৎনো। অসিগুম্ব শন্দোক্র উরিব জগত অসি অহানবদ পোক্লকখিদে। মসি চিন্মাত্র ওইবগী মবম্ল মক্লব আত্মামক্ত কল্পনা তৌখিবনি। মবম অসিন ব্রহ্ম রূপমক্রি। মদু নত্তন মসিগী করিগুম্ব সত্তা অমত্ত লৈতে। জগত কৌব মিংদ মসি করিগুম্বদসু পোকখিদে, লৈসু লৈতে অমসুং উবসু উদে। মদুদি সনাদ কল্পনা তৌশিল্লিব খুজি নাইন্নচিংববু সনাগী মিংয়েংদ লৈতবমক্রি। মতৌ অসিগুম্ন ব্রহ্মাদ কল্পিত জগতকীসু ব্রহ্ম দৃষ্টিদ লৈতব (অভাব)মক ওই। মরম অসিন মসিগী পরিমার্জন্দ- মসিবু অসৎনি খংজিনবদ কয়া ৱাবনো?

হৌজিক ঐন যুক্তি কয়ামরুম্ন বিষয় অসিবু খর শন্দোক্র মতৌ অসুম্ন প্রতিপদন তৌগনি মদুদগী অবাধিত (ককথৎতব পরমার্থ) তত্ত্ববু মশামক্র খঙব অনুভব ওইননব। অদুগুম্ব অহানব(সৃষ্টিগী অহৌবদ)মক্ত পোক্লকপ ওইখিদব মহাক অদু মফম অসিদ হৌজিক তরৈব অস্তিত্ব কমদৌন ওইগনি। মরুভূমিদ ঈশিংন থল্লব তুরেলগী সত্তা করম্ন ওইথোকপ যাগনি। ভ্রম তৌবদগী উরিব অনিশুব থাদ গ্রহ ভাব (গ্রহ অম ওইন লৌব) করম্ন ওইব য়াগনি। অথুংবীগী মচা লৈতে। মরুভূমিদ ঈশিংগী ঈচেল লৈতে অমসুং আকাশত উপাল হৌদে। মতৌ

অদুগুম্ন জগতকী মশক ওইব ভ্রমগীসু করিগুম্বদসু অরৈব সত্তা লৈতে। শ্রীরাম মসিদ করিগুম্ব খর উহল্লিব অমসুং উবিব পুন্নমক অসি অন্না-অনা লৈত্রব ব্রহ্মখক্তনি। বিষয় অসিবু মখা চঙরকপদ শুপ্নগী ৱাঙাংতন নত্তন য়ুক্তিশিংবুসু প্রতিপাদন তৌগনি। বুদ্ধি চাওব রঘুনন্দন! তত্ত্ব খঙবশিংন বিষয় অসিবু যুক্তিশিংন মবম ওইদুন বর্ণন তৌবকপদ (অবহেলনা) থৌশাদব করিগুম্বদ খক তৌফদে। কনাগুম্ব অপঙব বুদ্ধি ওইব মীন যুক্তিযুক্ত ওইব পোৎশিংবু থৌওইদন যুক্তি শুন্য ওইব (কষ্টসাধ্য) পোত্ত তকশিল্লিব মহাক অদুবু বিদ্বান লোকশিংন অজ্ঞানীমক্তি খংনৈ।

শ্রীরামচন্দ্রন হংখি - ভগবন! মসি করম্ব যুক্তিদগী খঙব য়াবগে মদুদি উরিব জগত অসি ব্রহ্মমক্তি হাযবসি? ৱাফম অসি করম্ন সিদ্ধ পাংথোকপ য়াবগে? করিগুম্ব যুক্তিশিংন বিষয় অসিনু অনুভব (খঙব)ওইরব অদুদগীদি খঙাব ওইব করিসু লেমহৌব লৈত্রে।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায়খি - -রঘুনন্দন! মিথ্যাজ্ঞানগী মশক ওইবী পুকচৎপ(কোলেরা) অসি মতম য়াম্ন কুইরবদগী মরু চেৎন লৈরকপ ওইখ্রে। মসিগী মমিং জগতনি অমসুং মসিবু অবিচার (বিচার য়াওদব) কৌনৈ। মসি জ্ঞান নত্তন নিবৃত (মুথৎপ) ঙমদে। কনাগুম্বন অদুগুম্ব পোৎ অদুবু ফংব পাম্লব অমসুং মদুগীদমক্ত মপুংফান প্রয়ত্ন (হোৎনব)তৌরব মহাক্ত পোৎ অদুবু শোইদন ফংই। তৌইগুম্বসুং ৱাফম অসি মতম অদুতদ ওইথোকই মহাক্ত মরক্ত চোকথদুন নম্রগ শাওরংনদুন প্রযত্ন হোৎনরিব অদুদগী মাই লৈথোক্ত্রব।

শ্রীরামচন্দ্রন হংখি - শাস্ত্র খঙবশিংদ অথোইব গুরুদেব! আত্মজ্ঞানবু ফংহন্নবগীদমক্তকরম্ব শাস্ত্রন খ্বাইদগী মকোক ওইবগে, মদুগী জ্ঞান অদু ফংলবদ মীওইবন মতুংদ খক ৱাব লৈত্রব?

শ্রীবসিষ্ঠন মুনিন হায় - হে মহামতে! অদুগুম্ব শাস্ত্রশিংদুদ মরু ওইন আত্মজ্ঞানবু প্রতিপাদন তৌরিব মখোয়দুগী মনুংদ মহারামায়ন কৌব শাস্ত্র অসিমক্ত খ্বাইদগী ফব অমসুং মকোক ওই। উত্তম ইতিহাস অসিবু তাবদগী বোধ (জ্ঞান)

ফংব ওই। মসিবু ইতিহাস পুস্তগী সার (মচি) ওইবনি হায়নৈ। ব্রাণ্ডাংগী মশক ওইব (শাস্ত্র) অসিবু শ্রবন তৌরবদ করিগুম্বদ ময়েং তাব লৈত্রব জীবন মুক্তি মথঙ্গ ফোংদোকচরকই। মরম অসিন মসিমক্ল পুম্নমক য়েংনবদ থোইদোক ক্লেন্দোক্ল শেংব (অত্যন্ত পাবন) ওই। অসুম্ন মদুদি মগুনচিংবদ লৌরিঙৈমক্তদ মসি মগুনি হায়ব জ্ঞান অসি ফংলবদ মগু অদু অচুম্বনি হায়বগী ভাবনা মাংখি মতৌ অদুগুম্ন শাস্ত্র অসিবু বিচার তৌবদগী মসি খঙব ঙমলকই মদুদি জগত পুম্ব অসি মগুগী মতৌগুম্ন মিথ্যা ওই। মতমদুদ জগত অসি অদুগী অদু ওইন লৈজরবসু জ্ঞানীগী মিয়েংদ উদব, লোৎখিব ওই। আত্মজ্ঞানগী তঙাই ফদব অদু অদুগুম্ব যুক্তিশিং শাস্ত্র অসিদ য়াওরিব মথোয়দুমক অতোপ্প গ্রন্থশিংদসু ফংব ওই। মরম অসিন বিদ্বান পুরুষশিংন মহারামায়ণ অসিবু বিজ্ঞান শাস্ত্রগী মপুং ফারব লনগী পুকৈ লৌনৈ। কনাগুম্ব মহাক অদুন নুমিৎ খুদিংগী মহারামায়ণ অসিবু শ্রবন তৌরিব মঙোন্দ থোইদোক হেন্দোকপ চমৎকার (অঙকপ) লাকই। মাগী বুদ্ধি অতোপ্প গ্রন্থশিং স্বাধ্যায় তৌবদগী পোক্লকপ বোধ(জ্ঞান) দগী হেন্দোকপ অথোইব (উত্তম) বোধ(জ্ঞান)বু ফংহল্লি; মসিদ চিংনিঙাই লৈতে। করিগুম্ব ফত্তব কর্মগী মহৈ ফাওগৎলকপন মরম ওইদুন মহাক অদুন লাইরিক অসিগী মফমদ অপাম্ব নম্রগ শ্রদ্ধা পোকত্রব, মঙোন্দ শাস্ত্র অসি অপাম্ব ওইদ্রব মহাক্ল অতোপ্প করিগুম্ব জ্ঞান প্রধান ওইব সৎ-শাস্ত্রবু বিচার তৌবদ ঐখোযগী করিসু পামদব লৈতে। মদুদি অথোইব য়াম্ন ফব হিদাক চারবদ মশান লাইকোকপ ওইব মতৌ অদুগুম্ন য়োগবাসিষ্ঠ মহাবামায়ণ অসিবু শ্রবন তৌরবদ জীবন্ মুক্তিবু মশান অনুভব ওইব ফংই।

(সর্গ - ৭- ৮)

-o0o-

জীবন্মুক্তিগী লক্ষণ জগতকী অসত্তা অমদি ব্রহ্মদ মসিগী খেন্নদবগী প্রতিপাদন, পরব্রহ্ম পরমাত্মাগী স্বরূপকী বর্ণন।

শ্রীবশিষ্ঠনে হায় - রঘুনন্দন! মখোয়দুগী পুক্নিংন পরমাত্মা [illegible] দুন লৈরিব মখোয়দুগী প্রাণ মঙোন্দ নুঙাইদুন লৈরিব মখোয়দু [illegible] মগা অমগা পরমাত্মাগী জ্ঞান বোধ [illegible]দুন মতম লৈব খিবিক্ত পরমাত্মাগী চর্চা [illegible] বিব [illegible] পঙ্দুন লৈব অমসুং মদুদ মতম পুম্বদ লুপশিন্দুন লৈরিব, সুপ্নগী জ্ঞা[illegible] মখোয়গী নিষ্ঠা ওইব অমদি মতম পুম্বদ পরমাত্মজ্ঞানতবু বিচার তৌরিব অদুগুম্ব মীশিং মদুদ জীবন মুক্তি অসিবু ফংব ওই, মদুন হক[illegible] থাদোক্লবগী মতুংদ বিশুদ্ধ মুক্তিমক ওই।

শাস্ত্রগী মতুংইন্ন ব্যবহার তৌরবসু মখোয়দুগী মিৎযেংদ অদুগী অদুম ওইন লৈরিব জগত অসি বিলীন মুৎথিব ওই অমসুং আকাশক মান্নন শন্য ওইন উরকই মতমদুদ মহাক জীবন্মুক্ত কৌই। মহাক অদুন ব[illegible] হা [illegible] ান লৈনমক অমত্ত ওইব বোধ নিষ্ঠানু ফংলগ জাগ্রতকী ফিভমদসু সুষুপ্ত (তুম্লিব) মীগী মতৌগুম্ন রাগ-দ্বেষ অমদি অধ্[illegible]নাদগী কোকপ ওইরব, মাবু জীবন মুক্ত কৌনৈ। মহাক অদুগী মাইথোংগী মঙা[illegible]ন নুঙাইবদ থোইগৎত্রব অমদি অব্বাবদ মকশিন্দ্রব অমসুং প্রারব্ধগী মতুংইন্ন খরদং ফংলকপ মদুদ অপেনবগ লোইনন পুন্সি লেল্লিব মহাক অদুমক জীবনমুক্ত কৌনৈ। মহাক অদুন বিকাব লৈত্রব আত্মাদ সুষুপ্ত (তুমখুন হুন্ন তুম্ব)গী মতৌগুম্ন লেপ্তুন লৈরগনসু অবিদ্যাগী মশক ওইব নিদ্রাবু নিবারণ (ঙাকথোকপ) ওইবদগী মতম পুম্বদ মিকপ থোক্তুন লৈরিব মহাক অদুগী জাগ্রত অবস্থা লৈত্রব (হায়বদি দেহ ইন্দ্রিনচিংবগী বোধ (খঙ্গব) ওইবদগী অদুগুম্ব ইন্দ্রিশিংন পদার্থশিংবু ভোগ তৌদব অমসুং মহাক অদুগী জ্ঞান বাসনা শুক্লে লৈত্রব মহাক অদুমক জীবন মুক্তি হায়না কৌনৈ। মঙোন্দ অহংকারগী ভাব লৈত্রব মাগী বুদ্ধি কর্ম তৌব মতমদ কর্তৃত্ব (থৌনগী) অমসু তৌদব মতমদস থৌবু ওইদব (অকর্তৃত্ব)গী অভিমান পকত্রব মহাক অদবু জীবনুক্ত কৌনৈ। মহাক অদুন জ্ঞান স্বরূপ পরমাত্মাগী মিৎ পাঙ্গব অমসুং খাজিক্ত কুপ্পথক্তদ মবোল অহমগীপ্রলয় অমসুং উৎপত্তিবু উরিব অমদি মহাক অদুন পুন্নমকী মফমদ মশামক্ক মান্নন খল্লিব হাযবদি মহাক অদুন পুন্নমকী মফমদ আত্মভাব থম্লিব

মহাক অদুবু জীবন্মুক্ত কৌনৈ। মান মরম ওইদুন মীশিংগী লাংতক্লব (উদ্বেগ) ওইদব অমসুং মীশিংদগী মান লাংতক্লবখোয়রাংব ওইদ্রব অমদি কলক য়েংথি অশাওব অমসুং অকিব লৈত্রব মী মহাক অদুবু জীবন্মুক্ত কৌনৈ। মহাক্কী মফমদ সংসার অসিগী সত্যতা বুদ্ধি মাংখ্রব, মহাক অদু অতোপ্পশিংগী মিংয়েংদ হকচাং কায়াংশিংন তিনব ওইজরবসু তশেংবমক্তি কায়াংশিং লৈত্রব অমদি চিত্ত য়াওব ওইজরবসু তশেংবমক চিত্ত শূন্য ওইবব মহাক অদু জীবন্মুক্ত কৌনৈ।

শ্রীরাম বিদেহ মুক্তিমত্তুব্বু মুক্তি কৌনৈ। মসিবু ব্রহ্ম হায়নৈ অমসুং মসিবু নির্বান কৌনৈ। মসিবু কমদৌন ফংব ওই মদু হায়রক্কে; তারো। ঐ, নং, মসি, মহাক অসিনচিংব মওংদ অসুম্ন সংসার দৃশ্য জগত উহল্লিব, মসি অচুম্ব অরৈব (সৎ) ওইনা উরি অদুম ওইনমক অখুংবীগী মচাগুম্ন মসিগী পোকখিব করিগুম্বদ লৈখিদে। অসুম্ন পুক্লিংদ লেপ্লবদ মুক্তি অসি ফংব ওই। অদ্বিতীয় শান্ত চিন্ময় ওইব অমসুং আকাশকী মতৌগুম্ন মক্তুব ব্রহ্ম অদুমক জগত পুম্ব অসিনি। মরমদি পুম্নমক্ত সত্তা মাত্র লৈ হায়বসিমতং খঙব (বোধ) ওই। রঘুনন্দন! ঐন সনাগী খুজিদ য়াম্ন বিচার তৌরবদসু শেংলব সনাখক নত্তন খুজির্নচিংব পোং অমত্ত উব ফংদে। ঈশিংগী ইথকশিংদ ঈশিং নত্তন অতোপ্প পোং উব ফংদে, মরমদি মদুদ ঈথক উদ্রব মতমদুদ মফম অদুদ ঈশিং খক্ত লৈ (মরম অসিন ঈথক লৈরিব মদুসু ঈশিং নত্তন করিসু লৈতে) নুংশিং নত্তন করিগুম্বদসু স্পন্দন(লেংব হুম্ব) কৌব করিগুম্ব পোং অমত্তসু লৈতে। স্পন্দন মতম পুম্বদ নুংশিংকী মশকমক্তি। মরম অদুন দৃষ্টান্তশিং অসিগী মতুংইন্ন জগত অসিসু ব্রহ্মদগী খেন্নব নত্তে। আকাশত অহাংব শূন্যতা ওইব, মরুভূমিদ তাপ মৈশামক্ত ঈশিং ওইব অমসুং প্রকাশত মতম পুম্বদ তেজ লৈবগুম মতৌ অদুমক্কুম্ন মরোল অহম্মক পরব্রহ্ম পরমাত্মামক্তি।

শ্রীরামচন্দ্রন হায় - অদুগুম্ব যুক্তি অদুন দৃশ্য জগত অসি শুক্লে লৈতবগী ভাব অদুবু খংলগ মুক্তি ওইব অদুগুম্ব পুমথোই থোইব নাতে যুক্তি অদুবু নহাক্ত ঐঙোন্দ উপদেশ তৌবিয়ু। দ্বৈতগী অভাব (লৈতব) ওইরবতদ নির্বাণ ফংব

ঙম্ব ওই। মরম অসিন অদুম্ন তৌরগ দৃশ্য জগতকী অত্যন্ত অসত্তা (শুক্লে লৈতব)বু সিদ্ধ ওইব অমসুং মসিগী মওংদ মহৌশা স্বভাবনিষ্ঠ ওইন ব্রহ্মখক্ত ঙান্দুন লৈববু খঙব গুম্ব অদুগুম্ব উপদেশ অদুমক ঐঙোন্দ পিবীয়ু। মহর্যো! করম্ব যুক্তিদগী ৱাফম অসিগী জ্ঞান ওইগনি অমসুং কমদৌন ৱাফম অসি পাংথোকপ সিদ্ধ ওইবনো? জ্ঞান অসিবু সিদ্ধ ওইরব পাংথোক্লব অদু ওইরবদি অমুক তৌগদব থৌ (সাধ্য) করিসু লেমহৌব কৌব লৈররোই।

শ্রীবসিষ্ঠ ঋষিন হায় - রঘুনন্দন! মিথ্যা জ্ঞানগী মশক ওইব বিষূচিকা অসিন মতম কুইনদগী চেৎন মরু মরা তাদুন লৈখ্রে। লেপ্লমক বিচারগী মশক ওইব মন্ত্রদগী মসি মরু ফুক্ল মাংহনব য়াই। মখল পুম্নমক্কী পোৎশিংন তিল্লব অমদি দেবতা অসুর অমসুং কিন্নরনচিংবগ লোইনন হেক লৈরিব অচৎ-চত্তগী মওং ওইন উরিব জগত অপুম্ব অসি প্রলয়গী কালদ অসৎ অমসুং অদৃশ্য ওইদুন কাদায়দ চৎখিবনো খঙদন মাংখিব ওই। অদুগী মতুংদ শক অমসুং মিং লৈতব শান্ত গম্ভীর অমদি অনির্বচণীয় (করিনো হায়বসি খঙদব) সত্ (অরৈব) লেমদুন লৈহৌই। মহাক অদু তেজ (মঙাল)সু নত্তে শন্দোক্লব অমম্বসু নত্তে; শূন্য অহাংবসু নত্তে শকাইবসু নত্তে দৃশ্যসু নত্তে, দর্শনসু ওইদে অমসুং ভুৎশিং অমদি ভৌতিক পদার্থশিংগী মপৈসু নত্তে। মহাক পুংতোপ-তোম্প অরৈব পোৎ, সৎ-বস্তু লোইনাই খমনাইদব মওংদ লৈ। শক মিং (নাম রূপ) লৈতবমক ওইবন মাগী স্বরূপপু বিশেষ অকক্লব মওংদ বর্ণন তৌব ঙমদে। মহাকী স্বরূপ পুর্ণদগীসু হেন্ন পুর্ণতর মপুং ফাবদগীসু হেন্ন মপুং ফাবনি। মহাক উননব য়াওদব (দৃশ্য শূন্য) চিন্মাত্র অসীম (ঙমখৈ লৈতব) অজর, শিব, হৌব, ময়াই অমসুং অরোইব লৈতব কারণ শূন্য (মরম লৈতব) অমদি অৱা অনানচিংব য়াওদব। মাগী নাকোং পান্দে, লৈয়েং পান্দে, নাতোন লৈতে, উন্সা লৈতে অমসুং মমিৎসু লৈতে; অদুম ওইনমক মহাক মতম পুম্বদ মফম পুম্বদ তাই, মহাও লৌই; মনম্ নম্মী, শোকই অমসুং য়েংই মতৌ অদুগুম্ন মথক্ত হায়খ্রিব সদসত্ স্বরূপ প্রপঞ্চ ওইন উহল্লিব, - মহাক চৈতন্যময় প্রকাশসু মহাকমক্লি মখল মখাগী অঙকপ শক্লোন পুরিবসু মহাক্রমক্লি।

হৌব লোইব লৈতব স্বরুপপু ফংদুন মফম পুম্বদ ঙাম্বোকপ ওইরিব নিত্য চেতন ব্রহ্মসু মহাকমক্রি। সামান্য ওইব মওংদদি মফম পুন্নমক ঙান্দুন লৈ তৌইগুম্বসুং অন্তকরণদ বিশেষ থোইদোকপ মওংদ অংংপ লৈতন ঙাম্বোক্তুন লৈ, চিন্ময(অখণ্ড শক্তি মশক ওইব) মৈঙ্গলনি অমদি মহাক্তগী মঙ্গলদগী মরোল অহুম ঙাম্বোকইবনি। মাগী নত্তন নুমিৎনচিংব প্রকাশ পুন্নমক অসি অমম্ব(অন্ধকার)গী মশক্রি। মহাক্ত লৈবতদগী ত্রিভুবনগী মশক ওইব মৃগ তৃষ্ণাগী প্রবৃত্তি ওইবনি। (হায়বদি নুমিৎকী কিরণশিং ঙাম্বোকপ ওইরবতদ মদুদ মৃগ তৃষ্ণাগী ঈশিং ওইন উব) মতৌ অদুগুম্ন চিন্ময় পরমাত্মা মহাকমক্ত মরোল অহুমগী মশক ওইব ভ্রমগী উদয় ওইবনি) জগৎকী লৈশেম্ব অমসুং লৈমুৎপ (সৃষ্টি অমসুং সংহার) মহাক্কী তয়াম ঈপাল লাংবনি। খ্বাইদগী থোইব অমসুং শিঙ্খুংবনি স্পন্দ অমসুং অস্পন্দ (লেংব অমসুং লেংদব) মাগী স্বরুপনি, মাগী স্বভাবতি নির্মল অমসুং অবিনাশীনি নুংশিৎক মান্নন মাগী গতিশীল অমসুং গতিহীন সর্বব্যাপিনী সত্তা ব্যবহারগী ওইন সুপ্নগী মমিং খক্ত খেন্নবনি অশেংব মওংদদি খেন্নব নত্তব মহাকপুমক চিন্ময় পরমাত্মামক্রি খঙউ।

মহাক মতম পুম্বদ য়াকাইদুন লৈব, মতম পুম্বদ তুমদুন লৈব অমদি মদুন মফম পুম্বদ অমসুং মতম পুম্বদ তুমসু তুমদব অমসুং য়াকাইরবসু ওইদব মাগী স্পন্দন লৈতব (লেংদব) মওংদ কল্যান স্বরুপ অমসুং শান্ত ওই মাগী স্পন্দনশীল স্বরুপমক মরোল অহুমগী লৈবগী ফিভম ওইব, সপন্দ- অমসুং অসপন্দগী বিলাস (ইপাল লাংদুন শান্নব)মক্ত মাগী স্বরুপনি অদুগুম্ব অদ্বিতীয অমসুং অমদি পরিপুর্ণ স্বরুপ ওইননি। লৈশিংদ লৈনমগী মতৌশুম্ন পোং পুম্বদ মচি (সার) ওইন লৈরিবনি। মাংব নাইব পোংশিংদসু মাংদব মওংদ লৈবিব পোং পুম্বদ প্রত্যক্ষ তৌরিব বৃত্তিশিংদ ঙাম্বোকপগী মওং ওইন লৈবগনসু অঙৌব ফিদ লৈব অঙৌব মতৌগী মতৌগুম্ন অগ্রাহ্য (লৌব ঙমদব) ওইবনি। ৱাঙাং ৱাগনচিংব ইন্দ্রিশিং পান্দব মরমদগী লোম্বোক্তবগী মতৌগুম্ন লৈরবসু পুন্নমকী ৱাঙাংদ চংশিনব (প্রবৃত্তিদ) কারণ ওইবদগী লোম্বোক্তব ওইদব; মহাক মননরুপ বিকার

লৈতব মরম্ম নুংদমগী মতৌগুম্ব ওইরগনসু (পুংফ্রংন নীংব কনব) মননশীল নি। মতম পুম্বদ শোল্লব ওইদুনসু ভোক্তানি অমসুং অকিঞ্চন (ক্রিয়ানচিংব লৈতব) ওইরগনসু কত্তানি; মহাক কায়াৎ লৈতবনি অদুম ওইমক লোক পুম্নমক্কী অঙ্গ প্রত্যঙ্গ অমসুং নি, মহাক অদু মপাম্বোম লিশীং লিশীং অমসুং মমিৎ লিশীং লিশীং পানবনি, লেং ওত্তব মওংদ লৈরগনসু মহাক্ক জগৎ পুম্ব শিম্বুংন শন্দোক্তুন লৈব, মদু ইন্দ্রগী পাঙ্গল য়াওদ্রব্য মদুন ইন্দ্রি পুম্নমকপু চংশাল্লব, মদুন রাখল যাওদ্রবসু মঙোন্দগী পুক্লিং শেম্বগী নিংশাশিং ফোংদোরকই.মাবু খঙব সাক্ষাৎকাব ওইদ্রবদ অরানব ভাবলৌদগী পোকপ(ভ্রান্তিজনিত) সংসারগী মশক ওইব লিলগী অকিব ওইদ্রন লৈব অমদি মাবু দর্শন খঙলবদ আশা পুম্নমক অমসুং অকিব পুম্নমক মাইকৈ পুম্বদ মফম খঙদন চেন্নখি। সমুদ্রদগী ইথক মচা মচাশিংগী মপৈন তিল্লব অচৌব চবাংনব ইথকশিং ওইরকই। মতৌ অদুগুম্ন চফু ফি (ঘট পট)নচিংবগী মওংদ মশীং লাকঙমদ্রব পোৎশিংগী কাংলুপশিং পোক্লকই, মদুদি মুখ্য পাম্বোম ফাবী, লীক্লু, খোংজিনচিংবগী মওংদ মনাখক্তুন অতোপ্প ওইন উহনব মতৌ অদুগুম্ন চাম-চাম ওইব চফুনচিংব পোৎশিংবু ভ্রমদগী তোঙান্নব অতোপ্প ওইন ঙাম্বোকই ঈশিংদ মিকুপ খুদিংগী মাংব ওইরিব ইথক্কী পনেংশিং ফো দোক্তুন লৈবগুম মতৌ অদুগুম্ন মঙোন্দগী অতোপ্প ওইন, তোঙান্নব ওইন, হান্নগীগুম্ন অমসুং অনৌব মওং ওইন মিকুপকী হোংব (ক্ষণ ভঙ্গুব) দৃশ্য পবমপবা দৃশ্যগী পাবি পুবী ফোংদোরকপ ওইবিব মদুব্ন চিন্ময় পবমাত্মামাক্ল খঙ উ।

বঘুনন্দন! নহাক্ল অদুগুম্ব মওংদ লৈবগ থবক তৌবিব, মশক, মওং, মগাও মনম, শোকপ খঙব, অমসুং জ্ঞানবু খঙলিব, প্রমাতা চেতন অদুমকসু মহাকমক্লি, অমসুং মদুন মরম ওইদুন খংলিব মহাক অদুসু পবমাত্মা দেবমক্লি। হে অফব মী। অউব, উরিব অমসুং দৃশ্যগী মরক্ত সাক্ষীগী মওংদ মাগী দর্শন ওইন মহাকপু নংন পুক্লিং অনি লোংদব ওইন (একাগ্রচিত্ত) নশাগী আত্মামক্লি খঙউ। শ্রীরাম! পরমব্রহ্ম পরমাত্মা, অজন্মা, অজর অনাদি সনাতন নিত্য কল্যানময,

নির্মল, অমোঘ (পাপ পক্তব) পুম্নমক্কী পুমথোই থোইব খুরুম্নফম, অনিত্য ওইব ইরাং ইপোম অমত্ত য়াওদব মরম পুম্বগী মরম ওইব অনুভবকী মশক ওইব খজ্জমদব, জ্ঞানস্বরুপ, বিশ্বরুপ অমদি অন্তর্যামী (মনুং পুম্নমক খঙব)নি।

(সর্গ - ৯)

~o0o~

জগতকী ব্রহ্মদ খেন্নদব মতৌ। পরমার্থ তত্বগী লক্ষণ মহাপ্রলয় মতমদ জগতকী অধিষ্ঠানগী বিচার অমদি জগতকী ব্রহ্মরুপ ওইবগী প্রতিপাদন।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় রঘুনন্দন! জগত অসি কবিগুম্ব ব্রহ্মদগী পোক্লকপসু নত্তে অমসুং মঙোন্দ লুপশিনবসু ওইদে। মতৌ অসুম্ন সুপ্নগী ব্রহ্ম খক্তন মশান মশাদ মতম পুম্বদ লেংদন লেপ্তুন লৈজবনি। ব্রহ্মদ অদুগুম্ব শুন্য শব্দার্থগী কল্পনা তৌরুরিব হায়বদি মাবু অহাঙব শুন্য অসুম্ন হায়রুরিব মদু অসুন্য হাঙদবগী অপেক্ষা (মহুত্ত)দগী হায়বনি। অশেংবদি মহাক শুন্য নত্তবগী মশক (সৎ)নি। মঙোন্দ শুন্য ওইব অমসুং শুন্য ওইদবগী কল্পনা কমদৌন ওইথোকই। জ্ঞানগী আকাশ (চেতন আকাশ)মশক ওইব ব্রহ্ম অসিগী প্রকাশ সুপ্নগী মশাগী অনুভব খক্তগী বিষয়নি। বুদ্ধিনচিংবগী মনুংদ অন্তর্যামীগী মওংদ লৈরিব মহাকী অনুভব অদুমক তৌজবনি অতোপ্পন নত্তে। মরমদি (মহাক স্বানুভবৈকবেদ্যনি) লেং-হাইব য়াওদব নিশ্চল ওইবগী মরম্ন সৌম্য (শান্ত) মওং ওইব মহাসাগরগী ঈশিংদ অদুগুম্ব মখলগী চাওর চাওরব ইথকশিং হৌই, মতৌ অদুগুম্ন নিরাকার ব্রহ্মদ মদুগ শম্নন বিশ্ব অসি লৈবনি। মপুং ফাবদগী মপুং ফাবতমক শন্দোকই; অদু মপুং ফাবদ য়াওদুন লৈ মদু মপুংফাবমক্কি। মরম অসিন বিশ্ব করিগুম্বদসু পোকখিবমক নত্তে অমসুং অদুগুম্ব পোক্লকপ ওইরব মদু সৎস্বরুপ (ব্রহ্মরুপ)

মক্কি মহাক পরমানুদগীসু হেন্না কুপ্পী, কুপ্তগীসু হেন্না কুপ্প অনু, পরম শুদ্ধ, সুক্ষ্ম শান্ত অমসুং আকাশ ময়াইগী শরুক্তগীসু হেন্না নির্মল (মক্তব)নি। মাইকৈ মতম, অমসুং চাংওন্না মাগী স্বরুপ খাজিনব ঙমখে ওইহনব ঙমদে মরম অসিন মহাক হেন্দোক্ল শন্দোকপ (সর্ব্ব্যাপক) ওই। মাগী হৌব- লোইব লৈতে। মহাক মশান ঙাঞ্জব (স্বযং প্রকাশস্বরুপনি। অতোপ্প কবিগুম্ব মঙাল অমদগী ঙাম্মোকপগী মতিক লৈতবনি।

শ্রীরামচন্দ্রন হংখি- ভগবন। অনন্ত চেতনস্বরুপ পরমাত্মতত্বগী কবম্ব মওংনো বিষয অসিবু নহাক্ল অমুক ঐঙোন্দ হাযবিযু মদুদগী মাবু যাম্ন ফজন খঙব ঙম্লনব।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায রঘুনন্দন। মহাপ্রলয ওইবক্লব মতমদ কারণ (মরম) পুম্নগীসু মরম ওইব পরম ব্রহ্ম পরমাত্মা খক্ত লেমদুনা হৈরোই। মদুগী বর্ণন তৌরক্কে, তাবো। সমাধিদ নিবোধন মরম ওইদুনা পুক্লিংগী ব্ত্তিশিং মাংখ্রব মতম অদুদ পুক্লিংগী মশাগী স্বরুপ মাংখ্রগ অনিবচনীয (ব্লাহৈনহাযব যাদব) মশান ঙাঞ্জব সদরুপ লেমহোদুন লৈ। মদুমক লোইনাইদ্রব চিন্ময পরমার্থ-বস্তুগী মশকনি। উবল্লিব দৃশ্য জগত লৈত্রব অমসুং দৃশ্যগী লৈতব (অভাব)তগী দ্রষ্টা (উবল্লিব মী) সু লুপশিনখিবগুম তৌই মতম অদুদ দ্রষ্টা দৃশ্য অমসুং দর্শন (অযেংব অখঙব, উগদব পোৎ অমসুং উব যেংবগীথবক) অহুম(ত্রিপুট)অসিগী লুপাখিব (মুৎখিব) ঙাম্মোক্লিব(খঙলিব) সাক্ষী ওইন লেমদুন লৈহৌবিব জ্ঞানগী মশক ওইব ব্রহ্মদুমক পরমার্থ বস্তুগী স্বরপনি। জীবগী মশক ওইব চিত সত্তাগী অদুগুম্ব অচিন্তনীয ওইব চিন্ময অদু মত্তুব অমদি শান্ত স্বরুপনি। মদুমক পরমার্থ বস্তু নত্রগ পরমাত্মাগী রুপনি। আকাশকী অদুগুম্ব অথুপ্প বহস্যদি শিনব থংবনি, নুঙগী তত্বগী ওইব মশক মপঙ কুংশিনব ঘনত্বনি অমদি নুংশিংকী অথুপ্পাদ নংপালদ শিন থুংবনি মদু মাগী চেত্য ভিন্ন (মশক উদব) চেতন আকাশ স্বরুপ পরমাত্মাগী স্বরুপনি। খঙব ওম্ব (বুদ্ধি বৃত্তি)গী, প্রকাশ (পোৎশিং ফোংদোকপ)কা দৃশ্য (বিষয)গী অমসুং তম (অজ্ঞান খঙদব)গী সাক্ষী ওইবিব অদুগুম্ব অনাদি-

অনন্ত (হৌব লোইব লৈতব) বেদন (জ্ঞান) ওইরিব মদু পরমাত্মা অদুগী মশক্তি। খঙ্গদব, খঙব অমসুং খঙলিব মী জ্ঞেয়, জ্ঞান অমসুং জ্ঞাতা মাংদ উব ওইরিব (অহুম লোংব) ত্রিপুটী অসিন মঙোন্দ পোংদোক্লফম ওইরিব, মদুদ তুংদুন লৈরিব অমসুং মদুদ লুপশিনখিব ওইব মদুমক পরমাত্মাগী পরম দুর্লভ ওইব রূপ মশক্তি।

শ্রীরামচন্দ্রন হংলম্মী- ব্রাহ্মণ: অদুগুম্ব ইদং(মসি)গী মওংদ প্রত্যক্ষ ওইন উদুন লৈরিব (জগৎ) মসিবু অদোম্ন ব্রহ্মদ (অভাব) লৈতবনি হায়বীরিব দৃশ্য-জগত অসি মহাপ্রলয় ওইব মতমদ কদায়দ তুংদুন লৈব ওই।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - রঘুনন্দন! অখুংবীগী মচা অমসুং আকাশকী বন করিগুম্বদসু লৈব নত্তে, মতৌ অদুগুম্ন হেক উরি-তারিব জগৎ পুম্নমক অসি মতম অহুম্মক্ত করিগুম্বদসু লৈব (অস্তিত্ব) ওইরকখিদে। জগত করিগুম্বদসু পোর্থকিবসু লৈত্রি অমসুং মসিগী মাংখিবসু করিগুম্বদ লৈতে। মদুগী অহানবদ সত্তাসু খক লৈরক্তন ওদু কমদৌন পোকপ লৈগনি অমসুংমদুগী মাংখিবগী মরমদ কমদৌন নৈনগনি।

শ্রীরাম্ন হংলম্মী - অখুংবীগী মচা অমসুং আকাশকী বৃক্ষগী (ভাবন শাদুন) কল্পনা অদুদি তৌনরী। কল্পনা অদু অসুম্ন পোক্লকই অমসুং মাংখিব ওইব, মতৌ অদুগুম্ন জগত অসিসু পোক্লকপ অমসুং মাংখিব য়াব করিগী ওইরোইদৌরিবনো?

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - সনাগী (রিং) খুজিদ লয়াশেংন উরিব খুজি ওইব মতৌ অসি তশেংনমক লৈতে, সনাখক্তন মদুগী মওংদ ঙাম্লোকপনি, মতৌ অদুগুম্ন পরব্রহ্ম পরমাত্মাদ জগৎ কৌব করিগুম্ব পোং অমত্ত লৈতে (মদুবু ঐখোয়ন জগত হায়রিব অদু ব্রহ্মমক্তি)। আকাশত অদুগুম্ব মতৌ লৈবিব মদু আকাশমক্তি, মহাক আকাশতগী খেন্নব অতোপ্প নত্তে। মতৌ অসিগুম্ন ব্রহ্মদ পত্যক্ষ ওইন ফংব ওইবগনসু জগত অসি মঙোন্দগী তোঙানব অতোপ্প নত্তে, মদুদি কালিমা কাজলদগী খেন্নব নত্তে অমসুং অয়িংব মতৌ উন্দগী খেন্নদে, মতৌ অদুগুম্ন পরমপদ পরমাত্মাদ তোঙান্ন উব ওইরিব জগত লৈতে। অয়িংব মতৌন থা অমসুং উন্দগী তোঙানব ওইদব অদুগুম্ন লৈশেম সৃষ্টি অসিসু ব্রহ্মদগী তোঙানব

নণ্ডে। মরুভূমিদ উরিব মৃগতৃষ্ণাগী তুরেলদ ঈশিং লৈতব অমদি মিংকী দোষতগী উরিব অনিশুব থাদ থা ওইব মতৌ লৈতব মতৌ অদুগুম্ন মক্ত্রব পরমাত্মাদ প্রত্যক্ষ ওইন উবিব ও-পুনসু জগৎ কৌব করিগুম্ব পোৎ থা তসু লৈতে। মঙদ মঙব্ উরিব মীগী অন্তকরণ (পুক্লিং)দ অদুগুম্ব মঙগী ওইব জগতকী ভ্রান্তি (ভ্রম তৌব) ওইব মদু সুপ্নগী সংবিত (জ্ঞান)গী বিকাশথক্লিন মতৌ অদুগুম্ন লৈশেমগী অহৌব মতমদ ব্রহ্মমক্তদ জগত অসিগী বিকাস ওইখিবনি। মবম অসিন মসি মঙোন্দগী খেন্নব অতোম্প নণ্ডে। দ্রবত (মহি ওইব মতৌ) ঈশিংগী মওংমক্লি, স্পন্দন (নীকপ-হাইব) নুংশিৎকী মওংমক্লি অমসুং আভাস (মমি) মঙালগী মশকমক্লি, মতৌ অদুগুম্ন ভূত ভবিষৎ অমসুং বর্তমান মতম অহুম্মক্ত উং ওইরিব জগত ব্রহ্মরূপমক্লি। মঙ মঙলিব মীগী মনুংগী চৈতন্য (জ্ঞাতন) মক্ল গ্রাম-নগরনচিংব উব মতৌ অদুগুম্ন পরমাত্মাদ মশাগী চিন্ময স্বরূপমক্ল জগত ওইন ঙাম্মোকপনি।

শ্রীরাম্ন হংই - ব্রহ্মণ! দৃশ্যগী মশক ওইব হু অসি পোক্লকপ ওইরবসু মঙদ উব জগৎক মানুনন মিথ্যামক ওইরবদি মসিন অসুকী মতিক কনশিন্ন চেৎন (সুদৃঢ়) উদুন করিগী লৈরিবনো? - মসি তাকপীযু।

শ্রীবসিষ্ঠন হায় - শ্রীবাম জগত অসি পুম্নমক্কী আত্মা ওইব ব্রহ্মগী মশকমাক্ল, ব্রহ্মদগী খেন্নব কবিগুম্বদ ওইদে। জগতকী মওংদ মসিবু উর্মিগ শক্তম মদু পুমংান লানব অসৎনি। রঘুনন্দন! মসি প্রসিদ্ধ পরমাত্মা মমখক্তন। মাগী বিষযদ অনিশুব লৈবগী কবিগুম্ব কল্পনা অমত্ত লৈতে। অদ্বিতীয পবমাত্ম মঙোন্দ জগত অসি মতৌ অদম্ন পোক্লকথি মদু নঙোন্দ মখা চৎথবকপদ তাক্লক্কনি। নুংশিবব রাম! মহাক অদুদগী দৃশ্য পদার্থ পুম্নমকশিং শন্দোরকপ ফংখ্রিব পরমাত্ম অদুমক, ব্যষ্টি অমসুং সমষ্টি (অমমমত ওইব অমসুং অপুনব ওইবগী মওং) জগত অসিনি। দৃশ্য বস্তুশিংগী দর্শন(উব) অমসুং মননীয (পুক্লিংন নিংব উব খনব যাব) পোৎশিংগী খনবদগী অদু অদুগুম্ব মওংশিং মখোযদুগী মওংদ মহাক মশামক

উদিত (ফোংদোকপ ঙাম্মোকপ) অমসুং বিলীন (মুৎখি-মাংখিব লুপশিনখিব) ওইদুন লৈরিব-- মদুগী আবিভাব অমসুং তিরোভাব ওইদুন লৈরিবনি।

(সর্গ ১০- ১১)

~o0o~

ব্রহ্মদ জগতকী অধ্যারোপ জীব অমদি জগতকী মওংদ ব্রহ্মতগী অখণ্ড সত্তাগী বর্ণন।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - রঘুনন্দন! সুষুপ্তি (তুমখুন হুন্দুন তুম্ব)মক স্বপ্নবত মঙগুম্ন উব, মতৌ অদুগুম্ন ব্রহ্মমকপু সৃষ্টি অসিগী মওংদ উবগী বিষয় ওইদুন লৈরি। মী অমগী বাসনা খক্তগী থবক ওইবদগী মঙগী (ঘনী-সুদৃঢ়) কনশিন চেংশিন্ন উব ওইদে। তৌইগুম্বসুং প্রপঞ্চ (জগৎ) অসিদি সমষ্টিগী বাসনাগী কার্য ওইবগী মরম্ন মসিগী য়াম্ন চেংশিন্ন (সুদৃঢ়) অমদি মথং মনাও নাইব ক্রমবদ্ধ ওইন উব ওই। সর্বাত্মক ব্রহ্মতন প্রপঞ্চ অসিগী অধিষ্ঠান (তোংফম শাগৎফম য়ুম্ফম)নি। ঙমখৈ লৈত্রব মঙালগী মশক ওইব অদুগুম্ব অনন্ত চৈতন্য মণি (ব্রহ্ম) ওইব, মাগী লৈব খক্তগী মওংমক সমপূর্ণ বিশ্ব অসিনি।

পঞ্চ ভূতশিংগী অদুগুম্ব তন্মাত্রাশিং লৈরিব মখোয়দুমক্ত জগতকী বীজ মরুনি। পঞ্চ তন্মাত্রাশিংগী মরূ (বীজ)ন আদি মায়া শক্তিনি, মাগী পরমাত্মাদ মরক খন্দব (ব্যবধান বহিত) হকথেংনব সম্বন্ধ ওই অমদি মামক্ত জগত অসিগী ফিভম ওইহনবগী মরম হেতুনি। মতৌ অসুম্ন জ্ঞানগী মশক ওইব পোকনাইদব অমদি অহানব লৈবম্ব পরমাত্মামক মায়ান মরম ওইদুন জগতকী বীজ (মরূ) ওই। মায়া হন্দোকখ্রবদ মহাকমক মশাগী শেংলব মওংদ মতম পুম্বদ অনুভবত লাকই। মরম অসিন জগত বৈভব (লল) অসি পরমাত্মাগী রুপমক্তি। অদুম্ন মঙদ

শেম শারুব তৌদন সহর ওইব মতৌ অদুগুম্ন মহাকাশকী মশক ওইব চাওরব বন্দ জগৎকী মশক ওইব উপালন হন্ন হন্ন পোক্লক্লগ মাংখিব ওই। মঙদ উন্নিব মীন মাগীদমক্ত সহরগী শেমগৎপগুম্ন তৌব মতৌ অদুগুম্ন চেতন আত্মাসু পৃথ্বীনচিংবগী সৃষ্টি তৌই। অশেংবমক্তি মতম অদুদসু চেতনগী কায়াৎ (শরুক) ওইব আত্মা অদুখক্ত লৈবনি। জগতকী মরূ (বীজ) হৌরকফম পঞ্চতন্মাত্রাশিংনি অমসুং মখোয়গী মরূদি অবিনাশী চেতন আত্মানি। অদুগুম্ব বীজ মরূ অদুবু মহৈ ফলনি হায়ন খংউ। (মরমদি উপাদন কারণ অমসুং মাগী কার্য (থবক ওইরিব) অদুগ খেন্নব নত্তে)। মরম অসিন জগত পুন্নমক অসি ব্রহ্মগী মশকমক্নি। কল্পনান শেম্ব অদুগুম্ব স্বরুপ মদু কমদৌন সত্য ওইব য়াগনি। করিগুম্ব পঞ্চ ভূতশিংগী তন্মাত্রাশিং ব্রহ্ম স্বরুপ ওইব তারবদি মখোয়দগী ওইরকপ মখোয়গী কার্যগী মওং অপৌব মহাভূত মঙাবুসু ব্রহ্মমক্নি খঙউ। মসিদগী মসি সিদ্ধ ওইরে মদুদি মতম কয়াদগী চেৎশিন কনশিন্ন দৃঢ়মুল ওইন লৈরক্লব মরোল অহুম অসি ব্রহ্মমক্নি।

মতৌ অসুম্ন জগত অসি করিগুম্ব মতমদ পোকপসু ওইদে, পোক্লকখিবসু উদে। মঙ অমসুং মনোরথ (ভাবন শাব)ন শেম্ব সহর অসত (চুমদব, লৈতব) ওইরবদসু অচুম্ব অওইবগুম্ন উব মতৌ অদুগুম্ন ব্রহ্ম আকাশকী মশক ওইব খ্বাইদগী পাকচাওব পরম ব্যোমময় চিন্ময় আকাশত জীবগী আকাশ ওইব মতৌ অসত ওইরগনসু সৎকুম্ন উই হায়বদি ব্রহ্মগী মশক ওইব মহাকাশ অদুদগী অতোপ্প খাইদোক্তব ওইরবসু খাইদোকপ তোঙানবগুম্ন উই। চিদাত্মা পরমেশ্বরদ কল্পনা তৌশিনব সমষ্টি-জীবাকাশ য়ান্নমক শন্দোক্নুন লৈরগনসু "ঐ মৈরিক্নী মতৌগুম্ন য়াম্ন পিকপ মৈগী মৈরিক্নি" অসুম্ন ভাবনা তৌবদগী মহাক মশাবু অদুম্নমক (অনুগী মওং) অনুভব তৌরকখি। আকাশত আত্মাগী মওংদ অদুগুম্ব অপৌব মওং (স্থুলতা)গী চিন্তন তৌই, ভাবনান মরম ওইদুন মশাবু অদুগুম ওইন অপৌবনি খলকই। সংকল্পদগী শেম্ব কল্পনাগী থা অশেংব সৎ নত্তে। মতৌ অদুগুম্নমক ভাবনান মরম ওইদুন ভাবিত ভাবন ওইব মওং (রুপ) অদুসু সৎ

নত্তে, অদুম ওইনমক সং (অচুম্বগুম্ন)কুম উব ওই। মঙ মঙলিব মীন মঙদ মশামকপু লম্বী চংপ মী অমগী মওংদ উব মতৌ অদুগুম্ন মহাক্র চিত্তগী কল্পনাদগী মশামক্ত লিঙ্গ দেহ অমসুং ওইরকদব স্থূ। শরীরগী শকউংপুসু ধারণ তৌই। মদুদি চীং মপান্দ লৈব ওইদুনসু মিংশেলগী মনুংদ লৈবগুম্ন উব, পুখ্রিগী ঈশিংদ মমি তারিব হকচাং মদুমকপু ব্যবহারকর্তাগুম্ন থংবগুম, লাপ্ন শন্দোক্তুন তাখিব য়াব খোঞ্জেলবুসু গুহানচিংব খাজিনবন অথিংব ওইদুন মদুগী মনুংতদ লৈব মপালদ শন্দোকপ ঙমদব অমদি মঙ অমসুং ভাবন শাব বিষয়গী সম্বিত(খঙব) হকচাংগী মনুংতদ মঙনচিংব উরিব বিষয় অদু মপান্দ লৈরব ওইরগনসু মশাগী মপালগী মশক থাদোক্রগ হকচাংগী মনুংদ অন্তকরন্দ ঙাম্বোক্রব ওই; মতৌ অদুগুম্ন মৈগী মৈরিক্ক মান্নন কুপ্প (অণু) উপাধিদ মশাগী মশক (স্বরূপত্বঃ) ওইব কল্পনা তৌশিল্লিব অদুগুম সূক্ষ্ম শরীর ওইব মদুগী মনুংদ লৈরিব জীবাত্মা অসিন বাসনাগী মশক ওইব দেহনচিংব ব্যবহারবু অনুভব তৌই। পুক্লিংগী মশক ওইব হকচাং মনোময় শরীর ওইব জীবন মশাগী মনোময় আকাশতদ অপৌব মওং স্থূলতা ওইবগী ভাবনা তৌদুন অপৌব দেহধারী ওইখি। মহাক্র মহাক্কী কল্পনাগী নুংতদ লৈদুন ব্রহ্মাণ্ডগী দর্শন তৌই। মনোময় শরীর ধারী জীবন পুক্লিংমকপু আত্মানি খল্লি। অদুগুম্ব আত্মা ওইব চিত্তদগী মাগী সংকল্পগী মতুংইন্ন মশাগীত ওইব গর্ভগী মশক ওইব যুম, দেহ, মতম কর্ম অমদি পোৎচংনচিংবগী কল্পনাশিংগী ভাবনা তৌরগ মিংনচিংব অশেম্ব মী ওইদুন আতিবাহিক কৌব দেহধারী (হকচাং পুব) জীবন মশাগী কল্পনাদগী শেমজব মখল মখাগী মিংওইব অদু অদুগুম্ব পোৎশিংবু অমসুং মশামকপুসু অসত্য(চুমদব) জগাত ওইব ভ্রমদ পুনশিন্দুন লৈ। মদুদি মিথ্যা ওইব মঙদ মীনম্বমক ওইব মশাবু পাইরম্ব উব, মতৌ অদুগুম্ন চুমদব জগৎকী মশক ওইব ভ্রমদ জীবাত্মা অসি মিথ্যাবিকাশ মীনম্ব চাওখৎপ ফংবগুম্ন খনব ওই। মহাক কবিগুম্বদ পোক্লকপ ওইদে ব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইব ভ্রম হৌগৎলক্লবদসু মসিদ কৈদৌঙেদসু করিগুম্ব পোক্লকখিব লৈত্রি। পোক্লকখিব ওইব করিগুম্ব পোৎ অমত্তসু উব ফংদ্রি, সুপ্নগী অনন্ত, নির্মল ব্রহ্মাকাশ খক্ত

মফম পুম্বদ লেংদন লৈবনি। সংকল্পন শেম্ব নগরগ মান্নব দৃশ্য প্রপঞ্চ অসি অৱৈব অচুম্বগুম্ন উরবদসু সত নত্তে। মসিবু কনাগুম্ব চিত্রকার ৰ মন শেমখি-শাখিব নত্তে অমসুং মসিদ মচু শংখিবসু নত্তে। মসি শারুব শুকতোংক তৌদব ওইদুন অনুভবতা লাকপনি অমসুং সত্য ওইদ্রবসু সত্য ওইবগুম্ন লৈবনি। মহাকল্পগী অরোইবদ ব্রহ্মানচিংবগী মুক্ত ওইখিবন মরম ওইদুন অশেংবমক ওইন বর্তমান কল্পগী ব্রহ্মান কনাগুম্ব মমাংগী মপোক্কী নিংশিংব ভম্ব ওইদে, মরম অসিন নীংশিংব অদুন জগত অসিগী পোকপদ কারণ (মরম) ওইব য়াদে। মরম অসিন বর্তমান কল্পদ ব্রহ্মা সংকল্পময় ওইব অদুম্নমক মঙোন্দগী পোক্লকপ জগত অসিসু সংকল্পদগী পোকপমক্কি লৌনবনি। পৃথ্বীনচিংব অসিগী লৈশেম সৃষ্টিগী বিষয়দ মতৌ অসুম্ন সাক্ষীগী অনাদি কালগী অনুভব ওইব মদুমকপু আদি কারণ (অহানব মরম)নি হায়ন লৌরবসু সাক্ষিবেদ্য (সাক্ষিন খঙব) মঙদ উব পৃথ্বীনচিংব পদার্থবু মিকপ থোকপ ক্বিভমদ মিথ্যা ওই খঙব মতৌ অদুগুম্ন অনাদি সাক্ষিগী সংস্কারদগী পোকপ জগৎসু মিথ্যামক্কি সিদ্ধ ওইগনি।

করিগুম্ব মফমদ নত্রগ মতমদসু দ্রবত্ব মহী ওইব মতৌ ঈশিংদগী খেন্নব খক ওইদে। মতৌ অদুগুম্ন করিগুম্ব মফম অমসুং মতমদসু সৃষ্টি অসি পরমাত্মাদগী খেন্নব অতোপ্প নত্তে। মতৌ অসুম্ন সৃষ্টি অসি ভ্রমদগী লিশিনখিব(চেংন কনশিনব, কুংশিনখিব) ওইন উবনি অশেংবমক্তি চাংমান্নদব অকুৎ-অতোং থোইদোক থোইজিন বিষমতা লৈতব পরমাত্মামক্ক মসিগী মওংদ লৈবনি। ব্রহ্মাগুনি হায়দুন উরিব অসি থোইদোক্ল শেংলব চিন্ময় ব্রহ্মদুমক্কি। মঙোন্দগী তোঙানব অতোপ্প পোৎ করিসু নত্তে। মতৌ অসুম্ন দৃশ্য জগত অসি আত্মাদ কল্পনা তৌশিনব ভ্রম মক্কি। শান্ত ওইব তুংনফম লৈতব, অদ্বৈত অমদি অমত্ত ওইবনচিংব ব্যবহারদ শিজিন্নরিবশিংসু য়াওদব ব্রহ্মগী মশকমক্কি। জগৎকী মওং ওইব ভ্রম অসি উদুন লৈব ওইরগনসু মসিগী মওংদ করিগুম্ব পোৎ অম পোকখিব ওইদে। মাইকৈ মরিমক্ত শুন্য অহাংব ওইব অদুগুম্ব নির্মল চেতনাকাশ ব্রহ্ম লেংদন লৈ, মহাকখক্ত মতম পুম্ব মফম পুম্বদ মশাগী শক্তম স্বরূপতদ লৈ। মঙোন্দ সংসারপুম্বসু লৈতে,

মাগী করিগুম্ব আধার তুংনফম ওইবসু লৈতে: তুংলগদবসু নত্তে: উনলব পোৎ দৃশ্যসু নত্তে, মত্তোন্দ অউব দ্রষ্টাপনসু লৈতে, ব্রহ্মাণ্ডসু লৈতে, ব্রহ্মাসু লৈতে অমসুং করিগুম্বদ মাগ ওম্ন তৈনব য়ানদবসু লৈতে, জগত লৈতে, পৃথ্বী লৈতে। হেক উরিব অরিব পূর্নমক শান্তস্বরূপ নির্মল ব্রহ্ম মত্তনি। মতৌ অসুম্ন পরব্রহ্ম পরমাত্মাখ্কতন মশাদ মশান বিকাশ ওম্মোক চাওথোকপ কংজবনি।

মহি ওইবন ময়ম ওইদুন ঈশিংতবু ঈথক ঈরে ইপোমগী মওংশিংদ উব মতৌ অদুগুম্ন চিত্তগী মশক ওইবগী ময়ম্ন আত্মামত্তন মশামক্ত জগৎ কুম্ন উবনি। জগৎ মত্তোন্দগী করিগুম্ব অতোপ্প পোৎ অম নত্তে। অসৎ ওইন ওইনমক মসি উবগী বিষয় ওই অমসুং মসিদ অচুম্ব সৎ ওইবগুম্ন অনুভবত লাকই। অরোইবদ (মহাপ্রলয়গী মতমদ) মসি অসৎ ওইনমক মাংখিব ওই। মতুদ কনাগুম্বন মশাগী অশিব উরম্মী মদু মিকপ থোরকপদ অসংমক্তি খত্তব ওই। মতৌ অদুগুম্ন অজ্ঞানগী কিভমদ উরিব দৃশ্য প্রপঞ্চ অসি জ্ঞান ফংলবদ অশংশঃ খত্তই। নত্রগ প্রলয় কালদ মসিগী সংহার মাংখিব ওইরবদ মদু মতুগী কিভমদ উরম্ব মশামকী শিরম্বগী মতৌগ মাম্নন মিথ্যানি। নত্রগ ব্রহ্মগী মশামকী মশক স্বরূপ ওইবগী ময়ম্ন দৃশ্য প্রপঞ্চ অসি সন্মাত্র অনাময় (শিদ্র লৈত্রব) অখণ্ডিৎ (মপুং ফাব) অনাদি অনন্ত অমদি চেতন আকাশ ওইব ব্রহ্মখ্কতনি (মত্তোন্দগী তোঙানব মসিগী সত্তা খক লৈতে।

(সর্গ - ১২-১৩)

-০0০-

ভেদবু ককথত্তুন সুপ্নগী ব্রহ্মখত্তগী অখণ্ড সত্তাগী বর্ণন অমদি জগতকী তোঙান্ন লৈব সত্তা ককথৎপ।

শ্রীবসিষ্ঠ মুনিন হায় - রঘুনন্দন! মতৌ অসুম্ন অহংতানচিংব উরিব কাংলুপকী মপৈ ওইব জগত অসি অশেংবমক ওইনদি করিগুম্ব পোৎ অমত্তসু

নত্তে। করিগুম্বদসু পোকখিব লৈতব ওইকগী মরম মসিগী অস্তিত্ব অৱৈব শুক্রেমক লৈতে। অমসুং মসিগী অস্তিত্ব লৈরিব মদুমক পরব্রহ্ম পরমাত্মামক্তি। করিগুম্ব মগুদ উরিব চীংন মাংব নাইদব ওইরব, অদু ওইরবদি জগৎ অসিসু মদুমক মান্নন মাংদব অবিনাশী ওই। করিগুম্ব মগুদ উরিব খুঙং লেংদন লৈব ওইরব অদু ওইরবদি অদুগুম্ন জগত অসিসু লেংদব ওইগনি। (হায়রকগী অর্থদি মখোয়দু মাংদব অমসুং লেংদন লৈব নত্তে, কিন্তম অদুমক জগতকীসু ওইবনি) করিগুম্ব চিত্রকার অদুগী চিত্ত (পুক্নিং) তপথব ওইরব অমসুং মদুদ বাসনাগী মশক ওইব তপথরব চিত্র য়েকপ নত্রগ শারবদি চিত্র অদুদ কল্পনান মরম ওইদুন য়েকপ লান্নীগ মান্ননমক জগত অসিগী আকৃতি (মশক মওং)নি। হায়বদি চিত্র অদুদ য়েক্রিব (নমলিব) লান্নী সেনা অদু লেপ্তব অমসুং অসত্যনি মতৌ অদুগুম্ন জগত অসিসুনি। আদি প্রজাপতিগীসু স্বয়ম্ভু কৌদুন ইহান হাম্ন অকাওব ওইখি, করিগুম্ব কারণ (মরম) অমত্ত লৈতে। মরমদি মাগী পুর্বজন্মগী কর্ম লেমদুন লৈহৌদে। মহাপ্রলয় ওইরক্রবদ পুর্বকালগী প্রজাপতি পুন্নমক মুক্ত ওখি, মরম অসিন মখোয়দ পুর্ব জন্মগী কর্ম করম্ন লৈব য়াগনি। ব্রহ্মমরু খাইদগী হাম্ন ওইব হিরণ্যগর্ভনি। মহাকমরু বিরাটনি অমসুং বিরাটমক সৃষ্টিগী স্বরূপনি, মতৌ অসুম্ন চিন্ময় পরমাত্মামরু জীবাকাশকী মওংদ লৈবনি। মদুদগী পৃথীনচিংব সত্ প্রপঞ্চগী পোক্রকপ ওই। (হায়বদি জগত অপুম্ব ব্রহ্মমক্তি ব্রহ্মদগী খেন্নব অতোপ্প অনিত্তব করিগুম্ব পোং অমত্ত লৈতে।)

সুপ্নগী অমত্ত ওইব শেংলব জ্ঞানগী মপৈ মত্তুব অমদি শিজুন লৈব ব্রহ্মখক্ত মতম পুম্বদ মকম পুম্বদ ওন্দুন লৈ। মহাক শক্তি পুম্নমরু তিনব ওইবদগী অদু অদুগুম্নব তৌওম্ব হৈশিংবন খল্লব কল্পনাশিংগী ভাবনা তৌরব মদুশিংদু মশামরু ফংব ওই- মশামক মদুগী মওং তদ্রূপ ওই। খুত্ত থাওমৈ পায়দুন খিরব নত্রগ য়েংলবদি অমম্ব উব ফংদন মাংখি, মাগী লৈফম কদায়দসু ফংদে। মতৌ অদুগুম্ন জ্ঞানগী মঙালন শন্দোরক্রবদ অজ্ঞানগী মশক ওইরব অমম্বগী তত্ত্ব মচি ফংব ওমদে। মাগী লৈফম ফাওব লৈতে। মতৌ অসুম্ন মচেং

লৈতব মরক খন্দব হৌব লোইব লৈতব অমদি শক্তি পুম্নন তিল্লব জীবাত্মা অসি অদুগুম্নব করিগুম্বদ ককথংপ লৈত্রব মহা চৈতন্যগী মশক ওইরব মচিগী মশক অংশ (স্বরূপ)গী শক্লাইবগুম্ন উন্নরিব, মসি ব্রহ্মমক্লি মঙ্গোন্দগী অতোপ্প খেন্নব অম নত্তে। ব্রহ্ম অদু মখল মওং পুম্ননক্ত 'মহান' ইথোই খোইবনি। দেশ কাল পরিণাম্ন ক্ষমথৈ ওইদুন খাজিনব ঙম্ব নত্তে। মরম অসিন করিগুম্বদসু মসিদ ভেদ খেন্নবগী কল্পনা লৈতে অমসুং করিগুম্ব ভেদগী কল্পনা তৌরব মদুসু ব্রহ্মমক্লি; মঙ্গোন্দগী খেন্নব নত্তে; মরমদি মফম পুম্বদ অসুম্নমক অনুভব ওই। চেতনগী অদুগুম্ব আকাশ অসিদগীসু হেন্ন কুপ্প (সূক্ষ্ম) শক্তিন মাইকৈ পুম্বদ শব্দোক্লিব স্বভাব অদুদগী অহানবদ অহংতা (অহংকার)গী দর্শন (অনুসন্ধান) তৌরকই। মদুদি ঈশিংন মশা মথন্তদ মশামক্ল কোন্সোল, ঈথক ইপোম্নচিংকী মওংদ ফোংদোরকপ মতৌ অদুগুম্ন আত্মান মশান মশাদ মশামক্ল ফোংদোকচরকপ ওই। মতমদুদ চেতন আত্মা অদুগী চিৎ শক্তি অসি সূক্ষ্ম অহংতা অদুগী দর্শন (অনুসন্ধান) তৌই; মদু মতুং মতুং মথং মথং চাওখংপ অপৌব মতৌ ফংলক্তুন অরোইবদ ব্রহ্মাণ্ডগী মওং আকার পুরকই। চেতন জ্ঞানগী অঙকপ তৌঙম্ব মতৌ ওই অদুগুম্ব চিতি শক্তি লৈ মহাক মশামক্ল মশান মশাদ অদুগুম্নব ফজব অঙকপগী সৃষ্টি তৌরিব মদুগী মমিং জগত হায়ন থমখরে। রঘুনন্দন! চেত্য (দৃশ্য) ওইব অদুগুম্ব অহংকার, মসিগী কল্পনা চৈতন্যগী মখাপোনবনি হায়বদি চৈতন্য খক্তগী কল্পনানি। অমদি তন্মাত্রানচিংব লৈরিব জগত মাগী কল্পনা অহংকারগী মখা পোনবনি। মতৌ অসুম্ন অহংকার অমসুং জগত চৈতন্য রুপমক্লি। অদুনদি চৈতন্য অদুদ দ্বৈত অমসুং অদ্বৈত কদায়দ লৈগনি। পুক্লিংগী নীংবগী থবক, চেষ্টা (সংকল্প)গী মশক অকুপ্প সূক্ষ্ম জগত ওইরি অপুম্ব মদু শূন্যমক্লি অমদি ইন্দ্রি অমসুং মখোয়গী অধিষ্ঠাতা দেবতাশিংগী লৈনফম ওইরিব অদুগুম্ব শক্লাইব অমদি অপৌব বিশ্ব মদুসু শূন্যমক্লি মরমদি অনিমক অসি চৈতন্যগী অঙকপগী মশক চৈতন্যমক্লি। মরম অসিন চৈতন্য (অখংব জ্ঞান) দগী অতোপ্প নত্তে। অদুগুম্ব পোৎ অদুন পোৎ অদুগী বিলাস হরাও-তয়াম ওইরিব মহাক মদুদগী করিগুম্বদসু খেন্নব ওইদে। কায়াৎন

তিনব, ঈশিংনচিংব হরাও-তয়াম্ব ওইব ইথকনচিংবদসু অসুম্ন উব ফংই। অদুনদি অবযব মশক লৈতব চেতনগী বিলাসত খেন্নদব (অভিন্নতা) ওইব অসিগী মক্তে করি অমুক হায়গনি। মতম পুম্বদ অচেত্য (উঙমদব নত্রগ মশক লৈতব) মিংনাইদব অমসুং পুন্নমক্ত শিম্থুংন শন্ন লৈব চৈতন্যশক্তিগী অদুগুম্ব মওং, মঙোন্দগী ফো দোরকপ ওইরিদ শংকীসু মশক অদুমক্রি। চৈতন্য (জ্ঞান) গী শক্তন জ্ঞেয়রূপ তোঙান তোঙানব শকওংশিং ওইরিব মখোযদুমকপু জগত কৌবনি, মরম অসিন জগত অসি চৈতন্য শক্তি অদুদগী নত্রগ চেতন আত্মাদগী খেন্নব নত্তে।

শীরাম! চেতন আত্মাগী অদুগুম্ব চৈতন্য (চেতনগী ওইব মতো) মদু জগতনি খঙউ। চৈতন্য অদু জগতগী খেন্নব নত্তে। করিগুম্ব চৈতন্যব জগৎ ভাব যাওদনা নত্রগ তোঙানব শইন লৈরবাদ, চিৎ, চিৎ ওইনা লৈবোই- চেতন চেতন কৌন যাদ্রে। (মবমদি মশাগী ধর্ম নত্রগ স্বরূপ ভূত ওইব জগতপু চেতঃ ভাগোন্নকপ মরমগীদমক্ত মাবু "চিত নত্রগ চেতন" কৌনবনি।)

চৈতন্যন মপুং ওইব চৈতন্য প্রধান অহংকাব কর্তানি অমসুং স্পন্দ প্রধান (লেং-হাইবনচিংব চেষ্টা ওইব) প্রাণ কর্ম (ক্রিয়া) ওই। অনি অসিদ কর্তাবসু খেন্নব লৈতে; মরমদি কর্তাগী মাগী ক্রিয়াদগী খেন্নব উদে। চিতকী লেং হাইব স্পন্দন খক্তন ক্রিয়া (প্রাণ) ওইবনি মদুন তিনব নত্রগ যাওব পুরুষমকপু জীব কৌনবনি। মতৌ অসুম্ন জীব অমসুং জগত্তসু খেন্নব লৈতে।) কার্য কারণনচিংব ভাবরূপ ভাবগী মশক ওইব চেতন-জগত আত্মাদগী খেন্নব লৈতে। মহাক চৈতন্য প্রকাশকী কুপফেং ঙানব মঙাল অমখক্তনি। মরম অসিন মফম অদুদ ভেদ খেন্নব পুম্নমক লুপাশনখ্রব (মাংখ্রব) পরমাত্মা অদুমক জগতনি মসি সিদ্ধ ওইরে। মতৌ অসুম্ন তত্ত্বজ্ঞান ওইরবদ মসি লেপ্পী মদুদি ঐ অচ্ছেদ্যনি (কৰিগুম্ব খুৎলাই অমত্তন ককথৎপ যাদব ঐনি) ঐ অদাহ্যনি (মৈন চাকপ ঙমদব ঐনি) ঐ অশোষ্যনি (নুংশিৎন কংহনব ঙমদব ঐনি) অমদি ঐ নিত্য ওইব সর্ব্বব্যাপী, লেংদব অমসুং চত্তবনি।

মশাগী ভ্রম অতোম্পশিংবু ভ্রমদ তাহল্লদুন য়েংনগনব মীন মথন মথন য়েংনব মতৌ অদুগুম্ন অজ্ঞানী ওইব মখোয় অদুতন পরমাত্মা তত্ত্বগী বিষয়দ বাদ -বিবাদ তৌদুন য়েংনবনি ঐখোয়দি ভ্রম য়াওদব ওইরে: মরম অদুন ঐখোয়গী মফমদ বিবাদকী মতম লৈতে। জ্ঞান লৈতব মীশিংন মদুগী অরৈব সত্তাবু য়াম্ন চেংশিন্ন য়াব ওইরিব, উরিব জগত অদু মখোয়গী মিংয়েংদ শকনাইব অমসুং সত্য ওই। মরম অদুন মখোয়গী ভাবনাগী মতুংইন্ন মদুদ তোঙানব বিকারনচিংব লৈব ওইথোকই।

অদুম ওইদুনসু আত্মজ্ঞানীগী মিংয়েংদ অদুগুম্ব নিরাকার, অসত্য অমদি চিন্ময় আকাশরূপ ওইব মদুদ আত্মাদগী তোঙানব বিকারনচিংকগী উব করম্ন ওইথোকনি।

চেতন আত্মা মশামক্ মশাগী মশক স্বরুপু করিগুম্ব মথল অমত্তগী শকওন বিকার লাকহন্দন অঙকপ আকাশকী মওংদ অবির্ভূত ফোংদোকই। অদুগী মতুংদ চেতন মশামক অদুন আকাশতগী পোকপ নুংশিং ওইদুন থোইদোকপ স্পন্দন(হৈনব-হুম্ব)গ লোইনন ফোংদোকই।মসিগী মতুংদ তেজতত্ত্ব (মৈগী তত্ত্ব)গী মওংদ শকফোংদোকচরকই চেতন মশামক্ক জলতত্ত্ব ঈশিংগী তত্ত্ব ওইদুন অঙকপ চাওখংপ ফংলকই। ঈশিং অদু লৈনুং তৌরগ থোরকইব পুথ্রি গুহানচিংবগী ঈশিংদগী তোঙানব ওই (মরমদি পৃথ্বগী লৈশেমগী অহানবদ মদুগী গুহানচিংব অদুগ সম্বন্ধ লৈব ওইথোকপ ওইদে) জলতত্ত্ব শেম্নবগী মতুংদ চেতন মশামক অদুন সনা লুপানচিংব ধাতুশিংন থল্লব পৃথ্বী তত্ত্ববু - দেবতা অসুর অমদি মনুষ্যনচিংবগী শরীর ভাবপুসু ফংখি(হায়বদি শেমখি)।

মতম পুম্বদ থোক্তুন লৈরিব চেতনগী মশক ওইব চন্দ্রমা মশামক্ক মশাগী অঙকপ রস মহাওগী নুঙাইবন তিল্লব থাবল অমসুং পুমহেন হেনব চিন্ময় প্রকাশ ওইদুন ফোংদোক্লি। মশাগী চৈতন্য স্বরুপকী জ্ঞানগী মঙালদগী দৃশ্য প্রপঞ্চ ওই অজ্ঞানগী অমম্ববু মাংখিব ওইরবদ চেতন আত্মা ওইব থাজন মশামকপু মপুং ফারব ওইদুন থোরকপ অমসুং ভাম্বোরকপ ওই অমসুং মশামক জড়তান খুদুম চনব ওইদুন স্থাবরনচিংব পদার্থশিংদ অহংভাব ওইবদগী সুষুপ্তি

ফিভম ফংলব ওই। চিন্ময় মহাকাশ ওইব ব্রহ্ম মশামক অবিচার দশা (ৱাখল খন্দব ফিভম) স্পন্দনশীল (লেংব-হাইব) প্রান্নচিংবদ আত্মাভাবকী কল্পনা তৌরুবদ স্পন্দী হায়বসি সংসারী ওইরকখি। অদুদগী অমুক বিচার তৌবদগী 'ঐ চেতনমক্রি' মতৌ অসুন্ন চৈতন্য জ্ঞান থোরক্রব মতমদুদ মহাক হান্নগী মতৌগুম্ন মশাগী মশক স্বরুপ ভূত ওইব চৈতন্যমক্ত হঞ্জিন্দুন ফিরেপখিব ওই। জগত অসি চেতনগী মশক ওইব তেজগী প্রকাশকী মণ্ডলনি। মরম অদুন ব্রহ্মগী মিংয়েংদদি মসি ব্রহ্মস্বরুপনি, তৌইগুম্বসুং জগতকী মিংয়েংদ মসি অস্তিত্ব শূন্য শুক্লেমক লৈতবনি। জগত অসি চেতনগী মশক ওইব অমত্ত ওইব আকাশকী শূন্যতানি(অহাংবনি) ব্রহ্মগী মওংদ মসি সংনি অমসুং জগত ওইব মওংদ অসংনি। জগত অসি চেতন ওইব মণ্ডলগী (আলোক) অচৌব মওংনি। ব্রহ্মদৃষ্টিদ মদু সংনি অরৈবনি অমসুং মদুদগী অতোম্প মওংদ মাগী সত্তা অরৈব ওইব শুক্লে লৈতে। জগত অসি চেতনগী মশক ওইব নুংশিং (বায়ু)গী স্পন্দখক্তনি। জগতকী মশক ওইব লৈয়ি অসি চেতনগী মশক ওইব মৈ অগ্নিগী মৈশা (উষ্ণতা)নি (মৈন মৈশাদগী থেন্নদব অদুগুম্ন চেতনগীসু জগত্তগী থেন্নদে)।জগত অসি চেতন ওইব ঈশিংগী দ্রবত্ব (লাংথোকপ মহী)নি, চিন্ময় চুগী অথুম্বনি, চৈতন্যগী মশক ওইব উনগী অয়িংব শীতলতানি: চেতন ওইব মৈরিগী মৈশানি, চৈতন্যগী মশক ওইব ইচেলগী ইথকনি অমসুং চেতন ওইবী সুবর্ণ সনান শাব খুজিনি। চেতনগী অরৈব সত্তামক্ত জগতকী সত্তানি। আকাশত অমকপ লৈতে মহাক পুমশেং শেংবনি মতৌ অদুগুম্ন চেতন পরমাত্মাদ থেন্নব অমসুং অহোংব বিকারনচিংব লৈতে-- মহাক মচেং শুকওই ওইদব অমসুং নির্বিকারনি। মতৌ অসুন্ন সং আত্মাগী মশাগী মশক স্বরুপ ভূত ওইবন সংনি, অতোম্প মখোয়গী অরৈব করিগুম্ব অস্তিত্ব অমত্ত লৈতে।

চিন্ময় পরমাত্মাদ কায়াৎ অবয়ব অমসুং কায়াৎনাইব মপুম অবয়বী - ৱাহৈ অনি অসিগী অর্থ থেবগী মচীগী মতৌগুম্ন অসত (লৈতবনি)নি। হেক লৈরিব পদার্থ পুম্নমক্কী অধিষ্ঠান ওইব চেতন আকাশকী মশক ওইব পরমাত্মাদ

ভূতাকাশ অসিদগী পোকপ নুংশিংনচিংব জগতকী মওং ওইব অমোংপ লৈব উই, তৌইগুম্বসুং অসঙ্গ আকাশতদি মাগী কর্ম ওইব বাসনচিংগ্গ সম্বন্ধ লৈত্রব অদুদদি চেতন মহাকাশ স্বরূপ পরমাত্মাদ প্রপঞ্চ অসিগী সত্তা, অসত্তা [illegible] নং, ঐনচিংব ভাবনাশিংগী সম্বন্ধ [illegible] লৈব য়াগদগো? সংসারদ হেক লৈতব কার্যশিং মথোয় পুম্বগী অপুনব কারণ [illegible] কাংলুপ পুম্বগী অহানব কাবণ ব্রহ্মানি। চিত্তদগী পোকপ পুক্রিংগী অপাধ্বদগী পোকপ সংকল্প বিকল্প পুম্ব অসৎ লৈতব ওই। মরম অসিন চিত্তদি স্বভাব ওইন কাব কনাগীসু কারণ নত্তে। মহাক অকাবণ কপর্মাক্রি অমসুং মদুমক ব্রহ্মানি। করিগুম্ব ঐ[illegible]যন হায়রব মদুদি চেত্য জগতকী অসৎ ওইববন চেতনস্ অসৎ ওইরগনি, মরমদি মহাক মশাগী স্বরূপ ওইব চেত্যদগী তোঙানব নত্তে, অদুন, ব্রাফম অসি চুমদে। চেতনগী অসত্ত লৈত্রবদি [illegible] সিদ্ধ তৌব ঙমদে মরমদি চেতন আত্মা অনুভবতগী সিদ্ধ তৌই। করিগুম্ব রৈব ওইব শোইদন থোরকই উদয ওইরকই মদুদি মথাদগী মমোন চোংবগুম্ব। ব্রাফম অসি প্রত্যক্ষ উনরিবনি (মরম অসিন সিদ্ধান্ত অসি লেংদ্রবান মদুদি পরমাত্মাগী সত্তা অরৈবথক্তদ জগৎ লৈবনি মনীং তম্ন লৈব নত্তে।

মহর্ষি বসিষ্ঠন ব্রাফম অসুক্তং হায়ববদ নুমিৎ হৌখ্রে। নুমিৎ অস্তাচলদ চংখ্রে মুনিশিংগী সভা অদু য়াচং-কালগী নিত্য কর্ম তৌনব স্নান তৌনবগীদমক্ত মহর্ষিব্ খুকম্লল্লগ হৌগৎনখ্রে। অমুক অহিং হৌখ্রব প্রাতকালগী নুমিৎকী মঙালগ লোইন-লোইনন মুনি মণ্ডলী অদু অমুক সভা ভবনদ লাক্লগ ফম্লররে।

(সর্গ -১৪)

পুস্তক্লপ যোগ বাসিষ্ঠকী, মৈতৈলোন্দ অতানব শরুক, মতাং অসিদ লোইরে।

—o0o—o0o—o0o—

ফোঙ্খবা লাইরিক খরা

১। জ্ঞান গঙ্গা

২। জ্ঞান পুষ্প

৩। আনন্দ সরোবর

৪। নুংশিব

৫। ঐখোয়গী ধর্ম

৬। গুরুগী শিদয়াই পাওতাক

৭। বিবেক চূড়ামণি

৮। অপরোক্ষানুভূতি

৯। ন্যায়-বৈশেষিক (১বা শরুক)

১০। বিচার সাগর (১বা শরুক)

Printed at : Dbros Offset Printer, A house of Printing !
Palace Gate New Checkon Road, Near Northern Trafic Island